ৱারেং অখোম্বা



মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ
ইম্ফাল।

থাদোকপা —
মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ,
পাওনা বজার রোড, ইম্ফাল।

অহানবা শাথোন
ইং ১৯৬৫, আগষ্ট কোপ্পী ১,১০০

অনীশুবা থোক বা—
ইং ১৯৭৩, ওক্টোবর কোপ্পী ২,২০০

মমল ১৫০/ (লাইব্রেরী এডিসন)

নম্ফম—
শ্রীগোপাল প্রেস
খ্বাই খোংচোম লৈকাই, ইম্ফাল

অহানবা ফোঙ্‌বগী ৱারোল

মনিপুরী সাহিত্য পরিষদনা খোমজিনজরিবা ৱারেং শর অসি আধুনিক সাহিত্যগী শকফম ঙাক্লনি। অদুগা অকোঙবগী শরুক্নগী খঙ্গবনি। গৌহাটি বিশ্ববিদ্যালয়গী বি, এ, গীদা মণিপুরীনা সবজেক্ট (Elective Subject) অমা ওইনা লৈরবদা চঙদবা য়াদবা লাইরিক অমা ওইনা থোকহল্লরি। মণিপুরগী মরীক চুম্লবা ৱারেং ইবশিংগী ৱাখলগী মশক অমদি লাইরিক অসিনা উৎপা ঙম্লবা য়াই। বিষয়গী মখল মথেল খরসু খোমজিনবদা য়েংশিনজখি। মপানগী সাহিত্যগী অমতং হায়ববু—হিন্দী সাহিত্যগী প্রেমচন্দগী ৱারেং অমখককী অনুবাদ য়াওরি। অতৈ শর য়াওগদবসু পার্মিসন্ন-চিংবগী বেরা খর লৈবনা চপ্তজদ্রে।

লাইরিক অসি ওইহন্নবা হোৎনবদা সহযোগ পীবীরক্লিবা অমসুং ৱারেংশিং ফোঙবগী অনুমতি পীবীরক্লিবা লেখকশিং অমসুং প্রকাশকশিংবু মণিপুরী সহিত্য পরিষদনা ধন্যবাদ তৌজরি। অদুগা লাইরিক অসিমক লৌশিনবগীসু গৌহাটি বিশ্ববিদ্যালয়গী অথোরিটিবু ধন্যবাদ তৌজরি।

ইম্ফাল — তাং ২৫। ৭। ৬৫

এলাংবম নীলকণ্ঠ সিংহ
জেঃ সেঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ।

য়াহৈ খরদং

"য়াব়েং অখোক্না" লাইব্রিক অসিগী অনীশুবা খুৎনম পুথোক্লবা হোৎনবদা মতম খর চংগ্রে। মরক অমা চে ফংউদবগা অমদি চেগী মমল হেক্কৎলকপনা লাইব্রিক অসি নম্বদা অচৌবা অপনবা অমা ওইখি। লাইব্রিক অসিগী য়াব়েংগী শরুক্তা হায়গী শায়োন্দগী থোইদোক্লা হাপ্তোক-হাপচিন তৌবা লৈতে। অদুবু হন্দক্কী খুৎনম অসিদা হায়গী অশোই-অঙাম, অয়ানবা কয়া চুমথোকচরবনি। অদুগা করিগুম্বা খুদোংচাদবা খরদগী লাইব্রিক অসিদা য়াউব্রিবা য়াব়েংগী মথং-মনাউদা খর হোংদোক-হোংজিন তৌগ্রে। মসিনা লাইব্রিকী মশাদা থোইদোক্লা অকাইবা লৈরোই নিংই।

চেগী মমল খংহেন হেনগৎখিবা অমদি ছাপা তৌবগী মমল খর হেনখিবনা লাইব্রিক অসি হায়গী মমন্দগী পৈশা য়াংখৈদং হেনগৎচরে। মসিগীদমক ময়াম্না য়ারৌবিরোই নিংজৈ।

এলাংবম রজনীকান্ত সিংহ
জেনরেল সেক্রেটরী
মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ।

ইম্ফাল
তাং ১৫ | ১১ | ৭৩ ইং

হীবম লামায়

খম্ব থোইবীগী ৱারী অমসুং মহাকাব্য

ওলাংথাগী সুমিদাংৱাইরমগী মতমনি সুমিৎনা চীংয়া থাংখরে, চীংয়া খেন্দোং লাংখরে, তময়া কোরি চেল্লে, 'অরাপ্পদা মেঙ্না সুংশিরবা বীণাগী খোঞ্জেল্লা রু রু লি য়ৌ খোংলি। লৈকাইগী শাবী শানৌদগী হৌনা হনু হন্থী লোইনা তিল্লি, কনানা বীণাগী সুংশিরবা স্বরদা তাবদা পেল্লি। কনানা বীণা ঈশৈ শক্লিবা গায়ক্কী স্বর খোলহেক, ছন্দ, তাবদা সুংঙাইরি, কনানা খম্ব থোইবীগী ৱারীমখৈদং তাদুনা হরাওরি, কনানা মাদুগা মরী লৈনবা প্রাকৃতিক দৃশ্যগী নিংথিজবা অহৈবা গায়ক অদুনা মাগী তাঙ্লবা খোলগা অমসুং শৈরেংনা থাবা অদুনা মিৎলুদা সুঙাইবগী ঈরা শিন্থরি, কনানা খম্ব থোইবীগী অৱাংবা নীতি তাদুনা পূক্লিংদা অনৌবা শিক্ষা অমা ফংনবা তাল্লি, অসিনচিংবা পূম্নমক পূক্লিং চঙলি, কনা অমতন্থ মাথোক্তে। মসিগী মরম করিনো? মরমদি ঐখোইনা য়াম্না শন্না হায়নিংই – খম্ব থোইবীগী ৱারী অসিদা রস নত্রগা হায়ফম থোক্ত্রবা থুম্লবা অমৃত অমা মমুংদা লোক্তুনা লৈ। খুন্দা লীলা কয়া তৌই. অপাম্বা কয়ানা য়েংই, পামদবা কয়ানা ভুম্বা কায় হায়দুনা শাওই। কুম্মে কয়া কয়া মক্ষম কয়া কয়াদা নিতি নিতিগী থোকই, অপাম্বা কনাগুম্বগী সুঙাইনবা ওই. পামদবা কনাগুম্বগী খোয়শাওনবা ওই। তৌইগুম্বসুং হায়শিন্নবা, শাউনিংবা. তৌশিন্নবা, ইকাইবগী ৱাদি তোঙানবনি, চুম্না হাঃবা

হাৱরবদি পুন্নমক খোয়মগী হায়া থুপ্লবা মফমদদি খম্ব থোইবীগী রস ফরিংবা ফাওরি। পুন্নদক মানা মানা পাম্বা নত্রগা নীংবা মথুংইন্না মাগী মাগী খন্না রস ভাব থকপন্দ ফংলবা হাওরি। অস্মুন্না মশা নৈনাক অসিদা পোল্লবা মী নয়ানা মোইরাংগী খম্ব থোইবীগী ৱারী হাদবা কনা য়াওবগে? মৈতৈ ৱাহৈদা করি হায়নৈ—ফজবগী প্রমাণ তৌনবদা মোইবাং খো নত্ত মহাগী হায়বদি ফজবগী ওইবা য়াবা মথৌ তৌরে হায়না হায়নৈ, মদি খম্বনি হায়রবদি কায়দবা, লাংদবা মীনি ভুংদা শোথদনা অকপা ওইরক্লি হায়বা খঙনৈ, মালা মোংবাল শাগৈর হায়রবদি অপকপগী মৈখায়বা পান্ন, ভাগনা শঙনরি। অসুম্না অপোকপদা থোক্লেন, অশিংবদা নোংথোম্বা অক্লদগী কাংদা চিংরবা নুপাচেৎপা খম্ব, ফাওবা ৱা পুন্নমক্তা নত্ত অসি চপমান্না য়াংরিবনি। অতুলন্দ নায়ক নায়িকা মসিং মথংইন্না থোরাবা খম্ব থোইবীগী ৱা অসিনা "মোইরাংগী খম্ব থোইবা" হায়রবা অসি মোই। নৈতৈগী থম্মোয়া পুনিংদা, লুপ তোংদা চন্না ওইরবনি, নত্রবদি খম্ব থোইবীগী থৌদোক্কুমা থৌদোক কয়া কনা পাগবা মৈতৈরৈনাক অসিনা নিংশিংগা নত্তে। মরক মরক্তা থোক্লি, তৌইগুম্বম্দ নকানা শা থানক্লবগে? শানী শানৌ কয়াগী অসুম্না মুংশিনবগী নিংঙাইদবা নপ্রংগা তেম্না নিংঙমদবা থৌদোক মনিপুর সনা নৈনাক অসিদা থোয়না থোক্লি, তৌইগুম্বসুং মাত্র পুন্নমক অত্তা মী কয়ানা অহুম্না পুরিং থিংজিন্নবা হল্লগে? থৌনা মমা মপা নাইনবা শাবী শানৌ কয়াগী অনাংবগী ৱা তাবা মংঙি, কংনা অসুম্না সমবেদনা নত্তগা অরাবদা হাপিক্লবগী শরক পুনিংবা

যাওবগে, ? ঐ খাংগী লৈরাংগী নায়ক নায়িকা অনী অসিদা পুন্সম। ইন্দ্রি অমসুং মাহুত মংক্লা ওই থাডনা থুম্বা অমৃতসী মণীনা পুন্সমক হোৎলে। মরম অহুম মশিংনা অংগম য়াম্না মৈতৈ থম্মো ন পেৎহনবা ঙমলিবনি।

ইংলিশটু অহানবদা, শন শেনচৈদা উনবা থম্ব, চিথরবী কপচেংনী খম্বগী না। মহাভারতা লৈরা ওইবী নংলবা কুন্তিনা, মচা মনা য়োকপানী হায় খনবদা নংনা থম্মোই শোকৰা ঙম্বগে? রামায়ণদা মসা কাওনরবা কৌশল্যাগা খা অতু থাইদশেংনমক থম্মোই শোকপা রানি। লৌইশুম্বুং মখোয়গী মৌইবাগী মিংনাইদবী খন, কপচেংনা দিদি নানা লৌবা? মমা মপা লৈরবী খম্নুনি, খুনন লোংখংগী মমা শবনী মচেনি। মপুনাগী খনবা নংনা নই থংদে। নিংথৌগী মঙাইলেম্মা অন্নবা পোকপী থাদোকই। মচা সানুসি হাইদা থোজাংবা, মচাগী মমিং হংবদা নাক্তবনা ইথা মিংনাইদবী হায়না লৈখিব কন মকংলাংগীনো? মপ মপুগী ইসানিংথৌরনবু সাহৎলিদে, মপুবা লোংনাই নাচৌববু য়েংশিংনংই যাগদ্রা মোৎরা লৈবাক্না লেংথাই মপাঙ্গল চাউদিবমখে মপান থোকহল্লিদে। থাইদশেংবা কুন্তিগী অবস্থা। মমান মচা য়োকপ লখা ওইনা, লইবনগী অরাবা পন্দোনদা ভানা অমনা মচেনা মপুরা লেকপা, মমা মপা লৈরবী পুমনমক মোইরাং লৈমান্তা লৈরগী, বনা খম্না খোবদা চন্দ্রবী থোংনান, লেংথোক্লা ভীষ্ম দ্রোণগী হেম্না কাউত্রবী খন্নুনি। মমা মপানা লৈরবদা মচে অমনা মপুরানু তোংলাগী চেংবানবা অসিদা নংনাগুম্বী মচে অমবু

থাগৎকে হায়রবদি খম্বদগী কনা হেনবা ফংগনি? কনানা খম্ববু কাব্যদা চিথৰী, কপচেৎপী চম্নদবী হায়বগে? খওউ, খম্বগী পিগী মরিক খুদিংনা খম্বগী চরিত্রগী অথোই অথোইবা পূন্নমক শাগৎ-প্রবনি! ঐখোয়না খম্ববু কপ্নবতা অমসুং কৈ ফাবদা ফৈরোইজাখ্বনা তাবাংবা য়ানবগীদমক্তা পোকপগুম নীংবা লাল্লি। অমুদোন নোংয়াইবু চাউনবা য়োকপা, খম্বগী নহা ওইরিবৈগী অৱাবা মতৌ অমসুং মাদু উদুনা কপ্লিনবা খম্ব শেম্বনি। অদুনা মতাং অতৈদা খম্ববু চীথরম্লগা কৈ ফাবা মতুংদা ফৈরোইজাম্বদা হেক থাবদা খম্বগী থাক লোইরে, মাবু অতৈ মুংঙাইনবা নম্রগা ৱাননবা শরুক য়াহনবগী কান্নবা লৈত্রে।

বীণাগী তিগী অয়াম্বা গায়ক ওজাশিংনা থাবদা ঐখোইগী খুমন্ মচা শাজৌবা অমুদোন নোংয়াই খম্ববু খরা পংলপপা নায়ক অমগুম্না থাই মাদু হায়বদি য়াম্না লৈনা অনুমান্দা প্রমাণ তাকই, তৌইগুম্বসুং কনা কনাগুম্বা গায়ক্তি খাঙবা ঙম্মক্তদুনা ইফোং হেক ফোংনা মীজাওনা শিংবদি মাতনি হায়দুনা করেম্নবা ৱাহৈনা হায়বগু য়াওই। অদুদা ঐখোয়না ইতিং তিংনা হায়নিংবা অমা লৈ। মহাভারত্তা হায়রগা খম্ব অসি পুকচেল শেংবদা, নোল্লকপদা, ধর্ম্ম চেনবদা হায়রবদি যুধিষ্ঠীরগী গুণ চেনবা মীতানি। অদুনা মীরোন্দা মাবু অপঙবা হায়বনি, মাবু পঙবনা য়ম্বগুম নীংঙবদি ঐখোয়না শোয়বনি। হৌজিক্তা ঐখোয়না শিংবা হায়রবদি ফত্তবা লৌশিংদা শিংববুতা খঙনৈ। নিপা অসি শিংই হায়রবদি ঐখোয়না খঙই, মহাক অফবরা ফত্তবরা করিগুম্বা পান্বে তৌদুনা মশাগী ওইজবা

ফংনবা শীনবা ওমই। নংগী চাউনবা থম্বা অদু ঐনা পাম্মি অমা তৌদুনা নখয়াংগী কোংথোক্তুনা চাবা ওম্ম দি ঐ অশিংবনি, অদু নহেনা ঐনা লাম্বনা চন্নী হুৎনবনকসু নংগী ওকলোইদবা উদুনা নংনা নংগী শকুন্তগী খাইহৎপা অদু নঙোন্দা হল্লবদি ঐ হৌজিক্কালগী অশিংবা মন্নে। ঐবু নংনা শোইদনা খনগনি—অপঙবা সিধা, খন্না ফবদা হায়রা। সাধু খনিনচিংবা অসিমথে। ঐখোয়গী খম্ব অদিস্ত অদুগী মীহাইনি। পাঙ্গদি ভীমগা পাম্নবা য়াই, অকিবা লৈতবা মীনি। মৈবু খুদনাই যাংদনা ফাগনি হায়দুনা চঙলিবা মীহাইনি। ধারী মীবা ওংশিংনা থাবা য়াইমবা বৃকোদরগী স্বভাবকা খন্নগা মত যাম্না মান্নবা লৈ। হাংনিংবদা পংবা লৈতবা, অচুম্বদা নিংবা নাইদবা, তুরলিবা স্বভাব মতুগী মংওইন্না তুরলিংবা থবক ভীমদা লৈতা। গুণ খন্নদা য়াম্না লৈ। পুম্নমক অসি মজা ইরেম্নংগা য়েংনবা খুদিং নমজেন চেনখৈ, কাওযাইড হিরম পোদাক খুদিংদা উবা ফঙ্গনি। মহৈদা তৃতীয় যাঙ্গ্লাগিনি। পিতুৎ পাণ্ডবগী মচা পেথক্রা চউম্বনি হায়দুনা নোংবাদা নৎনা ঐখাই ফাওবা খম্বু উর্বশিংৎপিদ্রি। তৌই-শুম্নং নোংবানগা পাবা খদিদা খন্নগী অর্জুনগী গুণ অদু উদুনা ঐখোইনা ওক্রবা ওমদে। অচৌবা মচানা বৌবাকুম্না অম্নবগী খুদোল চাবা লৈশিং ফংই তৌইগুম্বং হৈবনা শক্তোকপা মচানা হৈখি, কৌরবনা অগা পাণ্ডবনা হৈবা। নোবাম্না অগা খম্বনা হৈবা অসিতনি। অস্তম্না নকুলগী ফজবা নানবা অমসুং সহদেবগী তুংগী রাখল পুম্নমক খন্নদা লৈ। অদুনা কৌরবকী মশক ওই-রবা নোংবানগা পাবদা মতিক চারিবনি।

মফম অসিদা শ্রীখোইগন নোংবানগা কৌরবকা পান্দম্মরে,
ইনাক খৈনাক খুনবা, মতিক মগুণ চাউবা, মশক মতৌ ফজবা,
মীচং শঙ্গল য়াম্বদা নোংবাল অসি থাজেংবমক মহাভারতকী
কৌরবনি। মহারা মতম পুম্নমক্তা খংগী গুণবু কল্লকখি। অদুনা
অয়াম্বা উপাই তৌদুনা মাগী—খংগী মাঙনবা লারখি। অদুনা
মমৈদা কুরুক্ষেত্রগী মশক ওইরবা খোইরেন্তাক্কী লময়াইদা অনীগী
ধর্ম্ম যুদ্ধ থোকখি। খোংরুপা লান নত্তে—ধর্ম্ম যুদ্ধ। ভীষ্ম,
দ্রোন, গুরুনন্দন খৈতেংইজাং। যাওবা চাংদব নত্তে। অমগী
মাচঙদা শ্রীগোবিন্দ সারথী—স্বয় ইবুধৌ থাজিং কোইরল্লাই।
লানদবা মনাইবু কুবিগদবগী শেম শাদুনা লৈবি। মৈইখা থোং-
লেন অখোবা, থোকপা য়াদবগী ভুমিন্না লৈগা, মপুরিংদদি
পাণ্ডবকী শরুক য়ারিবা খংগী মীচঙনি। অস্থুংগা নোংথোন খৈ-
রোইজাম্বা। মমাঙদনা থোলেন লালহৌ তৌবা য়ারম্মবদি লাইগায়া
খোইরেন্তাক্তা লাল হৌসে তেনশিনগদবনি তৌইগুম্বস্থুং ধর্ম্মগী
চাং য়েংবা মপুং ফারোই। অদুন নোংথোম্বগী রাজনীতি, হৌজিক
কালগী রাদা হায়র।। পোলিশি, থোংলেন অথোব। পূম্নমক
নমশিন্দবা য়াদ্রে। অস্থুম্না খোইরেন্তাক্কী লময়াইদা খম্ব নোংবানগী
মহাভারত থোবখি। কুরুক্ষেত্রগী লাম্দা শেঙ্গোল অনীতনি।
হৌজিক শেঙ্গোল অহুম থোক্লে—কৌরব, পাণ্ডব, অমসুং ধর্ম্ম।
লাইমাম্মা মহাভারতকী লান কুমৈ য়েংবগুম্না ঙসি খুমন অমস্থুং
মোইরাংগী প্রজা পূম্নমক খোইরেন্তাক্কী লময়াইদা তিল্লে। ঙসি
খম্ব অমস্থুং নোংবানগী চাং য়েংবা সুমিৎনি। মাঙদা চাউরবা,
রাংলবা নীতি—"যথা ধর্ম্ম তথা জয়ঃ"। ধর্ম্মনা জয় ওইবা

মহৌশানি। কুরুক্ষেত্রগী লময়াইদা হায়রগা যথা ধর্ম্ম তথা কৃষ্ণ যথা কৃষ্ণঃ তথা জয়ঃ। খোইরেম্তাক্তা হায়রগা—

ইবুধৌ থাংজিংনা কুবিরে।
পান্দবনা লাকচরে।
নোংমাইনা মায়পাক্লে।

নোংবান্না চেল্লি, কৈনা থি, খম্বনা থি, কৈনা চেল্লি। মমৈদা পাম্ব কৈরেন থেংনবে—নোংবান তুরে। নোংয়াইনা পাম্বা কৈরেন হাংলে ধর্ম্মগী চাংয়েংবা লোইরে—ধর্ম্মগী লান অদু শান্তি ওইরে। অদুগীমতং পান্দবদা "যথা ধর্ম্ম তথা জয়ঃ" হায়বা নীতি উংপা লেপ্তরে। থাইনগা নিরবা নীতি অসিদা কনা কনাগুম্বনা চিংনবা য়াওই, মরম্দি হৌজিক্কী মতম অসিদা ধর্ম্মনা মখোং নামা তেক্নবা য়াম্না ৱাং। চৈশু পায়দুনা চোংদুনা চোংদুনা চৎপা অসিদা চিংনবা য়াবা মরম হচোবা অমা ওইরে। ঐখোয়না হায়জৌবনা চুম্মি—ধর্ম্মনা জয় লৈইবদি মমৈদনি, মতুং কায়থংদনি। অমাংবা পন কয়া লাংবা ওই, হু চাদুনা পাতাল য়ৌনা তাউ-হবা ওই, চহি তরানিথোই বন চদুনা চহি অমা লোৎপা তাই, কুরুক্ষেত্রগী অদনবা লান থেংনবা তাই, শামুখোংদা য়েৎপা খাংগদবনি। পাম্ব নৈরেন ফাগদবনি। ফিজোল ৱাইবগী ইকাই-গদবনি অদুংদা মমৈদা ধর্ম্মনা জয় ওইরকপনি। দ্বৈপায়ন হ্রদতগী কারক্তনা গদাপর্ব্বগী দুর্য্যোধন তুখি, লিম্না মখুন চংলমদাইদা চুম্মি, দুর্য্যোধন্না হায়রে "জনানি ধর্ম্ময় ন চ মে প্রবৃত্তি, জানম্য ধর্ম্ময় ন চ মে নিবৃত্তি," খোইরেম্তাক্তা নোংবান তুরে, "ঐনা শীনজবগী মহৈ ইতাও! ঐনা ফংজরে" অসুম্না মমৈ কাইনথংদা

ধর্ম্মনা জয় ওইখি। তাইবংপান অসিদি হৌজিক কলি যুগ অসিদদি ধর্ম্মগী মর্য্যাদা লৈত্রে হায়বসু করম্না হায়গনি? ইশানা ধর্ম্মগী ৱারক ওাকপমক ওমদ্রবসু হৌজিক ফাওবা ধর্ম্ম কুংশিবদি লৈরি অমসুং মুংশিদুনা ঐখোইনা মাগী মতৌক ওকপা মনাদা তৌরি অমসুং থাগৎলি। মসি মহাভারত তাবা ভাবুক অমসুং পেনাগী যোগ খিবিক উরগা মিত্তা পি শিন্থে দুর্য্যোধনগী অৱাবা তারগা মুওাই, কদাই ফাওবা? গদা'পর্ব্ব য়েৎদুনা ভীম্না খরা লানবা মতাং দুর্য্যোধন্না মরিন চৎকনা মশানা লাল্লে হায়বা য়াজরবতদা শ্রোতাশিংনা মাবু ওা পি অমসুং নুংশিবি। অদুম তৌদুনা পেনাগী ভাবুকশিং খম্ববু মুংশিবি, মানা অকাবা তারগা কপ্নি! শামু খোঙদা য়েক্তুনা খোরি কৈথেন্দ্র চিংদুনা পুবা উবদা নোংবানবু মখুৎ য়ান্দুনা চৈ চিঙখৎবু নিন্দা তৌই। লৈ ৱাংবদা নোংবান্না অহানবা মনা কংদ্রবা, কুবী তেবা খাদা মজা ইবেম্মনা নোংবানবু নমথাক তৌদুনা তঞ্জেব পিরগা উরগা ভাবুকশিংনা হৱাওই। থাঙ্গৈশেংবমক্ত দুর্য্যোধন্না মখোইগী কবি মাঙনবা তৌরবগে? পাণ্ডবনা মখোইদা করি পীররবগে? খম্বনা করিসু মখোইগী ফনবা তৌরবা লৈতে অমসুং নোংবানসু মখোইগী লৌরি য়ুক্ষম কাদা করিসু নেৎলবা লৈতে। অদুবু ঐখোইনা পাণ্ডবকী ধর্ম্মনা মায়থিবা উবগা মুওাইতে: দুর্য্যোধনগী অধর্ম্মনা জয় ওইবা উদুনা পুক্নিংদা অৱাবা পোকই। অমুম্না নোংবানগী অধর্ম্মনা খিত্তুং ফগৎপা উবদা ভাবুকশিংসু হেক্রা শিগে হায়, চৈরৈ কি শেমই। অদুগা খম্বগী ধর্ম্মনা মায়থিবা উবদা পুক্নিংদা অৱাবা পোকই, মিৎলুদা প্রেমগী ঈরা হেক্তা চেল্লি। মরম অতৈ করিসু নত্তে,

মীওইবনা হৌজিক যাওবা ধর্ম্মবু মুংশিবা কৈরি। অতৈমক ওমদ্রবস্তু অধর্ম্মবু তাখীবমখৈদি ওন্নি। অস্তুন্না ধর্ম্মগী জয় অসি কুরুক্ষেত্রগী লানথংদা উৎখিবগুম্না খোইরেস্তাকী লময়াইদস্তু উৎখি। অনীমক্কীমক হাংলবা নীতি, থোদোক খুদিংদা চপ মান্ননা তাকই যথা ধর্ম্ম তথা জয়ঃ।

লান হৌবগী মরু ওইবা মরমস্তু থাঙ্গেশেংবা মতুনি। মতুমক্তা জ্ঞাতিকুটুম্বগী মথক্তা খুংলাই পায়থু হায়বা য়াদ্রেবা ধনঞ্জয়বু সারথী ওইরবা ভগবান্না ইনশিনবনি। ধর্ম্ম কিরবা খম্ববু ইবুধৌ থাংজিংনা খোইরেস্তাক তান্না পুবনি। ধর্ম্ম ময়েং তারক তারক্রবা কাংদা ভগবান্না 'সম্ভবামি যুগে যুগে' হায়রিবা অদুনি। ঐখোইগী হকচাংগী মশক ওইব কুরুক্ষেত্র অসিদসু ঐখোইগী আত্মারূপী ভগবান্না সারথী ওইরদুনা পঞ্চপাণ্ডবকী মশক ওইবা ইন্দ্রিয় মঙা অসিনা মপানগী য়েন্নবা চাম চামগা লাংশেন্নরি। অচুম্বা ধর্ম্মদা চৎনবা লাক্লরি। লান অসি থাঙ্গশেংনা তৌদবা য়াদবনি। ঐখোয়না চৎনবী ৱারৈদ হায়বা হারবস্ত খম্ব অমসুং পাণ্ডবকী তশেংবা অততায় হায়বদু থোক্লবনি। মীওই ৱাহৈদা মতু-মচা, লৌরী-য়ুম্ফম কা হায়বদু থোক্লবনি। পাণ্ডবকী লৌরী য়ুম্ফম শোকখি—খম্বগী মতু মচা কা শোকখি। পাণ্ডবকী মীৎৌবনা চুম্নবা ইন্দ্রপ্রস্থ, খম্বগীনা থোইবী। পাণ্ডবনা অপাম্বা থাদোকপা ওন্নবস্তু ইন্দ্রপ্রস্থনা পাণ্ডবপু পাম্মি। খম্বনা মজাইবেম্মগী মিহৌবা থাদোকপা ওন্নবস্তু মজাইবেম্মনা খম্ববু থাদোকপা ওমদে। অদুনা অচুম্বা মরমগীদমক লান তৌবা তাখি।

হৌজিক মুম্নরিবা পোৎশক মজাইবেম্মা অমত্তা পোকপী

থাদোই তন্নুগী চরমদা খল্লু, য়েংসি। মোইরাং থোইবী হায়বা অসি মাইতৈগী রাইংদা থোইদোকপদি লাক্লদৌরিবা মাইত সাহিত্যদা চাউরবা শরুক অমা লৌরিবা অমসুং লৌগদৌরিবা অমনি। ঐখোয়না ফজবগী পান্দমনরবদা মোইরাং থোইবীগুমই হায়রবদি ফজবগী তথেংবা য়োরে হায়বা খঙনৈ। তৌইগুম্বসু ব্রাখল থেনবা খরনা ফজবদা নহনা অতৈদা মজাইবেম্মগী লৌখংনিংঙাই থম্লীংদে। মখোয়না মোইরাং থোইবীবু লমহেনবী নুপীমচাশিংগা পান্দমনবা পান্মী তন্নুনা মহাক্না স্বাধীন ওইবা পুবচেলগী নিন্দা তৌবা উই। তৌইগুম্বসু ঐখোয়না মাদুবু অচেৎপা পুবচেল হায়নীংই। পুক-চেল লেপ্পা থম্মোয চেৎপা নুপী মচাশিংদি মহৌশানা হাযবা ইন্দবগী দোয লৈবা তাই। তদু ওইরবদি ঐখোয়না সাবিত্রী সতীবুসু দোয পীবা তাই সত্যবান্দা মপুন্না বরীখরবা মতুংদা সতীনা মশাগী য়াথং হিক্লোক্লবা ঙমখিদা? নত্রবদি সাবিত্রীগী সাবিত্রী ওইবা তোকপা নাই। শক্লেনদৈদা, ইন খোনদৈদা, কাংশান্ন-দৈদা মজাইবেম্মনা খঙবু উত্রে, চাং য়েংত্রে মপুকনিংদা খঙনমিন্নত্রে, কৌজিক মপানগী মিহৌনবা তমহেনসু মহাক্না অনিংবা থুগায়বা ঙমখিদ্রে। মসি দোয নত্তে, নুপীমচা ওইবগী অচৌবা গুন্নি। অসুম্না মপুরিং লেপত্রবা মতুংদা মপানগী কৈরিগুম্বা য়ৈখাইবা অমত্বু কিবা লৌখিদে। নিপানা মশা কল্লি, নুপীদগী মপাঙ্গল হেল্লি হায়বা চুমই—তৌইগুম্বসু নুপীনা মপুকচেল নত্রগা থম্মোয়গী পাঙ্গন্দা নিপাদগী কনবা হেল্লি হায়বা অসি ঐখোয়না মোইরাং থোইবীদগী তশেংনা খঙবা ঙমই। কবো লোইদা থারবা, শেঙ্গী লোইরমদা লৈরবা মতমদা মপোকদৈগী অরাবা নঙত্রবী নিংথৌগী

মচা ইবেম্মা অমত্তা পোকপী থাদোইনা করম্বা অৱাববু অৱাবনি হায়না শিংথাদবা ঙম্মিখিবগে ? মুপীমচা ওইবগী অকনবা থম্মোয়গী পাঙ্গল্লা মপোকচৈগী মপাল থোক্করীবী, অনংবা মশক খঙদ্রবী মজাইবেম্মনা করম্না চীংদা কাত্নুনা শীংজনবা পাৎতা কুমহুন। লোং খোনবা ঙমখ্রিবনো ? মুপীমচা ওইবগী অকনবা পুকচেলগী ফাঙম-দ্রবা পাঙ্গলনা, করম্না নোৱবা নিংথৌগী মচানা কুম্বী তেৱাখাদা নুংশিৎকী মাং থানা য়াংগোই থোবা ঙমখ্রিবনো ? নত্তে মুপীমচা ওইবগী নিংদগী চেৎপা অমত্তুং থম্মোয়গী থোইদোকপা পাঙ্গলগী থৌইনশিন্নি। অসুম্না ঐথোয়না থোইবীদা, সাবিত্রীদা দময়ন্তীদা চিন্তাদা, সীতাদা, দ্রৌপদীদা, মশক চপ মান্নরবা থম্মোয়গী হনবা লৈংবা পাঙ্গল অসি উবা ঙাক্তুনি। মদু লৈবনা তেংবানবদা মুপীবু অনিথৌনা থাগৎনবনি।

অখাঙবনবা অসি থোইবীগী লিচৎপী থোইদোকপা অমনি। অখাঙকনবা লৈদবদি শন্দ্রীক চনিংখোম্বীগী অহানবা অথীবা ৱাহৈ হেক তাবমক্তদা, শেম্বী গোইথাবগী অফবরা ফত্তবরা ফল অমা য়াম্না হান্না খঙলমগদবনি। হৈজিং খৱাই পুডৈ, শামু খোঙয়েৎঙৈদা অখাঙকনবা অসি লৈৱমদ্রবদি খৱ থোইবীগী লীলা অসি অতোপ্পা মওংদা তারমগদবনি। তাইবং পানবনা সতীনি হায়রিবা মুপী পূম্নমক অসুম্না অখাঙকনবগী গুণ অসি লৈবা ঙাক্কনি। অদুগা মথক্তা হায়খ্রিবা থম্মোয়গী হনবা লৈদবা থৌনা অমত্তুং পাঙ্গলগা লোয়ননা ঐখোয়গী নায়ীকা অসিগী ওইথোক্তনা থোৎলবা পুক-চেলসু লৈ। খোৱী কৈথেললনাক্তা অহানবা মিংনাইদবী মতাগা উনবগী ৱা থল্লে, মনাইনা কোয়হুনা লৈকোন্দা হরাও কুম্মৈ তৌরিবী

নিংথৌগী মচানা মোংলবী, ৱাৱবী তোল্লবী খম্বু কৌদুনা থৌজাল হৈবা ৱাহৈ মঙা তরাদং ঙাংবা অতাংবনি ; মিচুংশি হৈবগী অশেংবা খুদমদি মজাইবেম্মগী থোদোক অয়াম্বদা উবা ফংই। থোইবীনা অথোইবা লমচৎ অমদি থৌনা ফবদা, অচম্বা থবক অমন্দা মহাক্কী অকিবা অমত্তা লৈতে। পাইরক্কী লৌশিং প্রত্যুৎপন্নমতি ওইবদসু থোইবীগুম্বা মী তাংই। মপাবুং চিংখুবগা ঙাংনবা, মনাই সেম্বুগা ঙাংনবা, নায়ক খম্বগা থেনবা খুদিংদা মহাক্কী পাইরক শিংবগী খুদম উবা ঙমই—নত্রবদি, কুম্বীদা অঙৌপান্বগী দোলাইগা থেংনরবা কৈ কি হায়দুনা চেল্লগা শঙম থেংনরবা মতমদা কদাইদগী খঙকৌদনা কবোরাই হৌরক্কবনো ? তাঙজিং হৈরং চারগা করিগী ফজংবনো ? লাংগোই শগোল তোংলগবু করমনা কবোরাই ফগবনো ? পূন্নমক নোংয়াই মশংলাংগীনি। করিগী সত্য ৱাশক ঙাক্লবা ইতৈ নোংবান কৌবংনে ? খংলে পূন্নমক পাম্মুবা মশুং লাংগীনি, নোংয়াই মরানয়াইতা য়ৌনবনি। খম্বা মনাক য়ৌরগদি "য়ানবগী শগোল" হায়বা মরম অনিমক্তনি। ইন্দ্রি লাকশিনবা ঙম্বা অমসুং থোইবীগী অথোইবা লমচৎ অমনি। অৱাফম তারিবৈ, কবোরোইদা লৈরিবৈদা অরাববু ঊচং থৌনা য়াবা ঙম্ব, চুংঙাইতবা পূন্নমক নমশিন্দুনা পাম্মুবগী চরৈ ফিজেৎ লাংবা মহাককুম্বী গুপী খরতনা ঙম্বনি। শন্দ্রিক চনিংখোনীনা লাকচ খুদুম চননা ৱা ঙাংবদগী মাইথোং লাংশীল্লীবী থোইবীদা মপা ভুমুরাকপনা হংবদা খুয়্রকপা পাওখুম তাবদা কনানা ঙক্তবা ঙমগনি। অদুম্না ইন্দ্রি খুদুম চনবগী ৱা, থোইবীগুনী অতাংবী গুপী খরকনা ঙাংবা ঙম্বনি। অসিনচিংবা ঙণ পূন্নমক অসি লৈবতনা মোরাং থোইবী মৈতৈগী

থম্মোই খুদিংবু খঙ্গম চনবা ওইনি। খম্ব থোইবীগী ৱারী হাঙনবা
অয়াংবা ঐখোয়গী ৱা ময়াম অসিদা। নীংবা কায়বা য়াই, তৌই-
গুবসুং খম্ব থোইবী ৱারীদি পেনা য়াওদবদি মপুং ফাইবোক
ঙনখে। হৌজিক খম্ব থোইবীগী ৱারী অসি করিনো হায়বা
খল্লসি।

ঐখোয়না অলঙ্কার শাস্ত্র তমুবা খঙ্গ্রবসু অঙাং ওইরিঙৈদগী
তম্লকই নত্রগা তাৱকই মহাভারত অমসুং রামায়ণ অনি অসি
হিন্দুগী মমিং চংলবা মহাকাব্য অনীনি। অদুগা কালিদাস,
ভারবী অমসুং মাঘনচিংবা কবিনা লেখা খাবশিং মহাকাব্যনি
হায়না খঙনি। মসি সংস্কৃত অলঙ্কার শাস্ত্রগা মতুং ইন্না ওইবা
মহাকাব্যনি। ইংলাণ্ডনা হনা অসিবু "ইপিক" হায়না খঙৈ।
ইপিক হায়বা ৱিংথোল অসিগা বাব্যাখ্যারবা খসিগা কয়া য়াম্না
চাংরিদগে হায়বা ঐখোয় খঙদে। মিন্দা অনিদা মহাকাব্য অনী
অসি হরাংনিংদ্রা নত্রগা খাদেবিদ্র, অদুগা অরেংবা বেদব্যাস
অমসুং বাল্মীকিগী পুরি দগা কয়াম কোরিফদগে খঙদে। ঐখোয়গী
পণ্ডিত অয়ামসু মহাভারত, রামায়ণ কৌনিংদে, মরমদি অনী
অসিনা মফম অথাম্বদ। অলঙ্কার শাস্ত্রগী নিয়ম থুগাই। অদুগা
মহাকাব্য হংরবদি মওং খয় ঙনখে। অদি ইতিহাস, পুরাণ,
ধর্ম্ম, শাস্ত্র তিনবা মহাকাব্যনি। সমালোচকনা ৱাকৈ অমত্তা ওইনা
কুমার সম্ভব, কিরাতার্জ্জুনীয় অসিবু মহাকাব্যনি হায়না য়ানরি।
তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না অলঙ্কার শাস্ত্রগী ৱা ইশৌ লৌদনা হায়-
নিংই— মখোয় অসিনা রামায়ণ মহাভারতকা মহাকাব্য ওইবগী
ভাব মান্নদে নত্রগা কাংলুপ অমত্তগী মহাকাব্য নত্তে। করিমুক

হায়গনি অমবু মহাকাব্য হায়রবদি অতোপ্পা অদুবু মহাকাব্য হায়-নীংদবা য়েৌই। তৌইগুম্বসুং অদু ওইরবদি মহাভারত, রামায়ণ অসিদি কাব্য নত্রবরা ? মহাপুরাণ হায়বদি করম তৌই ? মদুসু নত্তে. অনীসিদসু মতিক চানা কাব্যরস ঙাক্তা য়াওরি। বাল্মীকি কৃষ্ণদ্বৈপায়নগী অতোপ্পা অপামবা অমা লৈরবসু খঙদে তৌইগুম্বসুং মখোয়না খঙদনবু ওইরবসু মসুংদা কাব্যরস ঙাক্তা চঙদুনা লৈরে হায়বসি অয়েংবা মখৈদি উরে, অদুনদি মখোয় অসি মহাকাব্য হায়বসি য়াদ্রে, সাহেবনা হৌখিবা থোদোক খরা ইবা শৈরেং হায়বা অদুনদি ঐখোয়না পেনবা ঙমদে। মসি তোক্লুনা হৌজিক ঐখোয়গী খম্ব থোইবী বারী অসিদি করিনি হায়সিগে ? হৌজিক ফাওবা খম্ব থোইবীগী বারী ইবা লাইরিক থোকলিবা অসি অয়াম্বনা কাব্যগী থাক্তা থম্লরি। মসি মহাকাব্যগী থাক য়োবা য়রোইদ্রা ? অয়েংবা ঐখোয়গী খুত্তা লৈরিঙৈদা মসিবু চুম্মগী কাব্য নত্রগা বারী অমনি হায়গে হায়য়ু. তৌইগুম্বসুং ওঝা কনানা মখুত্তা পেনা যন্ত্র পায়দুনা করি আসন হায়গদনো ফমবাক থক্লুদা হেক কাদুনা মশিং লাকঙমদ্রবা ভাবক অমসুং মরক্তা নিংথিবা খুংহংকা লোয়ননা শক্লবা মতমদুদদি মসি মহাকাব্যগী মতোল তোলেন য়োনা হেক্তা কাখৎখি। অতাবা শ্রোতানা ফত্রবা ভাবুক মশিংনা নিংবা থুংদ্রবদি মদু মাগী মমাংগী কাব্যগী থাক অদুদা হেক্ কুমথরকই, উগী হং য়োং অমগুম্বা থৌরি অমা হেক চিংলগা মতোন য়োনা হেক কাখৎলি, থৌরি অমা হেক থাবগা হান্নগী মফমদা হনথৈ। মসিদা কনাগুম্বনা গীতিকাব্য অমগুম্বা লৌই। তৌইগুম্বসুং মাদি গীতি কাব্য ওইবা পোৎশক্রি। অদুদসু

মহাকাব্য ওইনা হেক্তা চোংথোকই। সাহেবকী এপিক নত্রগা ইপিক ওইহল্লিংবা কান্দা ইপিক্লা হেট পেন্ট হেক্তা থোরকই— হোমারগুম্না মীতৈ, মতম অতুগী রিভোলিউসন নত্রগা সমাজবিপ্লব পুন্নমক হেক্তা উৎপা ওল্লমগদবনি। অভিজ্ঞান শকুন্তলাগী দুষ্মন্ত অমসুং শকুন্তলাগা সুংশিনবগী, লুহোংবগী, কায়নবগী, অমুক উন-বগী চিত্র মহাকবি কালিদাসনা য়েকপা পৃথিবীদা অঙকপা অমনি চুম্মি, তৌইগুম্বসুং কবি কালিদাসনা খম্ব থোইবী অসি তারল্লবদি মহাকবিমক্ত শকুন্তলা ইবা হেক লে ইবদা খম্ব থোইবীগী কাবা পারম্বসু কনানা খঙগনি? ভবভূতিগী উত্তর রাম চরিত, সীতাবন্দা লৈবগী পুন্সি° হুরবা করুণ রসনা থল্লবা অঙকপা নাটক তৌই-গুম্বসুং এইথোকত্রবা কবিসিংক মোইরাং খম্ব থোইবীগী রা অসি তারল্লবদি মহাক্কী মিৎকী ইরা মতুনা তাইবংপানবা অসি থুম-হৎলমবত্ত কনানা খঙবা? নিষেধ দা নিষধ নিংথৌ নল অমসুং বিদর্ভ নিংথৌগী মচানুপী দময়ন্তীগী সুংশিনবা, কায়নবা অমসুং অমুক মিলন ওইবগী মশক শ্রীহর্ষনা য়েকপা তাইবং পানবদা অতাঙবনি। সংস্কৃত মহাকাব্য পুন্নমক্কী অথোইবা অমনি হায়না য়ানরবা মহাকাব নি। তৌইগুম্বসুং মহাকবি হর্ষমক খম্ব থোইবীগী অঙকপা সুংশিনবা, লৌন-লৈনবা, কায়নবা, তিম্নবা অমসুং থনবদা তুজুংলবা অরোয়বা কায়নবগী রা অসিতারল্লবদি খম্ব থোইবীগী রারী অসি হান্না য়েন্নিংলম্বসু খঙদে। রত্নবলীদা সিংহল নিংথৌগী মচানুপী রত্নাবলী অমসুং বৎসরাজগী সুংশিনবা অমসুং লুহোংবগী রারীনা সংস্কৃত নাটক কাব্যগী মরক্তা অথোইবা অমনি হায়বা তারবদি ঐখোয়গী মোইরাংগী খম্ব থোইবীগী রারী অসিদি

করিগুম্বা মরম অমত্তদসু মহাকাব্যগী থাক্কগী কুমথবা য়ারোই; অসুম্বা চাংদমনিঙাই ইরৈবাক্তা অমসুং মীরৈবাক্তা কাব্য কয়া লৈরি। পূম্নমক ফজবা, নিংথিবা, অফবা ঙাক্তনি। তোইগুম্বসুং ঐখোয়না হায়নীংবদি ঐখোয়গী খম্ব থোইবীগী বারী অসিনা পূম্নমক অসিদগী হনথফম ঐখোয়গী রাখলনা লাম্বা ফংদে।

প্রাকৃতিক দৃশ্যগী বর্ণনা তৌবদা বীণাবাদক ওঝাশিংগী ক্ষমতাদি কাব জগত্তা অতাংবনি। ইনজীংঙৈদা লোক্তাক্কী দৃশ্য বর্ণনা তৌবা, লোইকৃম্বা অমসুং লেইকাবদা মোইরাং, চাং, অমসুং কাক্তা. শেন্দী লৈবাক্কী নিংথিবা থাবদা কনাগুম্বা কবি অমনা মখোয়দগী অসিক্কাওবা হেন্না ফাগফম খঙদে। প্রবন্ধগী তৌবদা হায়খিবা চুনিদাংবাইগী কান্দদা নুমিৎনা চীংয়া থাংবদা, চীংয়া খেদোং লাংবদা, অময়া কোরি চেনবদা, সোমদা পেনাগী লিরো লিরো হায়বা সুবনা চুংশিবানে, খোংলিবা গায়ক অদগী প্রাকৃতিক দৃশ্য থাবা, কবি মরক্তসু অতাংবনি। নায়ক নায়ীকা শেম্বদা খম্ব থোইবীগী লমচৎ হায়বা অমসুং হেংলাংবা চরিত পূম্নমক্কী মগুণ থাবা কবিগী মরক্তসু অরাংবা ঙইবোই। নিংথৌ "ঐবু লোইবা লৈমাবা, মোইরাং নিংথৌ পুরিকলাই" মনাউ ইমুংঙো যুবরাজ চীংখুবা, মোইরাং থোংলেন তথোবা, ইপু নোংথোল অশিংবা, মপু নীংলবী মনাই শেম্নু অচানবী পূম্নমক চরিত্রগী যিদম লৌফম ঙইনা থোং চপ চানা থনম্মী—করি হায়গনি? শৌরা তোরো, নাজহনবা ফাওবদা কাব্যদা কান্নবা মথৌ পুহন্রি। নীতি শিক্ষাদা মমাংঙৈদনা হায়খ্রবা অদুনি রাংলনা নীতিনি। "যথা ধর্ম্ম তথা জয়ঃ ধর্ম্ম পূম্নমক্কী মকুনি ঐতিহাসক্কী তত্ত্ব, মমল য়াম্নবা অরুবা

খুঙনিঙাই ওইবা ঙাক্কা নাবাগী [illegible] পুম্নমক্তা হাত্না লৈরে। নাবাগী ফুংগাইবা মপোক্তগী লোইবা ফাওবা [illegible] [illegible] লৈরি। অকন [illegible] থবক [illegible] [illegible]। [illegible] মখম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অমাংদা চান চাংলেন্নি। [illegible] [illegible] মথং [illegible] [illegible], মকাংনা [illegible] [illegible] [illegible] নানা [illegible] [illegible]। নানা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মশাং। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নারে [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হায়ে [illegible] থাপ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাইরে। নিঙোনব মোংগী [illegible] [illegible] [illegible] থাদোক্না [illegible]। অসোমদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থাদনা চেলে নিঙোল [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লমন খুমদে। [illegible] [illegible] পুম্নমক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ভাব [illegible] ওইবা [illegible] 'বাহ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] খঙ্গ থোকইবাগী [illegible] [illegible] [illegible] লৈ। [illegible] "[illegible] [illegible] [illegible] হবই' হায়বা অনিং। নানা ওইদা [illegible]। [illegible] হায়বা অসি [illegible] পুম্নমক্তা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] হায়বা অড়নি। [illegible] [illegible] মথক্কী [illegible] নাবাগী বিচার [illegible] [illegible] খঙ্গ থোকপগা নানী অসি [illegible] মঙা-নাবা অমনি হায়দনা [illegible]। [illegible] হায়নবা মসি খুঙ্গবা [illegible] মথক্তনি। যাম্না রাংবা থাক্তা লৈকম থোকই।

"ৰমণীয়ার্থ প্রতিপাদকঃ শব্দঃ" (ৰসগঙ্গাধৰ) হায়বা অসিগী মথক্তনি। অয়াম্বা সর্গ লৈৰবা কাব্যনি। অপুন্বা অৱাংবা কাব্যগী থাক্তা থমবা মহৌশানা পামদে।

"সর্গবন্ধো মহাকাব্যম"

খ্বাইরাকপম চাউবা সিংহ (জ্যোতিঃ)

কবি অমসুং কাব্য

কনাবু ঐখোয়না কবি কৌগদগে? ঐখোয় অয়াম্বনা কবি কুপদা নত্রগা কবিগুম্বদা পুক্নিং খবা ওইদবা খাশা 'অমসু' হুংহাইবা তম্বা ফাওদুনা খোঙ্গুল শুনা পাংতুনা ইবা হৌদেনি। তৌইগুম্বসুং মদুনা ঐখোয়দ্বু কয়া থাংবা কবিগী থাকা থাঙ্গৎ লবগে অমসুং ঐখোইনা ইবিবা তত্তু করম মতৌদা ফারবগে হায়বদি ঐখোয় ইশামক্তা থিংকম খংদে। হাবদা মেংলবা হুংশিবা শরুক থরা ছন্দ চানা হাপতোক হাপচিন তৌদুনা খোঙ্জেল্লগী পাইগেনা অতৈবু শুমহৎনবা লাক্লবা অসি ঐখোয়না ওইস্মি অমসুং হৌনরিবনি। তৌইগুম্বসুং মদুনা ঐখোয় অসি থাঙ্গৈশেংবা কবি অমা ওইরে হায়বা য়ারগদ্রা? অসিগুম্বা কাবা অমসুং অসিগুম্বা কবিশিং অদুগী মকম অমসুং পাঙ্গলগী অরোইবা ওমখৈদি নাকোং মখৈতনি হায়বা লাল্লোই। চুমই, মখোয়গী শৈরেং তাল চানা

শক্তি অমসুং শোভি—মীওইবগী থৱাই অমসুং হকচাংসু মতুংগা লোয়ন-লোমননা হৱাওনা চোংলি অমসুং পুক্লিং মুংগাইনা জগোই শারি; মরমদি নাকোংগা চান্নরবা বীণাগী সুর অডুনা থম্মোইগী ওজানবা থোঙ্গাল হেক য়োরকপদা মীওইবগী থৱাইবু পেলহনবা ঙমদে, ৱারক্কী অযাল উবদা নংগী নমিৎ পেনবা ভৌইগুম্বসুং নংনা অপাম্বগা লোয়ননা মাবু হেক্রুবা লাকনরুবরা? মখোয়গী কাব্যগী করিগুম্বা মতৃণ লৈবদা অশি মথৈতনি। মখোয় অডু মনম য়াওদবা লৈবাংগুম্না কনাগী পুক্লিংবু মতম কুইনা শুমহৎ-তুনা থম্বা ঙমদে। মরম অডুনা কাব্যগী অংশংবা রস খঙবা মীনা কাব্যগী চাং য়েংবদা মসিগী মথক্তা খরদং ৱাংনা কাখৎলি। মখোয়না ছন্দ চাবা ৱাহৈ খবদং তারগা পেনবা ঙমদে, থুম্নবা বাহৈ মঙা তবাদং তারগদ্র শুমহৎলে। নাকোংগী লম্বীদা চংলকইবা খোঞ্জেল অডু থম্মোই য়োংনা ঙংবা ঙম্বরা নত্রগা ঙমদনা? ৱাহৈ অডুনা থম্মোইগী অথুপ্পা মফমদা করিগুম্বা শুংঙাইহন্নবগী অনৌবা ঈথক অমা হৌহনবা ঙমদ্রবা, মতুনা থম্মোয়গী লাইয়ুমদা অনৌবা নিংথিবগী করিগুম্বা শুমহৎনবগী মশক ওইরবা মমি অমা তাহনবা ঙমদ্রবা, মাগী মুংশিবা ধ্বনি অডুনা থম্মোয়গী তারদা য়ৈবদা অনৌবা সুরগী হায়কম থোক্তবা খোঙ্হোক অমা থোক্ত্রবদি মখোয়না মতুবু কাব্যনি হায়না লোনিংদে।

কবি শব্দগী অর্থ অসি হৌজিক ফাওবদা পীনরিবা অসিগী মরক্তা করম্বা অচুম্বনো, ঐখোয় খঙদে। কনানা হায়, ভাইবং-পানববু ফজহল্লিবা, ফজনা উরিবা অমসুং উৎলিবা অমদি ফজনা উহল্লিবা মহাক অডু কবিনি। মসিগী হিসাবতা হায়রবদি কালি

দাস তায়বা মহাক অসি মহাকবিনি। অদুগী কবিগা কালিদাসকা খেন্নবা অসি করিদনো? ঐখোয়না হায়রিঙৈ মহাক্কী লিংখিবা শেম্বগী হিরমদা মহাক্না তেংবানবা লিখিজদ্রবা উখি। অমসুং ঐখোয়দা লিংখিজবা উখি। হিরম অসিদা কালিদাসনা [illegible] মপুনা তাইবংপানবগী মজবা পুম্নমক পুনশিন্নগা বরম [illegible] হায়বা য়েংনবগীদমক কালিদাসকী উমা শেমখি, কালিদাসনা অদুম্না সংসারগী মপাল [illegible] লিখিবগী [illegible] মশাক পুম্নমক পুনশিন্দুনা, মসিংবগী মাহুদা খিনবিবা [illegible] গুণস্নুং মফম অাদা ঐখোয়না হায়রিবদা মদুবা [illegible], মতুদি —ফজবা হায়বা অসি [illegible] অমুক [illegible] ইরি। তাইবংপানবা অনিদি থাইগদবা [illegible] মিংশেল অমগুম্বনি [illegible] অপারাজিতনা মাসু [illegible] অসে মাইশানা [illegible] লৈরে, [illegible] লৈরে, অধীন [illegible] লৈরে। অপাম্বা মী [illegible] ফজরি, থৌরি। [illegible] নাপস্নম্গা [illegible] লৈরে। লৈবরম [illegible] অপাম্বা [illegible] লৈরবদি তাইবংপানবদা লৈরিবা [illegible] ধর্ম্ম [illegible] দর্শন শাস্ত্রদদি মদুগা [illegible] মী লৈনবদি মানী মমিংশঙদি ফজবা নত্রগা অথিবা লৈবমদগুম্বনি। [illegible] ঐখোয়না হায়রিবা অনিদি অতুগুমবা মাতাগী [illegible] ঐখোয়দি মতুগী অলোক অমা হাপতুনা পাম্লবা চটনবা অনিবং অসি বোয়েং য়েংদুনা লৈবিবনি ঐখোয় ঐখোয়না হায়রিবা অালোক অদুগী মতুংইন্না

থেংবানবা অসি কনানা শংনা উই, কনানা চাংনা উই, কনানা থীনা উই, কনানা ফজনা উই। মথক্তা হায়খ্রে, অপামবসু অমুক চাং মান্নদে—কনানা ফজনা উই, কনানা হেন্না ফজনা উই : কনানা খ্বাইদগী হেন্না ফজনা উই অনিনচিংবা। মরম অদুনা অপাম্বা মীনা মাগী অপাম্বগী মতুংইন্না থেংবানবগী ফজবা নত্রগা অথিবা অসি শেম্লনি। এখোয়না উই—খোইমু লাবা খ্বাংজেংবনা লৈনাং লৈরাং'খ দিদা লৈতি থিত্তুনা কোয় তৌইগুম্বসুং জাবগী অতুং খংবা কনাগুম্বনা অমুক হায়রি খোইমুনাবা অতুমকনা। লৈরাং-লৈবা দাগনবা লৈগী লেরম্নি। অসুম ওইদুনা খোইমুগী মশাক ওইরবা অপাম্বা মীংনা থেংবানবদা নিংথিবা হায়বা অসি শেম্লনি। কালিদাস হায়বা মশাক অসি চসিগুম্বা মীতা অমনি— মহাকবি পামৈবা মী অাইবং পানবদা কয়া পোক্লমদগে, এখোয় থিজন খংদে।

এখোয়সু মহাকবিগী নিংগী থাইবংপানবা অসি উরি—তৌইগুম্বসুং কদায়? এখোয়দি ফজবা অমত্তসু উদে। এখোয়সু অশোক পাম্বী অদি তৌইগুম্বসুং কদায়: মহাকবিনা মপাল খিংদোক্লরকবগীদমক ফজবা বনাগী নম্বরগী খোজেল চিংলবা মখোয়না থেংলবা চাইরি হায়বদি? অদুবনি, চাইবংপানবদা ফজে হায়না থঙনদরবা, থুংশিবা মনম চেংল হায়জনা কনানসু মিতৌদ্রবা অশোকনা মপাল খিংদোক্লদবগী ফজবা মওং অদো কালিদাসবু ঙাইবনি। হিমাদ্রিগী শোংলবা নাপোমদা ককথায়-রবা রাদা অপ্পা অপ্পা চমবা নামিবা লুংশিংনা চুম্বদা লুংশিরবা মুকলী খোজেলগুম কনাগী পুন্নিং শুমংংপা উম্বগে? এখোয়না

সুংশিদ্রবা য়াক্লবা খোঞ্জেল্লি হায়না নিংবা অদু মহাক্কনা মেংলবা, সুংশিবা অথুমবা খোঞ্জেল্লি হায়না নিংবা ঙম্বনি। সন্ধ্যাগী মতমদা উকু শেংলবী বনসুন্দরীশিংনা নৈগী কৈদোমদা ঈশিং চাইবা ঐখোইদদি ফজবীগী মাইথোং থম্বাল অদুবু অশেংবা থম্বালমক্তি খন্দুনা খোইমুনা নৈংগী পাম্বদগী ওংলরবা মহাক্কী থম্বৌ কেরা মাল্লবা পাম্বোমনা হাইবদো কয়াগী মতিক ফজবগে হায়বা ঐখোইদি উদবা য়াই। তৌইগুম্বসুং মদুগী হায়ফম থোকতবা নিংথিবা কালিদাসতি উখি। শরৎকী মঙী চেল্লবা থাবলনা চামথোক্লবা অশেংবা লাক্লাইগুন্নবা ওম্পাক্তা লাই-রেম্বীশিংনা মূত্তা চাইরদুনা শান্নবদা কবি ফজরিগদগে? ঐখোয়দি খঙদে, তৌইগুম্বসুং মদু কালিদাসনা খঙখি। মমা অপোকপী পলেম নৈবাক লৈমনা পৃথ্রবী জানকী নত্রগা সপ্তর্ষিগী তালোই অরুন্ধতীদা করম্বা লাইগীদা ওইবা মঙালনা ঙানখিবগে হায়বা ঐখোয়দি উদে, অদুবু কালিদাসদি মদু উখি। ঐখোয় মীচমনা ফজবা কৌবদা উদ্রবা মফম অদুদসু মহাক্তি ফজবগী অতৎ অথম লৈত্রবা ঈফুৎ উবা ফংই। অসুম্না তাইবংপানবদা ফজবা পোকহনবা অমসুং ফজবা শন্দোকপা তাইবংপানবদা তাংই। কালিদাসনা মশানা ফজবা অমসুং অতৈবু ফজবা অদু উহল্লি। মহাক্না মশাগী অংকপা আনোক শেম্লম্বা অদু অতৈ থাইনা হাপ্পি, মানা য়েংলু য়েংলুবা মফমদা তাইবংপানবা অসে মত্তোমতা ফজজরক্কনি। অসুম্না হায়রবদি কালিদাস অসে তাইবং মীওইবদগী তোঙানবা মী অমনি। খেন্নবদি মঙোন্দা লৈবা অদু ঐখোয়দা লৈতে। মহাক্না ঐখোয়গী মীওইবদগী

তোঙানবা অহেনবা অমা লৈ—মতুনা মহাকপু মীগী মরক্তা হোঙানবা কালিদাস হায়বনি। মসিদা ঐখোয়না য়ানিংদবা ওম্মোই. মরম অতুনা ইরিবমখৈ কাব্যনি অমস্তুং ইরিবা মী মখৈ কবিনি হায়বা ঐখোয়না য়ানিংদে অমস্তুং হায়বা পামদে। তৌইগুম্বস্তুং অসিদা লুর্বদি -হৌজিক কবি অমস্তুং মহাক্কী কাব্যগী মশক খঙব অসিনি। পোৎ পুম্নমক্কীমক হৌজিক কৈথেনদা 'নকল" হায়বা অমমম থোক্লে। কবিগী মরমদস্থ অদুমঙাই—কবিশু "নকল" য়াম্না থোক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মরমদি নংনা পান্নবদি থুগবা মেংলবা রাহৈ খর। চিনশিন্দুনা মীবু পেল-হনবা য়াই; শরৎকী পুর্ণিমাগী তাংথক নাইত্রবা থানা শংবান্নবা অতিয়া ঙাল্লি, অয়াম্বা অচিংগী লৈরাংনা মালেম অপুম্বা লৈতেংলে। ঈচেল নাইবা তুরেন্দা ঈথক্কী জগোই শারে, মলয়া নুংশিৎ নামি-বনা লৈরাং লৈনম পুদুনা তাইবংপানবগী চাক্লনা থম্মোইবু ইংহল্লি, অসিনচিংবা। অসিগুম্বা শৈরেংগী ওইবা লোন অসি অয়াম্বনা মশাগী লৈনবগী মতুংইন্না ইবা ঙম্মী। ইবদি অরাইবনি—পূর্ণিমাগী মপুং ফারবা থানা অতিয়াদা নোক্লি, তৌইগুম্বস্তুং অরুবদি, থম্মোয় কয়ানা পূর্ণিমাগী থাজগা লোইননা প্রকৃতিগী নিংথিবা অদু থেংন-বদগী থম্মোয়দা নুংঙাইবনা নোকপা ঙম্বগে? তুরেনগী ঈথক্তা ঈথক্কী জগোই শাই, অচুম্বনি; তৌইগুম্বস্তুং থম্মোয় কয়াদা তুরেনগী ঈথক্লা কাবগে? হুরানবা কনাবুস্থ ঐখোয়না "মাল" লোয়ননা ফংবা য়াই। নোম্বা কনবা কনাবুশু ঐখোয়না য়াদবা ঙমদবদি থাঙ্গৈশেংবা কাব্য হায়বা অসিদি বিষ্ণুগী পাদতগীতা চেম্থরক্লিবা লুরবা মন্দাকিনীগী ঈচেম্নি, অমস্তুং অশেংবা কবিতানা

স্বর্গগী অমৃতগী ঈরা থক্কুনা লাম্নবিবনি। ইরিবা অদুতদি মপুগী য়াম্না শেংদ্রবা মনিল নম্রগা শেংদ্রবা মঙাল মরীক্ নন্তনা করিগুম্ ফংবা নম্রগা উবা ঙমদে। অদুম্না কাব্যগী অশেংবা রস অদু ফংবা অমস্থং কবিগী ঈংলবা খুভম ফংবা অসি ঐখোয়গী মতমদি মী-ওইবগী নিংবগী মথা পোনবা নত্তে। নিংবনা বুদ্ধিবু লমজিংবা য়াই, নিংবনা পূর্ণিংবু থোগৎপা য়াই. তৌইগুম্বস্থং প্রতিভা অমস্তং মহেশানা পীরকপা মতিক মগুণ হায়বা অসিদি নিংবনা য়োবা ঙমদনা মফমনি হায়বা অসি ঐখোয়না খাজে।

তৌইগুম্বস্থং অসি হায় হায়দুনস্থ ঐখোয়না মথক্তা হায়গে— অদুম্না মীওইবদা ফজবা ফাওবা অনি চাং মান্নদে হায়বতনি কাও-বদি ফাওই। অদুবু মী হায়বসি ফজবা পাম্মা। ঐখোইগী থম্মোই অসিনা কনাগী থৌইনশিন অমা য়াওদনা ফজবা দমক্তা লাংতরবা নৈ। কালিদাসকী ফজবগীদমক্তা থম্মোই লাংতক্লনা মিৎলদা প্রেমগী ঈশ্না চেন্দুনা ফজবগী মাইকৈদ চিংনা চিংনা য়েং বগুম্না ফজবগী গুণ খংদ্রবা, মফমগী শকতাক য়েংবা হৈদবা ঐবু ইশানা খঙদনা ফজবগীদমক্তা পূর্ণিং লকপা য়ংবা নৈরি; অমসুং পূর্ণিং লাংতকনবা ফজবগী শকলোন হেন্না খংদং নত্রবস্থ খরদং সুংঙাইবা ফংডরি। মথক্তা হায়খিবগুমনা ফজবা উনবগী ওই-থোকপবা আলোক অদুগী মতুংইন্না কনানা চাউনা উই, কনানা পিকনা উই, কনানা ঙৌনা, কনানা শংনা উই অসিমখৈতনি। ঐখোয়স্থ ফজবা হায়বা অদু পামই নম্রগা পামবা হৈ, অমসুং পামদুনা মদু য়েংনি ই নম্রগা য়েংনিংবা হৈ, অসি ফাওবনি; মদু ফাওবগী নম্রগা পানবগী চাং খরা খেন্নে হায়বতনি। মরম অদুনা

মী মী অদুগী ফজবা পাম্বগী চাং নত্রগা পাঙ্গল খেন্নবা মতুংইন্না ভাইবংপানবা অসিবু ফজৈ নত্রগা হেন্না ফজৈ নত্রগা খ্বাইদগী হেন্না ফজৈ। খঙদবা কনানসু বসন্তগী য়াচংবা মতম, সুমিৎনা চীংয়া পকপ্রবা, চীংয়া খেনদোং লাংলবা, তময়া কোরি চেনবা মতমদা শংবান্নবা লৌবুক, খাদগী হুমলকপা ন।মিরা মলয়া হুংশিৎনা হুম্বদা মবুকনিংদা ওইথোকত্রবা মুংঙাইবা ফাওদুনা থরায় পূকনিং হকচাং পুন্নমক পুন্না মুংঙাইবগী ঈপাক্কা তাওই; লাইনা ফারবা মীগুম্না হরাওনা প্রকৃতিগী ফজবা অদু মিৎকম হোংদনা য়েংই, নত্রগা খাঙবা ঙম্মক্তদুনা মুংশিবগী খোঞ্জেল হুংশিনা হুংশিবগী কোলোয় শকতোকই। মতম অদুদা মহাক কবি নত্রা অমমুং মহাক্কী কোলোই অদুমক কাব্য নত্রা? করিগুম্বা খঙদবা কনা অমসুং শরৎকী পূর্ণিমাগী থানা নৈচিন থাংদ্রবা শংবান্নবা আতিয়াদা মোমোন নোকপা অমসুং লীক্লাইগুমনা লুরবা পাত্তা কুমথদুনা চান্নরবী থরোগা লোইননা শান্নবা, নামিবা মলয়া মুংশিৎনা হুম্বদা হরাওনা জগোই শামিন্নবা নারদ শারবা খ্বাংজেংবা দূতিনা নৈরাং শিঙ্গারৈদা ওম্বা, মান তৌরবী মালিগী শেফালিকানা শাওরংননা নিজ আভরণ লৌথোক্লুনা লংশেকপা উবদা মাসু খঙদনা জগোইগী তাল থাকই। শিঙ্গারৈগী মরুবা দশা উবদা মমিত্তা ঈরা চেল্লি। অঙাওবা কনাগী মতৌগুম্না ঙাইহাক নোকই, ঙাইহাক কপ্লি, ঙাইহাক হরাওনা জগোই শাই, অঙকপগী মতৌনি! ঙাইহাক অমা খাঙবা ঙমদদুনা মুংশিবা কোলোই ঙংই। ফজরবী প্রকৃতিগী ফজবগী ফজরবা রস অদু হেক থকউবা অদুদা ঙাইহাক মুনদুনা নৈতবা ঙমদে—মতম থরগীদমক খন্নবগী পাঙ্গল মাঙখি, উনবগী

পাঙ্গল মাঙখি, ভানবগী পাঙ্গল মাঙখি, মী অদু মতম খরগীদমক চেদা য়েকপা মূৰ্তিগুম লেঙদনা, উদনা তাদনা লৈ : তাইবংপানবা অসি মতম খরগী উনগুমনা চিকখি। মীনা মঙদা চেনগে লাক্লবা তৌইগুম্বস্ত ঙমদবা মতৌ অদুগুমনা মহাক মতম খরগীদমক অশিবগুম লৈ। নীংবা পৃম্নমক অরেগা ওইদুনা তোকই। মতম অদুদা মহাক অদু মতম খরগীদমক কবিনি অমন্তং মগাক্কী রাখল অদু অশেংবা কাব্যগী রয নক্রগা অুপ্পা ঈচেল অমনি। তৌই-গুম্বস্তু মদুদা অরাবদি ঐথোয় মীওইবগী রাইং নক্রগা লোল অসি ঙসি ফংওবা মপূং ফাদ্রি। মতম অদুদা কবিগী ওইরিবা অবস্থা অমন্তং খল্লিবা 'রাখল' অদু কোংদোক্লবা মতিক চাবা রাইহ লৈরম্লবদি পৃথীসে মকায়া স্বৰ্গগা, নন্দন কানন ওইরম্লদবনি। হৌজিক খিজাম্না ঙমদবা লৈদৈ লায়নখি—অরাঙ্গদা শকপা ঈশৈ, অবাঙ্গদা শান্নবা !লীলা লাংবা ' লৈফমদা ফমদুনা তাবা যারে, ফমদুনা য়েংবা রাক্নে। 'খাইত্রেংফাম্না তারোইদবা তাহল্লে। কেমেরাদা মীগী মশাকমক 'হেক মান্না মমি তাই, তৌইগুম্বস্তুং কবিগী মপূরিংদা খল্লিবা 'রাখল অদু খুদক খুদক্তা মমি তাক্লৌনবা কেমেরা অমত্তং 'থোরক্লবদি তাইবংপানবা অসি মহাক্না ঈঙলবা শান্তিনিকেতন অমা ওইরমগদবনি। অমুম্না মী অমাম্না মতু য়াংশিংদ্রগা খরা— মতু-মরুদগী থোক্লমদা দ্রখলি অরাইবক ফবা মী খরদি অমুম্না মতম অমদা মহৈরুং মতম অমদা লাল পাত্র মক্রগা অবস্তাগী মতুংইন্না অরাপ্পা মিত্রেক্না প্তুং চেংদা লাক্না মুন্দুনা অয়ুবা কলিগী জলধর্ম্ম ফংবা ...য়া... ।
হৈরুং ওইনুং অবাৰ্দ্দি পাৰ্বনীংগী রাখল অদু পূর্ণ চিত্রণ নিজুলা। ইংলাকহাপাংঙদা তেংবাগবগী অরাবা কুমজাইদগী হেইরুবা লোক্কনা চৎমক্ত।

খিত্নুনা মাগী ফজবা স্বর্র অদু অস্তম হুইথখি। উরম্বা ফজরবা শকফম অদো অশেংবা মঙাম্না মুথখিবগা লোইন-লোইননা মশেন-মরাং উখি। মরম অদুমক্না তাইবংপানবা অসি ওইত্নুনা লৈরিবনি।

ঐখোয়গী ব্লা অসি অওইবা পাম্বা কবিশিংনা য়ানিংদবা য়াই। মখোয়গী মতম্তি তাইবং পানবগী নিংথিজবা অসি চান-চাননা মাগী হৈশিংলবা তুলিনা য়েক্তুনা খ্বাইদা উৎপা অসিনি। মখোয়গী কাবাদা অওইবা হায়বদি ইংল্লাজীদা Realism হায়বা অদুনা মরু ওইবা উগনি। রিয়ালিষ্টিক পামবা কবিনা হেনদোক্লা হায়বা পামদে। মখোয় কবিগী বল্লনা নক্লগা ভাবনা নমথাক তৌবা য়ানিংদে। ফরবস্ত ফজ্লবস্ত তাইবংপানবগী চংলিবা মওং অসিদা অদুমক য়েকপা পাম্মী। তৌইগুম্বসুং তাইবংপানবা অসিদি মীনা নশা-নশাগী অপামবা মতুংইন্না তোঙান-তোঙানবা মওং ওইহল্লি, তোঙান তোঙানবা মীদা তেংবাংবগী মশক্ অসি তোঙান-তোঙাল্লি হায়বা অসিনা থাজবা তারবদি তাইবংপানবগী অওইবা শকফম খঙবা লুই। অদুনা কবিনা মাগী কল্পনাগী মতেং ল্লৌবা নহন্না অতৈ পামবৈ লৈতে। মহাক্লা মহাক্কী তাইবংপানবদু মহাক্কী মীৎনা য়েংবদা উবা মওং অদু মহাক্কী মীদা য়েক্তুনা উৎপা তাই। মদুদা তোংজবদি ঐখোইনা ঐখোয়গী মীৎনা উবা ফংদ্রবা অদু মহাক্লা য়েকতুনা ঐখোয়দা মাঙদা উৎপি। ঐখোয়গী মীৎনা উরিবা মওং অদু শেংনা মুথৎতুনা মহাক্লা উবা মওং অদু ঐখোয়দা উৎপি। শম্না হায়রবদা কবিনা মাগী কল্পনাগী প্রাজ্জলনা ঐখোয়গী [illegible]রিবা মিৎ পাংহল্লি। মদুদা কবিগুম্বা অম্মোৎপা লৈরবস্ত [illegible] শেংদোকপি। [illegible] অসিদা মগী কামবা কামদবগী মরমদা

শাংনা ইহনা ঐখোয়গী য়ারেং অসি অমুক শাংদোকহল্লরোই। মথক্তা ইরিবা থরা অসিদগী ঐখোয়না কবি কনাবু কৌবগে অমশুং কাব্য হায়বনা করিনো হায়বা খঙলে ; সংস্কৃত অলঙ্কার শাস্ত্রদা **"বাক্যং রসাত্মকং কাব্যং"** হায়, তৌইগুম্বসুং রস য়াওবা বাক্য হায়বনা করিনো, ঐখোয় খংদে অমশুং খঙবসু অরাইবা নত্তে—লুই। ঐখোয়না থাজবদি মথক্তা হায়খ্রিবা মপুগী থৌজান ফংলবা মীশিং অসিতনা অশেংবা কবিনি অমসুং মখোয়না হায়দোরকপা য়াহৈশিং অদুনা অশেংবা কাব্যনি। মীওইবগী য়াহৈ হায়বা অসিদি মখোয়গী য়াথলগী মতুং ইনবনি। সংস্কৃত কাব্য পামবা কনাগুম্বনা ঐখোয়গী মত অসিদা অখাবা মিৎয়েংনা য়েংবা য়াই। তৌই-গুম্বসুং ঐখোয়না হায়নিংই কবি হায়বা অসিদি নোংমদোন অভিয়া মথক্তা লৈচিন থেৎনা পাইরবা উচেক লাংমৈদোনমত্তদগীসু হেন্না মনিং মখা তম্বনি। মশানা ব্যাকরণগী চেৎলবা য়োৎহ্লিং চন্দুনা লৈবা মহৌশানা পামদে। ঐখোয়না কাব্যগী নিয়ম কাগন শেম্বা য়াই, তৌইগুম্বসুং মত অপাবা মীগী পুকনিংদা কান্নদবা য়াই। থাঙ্গৈশেংবা কবিদি — কনাগসু মরি লৈতবা, তোঙানবা জগৎ অমদা চৎথ্রবা তোঙানবা জীব অমগুম্বনি। শমনা হায়রবদা—কবিবু করিগুম্বা ব্যাকরণনচিংবগী নিয়মনা পুনবা ঙমদে অমসুং পুনশিনহনবসু চুমদে। কবিনা অহানবনি, মতুংদা কাব্যগী নিয়মনি। প্রতিভা লৈবা কবি কনাগুম্বা শীজিন্নবা নিয়ম মতুং-ইন্না কাব্যগী নিয়ম শেম্বনি। অইবা মী অদুনা কবিনি, মানা ইরিবমখৈ কাব্যনি হায়বসু য়াদে। প্রতিভাগী লম অসিদি নীংবগী মখা পোনবা নত্তে। থাঙ্গৈশেংবা কবিত্ব ফংলবা মীগীদি মতম

অতুগী রাখল যোং দোক্লবা মীওইবগী ব্লাহ্ৰৈ লৈতে। কবিত্ব ভাব চ প কালদা খনবা ৱাখল অতু ইনবা কলম পাইবা মতমদা মতুগী শক্তক খরদা ফংঙি। মুংঙাইবা হায়বা অসি জগংকী অপাম্বনি। পবিগীদি বল্লনানা মতু পী অমস্তুং মানা মতু ঐখোয়দা উ লি। অতু বিয়ালিজমগী মতুংইন্না কল্পনা কোংদোক্লবদি কবিত্ব শক্তি মযেং তা।

খাইরাকপম চাউবা সিংহ
(জোতিঃ)

মীতৈ সাহিত্যগী ইতিহাসকী মরগদা খরা

প্রবন্ধ অসিগী মিংথেল অসি উবদা কনাগুম্বনা নোক্লরম্বা যাই। মীতৈলোনগী সাহিত্যদি থাক্লমেংবদি লৌকিক ফাংবা থোক্লি, হায়বা য়াই বরম মাগী অমুক ইতিহাস নক্লগা মমাংগী ৱাংবী লৈরম থেংনবা। খনবা য়াই, পোক্লি লৈদ্রে কয়ম্বা কুটিইব ফৈগনি? ঙৌইন্তুবস্তুং মতু হায় হায়দুনা ঐখোয়না মসি অফানবা থেবম্বা পামি নপুগা চুমি হায়না খত্রি। লৌকিক ফাওবা মৈতৈলোনগী সাহিত্যগী লাইরিক অসি হঙেন হঙ্গেন খুৎথেক্লুনা পাববস্তু মঙাদনি—য়াম্বাক্লে হায়রগা তরাদনি মতুনস্তু ওকুবি হায়রগা কুন্দ্রাদনি হায়বা অসি মথৈ মঙায়রি। ঙৌইংঙুবস্তুং মতু কয়ম ভৌনা বরম্বা মতমদা থোকখিবা, মতুনা করি থবক ভৌবা

অসিনচিংবা রাহে মঙাদং তরাদং ইবস্থ কাম্নদবা ওইররোই। মতুংদা লাকদৌরিবা সাহিত্যগী ইতিহাসদা খরা অসিনা কাম্নবা মচাক অমা ওইরবস্থ য়াই অমস্থং ওইরগনি হায়নস্থ থাজে। ঐখোয় মীতৈসি মহৌশানা মমাংঙৈগী রা ইবসি তৈনদে নহুগা পামদে—নহুবদি ঐখোয়না খনবদি মত্থু লৈরয়বদি মীতৈ জাতিগী সম্মান অসি লল্লায়া কনা হেন্না চাংখৎলয়. দবনি। ঐখোয়না থোকইবা থোদোক অমশা ইশিন্দুনা থমনীংদে। কনাগুম্বনা থম্বস্থ মত্থু ফোংদোক্লিংদে; মত্থু মাগী লাইরিক লুবাক মপুংদা থমদুনা মতমগী মতুং-ইন্না শুম্না চাদুনা নহুগা কোক্ফাই কাদুংনা অরেম্বদা মাংদুনা তোকল্লি। মত্থু মদুনি—অদুগা মীতৈ সাহিত্যগী চাওরবা ঈচেল অমা থাইনদগী তত্তনা চেল্লক্লি হায়বা অসি মীতৈ সাহিত্য অরিবা নৈনরবা মীমথৈনা হায়। ঐখোয়না খল্লি, থাইনগী মীতৈদি অহানবদা শম্পোৎ, অনীশুবদা থাঙ্‌-তা অহুমশুবদ কুম্মৈ নত্তনা অতৈ তৌবা তৈরমদে অমস্থং তৌনিংলমদে। চুপ্মি, মতমগী মতুংইন্না থাইনগী ইপা ইপুশিং অদুনা মথরাই ফিংনবগী চানবা থোক্লবা লৌ উবা তারমই; য়েক্লবনা কোয়শিন্নরবা মফমদা লৈবনা মশা কম্নবা খুৎলাই তম্বা তারস্মি—অদুদা মহৈ য়ানবা ঙম্নবদি অরেম্বা মতম অদু মখোয়না হরাও কুম্মৈ তৌবা নত্তনা করি তৌগনি? প্রকৃতিনা পুময়োক য়োকপিরবা দেশ অসিদা রারুবগী করি ক্বাম্নবস্থ লৈবা? ভৌইগুম্বস্থং মহৌশা লাইরেম্বীনা মীতৈদা চানবা মতীকচানা পীবিবদা নত্তনা মাগী ফজরবা মূর্ত্তি অদু মীতৈগী মিত্তা ইৎপিদুনা মত্থু থাদুনা শকপস্থ তম্বীরম্মী। কনা কনাগুম্বা মীতৈবু থাঙ্‌-তা অমস্থং নোংমৈগী মরক্তা মত্থু খোৎশিন্দুনা

খমহৌনবগী লৈ শিংস্নু পীবিরম্মী। অদুনা ঐখোয়না নম্মা থাজ রিবদি—মীতৈ সাহিত্যগী অচৌবা ইতিহাস অমা শেম্বস্নু ওই-গোক্কবা ওইরোই।

ঐখোয়না অহাং ওইরিবৈদা মীতৈলোনগী ব্যাকরণদা তম্মী—মীওইবনা মপুক্কা নীংলিবা রা অদু মচীন্না হাংদুনা ফোংদোক্লিবা অ-বু লোন কৌই। ঐখোয়গুম্বা ঐখোয়গী থাইনগী ইপা-ইপুশিং শুদ্রস্নু মতম অদুগী লোন অরিবা মীতৈলোন্না হাংনরম্মি। ঐখোয়না তাই-মমাংদৈদা মণিপুর তম্পাক অসিদা মৈতৈ নিংথৌজা, মোইরাং, খুমন, চেঙোম, লুরাং খাবা-হানবা চেংলৈ হায়বা শল্লাই তরেৎ অসিগী মীজাৎনা হোংহান তোংনবা মফমদা মনিং-মখা তম্না পান্নরম্মী; মখোয়গী লোন অমগা অমগা তিন্নরমদে, তৌইগুম্বস্নুং মতমগী মতুং ইন্না জাৎ তরেৎ অসিগী লৈফমস্নু শন্নরক্লে অমস্নুং পুন্নমক অমগা ওইখিদুনা থাইনগী মীতৈ জাৎ অসি ওইখি অমস্নুং মখোয়গী লোন অসি অমগা অমগা তোৎন-য়ান্নদুনা থাইনগী অরিব মীতৈলোন অদু ওইখি। তৌইগুম্বস্নুং অমগা অমগা তোৎনবা শন্নবা রাংপনা লোন অদু মপান্দা লাপ্না শন্দোকপা হুমখিদে; করি অমুক হায়গনি- লৈবাক অসিগী মথংদা চল্লিবা চীং মান ফাওবদা মান্নবা শন্দোকপা হুমখিদে। মরম অদুনা পীল্লবা মণিপুর কৌবা ভারতকী পীল্লবা মচেৎ অসিগী মতুংমক্তদস্নু লৈফম খুন্দাফম তোপ্পনা তোংহান তোংহান্না লোন তরামাথোইদগীস্নু হেন্না চৎনরি। মীতৈলোন অসি করম্বা মথলগী লোন ওইগদগে হায়বা হৌজিক ফাওবা থিবা লোইদ্রি। তৌইগুম্বস্নুং ঐখোয়না থাজবা হুমদবদি—মসি লোন পুন্নমক্তগীস্নু হেন্না য়ান্নরবা লোন

অমনি। লোননগী কৈরককম খিবা অসি ঐখোয়গী প্রবন্ধ অসিগী উদ্দেশ্যদি নত্তে। অদুবু ঐখোয়না মফম অসিদা বাইনগী মতাং ওইনা পন্দবা য়াদরুনা পল্লে, ঐখোয়না থাইজ—মীইলোল্দা ঐখোয়না উপনা খঙদনা সংস্কৃত, বাঙ্গল, হিন্দি, অসামী, ইঙ্গা-লোন, মশীং নাইদনা মশক শঙ্লোক্লুনা চঙদুনা লৈরে। অওইব-মক্তি মসিগু মতম মতমগী থোদোক মখুং ইন্না লাকপা লোন্নি।

মীতৈগী থাইনগী সাহিত্য লৈরমগা হায়রবদি পাউখুম পীবা ফনা লুই। ঐখোয়না পাইস্ব লৈরদুনা মীতৈ লাইরিক কৈরবা পণ্ডিতশিংদা হঙই, ভৌইগুম্বসুং মদুসু তত্তু মমায়-মনাংসু শকওং পাদুনা পাউখুম পীবা ঙমদে। থাইনগী মীতৈশিংনা ববস্বা চহীদগী কৈদুনা মখোংগী ভাব রাখল ততুইদুনা থম্লবগী পাইস্ব অসি পুথোকখিবগে হায়বা অসি পণ্ডিতশিংনা মত ফিন্নদে। খরনা হায়—মীতৈ ময়েক চৎনরক্লিবা অসি চহি লীশিং অনীদগীসু হেন্না খরনা হায়-ঙরাংতনি। তৌইগু সুং থাইনগী লাইরিক অখিবা লৈরক্লিবা মতা অসি ঙারংদি ময়েক অসি পোকপা ঙরাংদনি হায়বা লানমদমাল্লে হায়না লীতই। "চোংথে খোঙাই পাখংবা" হায়বা থাইনগী অরিবা লাইরিক অমা মীরেন ঙরামরি-মঙাগী মমাংদা ইবা থেংনৈ, তদুগা শাগে মঙা ঙরাগী মীহৌরোন কুপা থংনা থিবদগু খঙই—অপোকপা মপা মপানা শিরগা হাপচিন্ন-রকপা অহুনা মিং ৫০।৬০ দগী হেনবা ঙাত্তা ওইনা কৌই। অদু-নদি চাউরাক্লা পাদুনা হায়রবদা মীতৈ ময়েক অসি চহি লীশিংগী মমাংদনা লৈরক্লিবনি। মসি লানবু লাল্লবসু চুম্ব চুম্নবসু থাইনগী মীতৈশিংনা মখোয়না খনবা রাখল, থৌদোকনচিংবা ইননবদি দমক

ময়েক পুখোক্লম্মী হায়বা অসিদি শোয়দবনি। অয়াম্বনা মসি ঙরাংদনি বাঙ্গালা ময়েক্কী শামিন ফংলবা কান্নদা। শেম্বনি হায়বা অত্তুদি চুম্মিগনি হায়না নীংদে। মসি চহি লীশিংগী মমাংদা লৈরক্লবনি হায়না থাজবা য়াই।

ময়েক্কী মতা পুখোকপগী মতৌগী মরমদা মুন্না খঞ্জিন্দুনা য়েংলবদি মসি এখোয়গী ভারতকী মফম অতৈদ, মতম অসিদাই মঙ্গা চৎনরম্বা 'বাম্মীলিপি" গী মতৌ হাইরপ মায়ে হায়বত্তুম য়াই। অনীমক য়াম্না অরাইবা মংদা শেংনি অমম্বুং অনীমক মাদা থমদবনি। বাম্মীলিপিদগী হৌভিক এখোয়গী মীতৈ লৈবাক্কা। চৎনরিবা বাঙ্গলা ময়েক অমমুং আসামী ময়েক অসি থোকখি হায়বা অসি পণ্ডিত পুম্নমক্না য়ানরবা অমনি। খুন্না পোক্কদবা চহী চহুমালোমগী মমাংদা বাম্মীলিপি অসিনা উত্তর ভারত খুংনা অমম্বুং য়াম্না লাপ্পা দক্ষিনাফা ফাওবা চৎনরম্মী হায়বা অসি মহারাজ অশোক্কী অংশাসনগী থৎবা ঙম্মি। মদগী ঙন্নোক্লুনা বাঙ্গলা অমসুং অসামগী মফম অতৈদা কুটিল হায়বা মিংথোল অসি থোন্দুনা চৎনখি। নোংচুপকী থাইনগী "শারদা" ময়েক, ময়ায় ভারতকী "নাগর" ময়েক, খা ভারতকী ময়েক অসী অতৈ ময়েক অসিগুম্বা মতম অত্তুরাইগী ময়েক্কি। মতম অদদি মসি মতম অংগী মীগী অপাম্বগী মতুং ইন্না অপোকপা লেন, থেবরোন, নিংথৌলোন, লাইরেম্বা লৌতারোন অসিগুম্বদগী ময়েক ওইরম্মি; তৌইগুম্বসুং কালগী মতুংইন্না মমৈ দি মহাভারত, রামায়ণ, নীতিশাস্ত্র, লাংলোন, উপন্যাস থোঙ্গাই পাখঙবা, নাটক অমা হোংবা ফাওবা মীতৈ ময়েক

অসি ইরে। ঐখোয়না ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মতমদগী লৈবাক অসিদা বাঙ্গলা ময়েক চৎনরমাল্লে হায়না নীংই। তৌইগুম্বসু মতম অদুদা লেংলম্বা লাইরিক খরা অসী উরগদি থাজৈশেংনা থাজৈ—মতম অদুগী মীতৈশিংনা মাগী জাতিগী ময়েক অমসুং সাহিত্য থাজৈশেংনা সুংশিনম্মী, মাসী মাগী রাখল ভাব অহ মতম অদুগী লেখকশিংনা মীতৈ ময়েক্তা ইরম্মি। ওইরম্বা য়াই মখোয়না চৎনরকপা মগেক থাদোকপা ওমদবা নত্রগা অনৌবা ময়েক পুশিনবা ওমদবা। তৌইগুম্বসু মতম অদুদা মখোয়না তৌরম্বা থবক পুম্নমক উরবদি ঐখোয় ঈকাইবা পোকই। ঐখোয়না থবক্তি ইতৌ তৌদনা মীতৈ সাহিত্যগী নিন্দাদা তৌবা অসিগী কাম্নফম ঐখোয় থওদে। মতমগী লৈতবা লৈতে, হৌজিকমকসু হোৎনবগী মতমনি। ছন্দোক্তুনা থম্নগা করম্না চাংখৎকনি? সাহিত্যগী অশেংবা রাখল তৌরবদি মীরৈবাক্কী চাংখংলবা সাহিত্য ডাও। তম্বনা জাতিগী মপুং ফানা চাওখৎপা য়াফম থোক্তে। ঐগী ঐগী ইশাগী নত্রগা জাতিগীসু মপানগী থবক বিজাতীয় সাহিত্য তংনা বাম্নবা য়াই। তৌইগুম্বসু হেংবা য়াদ্রবা জাতীয় ভাব, রাখল, মওতি বিজাতীয় সাহিত্য তম্বনা ওইবা য়াবা নত্তে। অসুম্না মমাংঙৈগী ঐখোয়না পওডি হায়না খল্লম্বা অহলশিং অদুগা ঐখোয়গী হৌজিক্কী শিংলে হায়রিবা নহারোল অসিগা চাংদম্নদুনা য়েংলগা পুক্রিংদা থাজৈশেংনা ইকাইবা পোকই। ঐখোয়না কৈফিত্রিবা রা অসি তোক্তুনা হায়বদি—মীতৈ ময়েক অসি হৌজিক মপুং ফাদে। বিজ্ঞান সঙ্গত ওইদে অসিনচিংবা হায়দুনা ঐখোয়না ভাথিরিবা

অসি ওসি ওৱাংগী নত্তে। উৱগা নোক্লবদি লায়, তৌইগুম্বসুং হৌদোকপা হায়বা থবক অসিদি অরায়বা নত্তে। শেমদোকউ, যহল্লু, নংগী নপোৎ ফত্তবা পাওরোন থাবদি অপঙবনি—কনানা নংগীদমক শেম্বীরনি ? নল্লবদি ঈকাইয়ু।

মীতৈ সাহিত্যগী চৎলক্লিবা মতা অসি উৱগা ঐখোয়না মসিবু অহুম থোক্লা খায়দোক্লিংঙি—অহানবা, ময়ায় অমসুং হৌজিক্কী যুগ। মমাংদা—মমাংদগী ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা পানবগী মমাং ফাওবা অসি মীতৈ সাহিত্যগী অহানবা যুগনি। ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা পানবা মতমদগী চুড়াচান্দ মহারাজনা পানবগী মতম থরা ফাওবা অসি ময়ায়গী যুগনি, চুড়াচান্দ মহারাজনা পানবগী ময়ায়ৱাইদগীনা হৌজিক ফাওবা অসিনা হৌজিক্কী যুগনি। অহানবা যুগকী মীতৈ সাহিত্যদি ওন্থোক ওন্থোকপা লাইগী ৱা, অঙক অঙকপা ওইথোক্লবা থাজবগী ৱা নত্তনা কৱিস্থ নত্তে। মতুংদি—শন্না হায়রবদা লৌতারোন্দা ইরি—মচা লাইরেম্বী অনীদা ৱাহৈ ৱাঙাং থরা তাকউবদগী নুমিৎনা মাগী খোঙনেৎ শগোল থৌজিন্দুনা লাইরেম্বীগী মপা নেৎখায়খি অমসুং ৱাইখু ওনখি—অদুনা হৌজিক ৱাইখুনা মনঙ্গন্দা শগোল খোঙ্গুল লৈরিবা অসীনি অসিনচিংবা। অসিগুম্বা ৱা অসি নত্তনা অহানবা যুগকী মীতৈ সাহিত্যদা অত্তে থোকইদোকপা উদে। মসি মতম অদুগী মীগী ভাব অমসুং ৱাখলগী মতুং ইনবনি, মসি ঐখোয়গী মীতৈ সাহিত্যদমু নত্তে—হৌজিক্কী চাওখৎলে হায়রিবা বাঙ্গলা সাহিত্য অসীমক মতম অদুদদি অসী মঙাইরম্বী হায়বা অসি বাঙ্গালী লেখক পুম্নমক্না হায়রিবনি। মতম

অদুদা ইরণা লাইরিক ময়াম তারবদি খঙবা ঙম্মি—লোনগী নৈনবদি গদ্য লেখকশিংনা তৌনরমদে—পদ্য লেখকশিং নত্রগা কথকশিংতনা লোলগী চর্চ্চা তৌনরম্মী। মসি লোন পুন্নমক্কী হৌনবী ওইনা তৌই। অয়াংদা পদ্যনা গদ্যদগী হেল্লী। গদ্যগী লোন চর্চ্চা তৌবা অসীদি থাঙ্গৈশেংবদি মতম অসিগী যুগকী থোইদোকপনি। অরাৎ অপাগী মমি তাত্রবা, মক্ক মরোং পানী কুপ্পদগী শংবান্নরবা চীংনা কোয়না পনশারবা স্না নৈবাক অসি উবমত্তদা কনাগী থৌইনশিন য়াংদনা। ওন্তোক ওন্তোকপা রাখল তেংদুনা মদু ফোংদোক্লবা হোৎনবা অসি মংখৌশানি—থাইনসু অদু মঙায়—তৌজিকসু থাংনগী অবস্থা অদু তারবদি ওইবা য়াবনি। মরম অসিনা থাইনগী সাহিত্যদা লোন চর্চ্চা তৌবাদি পদ্য সাহিত দা ঙাক্তা তৌরম্মী। অয়াম্বা হৌজিক ফাংবা কাউবা ঙমত্রবা শৈরেং ময়াম অসিনা মদুগী প্রমাণনি হায়বা য়াই লোইবা চৌংগী নাপোমদা ইঙেল্লৈ পাম্বী হৌরি—পান্দৌদা লৈরাং থোম-শাৎলি, লমদম্মা তামখিবনা শাবী শানৌ কনানসু হেক্কুনা চীম্লদ্রে। মলয়া মুংশিৎ নামিবনা লিরিক্তা শিৎপদা নৈথোক লোয়রম্বনা মালেমথক্তা কেল্লে—মদু উবদা কবিগী শক্তি লৈরবা মীতৈ কনানা মমিত্তা ঈরা চেল্লদুনা শক্লে—চীদা শাৎপা ইঙেল্লৈ চিম্নদনা কেন-খিবা কল্লকই। লৈরাংগী ভাবত্তা চংখিবনা মলয়া মুংশিংনা লিরিদং শিৎপা অদু থাঙবা ঙমদ্রে, নামিরবা মুংশিৎপু নিন্দা তৌদ্রে অসিনচিংবা ঐথোয়না। কাউবা ঙমত্রবা শৈরেং য়াম্না থাইনগী কবি-শিংনা য়াম্না শরম্মি অমসুং ইংম্মি। ইতিহাসকী রা মঙা তরাসু

ইরম্বা উই—শাগৈগী মৈহৌরোন ইনরম্মী—মখোয় অসি সাহিত্য মিংথোল কংবা মতিক্ চাত্রবসু শাগৎনবগী মচাক মচা মচা ওইনা লৌবা য়াই। অশুম্বা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা পানবা মতম ফাওবা চৎলম্মি।

তৌইগুম্বসুং মহারাজনা বৈষ্ণব ধর্ম্ম লৌব অমসুং ধর্ম্ম অসিনা লৈবাক্কী ধর্ম্ম ওইবগা লোয়ন-লোয়ননা মীতৈ সাহিত্য অতোপ্পা মওং অমা লৌখি। মতম অসিদা গদ্য অমসুং পদ্য সাহিত্যদা থাঙ্গৈশেংবা লোনগী নৈনবা হৌখি। সংস্কৃত লোন তম্নদা অয়াম্বা লেখকশিংনা মখোয়গী লাইরিকদা সংস্কৃত শব্দ থেৎচিন্দুনা লোন চাওখৎনবা লাকনখি। মতম অসীদদি থাঙ্গৈশেংবা সাহিত্যগী ভাব মীতৈ কবিশিংগী পুক্কিংদা পোক্লে হায়বা প্রমাণ য়াম্না উই। মতম অদুদা লেংবা রামায়ণ, মহাভারতকুম্বা অনুবাদ সাহিত্য ঐখোয় কয়ানা হৌজিক তৌবা ঙম্বগে ? লাংলোনগুম্বা নীতিশাস্ত্র লেংবা ঙম্বা মীতৈ কয়া হৌজিক পোক্লবগে হায়বা ফনা লুই। চানক্য নীতিদগী ঐখোয়গী লাংলোন নীতিনা কয়া হন্থবগে হায়বা ঙমদে। সনা হোংবগুম্বা নাটকী মওংদা ইবা উপন্যাস গ্রন্থ কয়া ঐখোয়গী লোন্দা হৌজিক থোক্লবগে ? থাঙ্গৈশেংনমক মতম অসীগী মীতৈশিংনা থাং-তা, নোংমৈ তোপকী মরক্তা তৌরম্লিবা সাহিত্য চর্চ্চাগী রা খল্লুরবদি পুক্নীংদা অঙকপা পোকই। মতম অসীদগী সাহিত্যগী ঈচেল অসি চুম্না ঈপাক ওল্লে হায়বদি চুম্মী। তৌইগুম্বসুং লোনগী মরমদদি মসি ঈরোং অনি ফাংলে, ধর্ম্মগী ঈথিন অমসুং নৌনালাকপা ব্রাহ্মণশিংগী ঈনোৎ মক্তা মপুং ফানা

চেল্লম্বা ঈচেল অনী লোংবা তাখি। অয়াম্বনা মীতৈলোন থাদোক্লুনা বাঙ্গলা লোন নৈনবা অমসুং বাঙ্গলা লোন্দা মখোয়গী ভাব ফোদোক্লবা লাক্লখি। মতম অদুদা লেংবা বাঙ্গলাগী "আধ আধ বাণী" ওইবা শৈরেং অদু খল্লবদা ফংশি। থোক্লদোকপদি মসি ঈশৈদনা নম্মি। ঈশৈমকসু ধর্ম্ম সঙ্গীতকী মরমদনি। অসুম্না নিংথৌরোন মঙা তরুক চৎলবগী মতুংদদি মীতৈনা মনিপুরী ভাষাগী চর্চ্চা তৌগনি হায়বা পুমকাও কাউগ্রে। মদুনা থোকপদি মতম অসিদা মীতৈ লাইরিক অমত্তা থোক্তে—সাহিত্যগী ভাব অমত্তা মীতৈগী থম্মোইদা পোকখিদ্রে। মীরৈবাক্কী মত্তৌ তম্বা নত্তনা তৌফমদ্রি খঙদে--মশাগী ওইবা অমত্তা থম্ফম খংদ্রে, মশানা অত্তোনবনি হায়না খনবা ঙৌরে। অসিগী মমাংদা কনাবুসু কিরমদবা মীতৈ মচা লৈ হায়বা খন্দ্রবনিনা কিবত্তা ঙৈগ্রে। ঙংবা ওন্ফম খঙদ্রবা জ্ঞান অসুম লালথোকখিরম্মি। জ্ঞানগী সামঞ্জস্য অমা জাতিগী মরক্তা লৈতবনা অপাম্বা খরা খঙবা কনাগুম্বা খরতনা ময়াম্বু লাকপা ঙম্লে। চাংখৎপা অসি মী খরগী শরুক ওইরে। মশাগী লন লৈক্তবা অয়াম্বসু যোংদোকপা ঙমদবনা পঙশিন্দুনা লৈরে। মতম অসি মীতৈ সাহিত্যগী অশম্বা যুগ অমনি।

অশুম্না মীতৈশিংনা চহি চনী চহুম চুপ্পা বাঙ্গলা লোন অমসুং সাহিত্য নৈনদুনা য়েংলে, তৌইগুম্বসুং মদুনসু ফল করিমত্তা ওইদ্রে; মমৈদা উরে। ঐখোয়না বাঙ্গলা তমদুনা বাঙ্গলাগীসু করিমত্তা তৌবা ঙমদ্রে নত্রগা বাঙ্গলানসু ঐখোয়গী করিমত্তা তৌবিবা ঙমদ্রে। লংকৈ চৎপগী বাঙ্গলানা মত্তেং পাংঙি, লল্লোনবগী

বঙ্গলানা পাম্বে ওই; ঈশৈগী স্বর বাঙ্গালানা হেংবাংই। তৌই-গুম্বস্নং জাতীয় ভাবকী চাংখৎনবা নহুগা ইশাগী থাঙ্গশেংবা মনীংমথা তম্নবগী থবক্তা বাঙলানা মীতৈগী করিমত্তা মতেং পাংল্রে। থাঙ্গশেংবা মনীংমথা তম্বগা লোয়ননা সাহিত্য চর্চ্চা তৌবগী ষুংঙাইবা অতু মাঙগদৌরে; জাতি অমগী মরু ওইবা কংলুপ অমগী ষুংঙাইমা মতম কুইনগীদমক থোক্লাইদৌরে হায়বা মীতৈ-শিংনা মমৈদা খংলারে। লোনথোক্তুবা মীশুম্না বাংলা সাহিত্যগী ষুংঙাইবা অমসুং থুম্নবা রস চুপ্পা খৈ ঙম্মে; তৌইগুম্বস্নং কনানা মতুগী রস তত্তুপীথকপা ঙম্বগে? লম অতৈগী অহৈ অশিং পম্নমক্রা মসিগী ওন্ন-হৈনবা পূম্নমক তাযগনু-কৌইগুম্বস্নং থাঙ্গশেংবা সাহিত্যসেবী ওইবা মীদি থাঙ্গ শেংনা নিঙম নিঙমদনা লৈরক্রে। লোন হৈবগী কান্নবা ঐখোয়স্ত থাইজ, য়াই, খঙই: অতুবু সাহিত্যগী রস চুপ্পগী ষুংঙাইবদি ঐখোয় খংদে। ফোংদোক্কুবা অরাবদি থম্মোই চাক্রবগী মশক্তি: ফোংদোক্কুনা ষুংঙাইবদি খক্কং মক্তংদ ঙংবা হয়িংগুম্বনি। কৌইগুম্বস্নং কয়া কুইনা অম্নম লৈগনি? মমৈদা ঈরোং ফাংখিবা ঈচেল তত্ত অমুক হিম্নররে। মশীং য়ামদ্রবা জাতিনি হায়দুনা মসিগী খন্নবা অসি লোইবদি লোইদে; লোইস্ত লোইবোইদৌরি। তৌইগুম্বস্নং খন্নবনা মতম মাঙবত্তা তাই। মরমদি মসি তোঙানবা জাতি অমা ওইনা থাদোকপা য়াদ্রবা পোৎনি। অমুক থাগনি-য়াদিদবা খরনা হৌদুনা অমুক হান্নগী হক্তিম্নবা লাক্লগনি-হৌদুনদি মতম মাংবা নঙনা। ঐখোয়গী তোংজবা লৈরোই। মরম পূম্নমক অসিনা মমৈ অসিদ ওম্নীর

চূড়াচান্দ মহারাজনা পানবগী ময়াইরায়দা অমুক হৌদুনা মথক্তা হায়খিবা ঈরোং অনি ফাংলগা অদু অমুক তিম্নদুনা ঈচেল অমত্তা ওইনা চেল্লে। মতম খনগীদমক নৈনবগী খুৎলায় ওইবা লোল অসি মীতৈলোন্না ওইনা মীয়ৈবাক্কী ভাব অমস্থং রাখল তম্বা হৌরে - অনুবাদ শাস্ত্র চৎলে। তৌইগুম্বস্থং মতম অদুগী অহৈ-অশীং পুম্নমক অমুক মীতৈলোনগী মীচং ওইরে মীতৈগী রা থাদোক্কুনা জাতি অতৈসু অচুম্বা হিরম অসিদা থৌগৎগে অমসুং তেংবাংলরি। মসিগী মরমদা ঐখোয়না—রেভারেণ্ড পেটিগ্রু সাহেব, জোনষ্টোন স্কুলগী নোঙ্গাপ্রবা হেড মাষ্টর মিষ্টর উইল্স, স্কুল অসিমক্কী বাঙ্গালী ওবা স্বর্গীয় রামসুন্দর রায়গী মমিং পনবা চুম্মি হায়না নীংই। পেটিগ্রু সাহেবকী মীতৈলোন তংশিবা, মহাক্না লেংবা ব্যাকরণ, অনুবাদ লাইরিক্কী থবক্তা তেংবাংবা, ইংলিস মণিপুরী ডিক্সনারীগী রা অয়াংনা তারম্বা য়াই, মিষ্টর উইল্সগী মণিপুরী পাওরো ইংলিস মণিপুরী ডিক্সনারী অমস্থং মীতৈলোন পাম্না অমস্থং মীতৈলোন চাংখৎনবগী থবক্তা তেংবাংবা ঐখোয় অয়াম্বনা উহৌরে অমস্থ তাহৌরে। স্বর্গীয় রামসুন্দর রায়গী পারা হুংগাইবা, ধারাপাতনচিংবা মীতৈলোনগী লাইরিক অয়াম্বনা পাহৌবস্থ য়াই। গ্রন্থকার ইশাক মহাক্কী থৌইনশিন নক্রগা মোইথেম হায়গে হায়রবস্থ, অহানবা ফরবস্থ ফক্লবস্থ ইবদা অপাংবা পোকখি। মখোয়গী লাইরিকশিং অদু মীতৈ সাহিত্যদা থোইনা শিংথানবা য়াবমক নক্রবস্থ মখোয়গী থম্মোই অদুবু থাগৎত্রবদি, ঐখোয় তৌবিমল খংদবা ওগনি। মখোয়না মশাগী ওইজনবগী

নোমন্থা য়ামহই নত্রগা মীতৈ সাহিত্যবু শুংশিনবস্থ মরম অদুগীদমক ওইবস্থ খঙদে ; তোইগুম্বস্সুং মখোয়গী উত্তম, থোৱাং অমস্সুং মীতৈ জাতিদা তেংবাংখিবা অদি ঐখোয়না থাগত্তবা ওমদে।

মমৈদা শোক ১৯১৩ ইং ৱাইদা কৌজিক্কী মীতৈ সাহিত্য অসি চেপ্পীবা মাইকৈ অসোমদা চেনবা হৌই। মৈরীক মচা মচাগুম্না মাইকৈ মাইকৈদা সাহিত্যগী সভা সমিতি মচা মচা পোকখি। মদুগী মরক্তা মিত্র সমিতি, ইম্ফাল ষ্টুডেণ্টস ইউনিয়ন অনীগী মমিং পনবা মতীক চায়। অহানবগী অসি চৈরাপ কোর্টকী বর্ত্তমান মেম্বর শ্রীযুক্ত খাইদেম নোংয়াই সিংহগী যুমদা হৌই, মতম অদুগী ছাত্র অমসুং শিক্ষিত সম্প্রদায়গী মীশিংনা মীতৈ লোন্দা অমসুং বাঙ্গলাদা রচনানচিংবা ইনদুনা সাহিত্য চর্চ্চা তৌবা হৌখি। অনীশুবা অসিনা—স্বর্গীয় হৱাইবম নবদ্বীপচন্দ্র সিংহগী যুমদা, স্বর্গীয় নবদ্বীপচন্দ্র মশা, স্বর্গীয় হিজম অঙাংহল সিংহ অমসুং গ্রন্থকার ইশামক অহুম্না নোমদুনা চয়োল খুদিংগী বচনা অমমম্ পীনবা রাশরুখি অমসুং শোয়রগনা জরিমানা তৌবা লেপনখি। খবা মতুংদা ইংশোক ১৯১৫/১৯১৬ শুবদা অহানবা হৌনী মীতৈলোন্দা শকই—মীতৈলোনগী 'পার্থ পরাজয় নাটক লীলগী হম্বাক কায়। মীতৈলোনগী মতম অদুৱাইগী অবস্থা খঙনবগীদমক খবা অসি খুদম ওইনা হাপ্লে। মখোয় অসিনা মীতৈ সাহিত্যগী থোইনা থবক তৌরমদে হায়বদি ঐখোয়স্থ খঙই। কৌজিক্তি মীতৈ সাহিত্য অসি লম অতৈদা হনা হস্থরবসু লীলা, ড্রামা নাটরচিংবদি থাক অমদি য়োরে হায়বা ঐখোয় থাজরে। মামংঙৈদা মীতৈলোনদা

লীলা শান্নবদবগুম নীংনরম্মি। ভৌইগুমস্নং হৌজিক্তি লীলা ফম্বাক্তি থাঙ্গৎশেংনমক মীতৈলোয়না দখল তৌরে। ধর্ম্মগী মরীগী ঊশৈ নত্রুনা অতৈদসু মীতৈলোয়না ৩য়ে। "য়াকাইরোল" পত্রিকা, "ললিত-মঞ্জুরী" পত্রিকাগী মতমদা মীতৈলোন্দা ঐখোয়না মাগী মাগী ভাব শেংদোক্লবনা মীতৈ সাহিত্য চর্চ্চা তৌবগী খুদোং চাবা ফংখি। অসিগী মতুং খরা লৈরগা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অসী স্বর্গীয় কবি চিঙাখম ময়ুরধ্বজ সিংহনা সভাপতি ওইদুনা শেমখি। স্বর্গীয় কবি হিজম অঙাংহল অমস্তুং ৺হবাইবম নবদ্বীপচন্দ্র সিংহ অমসুং গ্রন্থকারনা অহানবা অনোম্বা মীনি। থবক তৌবা হৌংথলম্লবনি —অরাবদি অক্লান্ত কংগী স্বর্গীয় খোংচোম মধু সিংহনা মতম চাদনা নোঙ্গাখিবা অসি পরিষদকী য়াম্না অমাংবা অমনি। অসুম তৌদুনা মীতৈ সাহিত্য অসি হৌজিক্কী অবস্থা অসি য়ৌরক্লে। হৌজিক্কী যুগকী লেখকশিংগী মরক্তা স্বর্গীয় লমাবম কমল সিংহ ডাক্তর, ৺হিজম অঙাংহল সিংহ, হবাইবম ৺নবদ্বীপ চন্দ্রগী মমিং পনবা চুম্মী।

স্বর্গীয় কমল সিংহ ডাক্তর, থাঙ্গৎশেংবা কবি ওইনা পোকপা লেখক অমনি। মহাক্কী 'মাধবী' হৌজিক্কী মতমদা পুম্নমক্কী খঙনরবা উপন্যাস অমা অমনি। কল্পনাগী শিংখিজবা, লোনগী অথোংপা, রাখলগী অরাংবদা থাঙ্গৎশেংনমক ঐখোয় খ্বাইগী লেমজনফম্মি। মহাক্কী 'লৈ পরেং' কৌবা লাইরিক্তা মহাক্কী মরৈবাক মুংশিবা, পুনচেল থোৎপা, অচুম্বদা কিদবা অমসুং লাইনা থাবা কবি অমা ওইবগী। খুদম য়াম্না ফংই 'দেবযানী' নাটক মহাক্কী

ইকোন-কোনবা লাইরিক্কি। তৌইগুম্বসুং মসিদি ছাপাখানা য়ৌখিদ্রে।

স্বর্গীয় হিজম অঙাংহল সিংহ অম্বাবা খাঙহৈরবা লেখক অমসুং কবিনি। মাগী "শীঙেল ইন্দু" মনিপুরী সাহিত্যগী চাওথোকচবা ম্বাবা শৈরেং লাইরিক অমনি। অম্বায়বা অমসুং নিপা থোকপা লোম্না ভাব ফোংদোকপা কবি অসিগী থোইদোকপা অমনি।

স্বর্গীয় হরাইবম নবদ্বীপচন্দ্র সিংহ মশাগী কবিত্ব শক্তি লৈবা লেখক অমনি। সাহিত্যগী মরম পুম্নমক্তা ম্বাওবা নিপা থোকপা লেখকনি। 'তোম্বু লাইজিংলেম্বী' সাহিত্য অহানবনচিংবদা মহাক্কী কবিত্ব শক্তি লৈবগী খুদম ম্বান্না ফংই। 'মেঘনাদবধ কাব্যনা' মহাক্কী অয়োয়বা থবক ওইরে। কবি অসিগী ইচংথোবা লোন, নিপা থোকপা ভাব, থাঙ্গশেংনমক মেঘনাদবধগী অনুবাদ ওইবদা মতীক চাবনি। অদুবু মহাক্কী থবক অসি শন্দোকপা ঙমহৌদবা অসি থাঙ্গশেংনমক অমাঙবনি। অদুম্না স্বর্গীয় অমসুং জীবিত লেখকশিং অসিনা, মশা মশাগী ঈ দান তৌদুনা সাহিত্য অসি থরদং নম্রবসু থরদং চাওখৎনবা হোৎনবিরম্লে অমসুং হোৎনবীরি। মীতৈনা জীবন চরিত ইবা হৈরবাদ অমসুং মশাগী ওইজবা থিদনা। কাম্নবা তৌখিবা মীদা তৌবিমল খঙবা উৎপা হৈরবদি মশোইবু ভঙনা নীংশিংদুনা মশাগী অৱাৎপা মেনশিনবা ঙমগনি অমসুং শোয়দনা চাওখৎপা খুভম ফংবা ম্বাগদবনি। জাতীয় সাহিত্যদা জাতীয় জীবন অশেংবা মমি ভাবনি। সাহিত্যনা জাতি অমগী অশেংবা ফোটো কেমেরাগী থবক তৌরিবনি। জাতিগী জীবন্দা মহৌশাগী

করিগুম্বা ওন্নতৈনবা থোক্লবা—অরা-অনংবগী লৈচিল্লা জাতীগী জীবনবু কুপশিন্দ্রবা—অর্থনৈতিক, রাজনৈতিক, সমাজগী ফিভম অমসুং অধ্যাত্মিক অবস্থা থোং চানা লৈরগা জাতিয় সাহিত্যগী থরায় চাওখৎলি অমসুং অচুম্বগী লম্বীদা চংশিল্লি। ফিংদুনা পান্নবগী অরাবগা লান্থেংনরবা, অরাং অপাবনা জাতিগী থরায় মকশিল্লবা, নীতিগী অবস্থা হন্থরবা মতমদদি জাতিয় সাহিত্যসু শোয়রদনা হন্থে। জাতীয় সাহিত্যনা হায়রিবা পুন্নমক্কী চাওখৎনবগী মরু ওইবা মরম অমা ওই হায়বা অসিসু পৃথিবীদা পোকপা অহৈ অশিং পুন্নমক্কী চপ মান্নবা অমত্তা ওইবগী রাহৈনি। অনী অসি য়াম্না নরুবা মরী লৈ—ককথৎনবা য়াদ্রবা অকনবা মরী অমনা অনীমক ফাজিন্ন না লৈ হায়বসি পুন্নমক্কী মতনি। মরম পুন্নমক অসিনা জাতিয় সাহিত্য পান্বা পুন্নমক্লা মশাগী স্বার্থ পুন্নমক্লা লোয়ন-লোয়ননা জাতীয় সাহিত্য চাওখৎনবা হোৎনবনা চুম্বনি —মরমদি জাতীয় সাহিত্য চাওখৎপগা লোয়ন-লোয়ননা মরৈবাক অমসুং মাগী জাতীয় চাওখৎকনি অমসুং মদুগী মরক্তা মহাক্কী স্বার্থসু কায়দনা মশাসু য়াওগনি। কাংলুপ ওইনসু সাহিত্যিক অমসুং সাহিত্য চাওখৎনবা অয়াবা মথেং পাংবা চুম্বনি— মরমদি নৈতিক অবস্থানা হন্থরবা জাতীনা চাওখৎপা রাগনি। মরম অসি-মক্তনা ঙসি বিজ্ঞানগী যুগ অসিদসু সাহিত্যগী অসি মৌনা সম্মান লৈরিবনি।

জীবিত লেখকশিংগী মরক্তা শ্রীযুক্ত ললিত সিংহ (অরেপ্পা মরুপ, সতীখোংনাং লেংবা); বভ্রুবাহণ পোকপা, নরসিংহ লেংবা শ্রীযুক্ত লাইরেন ময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ বি, এ, বি, এল,; দেবলা

দেবী লেংবা শ্রীযুক্ত খনচন্দ্র সিংহনচিংবা অয়াম্বা নাটাকার, বৈয়া-করনিক শ্রীযুক্ত হাহেংবম যুমজাও সিংহ (লোনগী হায়েল, লাংলোন হল পাঠা ইতিহাস), পণ্ডিত প্রবর শ্রীযুক্তঅতোম্বাপু শর্ম্মা বিদ্ব রত্ন (মণিপুর পুরাবৃত্ত, হারৈ মাযে, অয়াম্বা সংস্কৃত গ্রন্থগী অনুবাদক) অসিনচিংবা অয়াম্বা স্বদেশহিতৈষী লেখকশিংনা কয়া হোৎনজুনা লাইরিক খরা মতমগী মতিকচানা ছাপা তৌজুনা সাহিত্য সেবা তৌরম্মী, তৌরি অমসুং তৌখিগদৌরি ।

মীতৈ সাহিত্য অসি পংলৌ-লৌরিবা নত্তে। মীতৈ মযেক অসিস্তু অয়াম্বনা কুইহ্রিবনি হায়না খনবা অসী লাল্লি। ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী হাক্তক ফাওবা মীতৈনা মীতৈ সাহিত্য নৈনরম্মী। অদুগী মতুংদা বাঙ্গলা সাহিত্য চর্চ্চা তৌবা হৌখি। তৌইগুম্বসুং হাজুনা মীতৈ জাতিদা নত্রগা বাঙ্গলা অদুমক্তা করিস্ত কাযবা উৎপা ওমদে সাহিত্যিকশিংগী অমাঙবা অমা ওইনা থোকখি। অদুনা সাহিত্য সেবীশিংনা মা ৎ দমক নিংঙমদবগা লোয়নবা হোৎনবা মশানা ভাবনি। জাতীয় সাহিত্য চাওখৎপনা জাতীয় জীবন তেকখৎনবনি ।

খাইরাকপম চাউবা সিংহ
(জ্যোতিঃ)

মৈতৈ কবিতা

অরিবা তেংখারোল (প্রাচীন গীতি কাব্য)

খোয়রাং কৈনিদা
চীন্দম কৈনিদা—
ওঙ্গীগী তম্ফা রাঙওয়োল
চীন্দম কৈনিদা !
থেকিম্নু থেকাম্নু
মিংচিনা খোই-খোই সনাম্নু
খোয়রাঙ কৈনিদা,
চীন্দম কৈনিদা :
ওঙ্গীগী তম্ফা রাঙওয়োল
চীন্দ কৈনিদা !

খোয়রাঙ—খোয়রাঙনীঙথাই ওইবা ; চীন্দম—মচীল ওইরবা, লৈময়-নিংথৌ, অঙম-অথৌশিংগী তম্ননীঙথাই ওইবা; ওঙ্গীগী—মুজা শাগৈগী ; তম্ফা—তফাসনা (গরীবনরাজগী মচা মুপা) ; রাঙওয়োল—অরাঙব-অঙম্বা, নিংথৌগী মচানুপী: থেকিম্নু-থেকাম্নু—শাথেক তনৌবী ; খোই-খোই—মিংচি খোই-খোইনবী ; সনাম্নু—নিংথৌ মচানুপী। মরোল—ঐনা খারিবা শক্তমসে ওরা নিংথিজবা শক্তম্নি কৈদা কায়রগা উবদা মিত্তাবা কৈত্তাজুনি। কৈত্তাজুমক্ত দশু কক্তমনবনা মচীল ওইবশিংগী তম্ননীংথাই খনগৎনবা কৈগংজুনি। মুজা-শাগৈদা পোকনথাই নীংথিজবা করানা মশাক্কী ওইরজরবী

নিংথৌগী মচানুপী তম্ফাসনা করি অৈতনা পাকনি। হৈদা চীন্দম হৈদনা পায়োরাইদবনে। থেক থেক নোংগা নৌ মিংচিনগা খোই খোইনা নিংথৌগী মচানুপী তম্ফাসনা মিতাদা মিতানীঙঙাই হৈনিদা, চীন্দমদ চীদম্নীঙঙাই হৈনিদা। মুজা ওইবগী হৌনশা নাংখিবা—ফজবা কাঙলুপ্পা খোংগাই মহাক্না পুরিবী নিংথৌ মচানুপী তম্ফাসনা হৈরাংলক্না চীন্দমনীঙঙাই থনগৎনবা হৈতাদুমরিনে।

পোকপা—তেংথারোল অসি অশেংবম (নিংথৌগী অশেব-লোইশং) দা পোকপনা। শ্রীষ্টগী কুমচা ৫রা নীপাল শুবনা হৌগৎলকপা, মৈদিঙঙ পামহৈবনা মৈতৈ ফম্বাল লাংলিহৈদা পোকপনা ঙসিদি ইহৈ অনী চপ্না চনীযাংখৈ। অহৃগাই পুন্সিরে।

তম্ফাসনা মৈদিঙঙু পামহৈবগী মমোমনী। মতম অহুগী মৈত্রবাক্তা শাংখিবী মুজা ওইবী নৈরাং শাংদা মাগী মপা নৈতবনা অমদি মুজা ওইবী অমনা ফজনম থোকপা। পূম্নমক মুনা ফজখিবনা মহাক অসি নৈবাক্না মিৎয়েং ওইখি; নিংথৌগী অশেবনা ফজবা পামজবনা মশাগী ওনঙাই ফজবী তম্ফাস্না উবদা শকখিবা ইহৈনি।

খোল—ঈচেলগী ঈখোলদা পানবা ইহৈনি। চীংগী নাপোমদা পোকপী ঈচেম্না চীংমায়দি লাম্বরক্নবা, তম্পাকমক্তি অম্ভানজ্রিবা, চীংগা তমগা অনিগী মরক্তা নৈকবদগী চীংযা তময়া কায়না মিংখৈ নরবা লমখৈদা চেংন্রিতৈ থোকপ ইখে নড়নি। নুংলমদা নুংলাল নুংহৈননা তেনবী শজিবু ঈচেলগী ঈখোলনি। ঈখোল মাদি কবি

ঙইকম থোকই ? নুংলেং মায়বা মকমদা রা-রা না ঈচেল ঈখোলনি ; অদুগা সুঙঙম লৈবা মকমদনা সুঙঙম নুংনমদা ঝর ঝায়থখি, নুংঙালদা ঝম য়ৈ, রাঃ কাইবনা ঈচেলগী হৌনশা ওইবনা ঈখোল ঝর-ঝম-রাঃ কায়। অদীগুম্বা ঈচেলগী ঈখোলনা পুবনা ঈশৈ অপি পারকপা মতমদা ভাবোক ওইবা থম্মোইনা তাই —

রা রা ঝর ঝম রাঃ
রা রা ঝর ঝম রাঃ।
রা রা রা রা ঝর ঝম রা
রা রা ঝর ঝম রা !
রা রা রাঃ রা রা রাঃ
ঝর ঝম রাঃ রা রা ঝর ঝম রাঃ
....
রা রা ঝর ঝম রা

শজিবু চীংজাওগী সুংগী সুঙঙাইবা মপাও চেম্নবী ঈচেলগী ঈখোলবু শৈজনবা ঙম্বা অশৈবগী মগুণ উবদা ভাবোক কনাগী থম্মোই মুন্দনীংঙাই নৈ। ভাবোক-ওইবা থম্মোই মাগী রাদি লায়রম্লুনা মৈৎবাকী থম্মোয় খুদিংনা অশৈবনা য়াইচন্দুনা ফারম্লবা ঈচেল ঈখোল কৌজিক ফাওবা ঙক্নুনা থুম্লি : মতম্বা ইশৈগী ময়েক চাথৎপ্রবন্ত অশৈবগী শৈশক ভুংইম্বা শক্করি--

'কৈরাঙ্গোটনিদা
চীন্দম্বা কৈনিদা,
লোইবু ভম্বা রাঙয়োল
চীন্দম্বা কৈনিদা,

ময়েক—সুংশি সুঙেঙাল পংখৈদা। তাবা তেংথারোল অমা ময়েক্না ওইকম থোকপা অহু অহুম মওই। ঈঙঙী, মেঙঙী, সুংশি মপাউনা নীক-নীক থনী। চোইনা য়েংলে অহুমঙাই অহুগা পুম্না য়েংলে অহুমঙাই, ময়েক ইখুমদা থুম্মী।

লাংবন থানা থারুম ফাবদা চীংমায়-ওংবী উপালগী উকাগানবা খোইবাদনদি শৈরেং অসিগা পাবা ময়াই হায়রুবদা পঙলাল লান্নীঙঙাই লৈরোই।

থম্মোই অমগী মফমদা মহাক্না সুংশিজরুবা শক্তম অমনা কদায়ফাওবা ঙম্মী। জগৎকী সুংশিরোল-মুল্লবা কবিশিংনা শক্করম্মী—থাজনা ঈপাক্না ঙম্বগুম সুংশিবা শক্তম্না সুংশিজবা থম্মোইদা ঙম্মী। লাইজ ঈপাক্না থাজ মহাক্কী মহাকথং ঈঙল কঙঙাওনবংগুম সুংশিজবা থম্মোই সুংশিবা শক্তম মশুংলাং সুঙঙোল কঙঙাওনৈ। অশৈবনা শক্ক্রিবা—

খোয়রাং হৈনিদা,
চীন্দম হৈনিদা—

মপাউ অসি তাবদা মহাক্কী মথম্মোইনা তাজররিবা শক্তম্না মহাক্কী মথম্মোই থুম্মংলিবা, মহাক্কী মথম্মোইন সুংশিজরুবিবা শক্তম মহাক্কীদমক সুঙেঙাল ঈথক চারিবা ভাবোক ওইবা থম্মোই কনাদা পান্দনীংঙাই লৈ।

'থেকিস্নু থেকাস্নু
মিংচিনা খোই-স্রে.ই মনাম্নু'

কয়াদা থরায়নগ্রবা ময়েক্কো? শকপান্দনা ভাবোক্কী মাঙদা করি লেপ্পনীঙঙাই লৈ! নাউরা-খোঙকম ভুংওইনা মথোককাবা-খোঙকম-খোঙকন্দ্রবী মুজা ওইবী শক্তম অমনা মশাগী নিংথিজবা পুঙমদা মখোঙকম থেক্লা থাং মহকচাং খোঙথাং-ঈপোম ঈরোয়নবা পু, শাথেক ঈরোয়না নাংথিবনা নীক-নীক লাউ, মাঙদা চৎপা ভাবোক কনাগী মিৎলমদা তাদনীঙঙাই লৈ; মথোক-কাবা মপুন্সিগী অপাম মুংশিনা মুজা মথম্মোই পাথোরক, খোঙথাং খুদিং নীকথোকহৌরে মতাগুম মিৎস্না তথক্লরবী, উখিবা কনা য়াওরম-গদগে মতাগুম মিৎচিনা খোঈরপ-খোঈরপ য়েংলবী মুজা ওইবী শক্তম ভাবোক কনাগী মিৎমাঙদা শেপ্লদনীঙঙাই লৈ।

কেগে লৈময়োন্দা নোংমা চীঙখুবা অমগী মরানয়াইদা শাৎখিবী মোইরাং লৈময়োনগী লুচিংবা থাদোইগী মপাউ-সূবা চৈজিংবনা মহাক্কী মশক্তম ভাবোক্কী মমাঙদা খিন্নবা হোৎনবা কয়া রানা কয়া লুনা, ময়েক কয়া চঙনা হোৎনৈ হায়বা মৈতৈ কনা খঙদনা লৈ। মুংশিখুম্নবা পেনাগী রু-রুনা ভাবোক-ভাবোক্কী মমাঙদা অথম্নবা ময়েক কয়া কয়া লেংশিন্দুনা শক্তম পানখৎলি।

পেনাগী মেঙলবা রু-রু খোল্লোয়না—

'শক্লা থোগাই পুরবী,
রাশিনা চেঙ্গৈ খিল্লবী
হাদ ঙাঙোই শকহেনবী
কেগে লৈমরোল অপানবী

নোদ নোবী তনোবী
থাওদন মানবী তখোৎপী'

নচিংবা নীংথিজরবা অথম্নবা ময়েক কয়া কয়া লেংশিন্দুনা থাদোইগী মশক্তম শাগৎপা মৈতৈ ওইবশিংদা অমুক নীংসংনরুনীঙঙাই করি লৈরী ! অদুবু অশৈবসিমদি ময়েক খুৎশান্ন অমগনা নিংথৌমচাগুপী তম্বাস্নাগী মপা লৈতবা মশক্তম ভাবোক্কী মাঙদা হেক্কা মখিল্লি।

শকলি—'ওঙ্গী তম্ফা ঋাঙঙম্রোল'

হৈরবা অশৈবনা মহাক্কী ময়েক অহুম্নবা পরেং অসিদা তম্ফাদা শাম্নরিবা খুৎশান্ন অঙকপনি। 'ওঙ্গী' গা অমুক চৎকন, অদুগা 'ঋাঙঙম্রোল' গা অমুক ভিনশিন নিংথৌমচানুপী তম্ফাসনাগী ফজবা শঙুম ভাবোক্কা তক তক ঙরুং-ঙরুং হেক্কা মউৎলী। তম্বা মু হী চেনবা, মঙাল লৈবা, মিৎলম থুম্বা, থম্মোইংস্তম্বা নু নি শাংবা তম্বা শকখঙনবা থম্মোই কনাদা পাম্লোইদোবা লৈ! মশানা অমেঙবা, ভনোবা, নীংথিবা, ফজবা.... .... . নচি বা অহেনবা মখলদনা মচাররবা মুজা ওইবী হকচাংনি। অসিগুম্না হকচাংনা মখোয়গী ওইরবী ওঙ্গী মুজা শাগেগী তম্বা—অখোইবী কয়া ফজফম থোকই। মুংক্ক লৈবা, মঙাল চেনবা অমেঙবা তম্ফানা অকবা মুংলক্কা ওইবগুম মশানা নীংথিজরবী মুজা ওইবী শাগেদা হেক্লবী তম্ফাস্নানা ওইরবদা ভাবোয়া করি ওইযম থোকই! নীংথিবগী মচংদা খল্লগা মচারুদুনা ওইরবী শক্তম অমা মিৎলমদা তাদনীঙঙাই লৈরবা। বৈষ্ণব কবিশিংনা শরুম্বা 'নোংথাংবু নীকখোক্লগা ফঙবা মচং ঙাক্কা খন্দুনা শারবা রাইগী হকচা নী' হায়বা শৈশক্তগী করি তারুনীঙঙাই লৈ! 'নিংথৌগী মচা তম্ফা ওঙ্গী তম্ফানি মরোম্নরিবা অশৈবগী ময়েক অহুম্না পরেং অসিদা

উৎলিবা তম্ফাগী শকতম্না চৈজিংবগী ৱানা খুৎ চঙ । শাগৎলবা থাদোইগীদগী হেন্না লুনা ভাবোক্কী মিংলমদা ফাওদৱা !

তেংথারোল অসিগী মুংদা চেল্লিবা মরোল, মরোল অসিনা মরম্মতুনা উৎলীবা মঙাল, মঙাল অতু লাংঙ্ ৱবা ভাবোক্কী থম্মোই করি মুন্দনীঙঙাই লৈ ! দর্শনগী থুম্নবা মরোল কয়া অশৈবনা মহাক্কী নীথিৱবা তেংথারোল অসীনা মরম্মতুনা শক্লি ।

লেঙ পানবা, অচ-চত্তা পুম্নমক পোক্লিবী লৈমরোল প্রকৃতিগী পোকুক্কম লীরকপদা দর্শন না শক্লিবা 'জগৎ-পোকপী, মঙোন্দগী পোকপনী', লেঙদবশু মক্বাক্তনি; থোক্লক্কমশু মহাক্তনি; অদুগা হুমক্কমশু মহাক্তনি' জগৎ পোকপী লৈমান্নালগী শক্লোল অনিনি ; অমনা লমখঙনীঙঙাই (বিদ্যা) নি ; অদুগা অমনা লম্মুকননীঙঙাই (অবিদ্যা) নি । মহাক্কী অনীগুবা শক্লোল অনিদি লামবদা হারবা শকক্কমনি । অসিনচিংবা মরোলশিং অসি ভাবোক্লা উৎননীঙঙাই অশৈবনা শক্লি—

ওঙ্গগী তম্ফা বাঙঙমেল
চীন্দম হৈনিদা !

মমা ওইবী পুম্নমকপু পোকপী, মমা-ওইবী, মালেম পুম্নমক পোকপনা লৈমা মিঙথৈনৱবী মপুদগী চোংথোক্লবী শক্তম অসে থোয়ৱাংনীঙঙাই ওইবা হৈরক্তগী ক্কজমনবনা চীন্দম খনগৎনীঙঙাই ওইৱবা হৈতানা তাইবং ওইবা থম্মোইদা ওইবগুম ওইৱবানি হায়বা তাক্লম্বা নক্লা ।

মীনকেতন সিংহ
(সাহিত্য-ঈচেল্)

শগোল কাংজৈ

পৃথিবী অসিদ মণিপুরনা অতৈ অতৈ হিরমদা হৌদোকপা ডমজদ্রবস্থ জগোয় রাসকা শগোল কাংজৈগা অনি অসিদংদি ঐখোয়গী খোঁদাংনি হায়দুনা নাপল তৌনিংঙাই লৈজৈ। মসিগীদমক মৈতৈমচা পুন্নমক্না অনি অসি হৌদোকপীরম্বা ঐখোয়গী লাইগুরু অদুবু কাওফম থোক্কে।

হৌজিক অসিদা মসি কনানা ইকান হান্না হৌদোকপগে হায়বা থিনবা মচাক তানবা ডমদবদগী ইয়ুরোপলোমদা ভারতগী লাকপনি হায়রগা পেন্দুনা তোক্লবস্থ য়াওই ; খরা অমনা মসি মণিপুরদগী হৌরকপনি হায়নবস্থ য়াওই। মসিগী হৌরকফমগী মরমদা মখাদা খর খন্নসি। ভারতকী মফম পুন্নমক্তা ইংরাজী লোনগী "পোলো" হায়বা শব্দ অদুনা অদুমক নম্না খঙনৈ। ইংরাজী অভিধান অমত্তস্থ রাহৈ অসিগী ধাতু গত অর্থ য়াংদে, মরম অদুনা লিঙ্গুইষ্টিক সাইন্স অমস্থং অ্যান্থ্রোপোলোজিগী মতুংইন্না থিনবা পান্থৈ অমতা লৈতে, মরম অদুনা মসি মফম মফমশিং অদুদা থাইনদি লৈরমদে হায়বা খঙনগদবনি।

কাং শান্নবদগী থোঙকাংজৈ, থোঙকাংজৈ অসিগী মথংদা শগোল কাংজৈ থোকখিবনি হায়বদি মৈতৈরোন্না মশা প্রমাণ তৌজবা য়াব অদু মতাং অসিদা খন্নসি।

ঐখোয় পুন্নমক্না কাংখিল কৌবা উরী মহৈ অমা লৈবা অদু মশক খংই। থাইনা মসিবু ঐখোইনা কাং কৌনরমই, উরী-কাং

শামু ময়া কা'নচিংবা অসি কাং অসিগী মতৌভমদুনা শাখিবা ঙাক্লনি। কা' অসি হুল্লগা নল্লগা ওল্লগা করিগুম্বা অমদা পানবা তাম্নদুনা অঙাংশিংনা শান্নবদগী হৌজিক্কী কাং শান্নবা অসি খোকখিবনি। অদুনা ঐখোয়না হুজিক কাং পাঞ্জল, কাংজৈ পাঞ্জল হায়নরিবা অসে পাল্লগা চল্লি হায়বদগীনি। খুৎনা চুম্না হুল্লগা শান্নবা অসিনদি পেন্দ্রদুনা শুমাংথেলোংদা কাং অসি পুথোকলগা চৈতেক অমা পায়দুনা ঙাকনা ঙাকনা ঙমহৌদদুনা পল য়ৌরগা পাঞ্জল লৌনবা মশান্না অমা হৌদোক্লে। মসিবু অওক-অথোং কৌরে। মশান্না অসিবু মুপা অতুপ হাক্লা থোক্লে, অদুনা পাঞ্জলফমগী লম খাইবোক্তা কাং অসি থমলগা হান্না য়ৈবা তান্নদুনা কনা হান্না য়ৈবা ঙম্বগে তান্নবা, অমবু অমনা য়ৈকল্লোই-দবগী হোৎনবা, য়েৎনবা, লৌনবা অসিনচিংবা য়ান্নবা মশান্না অমা মথ' মথং থোরক্লে। মসিদগীদি খুৎ নাইনদুনা শান্নরক্লে, মসিবু কাংজৈ কৌনরে। মসিদি পাখং মপাঙ্গল কল্লবশিংসু মাগী মাগী মপাঙ্গল, মথৌনা অমত্তুং মতিক উৎনিংবস্তু য়াওবা হৌরক্লে। মাসিনস্থ পেন্দ্রদুনা শগোল মথক্তা তোংদুনা শান্ননিংবস্তু য়াওরক্তুনা শগোল কাংজৈ অসি হৌদোকখ্রে। মতম অসি ফাওবদি চৈ অসি ভোঙ্গোম্না য়ৈবা য়ারম্মী। শগোল মথক কাপ্রবদি মসি কয়া থুদোং চারক্লরে অদুনা চৈ অতেনবা অমা হুৎলগা অশাংবা অমা থিংজিন্দুনা খুৎশু শারে, মাদুবু কাং য়ৈনবা হুৎলগা শাবনি হায়দুনা কাংজু কৌরে। অতুম তৌশিল্লকপনা কা' অসি খর পীকমল্লে, মতুম তাদবনা ওনবসু খর রাথলে অদুনা রারু মতেক অমনা মতুম

ভানা শারগা কাংগী মহুৎতগী মতুম তানা শাবনি হায়দুনা কাংক্রম খোন্দুনা শিজিন্নরে।

হুজিক্তী শগোল কাংজৈগী মপুনসি থিনবা হোৎনশি, শগোলগী অর্থদি শা অকোনবা হায়বনি। পোইরৈতোন্দুনা খোরকপদা শগোল য়াওরক্তে, মণদি য়াওরকই, মণতবু মতম অদুদা শা কৌনরমই। মণদগী লৌদুনা মখোং মরি পানবা জীব পুন্নমকপু শা কৌখি। অশিনচিংবদি মফম অসিদা কুপনা থিরুদুনা কান্নফম্ন থোক্তে, অকোনবা লাকপা শা, ঐখোয়না হুজিক শগোল্ কৌনরিবা অসিসু থোইনা থিন্না লাক্কবগী প্রমাণ ফংই। পোইরৈতোনগী মশু-শুথাং লুৱাং নিংথৌ পুনসিবগী মতমদদি শগোল য়াম্না লৈরম্বগী খুদম ফংই। লুৱাংজিংগী চীংজিন অমা হুজিক ফাওবদা শগোল্লাকপা চীংজিন কৌনরি। মসিদা লুৱাং নিংথৌ পুনসিবগী শগোল লাকফমনি; হুজিক ফাওবা শগোল অঙাওবা মচিন চুমদবা পুন্নমক মাসিদা লাক্লবদি শগোল জে হায়নরি। থাইনা মমাংঙৈদদি হিয়াং হেক তান্নরগা শগোল কাংজৈ শামে, হিয়াংদি লুৱাং নিংথৌ পুনসিবনা হোদোক্লম্বনি অদুনা শগোল কাংজৈসু মদুগা লোইননা লাকপনি।

পোইরৈতোন্দি ইতিহাসনা থংবা মতমগী মমাংদা থোরকপনি মরম অদুনা মাবু বুদ্ধদেবগী মমাংদা লৌনৈ। ব্যাসদেবনা মহাভারত লেংবদা অর্জুনা মণিপুরগা লান শোক্লবদা শগোল য়াওরি, মরম অসিনা কনা কন্নাগুম্বনা খৃঃ মমাং চহি ৬০০ তগী তাদনা শগোল কাংজৈ লৈরক্লে হায়নৈ।

মার্জিৎ মহারাজনা অন্না লান শোক্লবদা ঙমত্ৰদুনা মণিপুরদগী চেল্লবদা মণিপুর অসি চহি তরেৎ খুম্ভাকই। মতম অদুদা মৈতৈ পুন্নমক কাছারদা চেনবনা নমই, মসিগী শোক তারিখতি মী অয়াম্বনা খংনবা ঙাক্তনি, অদুনা হাপ্পুদুনা কান্নত্রে, মীচেনশিং অদুনা শগোলকাংজৈ অসি মকম অদুদা শান্নবদগী ইয়ুরোপকী অফিসারশিংনা তমখিদুনা কলিকাতাদা মখোয়না শক খৃঃ ১৮৬০ দা শান্নখি। ইয়ুরোপকী মীনা কাংজৈ অসি মরননাই ওইনা শান্নবদা কাংজৈ মাসিনা মহাল্লে। আকবর বাদশাহগী মতমগী পার্শিয়ান কবি হাফিজনা লেংবা কবিতা আকবরনা কাংজৈ অসি শান্নখিবগী ছবি অমা য়াওরি মদুদা কবি অদুনা "শগোল তে ংবা মকোক ওইবা লাও ময়দানদা লাও কাংদ্রুম য়ৈরো লাও" হায়না ইরমই হায়না Chamber's Encyclopaedia দা য়াওরি। Historical Record Commission গী Udaypur সেসন্দা ফিদা য়েকপা মল্লবা ছবি অমদসু আকবর বাদশাহন কাংজৈ শান্নবা অসি পুথোক্নুনা মেম্বরশিংদা উংখি। তিব্বত দেশতা শগোল কাংজৈ অসি হুজিক ঐখোয়না শান্নরিবা অসিগা হায়রপ মান্নবা শান্নে হায়, জাপানগী শগোল তোংবা কাংবুনসু ঐখোয়না শান্নরিবা অসিগা খর মান্নবগুম, মান্দবগুম শান্নে হায়, অদুম ওইনমক মণিপুরদা মাসি থাইনা আ... মমাংঙৈদগী নিংশিংবা থোক্তাবা মতমদগী শান্নরক্লে হায়বদি মী পুন্নমক্লা য়াদবা ঙমদে। আকবর বাদশাহগী মমাংদা বাদশাহ অতৈনা অমুক্তা শান্নরমদবা অমসুং নৌনা লাকপা কুম্মৈ ওইবনা মসিদা মহাক্না থরাই য়াওখিবনা

অসুক য়েক-খোত্তু্না হোৎনখিবনি নিংই। মহারাণী ভিক্টোরিয়ানা পাল্লিঙৈদা মচানিপা কিং এডৱার্ডনা Prince of Wales ওইরম্মী। মহাক্না ভারততা থোরকপা মতমদা খৃঃ ১৮৭৫ দা মৈতৈ শগোল কাংজৈ কলিকতাদা অমুক উৎখি। এশিয়া মহাদেশকী মফম অতৈ অতৈদা শগোল কাংজৈ শান্নরবসু মণিপুরগী মশান্না অসিদি মথং মথং হৌরকপগী খুদম হায়বদি মসিদা চংবা পোৎচং অমসুং মমিংগী পরেং লুৱাংজীংগী শগোল্লাকপা চীংজিন্, হিয়াংগী মতুংদা শগোল কাংজৈ কান্নবা হায়বদি শগোল কাংজৈ য়াওত্রবদি হিয়াংগী মতোল লোম্বা য়াদবা অমসুং উমং লাইগী খুবমদা শগোল কাংজৈগী কাংহু কৎপা পুম্নমক অসিনা মরম ওইদুনা মসি ঐখোয়গীদা হৌদোকচবনি হায়বদা থোইনা য়েৎফম লৈতে। মৈতৈ মচানা শগোল পান্নবগী ৱারিদি ঐখোয় পুম্নমক্না তাজরিবা পাওৱো "ইমা শিগনি খংলম্নবদি শগোল লৈরমগদববু" হায়নৱিবা অসিনি। অসুম তৌদুনা কাংজৈ অসি য়াওগদবগী অঙাং ওইরিঙৈদগী শগোল তোংবা তম্বা কাংবু অদুনা মমৈথংদা শগোল তোংবা লান্মী শেমদুনা অৱা থেংনবদা য়াম্না কান্নখি। অৱানা মৈতৈ ফাখিবা ক ংবু অদু খোমদুনা অৱারোমদসু শগোল তোংবা লান্মী অমা অমুক শেমলুৱে, সাইন্স Embassy to Ava দা অৱাগী মীতৈ শগোল লান্মী অমা য়েক্তু্না উৎলিবনি। মরম অদুনা ইতিহাস ইবা সাহেবশিংনা কসে হোর্স মৈতৈ শগোল লান্মী অসি বর্ম্মাগী অহুমশুবা লান্দা ঐখোয়গী মিচংদসু য়েক্লব-য়োমদসু লান শোক্লে হায়রম্বনি।

ৱাহেংবম য়ুমজাও সিংহ
(সাহিত্য-ঈচেল্)

মণিপুরী সাহিত্যগী খোঙচৎ

মণিপুরী হাইরগা খঙনরিবা লোল অসি মণিপুরদা, ভারতকী মফম অতৈদা, বর্ম্মাদেশতা অমসুং পাকিস্থানদা লৈবা মী লাক মাপল তরা রোমনা মমারোল ওইনা অমসুং মখোইগী লোল ওইনা ছাংনবা লোল অমনি। অতুগা লোল মচা মচা ডাইলেক্ট কুম্ব্রামুক লোনবা চীংদা ইচিন ইনাওশিংগী মী কাংলুপ কুম্ব্রামুক লৈ। মখোই অসিগী মরকতা মী কাংবু অমগা অতোপ্পা কাংবু অমগা ভাব ফোংদোকনবসি মণিপুরী লোল অসিনা ওই অতুগা লোল অসিনা মণিপুর ষ্টেটকি লেঙগুরা ফ্রেঙ্কানি হায়না খৎনৈ। আসামী বাঙ্গালী লোলগী মথংদা মণিপুরী লোল অসি ভারতকি অরাং নোংপোকতা য়াম্না চাওখৎলম্মুরবা অমসুং নোনা অমুক চাওখৎলকইবা লোল অমনি। মণিপুরী লোলগী য়াম্না চাওখৎলবা অরিবা অমসুং চাউখৎপা হৌরকইবা অনৌবা সাহিত্য লৈ। লোল অসি বিঃ এঃ ফাওবা তম্বা য়ারে।

মণিপুরনা ভারতকি নোংপোক ঙমথৈদা লৈ। কবো চৎনবা হোংলম্বী অনিগী মরক্তা মণিপুরনা অমনি অতুগা চট্টগ্রাম্না অতোপ্পা অমনি। গঙ্গা মপানগী আর্য্যগী ধর্ম্ম অমসুং কৃষ্টি মখোইনা হেক হৌরকপদগী ভারতগী বর্ম্মাদা চৎপসি মণিপুরনা লম্বী অমা ৱোইরকই। থাইনা মমাংদৈদগী হৌনা মণিপুর অসি ভারতকি অফাওবা মফম পুন্নমক্তা খঙনরকই হাইবগী প্রমাণ লৈ। মরমদি সুগ্রিবনা য়োং ময়াম্সু সীতা থিবা চৎলমদাইদা হাইখি—ভারতকি নোংপোক্তা চীংনা কোইশিনবা লম লৈবনি ; মাদু লানথোক্লগা

যাভা চৎনবা লম্থি লৈবনি মাচু য়াবম্মা ইবেম্মা সীতা লোৎলম্বা য়াই। তৌইগুম্বসুং কবুই কৈরোইবা লৈবনি চোকশিল্ল্। মণিপুরগী কবুই কৈরোইবা হাইবা অসি ঐতিহ্যনি অদুবু মাগী য়ারিদি কিস্কিন্ধ্যা ফাওবা ভারম্মি।

মণিপুর তম্পাক অসি ইশিংনা পিক থল্লম্মি। সিবদুর্গানা মণিপুরদা লাকহুনা ইশিং চিথোল্লগা রাসলীলাগী পোকচবা মম লাংহৈরাওবা লীলা মণিপুরদা শান্নখি। মণিপুর অসি মী তাবা কয়া কুইববাগ হাইবা তপস্তাবা হাইবা য়াম্না লুই। তৌইগুম্বসুং ভারতকপদগীদি কিরাত অয়াম্বগা গন্ধর্বগা ত'রকই। নোংচুপলোমগী ক্ষত্রীয় নিংথৌশিং লাকহুনা ভারবা অমসুং লম অসিগী মীগা চাবৌ মোরৌনববদগী হৃদিক্কী মণিপুরী জাতি অসি থোকই।

মৈতৈলোন খঙদবা ভাষা তর্ক্কবিৎ পণ্ডিতশিংনা মৈতৈলোন অসি Sino-Tibetan পরিবারগী Tibeto Burma শাখাগী Kuki-Chin কাংলুপ্তা লৈবা লোননি হাইরি। তৌইগুম্বসুং মৈতৈরোন লোনবা পণ্ডিতশিংগী মরক্তা grouping অসি য়াদবা য়াম্না লৈর। পণ্ডিতরাজ শ্রীঅত্তোম্বাপু শর্ম্মা বিদ্যাবত্ন গবেষণা শিরোমণিনদি মৈতৈরোন অসি নহাননা আর্য্যভাষা অমা রোইরগদবদা মাগী ফজবা সাহিত্যনা পুন্দুনা থম্মিবনি হাইরি। অদুগা মৈতৈরোনগী ব্যাকরণ অসি আর্য্যভাষানি হায়বা খঙনরিবা লোনশিংগুম্না সংস্কৃত ব্যাকরণদা তোংবনি। মফম অসিদা য়া অমগা হায়নিংই। কনাগুম্বা মৈতৈরোন লোন্দবা পণ্ডিতনা মৈতৈরোন্দা ভাব বাচা লৈতে হাই। মসি অয়ানবনি মরমদি কৈনা মী চাই হায়বা কর্তৃবাচ্য অসি মী

কৈনা চাবনি হায়না ভাব বাচাদা ওনবা য়াই অদুগা চাওবনা তোমান্দা লাইরিক অমা পি হায়বা কর্তৃবাচ্য অসি চাওবনা তোমান্দা পিবা লাইরিক অমনি নত্রগা চাওবনা লাইরিক অমা পিবা তোমাননি হাইনা ভাব বাচ্যদা হনবা য়াই। অদুগা মৈতৈ-রোনগী মন্নুংদা বেদ ভাষাদগী নত্রগা সংস্কৃত শব্দদগী থোরকপা শব্দ য়াম্না য়াওরি। তৌইশুম্বসুং অশুক থিনা ওনখ্রে মাখোই অদুবু সংস্কৃততগী থোরকপনি হায়বা কনাসু খঙদ্রে। খুদমগী মশক ওইনা চরণামৃত = চানমত্তা, জ্ঞান = খং, রাধ — রাত, — লাটপা, বংশ — ঝা, প্রনাম — পূরুম খুরুম খণ্ড = খাবা = কা। মসি করি থোইনা ঙক্লক্ষম থোক্তে মরমদি তরেৎশুবা শতাব্দীদা চে অসি ভারত্তা লাকপা মতমদা গাখিদা সিঈ (Tsie) কৌরমমি, হুজিক, চে কৌরে অদুগা ভারতবর্ষদা হুজিক কাগত, কাকল, কাকট, কাগজ নত্রগা কাখজ কৌরিবসি সোই কৌরম্মী হাইনা ডাক্তর স্থনিতি কুমার চাটার্জিনা মাগী নেশনেল ফ্লেগ কৌবা লাইরিকতা ইরি। অদুগা পণ্ডিতরাজ অতোম্বাপুনা বেদগী শব্দ ইকাই কাইদনা মৈতৈরোন্দা য়াম্না শিজন্নরি হাইদুনা মাগী গবেষনাদগী থোকপা "পাখংবা", "মণিপুর সনাতোন ধর্ম্ম", মৈতৈরোননচিংবা লাইরিক্তা হায়রি। মরম অদুনা মৈতৈরোল অসি করম্বা শাগৈদা তিনগদগে হাইবা অসি হুজিকনা লাওথোকপদি ঙনমল্লি। মৈতৈরোল লোনবা লোল অতৈসু হৈবা মীগী গবেষণা মতম খরদ'দদি য়েংখিবনা চুমই। ঝা অসিদগী আর্য্য ভাষা ব্রোইনবা হোৎনসি হাইবা নত্তে; অচুম্বা থিসি হায়বনি। অচুম্বমক হাইরবদি হারপ্পা মহেঞ্জদারো থোরকপদগী দ্রাবিড়নি হাইরগা থরাই শোক্লা শাওরম্বা মী কাংবু ওইনিংঙক্লে হাইনরি।

ময়াম্না খঙনরিবা অদু মঙাই মণিপুরীগী মৈতৈ ময়েক হায়রুনা ময়েক অমা লৈ। মদু হুজিকপি চৎনদ্রে। মসিগী হৌরকপগী তাং, চহি কনা অমত্না হায়বা ঙমদ্রে। কুইরে হায়বদি শোইদ্রে। ময়েক অসিগী বিশেষ ওইবা অমদি স্বর বর্ণদা 'অ' দগী হেনবা লৈরমদে, 'অ' দা চৈতপ তপ্লগা স্বরগী অরেম্বা ময়েক অদুম্মক ওইরম্মী। মৈতৈ ময়েক্কী বিজ্ঞান অসি হন্দকতা ওয়ারধাগী পণ্ডিতকী মপুক্তা ফাওরি। ঐখোইনা ঐখোইগী ময়েক অসিবু তক্তনা অমম্তুং মঙং কাইদনা শিজননরম্মবদি ওয়ারধাগী হিন্দী ময়েক অনৌবা অসি মৈতৈ ময়েক্কুগী লৌবনি হায়রমগদবনি।

মণিপুরগী সাহিত্য খঙগে হায়রবদি মাগী রাজনৈতিককী ইতিহাস খঙবা তাই। তৌইগুম্বম্তুং হায়রিবা ঐতিহাসিক বিবরণ অদুদি মৈতৈ মতেকতা ঙাক্তা লৈববনিনা হুজিককী মীয়াম্না খঙদ্রে অদুগা হায়রিবা ময়াম অদুবু ময়াম্না খঙনবা হোৎনবা মীসু য়ামদ্রে অদুগা কোৎনবা খরা অদুম্ত পৈশা। লৈতদুন মপুং ফানা লোইশিনবা ঙমদ্রে। হায়রিবশিং অসিদা ধর্ম্মগী, হিদাক্কী পাওতাক, উ রাগী, নুংফমগী, সাগৈগী কৌরকফম, নিংথৌরোননচিংবা ইরি। হায়রিবা লাইরিক ময়াম অসি ঐখোইগী অরিবা সাহিত্যগী ফজরবা মচাক ওইগনি। মণিপুরী গবেষণা সমিতিনা অসিগুম্বা লাইরিক ২৪৫ রোমগী মিং অমম্তুং মশক খরা ফংলে। হায়রিবা লাইরিক ময়াম অসিনা সাইনতিফিক চর্চ্চা অমম্তুং যোঙবিনবগীদমক কপ্পুনা ঙাইজরি। লাই রক ময়াম অসিগী মম্তুংদা খরগী লোলদি হুজিক্কী মৈতৈরোনদগী ওনথোক্লা তেংপ্না ইরম্মি মথোই অদুবু খঙবা ফাওবা

ৱারে। লাইরিকশিং অদুগী মমিংদি পানথোইবী খোংগুল, চুমিৎ কাপ্পা, স্নামহি লাইছুই অসিনচিংবা। লোল অদুগী অভিধানশু থর মখৈ লৈরে মাদুদি তোংও=লা, পুষ্=হৈখাখোগ, মিৎথিরে= মিৎতাংলে অসিনচিংবা।

খৃঃ ১৭৩২ গী অদুরাইদা মণিপুরদা ধর্ম্মযুদ্ধ অমা থোকখি। সিলেট্টগী শান্তিদাস অধিকারী হায়বদি অধিকারগী মযুম শান্তিদাস শর্ম্মা মমৈদা শান্তিদাস মহাপুরুষ হায়রগা খঙনবা ব্রাহ্মণ পণ্ডিত অমা লাকখি। মহাক্লা রামান্দি ধর্ম্ম লৌনবা য়াম্না কন্না হোৎনৈ। মহারাজ গরিব নওয়াজদি পাম্মে অমস্তুং স্নারে। তৌইগুম্বস্তুং মতম অদুগী গুরু লৌরেম্ব খোংনাংথাবনা চৎলিবা ধর্ম্মদগী থোইনা অতোপ্পা নত্তে হায়দুনা য়েৎলে। গুরু লৌরেম্বগী মত পান্দনা য়াম্মনগ্রদুনা নিংথৌগী মরা চৎত্রে অদুদগী নিংথৌনা শাওদুনা মতম অদুদা লৈরম্বা মৈতৈ লাইরিক মখৈ লোয়না মৈ থাক্রে। অদুগা মৈতৈরোল্লা ইশৈ শকপা য়াদে, পাপনি; শকলবদি মুংথিন্দা শিরগা কাক ওইনা মুমিদাংদা শিরগা মকু ওইনা পোকউ, অদুগা পেনাদা কপলবদি নরক তাও হায়দুনা শিরাপ তৌই হায়নৈ। শাপ অদুগী অকিবা অদুনা চুখিদুনা হুজিক ফাওবা অরিবা মত্তা চুপ্রবা ওঝাশিংনা মৈতৈরোন্দা ইশৈ শকউ হায়বা য়াদ্রিবা অসিনি হায়না নিংই। মদুগী মহেনা মৈতৈগী অরিবা সাহিত্য মখৈ লোইনা মৈনা চাকখি অদুগা নিংথৌসু মফম তাই শান্তিদাসপুস্থ হাৎখি। হুজিক থরা ফংইবা লাইরিকশিং অসি লোৎহোবা থর, পাইখিবা থর অমস্তুং পণ্ডিতশিংনা নিংশিংবদগী ইখৎপা থরনি হায়নৈ।

মণিপুরী সাহিত্য অসি এলহৌভৈদগীনা খৃঃ ১৭৫০ ফাওবা অমা খৃঃ ১৭৫০ দগী ১৯০০ ফাওবা অমা অতুগা খৃঃ ১৯০০ দগী হৌজিক ফাওবা অমা অহুম থোকনা খায়দোকপা য়াই।

এলহৌভৈদগীনা খৃঃ ১৭৫০ ফাওবগী হায়না হায়খ্রে, গরিব নওয়াজনা শাওভুনা হায়গী লাইরিক পুমনমক মৈ থাগ্রবা মতুংদা লাইরিক খরা লৈহৌই। হাইরিবা লাইরিকশিং অদু (১) Chronicle অমসুং ইতিহাস (১) রারি অমসুং পুরাণ, অনিথোকনা খ'ইদোকপা য়াই। ক্রোনিকল অমসুং ইতিহাসগী মমুংদা ভখোল ওস্না, শমজোক ওস্না, চৈথারোল কুম্বাবনচিংবা মশিং থাবা য়াই, অনিগী অসিনা লৈথক লৈখারোল, মুমিৎ কাপ্পা, পুদিল, পানথোইবি খোংগুল্লচিংবনি। চৈথারোল কুম্বাবদা পানখিবা নিংথৌশিং অমসুং মাগী হাক্তকতা থেংকখিবা থৌদোক ইরি। পুদিলদা জগৎ সৃষ্টিগী রা ইরি।

পানথোইবী খোংগুল কৌবা লাইরিক অসি য়ামনা মগুণ চাওবা লাইরিকনি। মাগী রারিদি নোংপোকী চীংদা লৈবা নোংপোক নিংথৌনা লোইজিংদা কোইরকপদা পাম য়ান্দুনা লৈরম্বা পানথোইবীবু উরুরে। অনি অসি হেক উন্নবদা মুংশিনখে। লম লাপনা লৈনবা মরমদগী লোন-লৈনবদি থুংনদ্রে। পানথোইবীগী মমা মপানা খাবা কৌবা নিপা অমদা থাজরে। খাবগী মমিত্তা পানথোইবী অসি অকিবগী মশক রোইরবা হিংচাবী ওইনা উই। মতুনা মরাক্তা চংবা চমদে। পানথোইবীনা নোংপোক নিংথৌগী খাইনবগী মৈচাক থাংবা ভমত্রভুনা মখাগী ঈশৈ অসি শকলকই:—

চেক্লা পাইথরবদা পোম্বী হন্তিল্লকপদা
চেক্লাগী লৈফম খংদবনা
পোম্বী কঙা গুনরে,
শাবী ইনেমচা পাম্মুবা
চীংমুংগী শনা লোক্লগী পাইরকলো।

ইশৈ অসিগী শন্দোকপা অর্থদি পণ্ডিতরাজ অতোম্বাপু বিত্তারত্ন গবেষণা শিরোমণিগী মৈতৈ ধর্ম্ম অরিবা কোবা লাংরিক্তা য়েংবিয়ু। মফম অসিদা কবিতা অসিগী শব্দ অনিদং লৌখংচগে (১) ইনেমচা (২) পাম্মুবা। ইনেমচা হাঙ্গীবদি ইনেমবেকী মচা হায়বনি, ভারতকী সাহিত্য অতৈদা নায়িকাশিংনা মাগী পতি নত্রগা উপপতিবু সম্বধন তৌবা মতমদা ইনেমবোকী মচা হায়না কৌবা পংনা থেংনদে অদুগা ইকুবোকী মচা হায়না কৌবদি থেংনৈ। মফম অসিদা মাগী মুংশিবা নিপা অদুবু কয়াদা নৌবা পুবনিং পালহনগবা অমসুং নায়ক নায়িকা অনিগী পুকনিং অদু কয়াদা লায়ন অমত্তা রোইহনগবা। অদুগা পাম্মুবা হায়বা রাহৈ অসিবু শব্দ অমন্দা হন্দোক্লবা লোন অমা লৈ হায়বা উদে। শব্দ অসিদা কয় দা য়াম্না থুপগ্রবা লুরবা অমসুং লুরবা ভাব ফোংদোক্লিবগে হায়বা অদু মফম অসিদা হায়দুনা লোইরোই। মরম অদুনা শম্না হায়রবদা মৈতৈগী অরিবা সাহিত্য অসি উচ্চাঙ্গগী সাহিত্যনি। অংগা অঙকপা অমনা নোংপোক নিংথৌ পাম্বোইবীনা পরকিয়া ভাবতা শান্নরবা লীলা অদুবু মতৈ ননাও রোইনা পান্নরবা কান্দা মখোই অনিনা কুম্মৈ রোইনা য়েংনরে। খাব অসি আয়নগা পান্দন্নবা য়াই, অদুগা

মথক্তী ইশৈ অসিনা শ্রীমতীনা অনুরাগদা শকপা ইশৈগা পান্দম্নবা য়াই। অদুগা ভাবনা রাগনুংগাগী অয়ৌবা ভাবনি, শৈরেং অমসুং লোন্দি পান্দম্লিংঙাই লৈতে। ইশৈ অসি শতকগী অহানবা শতাব্দীদা শকপনি হায়বনৈ।

মসিগী মথংদা খম্বা থোইবী লীলা লাক্লে। মসিগী য়াখি মৈচৈ পুম্নমকনা খঙই। এনা অমুক লিংডুনা কংন্নদে। থোইবীনা তরায়দা লৈরবা বানদা মাগী মমান মচা পাম্বুবা খম্ববু কৌদুনা শকলনই :—

লাপথ্রবা থবাইনা থমলিবা,
অকিংগী তন্দন য়োইদুনা,
ঃংথলগী চেরাবু বোইদুনা,
পাইবিরক্লোগবা পাম্মুবা।

কবিতা অসিগী ভাব অসি পান্থোকইবীনা শকখিবা অদুগা হাইরপ মান্নৈ। অদুদুনি য়োইবগা হান্নগী অসিনা উচ্চরস য়োইবা হেললি, মবমদি অহানবগী অসিনা উপপতিবু কৌবনি অদুগা অকোনবগী অসিনা পতিবু কৌবনি। হায়বদি অহানবগী অসিনা আত্মানা পরমাত্মাবু পরকিয়া ভাবতা আরাধন তৌজবনি অদুগা অকোনবগীনা আত্মানা পরমাত্মাবু স্বকীয় ভাবতা কৌজবনি।

অদুগা খম্বা থোইবীগী প্রেমনা অমুক্তী মতিক কনগ্রে, অনিগী পুকনিং অদু অমত্তা য়োইগ্রে, মরম অদুনা মথ লেন মমানমচা

পাম্মুববু মপা ইবুংঙো যুবরাজনা মোইরাং খরি কৈথেন্দা শামু-থোংদা য়েৎলগা ইঙাং পাকতক্না ইমন পানথোইনদুনা চিংলক্লবদা কনা অমত্তুনা ত্তাকপা লৈত্তনা অহিংদা ছুড়ি অমা পায়দুনা কৈথেন তান্না চেল্লকই। থোইবীবু উবদা শনাও লাক্কে তৌবা কৈনা অশোনবী মপীবু উরগা চেনবগুম্না লৈত্রম্বা পূম্নমক চেল্লি, করিননো? থোইবীগী প্রেমনা য়ৌখিবননি। অদু ৱোইরবদি খম্বনা থোইবীগী সতিত্ব পরীক্ষা তৌগে হায়দুনা য়েনগাই কারকপদা করিগী ত্তানা থিনদুনা হাৎপগে? করিগী খম্বগী পুক্নিং খঙদে? মদুগী পাউখুমদি খম্বা থোইবীগী প্রেমদি বৈধপ্রেমনি, অবৈধ নত্তে। হায়বদি স্বকীয়া রমনিনি অদুনা খঙদবনি। কনাগুমবা পণ্ডিতকি মততা লাই হরাওবা লীলা অসি য়াম্না নৌনা পুথৈ। মদু চুমদে। মরমদি, খম্বা থোইবীগী লীলা অসি ত্তরানিথোই শতাব্দীদনি হায়না য়ানরি। লাই হরাওবগী লীলাদি খম্বা থোইবীগী মমাংদা মোইরাংদা শরখরে।

খৃঃ ১৭৫০ দগী খৃঃ ১৯০০ ফাওবা

মতম অসিগী মমুং অসিদি মৈতৈ মরোল কাউরে। নিংথৌগী শাপ কিবদগী মরোম্না ইশৈ শকখিদরে। মরোম্না লাইরিক ইদরে, পেনা তাবা ইকায়নরে। তারুরবস্থ করুণ রস লাকপদা নরক তানি হাঙৈবা কিবদগী রানা কপ্না খাঙলে। মরোনগী উচ্চাঙ্গ সাহিত্য হৈবা অমম্তুং ইবা মীবু মৈতৈ লাইরিক হৈবা হায়না নোক্লরে। মদুগী ফলনা মৈতৈ হাঙৈবা জাৎ অসি মখোইগী সাহিত্য করি অমত্তা লৈরমদবা ৱোইনা জগৎনা উরকলে। বাঙ্গলা সাহিত্য চর্চ্চা য়াম্না

কন্না তৌরে। বৈষ্ণব কবিগী বাঙ্গলা লাইরিক য়াম্না কন্না পারকলে, বাঙ্গলা লোন্দা ইশৈ ইরে মাদুদি—"জয় জয় রাধা গোবিন্দ দেব শ্রীল ভাগ্যচন্দ্র নৃপবড়সেব....। কেবলে করুণাময় অবতার হা হা শ্রীগৌরাঙ্গ বিধু........" অসুম তৌদুনা ধর্ম্ম অমসুং কৃষ্টিগী বাহন বাঙ্গলা ভাষানা ৱোইরে। মাসিগী ফলদি ফজরবা বঙ্গ সাহিত্যগী অথুম্বা মহৈ খর মখৈদি চুপ্লে। চণ্ডিদাস বিদ্যাপতি জয়দেবনচিংবা কবিগী লাইরিক পারগা মখন মখা অয়াম্বা লয়ন, জয়দেবনচিংবা ইশৈ লেংলে; অদুগা গৌরলীলা, শনশেনবনচিংবা যাত্রা শেমলে। মতম অসিদা ইজবা মৈতৈরোনগী লাইরিকশিং অদু হাকথিগী ময়ুম ৱোইদুনা লৈরক্লে। ঐখোইগী অরানবা অসি ঈশ্বর চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা উত্তুনা মখাগী ইশৈ অসি শ্রীগোবীন্দদা জাতীয় সংগীত ৱোইনা কৎলি :—

তাইবংপানবগী মপু শ্রীগোবিন্দ নংগী খুয়াদা,
মৈতৈ নিংথৌ ঐনা হাইজৈয়ে,
লৈপাক পুম্নমক লোইননা নংগী থৌগনবু তৌজবশি
নংগীদমকনি পেনবিয়ু হায়না খুরুমজৈ।

অদুগা নিংথৌ অসিগী হাক্তকতা মখাগী অসি কৃষ্ণরূপ ৱোইনা ইরম্মি হাই :—

ইতা য়েংউদা নোংনা মুর্ত্তি পাম্লেনে,
কুঞ্জা মালা উরোক পাইরে;

ফিগে সনা নোংথাং কুপলে।
মহৌশাগী শক্না থরাগ্নবা কপপা শকফমনি,
মত্তু মকতা কোক্তা ৱাহোং মত্তু চুড়া থেংলিনে।

তৌইগুম্বস্তু' নিংথৌগী শাপ কিবনা বাঙ্গলাগী মহুৎতা মৈতৈ-ৱোম্না ধর্ম্মগী অমস্ত, কললচরগী বাহন য়োইহনবদি ওমখিদরে অমস্তং তৌখিদরে।

খৃঃ ১৯০০ ৱাইদগী হুজিক ফাওবা

সাহেবনা পাঞ্চবা কান্দা মরোম্না লাইরিক তম্না হৌনৈ হায়রুনা স্কুলদা বাঙ্গলাগী লোইননা মৈতৈরোন তম্না হৌরক্লে। অস্তুম্নদি ওইরগা মৈতৈরোন চৎনবদি ওমদে। শোক ১৯১৪ দা মণিপুরেশ্বর স্যার চূড়াচাঁদগী কৃপাদগী মৈতৈরোনগী হোলি শ্রীগোবিন্দদা কৎলি মাতুদা শকখিবা গৌরচন্দ্র :—

য়েংউ য়েংউ নিংথিরবা গৌরাঙ্গগী লীলা!
বসন্তগী মতমদা মরূপ মপাং লোয়ননা,
গঙ্গা মপান্দা লেংগলে
নিংথিরবা থানিম্না নদীয়াদা পোক্লে,— অসিনচিংবা।

৺রাজকুমার চিংঙাখম সনামচাগী "দেখ দেখ অপরূপ" হায়বা। ইশৈদগী হুজিক লাইরিক পাওরিবা অসিগা শ্রীমাইবম রজনীগা ইশৈ ছন্দ চানবা মৈতৈরোন্দা হন্দোকখিবনি।

চহি অসিদা মৈতৈরোন্দা ড্রামা শাগ্নে। অতুদগী মথং মথং শোক ১৯১৮-১৯ অতুৱাইদা কোন্দুংদা মৈতৈরোনদা গৌরলীলা কৎলে।

ইহান হানবা মৈতৈরোন্দা কবিতা (lyrical poem) ইবা অসি ৺খ্বাইরাকপম চাউবা সিংহনি হায়না নিংই। মাগী মরোন তারগা মৈতৈরোন অসি ফজবা য়াই হায়বা উৎলি। বেঙ্গলী তম্বগী ফল ফজনা উৎলি। ৺হিজম অঙাংহলনা নেরেটিভ কবিতা ইরমই। মাগী লোনগী মহু'দা মৈতৈরোন অরিবগা অনৌবগা তিন্নরগা কয়ামুক ফজবা লোন অমা থোকই হায়বা উৎলি। ৺দরেন্দ্রজিৎনা অমিত্রাক্ষর ছন্দদা ইপিক পোয়েম ইরম্মি। লাইরিক অসি মৈতৈগী মণিনি হায়বা য়াই। ৺দরেন্দ্রবু মণিপুরগী মাইকেলনি হায়বা য়াই।

অহানবদা মৈতৈমচা'না ড্রামা শাম্নবসি বাঙ্গলাদগী অনুবাদ তৌদুনা শাম্নরম্মি। অদুদগী মৈতৈ মচানা original drama ইদুনা শাম্নবা হৌবসি খৃঃ ১৯১৫ দগীনি। নরসিংহনা অহানবা মৈতৈগী original drama নি হায়না নিংই। হুজিক ফাওবসিদা শ্রীসো-রোখাইবম ললীত সিংহ, শ্রীমাইবম রামচরণ, শ্রীঅয়েকপম শ্যামসুন্দর সিংহনচিংবনা ড্রামা ইরকলে, ছাপা তৌরে। মণিপুরদা ইহান হানবা উপন্যাস ইবা অসি ৺ডাক্তর কমলনি হায়না নিংই। মানা ইরম্বা 'মাধবী' কৌবা উপন্যাস অসি প্রথম উত্তমদা ওম্ভোক্লা কৈ হায়না মীনা থাগৎনৈ। ডাক্তরনা হুজিক হিংদুনা লৈরম্মবদি ওম্ভোক্লা ফর ফরবা উপন্যাস এখোইনা উজরম্বা। ৺নবদ্বীপনা মেঘনাদ বধ কাব্যবু মশাগী ছন্দ কায়দনা মৈতৈরোন্দা অনুবাদ তৌরম্বসি উরগা মণিপুরী লোনসি করি ব্রোইবা য়াবগে হায়বা উৎলি। রাজকুমার শীতলজিৎনা ফরবা অমসুং ফজরবা উপন্যাস

অমসুং ৱারিমচা য়াম্না ইরি অমসুং ফোঙলি। অসুম তৌদুনা মৈতৈ সাহিত্য মন্দিরদা মচাক য়াম্না দান তৌরি। পণ্ডিতরাজ অতোম্বা-পুনা শ্রীমদ্ভাগবত, গীতা, গীতগোবিন্দনচিংবা অনুবাদ তৌদুনা মৈতৈগী অরাৎপা মেনশিল্লি। মহাভারতকি মণিপুর অদু মণিপুর অসিনি হায়বগী ককপা য়াম্রবা প্রমাণ পিদুনা উৎলি। মৈতৈগী ধর্ম্ম অমসুং মৈতৈরোনগী মরমদা লাইরিক ইদুনা ফোঙই। অদুগা বেদ, বেদাঙ্গ, উপনিষদ, পুরাণ, মৈতৈ পুরাণবু মুন্না অমসুং পুম্না খঙলগা হৌজিক ফাওবগী জ্ঞান (up to date knowledge) লৈরগদা ইগদবা 'পাখংবা' কৌবা লাইরিক অমা ফোঙদুনা মৈতৈ পুরাণগী ৱারিগী অর্থ তৌরি। অঙকপনি পণ্ডিতরাজগী উদ্যম। অসি পুম্নমক উদুনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা গবেষণা শিরোমণি হাইনা উপাধি পিরে অদুগা কলিকাতানচিংবা অচৌবা মফমদসু পণ্ডিতকি মগুণ খঙখরে। অদুনা পণ্ডিতরাজ হায়বা উপাধি পিরকলে। শ্রীমীনকেতনসিংহ, শ্রীরাজকুমার সুরেন্দ্র, শ্রীসুরচান্দ শর্ম্মানচিংবনা নেরেটিভ লিরিক পোয়েম ইদুনা ফোঙই। শ্রীমীনকেতন, শ্রীরাজ-কুমার স্নাকনসিংহ মখল মখা অয়াম্বা লাইরিক ইদুনা মৈতৈগী অরাৎপা মেনবা হোৎনরি। শ্রীমুতুম ঝুলোন সিংহনা ফোঙইবা লাইরিক ময়াম অসি উরগা হোৎনরগা মী রোইবনা করি রোইবা য়াবগে হায়বা উৎলি। মাগী 'বিজয় পঞ্চালি' অচৌ অচৌবা পণ্ডিতশিংনা লৌখৎলি।

হৌজিক সাহিত্য পাম্বা মণিপুরী পুম্নমক্না তৌগদবাঃ—

(১) ঐখোইগী মৈতৈ ময়েক্না ইদুনা লৈরিবা পুরাণ ময়াম অসি

চৎনরিবা ময়েকতা ইথোকপা অমসুং লোল অতৈ অতৈদা অনুবাদ তৌবা।

(২) অরিবা মৈতৈরোলগী ব্যাকরণ ইবা।

(৩) খম্বা থোইবীগী শৈরেং লৈরিবশিং অসি খোমজিনবা অমসুং ফোঙবা।

(৪) য়াম্না চৎনরিবা লাইরিক, শক্লরিবা ইশৈ, লিনরিবা ফুঙ্গা ৱারি, তিনশোন লাইশোন খোমজিনবা অমসুং ফোঙবা।

বাল্মিকীগী রামায়ণ, ব্যাসগী মহাভারত মৈতৈরোন্দা অনুবাদ তৌবা অমসুং ফোঙবা।

(৬) অতোপ্পা লোন্দা অচৌবা লেখকশিংনা ইবা লাইরিক মৈতৈরোন্দা অনুবাদ তৌবা অমসুং ফোঙবা।

(৭) মৈতৈরোনগী অক্ষবা ব্যাকরণ অমা ফোঙবা।

(৮) ইশৈ মৈতৈরোন্দা শকপা।

(৯) নুপীগী লাইরিক (female literature) ইবা।

(১০) অঙাংহলগী খম্ব থোইবী শৈরেং ফোঙবা।

(১১) বিদ্যারত্নগী গেবেষণাদা মতেং পাংবা।

(১২) বানানগী পরিং তানবা হোৎনবা।

(১৩) চীংগী ফুঙ্গাৱারী অমসুং চৎনবি ধর্ম্ম (আইন) খোমজিনবা অমসুং ফোঙবা। অসিনচিংবা।

হুজিক মৈতৈ লৈপাক্তা মৈতৈরোন অরিবদগী সাহিত্যগী মচাক লৌগনি হায়বা অমা অদুগা সংস্কৃতগী লৌগনিতা হায়বা মত

অনি থোকনা উই। ঐনা পামজবদি মীনা খঙগনবা অমম্বুং হ্নাতা-চাবা ফংলবদি অনিমক্তগী লৈবদা করিস্ত কায়রোই হায়না খল্লে। অসি পূম্নমক অসি স্মরেম্বনি মতিক মগুণ লৈবা ঈশ্বরগী কৃপা ফংবা লেখক থোরক্কনি। মাগী লোন্দা মণিপুরী সাহিত্যগী ঈচেল সোইদনা চেল্লগনি, কুইররোই।

শ্রীলাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ

চৈথারোল্ কুম্বাব

চৈথারোল্ কুম্বাব অসি কুম্ কুম অতুগী মনুংদা থোকপা থৌদোক্ ইবা লাইরিক্নি। মৈতৈলোন্দ চৈ হায়রগা চহীবুস্ত খঙনৈ। অদুন চৈ×থাব×লোল হায়বদি চহী-থাব-লোন হায়ব খঙনববু "চৈথারোন্" অদুগা কুম্বু পাব হায়বন—"কুম্বাব" হায়বনি। লাইরিক অসিগী অপূম্ব অর্থন চহী পুবা নীপা অদুগি কুম্দ থোকপ থৌথোক ইব লাইরিক্ হায়বনি। লাইরিক্ অসি নিংথৌরোন্ কুম্বাবস্ত কৌঈ। লাইরিক্ অসিদ নিংথৌ নিংথৌ অতুগী হাকথক্ত চহী অদুমগি মনুংদ থোকখিব থৌদোক পূম্নমক ই। লাইরিক্ অসিগী মমিংগি মতুং ইন্না মঙোন্দ ইরিব থৌদোকস্ত মওঙ অনীথোক্ত উই। মঙোন্দ ইরিব মওঙ অসি য়েংবদা কলিগি চহী ৩১৭৫ দগি শকাব্দ ১৪০৭ ফাওবদা ইবগ শকাব্দ ১০৪৭ তগী ওসি ফাওবদ ইবগ অনী অসি খেন্নন লৈ। অহানবগি অসিদ ইবন নিংথৌশিংন তৌব

থবকন মপুঙ ওইন ইরি, অদুগ অকোনবগিদন নিংথৌ, ফম্নাইব, অচম্ব প্রজান তৌব থবক ফাওব তারিখ, থাবালগ কোন্নন ইরি। মরম অসিন লাইরিক্ মশাদ শরুক খায়ন থম্নমদ্রবস্থ মাঙোন্দ ইন্নিব ফীভম্গ মমি গ য়েংদুন লাইরিক অসিবু শরুক খায়দব য়াদে। অহানব শরুক্ক নিংথৌতগি মরমদ ইব মরমন নিংথৌরোন্ কুম্বাব, অনীশুব শরুক্ক চৈথারোন্ কুম্বাব ওইন থমনিংঙ্গী।

অহানব শরুক্ত চৈথাব লৈতে। চৈথাবগি মহুৎত চৈরাউব মুমিত্ত নীপা অমন শরিক্ থাংব চৈ অম পায়রগ মায়কৈ মরিমক্ত লৈরক খুল্লক্ত অমস্তং কয়থেন্দ 'বুমসিগি অরিব চহী লোইরদুন ঙসিমথৈ অনৌব চহী হোরে" হায়ন লাউদুন কোয়ন চৎলী। মরম অদুন মুমিৎ অসিবু ঙসি ফাওব চৈরাউব মুমিৎ কৌনরি। শরুক অসিদ নিংথৌগি পরেং অমস্ত নিংথৌন তৌব থবক্ক মরু ওইন ইব মরম্মা লাইরিক অসিবু নিংথৌরোন্ কুম্বাব কৌঙ্গী। মতাং অসিদ নিংথৌশিংন পানব চহী পাল্লম্ব মতম, মাখোয়ন তৌরম্ব থবক, লাল্ থোকখিব থৌদোক অমস্তং করম্ব মতমদ লৈবাক অসিদ নিংথৌ পান্দব অসিনচিংব ইদুন থমঙ্গী। অদুগ অঙম-অথৌন অমস্তং লৈবাক্ক তৌব থবক ইদে।

অনীশুব শরুক্ত, চৈরাউবগী মহুত্ত মৈতেঙঙু কিয়াম্বগি হাকথক শকাব্দ ১৪০৭ ত হিয়াঙলোয়ন চৈথাব হৌখিব মাসিগি অর্থন—চৈ পায়রম্ব থাদোকপ নক্রগ চহী থাব মী হায়ব খঙনব চৈথাব হায়বনি। শোক অসিদগি হৌন নিংথৌরোন বুম্বাবগি

মছুত্ত চৈথারোন্ কুম্বাব কৌগ্রে। মুমিৎ অদুদগি হৌন চহীগি অরোইব, অহৌব মুমিৎ নিংথৌন ওইব, তোকপ মুমিৎ, নিংথৌ ফম্নাইব, অচম্ব প্রজান তৌখিব অফব-ফত্তব থবক ফাওব তারিখ, থাবালগ লোইননন ইরে। মাসিদ থৎন-চৈনব, মনা-মখিল ফংখিব, রারকখিব অসিনচিংব পূম্নমক ইভুন থমঙ্গ। শম্ন হায়রবদ লৈবাক ঙাকপগি থবক শা-লান্দগি করিস্থ লৈতব অঙাং ঈসিংদ তাব ফাওব ইরি। অরায়ব লে'ন্দ হায়রবদি—চৈথারোন কুম্বাব অসি মণিপুরগি রাজনৈতিক ইতিহাসকী লমজিংব লাইরিক অমনি। মাসিন মপূঙ ওইরগ মতম মতম অদুগি নিংথৌগ মরী লৈনব লাইরিকন মতেং পাংলবদি মণিপুরগি রাজনৈতিক ইতিহাস অম ইবদ ইতিহাসকি মতিক চাব মচাক রাৎলোই হায়বদ চিংনব লৈরোই।

মতাং অসিদ কনাগুম্বন হংবিব য়াই—চৈথারোল্ কুম্বাব অসি করম্ব মতমদ ইখিবনো? কনান ইবনো? মসিগি পাউথুমদি মণিপুরগি নিংথৌগি অমস্তুং লৈবাকি থৌদোক ইবা ক্রোণিকল অম ওইবন মাগি অরেপ্প অইব মী লৈতে, মতম মতম অদুগি মাসি শূব পণ্ডিতশিংন ইবনি; মতমন মৈতৈ নিংথৌগি মরমদ ইব লাইরিক ওইবন খৃষ্টাব্দ ৩৩ শুবদ পানব মৈতৈ নিংথৌ পাখংবদগি হৌখি। অসিত নত্তন মণিপুরগি নিংথৌ পানব সলাই পূম্নমককি নিংথৌ-রোল ইব লাইরিক লৈ। মপুঙ্‌ ওইন নিংথৌরোন্‌গি চৈথাব কুম্বাবগুম্ব লাইরিক লৈবসি অঙোম সলাই, মোইরাং সলাই অনীগি নিঙথিন ফংই। সলাই অতৈগি লাইরিকতি নিংথৌন মতম কুইন মীখাপোন্দুন মমিংত ওইন লৈখিবদগি নিঙথিন লৈত্রে।

চৈথারোন্ কুম্বাবন ইতিহাসগি মরমদ করি কাম্নবগে হায়ব অদু নিংথৌ অমা অনীগি মরমদ নৈনরগ খঙব ঙমই। মণিপুরগি রাজনীতি ইতিহাস অসি নোংতা লাইরেল্ পাখংবদগি হৌন লৌজরি।

১। নোংতা লাইরেল্ পাখংব ঃ—পাখংবন হনচিঙ চিঙমৈদগি লিলরাই মরিল ইম্ন খুনগুমলক্তুন কলিগি চহী ৩১৩৫ শুবদ নিংথৌ ওই। মহাকন পানব চহী ৪৫ শুবদ শকাব্দ হৌই। পাখংবন অহিং মী ওই, নুংথিল লাই ওইন চহী ১২০ পাল্লমই। মাসিদগি ঐখোয়্ন ইতিহাসকি মরমদ ফংই। পাখংব হায়ব নীপা অসি হনচিঙদগি হায়বদি হিমালয় চিঙশাং লাক্লগ লিল্রাই (ঈরিল) তুরন্ মরিন ইম্ন লাকতুন মণিপুরদ চঙলকই। মহাক অসি খুনকুমলকপ হায়ব রাহয় অসিন মণিপুরগি মী নত্তে, অতোপ্প লম্ অমদগি লাকপনি হায়ব তাক্লি। অদুগ মহাক্ল লাকপগি মতম্ন কলিগি চহী ৩১৩৫ শুবদ লাকপনি, মহাক অসি শকাব্দ হৌবগি চহী ৪৫ গি মমাংদ ফম্বান কাখ্রে হায়ব উৎলি। মহাককি উপাধিন মৈতেঙঙু (মৈতৈগি ইবুংঙো) হায়ন থোক্লি। মসিন মহাক অসি মিত্র বংশনি হায়বদি—মিত্র শব্দদ অপত্যার্থদ ষ্ণ হাপলগ মৈত্রেয় হায়বদগী মৈতৈ হায়বনি হায়ন উৎলি। মহাকপু "অহিং মী ওই, নুংথিল লাই ওই" হায়রি। মসি বিজ্ঞানগি যুগত থাজব য়াব রাকম নত্তে। অদুম্নদি ওইরবদ থাজদবগি হুন্দোকপসু চুমদে, করিন ইরিব অসিদ পাখংবগি তৌব ঙম্ব মগুণ অম লৈব মরম্ন ইরমলিবনি। ঐখোয়্ন ইরিব রা অসিগি অর্থ য়েংলবদি অসুম

থোকই। পাখংব হায়ব নিংথৌ অসি অসুপকি মতিক ফজন লৈবাক্ ঙাকই, মহাক সংসারগি ন্নাখন্দ লৈদুন মতু মচা মচিন-মনাউ খঙব অসি অহিংগি মতমতদ খল্লক্ই মুংথিনদ মহাক্ন ন্নাজ-গাদী ফমদুন ন্নায়েনবগি থবক পায়খিবদ মচা-মীচা নাইদে, মহাক মহাককি মন্নাল অমস্তং অফবগি মতুং ইন্ন মতিক চাব মনা অমদি দণ্ডি পী হায়বনি। মৈতৈন অফববু লাই, ঐগি মীগি নাইববু মীগি শাজৎনি হায়নৈ। মাদুগি মতুং ইন্ন পাখংবগি শাসনদ মীচঙ মীখাই নাইদে হায়ব উৎতুন অহিং মী ওই, মুংথিল লাই ওই হায়ন ইন্নম্বনি।

২। মৈতেঙঙ্ কোম্থৌব ঃ—সমৈন্নাংন শিন্নবদ মচা অহন কোম্থৌবন শকাব্দ ৪৯০ দ নিংথৌ ওই মহাক্থক্ত মনাই কদেম্ শোয়্শঙববু লাক্চরম্বগি ন্নাহৌদগি সেল্লোয় লংমাইগ লাল্ শোন্নখি। মহাক্ অসি ন্নাজনীতি শানদুন য়েন্নবনু থুডুম্ চন্নব, নত্রগ মন্নপ ওইন থম্দুন লৈপাক্ শান্তি ওইনব হোৎনব নিংথৌ অমনি। মাদুগি খুদম্ নাউথিংখোং ফম্গাবনচিংব লাইরিক্নে মহাক্কি ন্নাজনীতি কৈব উৎলি। কোম্থৌবন সেল্লোয় লংমাইদ লৈব ঙাওম্, অদুগ মোইন্নাং অনী অসি মতম্ অদুগি খুৎকনব সলাইনি হায়ব খঙই, মন্নম্ অদুন মহাক্‌ন লংমাই নিংথৌ কাইমৌ চিঙ্শোম্বগি মচা ইবেম্মা পেতঙাবু মচা ইবুঙো হোঙ্নেম্ য়োয়, খুঙ্গাউগিদমক্ লওন্নগ সেল্লোয়দ য়াওঙ্ ইন্দুন মচাবু লৈহল্লি। মচাবু য়াওঙ্ ইল্হনবগি মন্নম্‌ন লম্ অদুগি ঈন্নাং য়েংহনব, অমন ঙাই ওইবগি খংন চৈন খাম্ব, মন্নম অসিগি থম্বনি।

অদুগ মোইরাং লৈপাক্‌ন মখোইগি ফংজবা ভৌদনবগি মোইরাং নিংথৌ মচা উরা খুন্দাবদ মচা ইবেম্ম নাইরেমতোন পীদুন য়াওঙ্ ইল্‌হল্‌দুন থম্‌ই। অমুম্ তৌন মহাক্‌ন সলাইশিং অসি মথুংত চননব হোৎনদুন লৈবাক্ মরা তপ্প চহী ৯০ পান্‌লম্মি। মসিদগি কোন্থৌব অসি রাজনীতি হৈবন লৈবাক্ মরা তপ্প ঙাক্‌খি হায়ব খঙই। অদুগ মহাক্‌ন লৈখিদ্রবদ মচা ইবুংঙোন য়ৌরক্সিঙৈদ চহী মঙা অঙোমন পান্‌খি।

৩। শকাব্দ ৯৯৬ তা মৈতেঙঙু ইরেংবন শিরবদ মচা ইবুংঙো লোয়ম্‌বনা নিংথৌ ওই। "মহাক্‌থক্ত লাইগ মীগ লাল্লুপ কায়স্বদগি মীন ঙম্‌দুনা লাইগি মখৈ মাঙ্‌খ্রে, মীতন শিল্‌হোরে" হায়না কুম্বাবদ ইরি। মাসিন ইতিহাসগি মরমদ হায়রিবদি অফব মীগি কাঙবুগ ফত্তব মীগি কাঙবুগ য়েৎনবদা ফত্তব কাঙবুন ঙমখ্রে, মতম অদুদগি রায়েল্ মওঙ অমা হোংখ্রে হায়ব তাক্‌লি।

অদুগি মতুংদ "পানা তরুক থোক্লা কায়," মাসিন থোক্‌পদি ফত্তবগ শাসন পূম্না পুরবদি লৈবাক্ত রাব হেনগনি হায়দুনা লৈবাক্ অসি শরুক্ তোঙান তোঙান খায়রগ অতোপ অতোপ্প মীবু শাসন পুহন্দুন থবক্ তান্নহনবনি। অদুগ "মহাকথক্ত য়ুম্নাক্ পূম্নমক মশিল্ তৌহনলমই"। হন্দক্ মৈতেঙঙু লোয়মবন শাগৈ পূম্নমক্ত মশিল্ অমমম য়েমথোকপ অসিন মহারাজ অসি অর্থনীতি নিঙথিন খঙলমই হায়ব তাকলি। মীওইবন শেল তান্‌বদ শিনফম্ অমতদ মী পূম্নমক্ পূম্ন তাল্‌লবদি শেল ফংব রাৎলি, পোৎস্নু মীওইবগি অরাৎপ মেনব ঙমদে। শিনফমন তোঙান তোঙান লৈরবদি পোৎস্নু মতিক্ চান ফংব ঙমই, শেন্‌সু মতিক্ চান ফংব ঙমই।

মহাক্ থক্ত লৈবাক অসিগি মী নিংথৌ ফম্বাইবনচিংবন চৎকদব ন্নায়েল, পুম্নমক্ ইতুন থম্ ই। লাইরিক্ অতুগি মমিং 'লোয়মুব শিললেল্' কৌই। মাদুদ নিংথৌন অঙম্ব, প্রজাগ লোয়নগদব, ঈমুং মনুংগী নিংথৌ মহারাণীনচিংব ইবেম্মাশিংগি চৎনগদব লম্ চৎ অদুগ অঙম্বগ প্রজাগ লোয়নগদব ফিভম্নচিংব ন্নায়েল্ পুম্নমক ইরি। মহাক কি ন্নায়েন্দ নিংথৌ, প্রজা চপ মান্নন মহাক্ মহাক্ত তৌব থবক্কি মহয় পী। করি অমুক্ হায়গনি, করিগুম্ব নিংথৌন ইবেম্মশিংগ লোয়নব শাজংত ন্নায়েল্ লাইরিক্ত ইরিব নিয়ম্ অদু কায়বদ নিংথৌ থঙদে, মহারাণী থঙদে, নাই অমগি মমল্ ন্নাকোংহল্লি। মহাক্ কি ন্নায়েন্দ নি থৌন প্রজাগি মরা ঙাইব, প্রজানস্থু নিংথৌগি য়াথং ঙাইদুন চৎপদগি মৈতৈ পাউরো "নিংথৌন নাম, লৈবাকন নাম" হায়ব অসি থোকখি।. পাউরো অসিগি অরাগুব অর্থদি নিংথৌগ প্রজাগ মথৌ চপ মান্নন য়েম্নে হায়বনি। মতম অদুগি অচৌব ফমনাইব মীদি নিংথৌন চানবন ওইব য়াদে, মথৌনা লৈব, লৈবাক্কি মায়ন্নাং ওইব নীপাতন অচৌব ফম ওই। মাদুন "নয়াম্ম লাক্কুন ইনখৎলু, নবোয় মশ লাক্কুন চিংখৎলু" হায়ব পাউরো অসি থোকখি। পাউরো অসিদগি ঐখোয়ন,—মতম অদুগি মী অসি থবকসি খাসি নাইনা চৎতুন মাগি মাগি মথৌ কায়দে, পুকচেল্ তিম্নন লৈ, অদুগ মতম অদুদ মণিপুরদ গণতন্ত্রগি শাসন চৎলে হায়ব তশেংন উরে।

মতাং অসিদ কনাগুম্বন চিংনবিব য়াই, মতম অদুদ গণতন্ত্র শাসন লৈরবদি প্রজাবু করিগি নিংথৌগিদ নমদুন ল্যাল্লুপ কাহন্নি।

মাসিদ হায়জনিংবন ল'ল্লুপ কাব হায়রিব রুক্ম অসিমক্ত মণিপুর অসি গণতন্ত্র শাসন্‌গি মপান্ন স্বাধীন ওইরম্বনি। মীখা পোনদন মরৈবাক্ ঙাকপ তাররবদি মী পুন্নমক মশা মশাগি মথৌ মশক খঙব তাই। অদুগ কবিগুম্ব থবক অম ময়াম তিন্দুন পাঙথোক্তে হায়রবদি পুকচেন তিন্নদব য়াদে, ময়াম অদুগি লুচিংব অম য়াওদব য়াদে। মরম্ অদুন লৈবাক অসিগি মিৎয়েংফম্ নিংথৌবু থমবনি, মহাককি য়াথংবু লুন তৌদুন অপৃথ পুকচেন ফানব লংলা ওইন শীজিন্নবনি। নিংথৌবু লবাক্ত মকোক ওইন থমদুন খ্বাইগি মিৎয়েংফম ওইবদগি থৌগললোল্ অদুমক্ত লৈবাক্ত থকসি খাসি নাইব লমচৎ (disci-pline) থোকলিবনি। অদু নত্তবদি কবিগুম্ব থবক অমতম্বু পাঙথোকপ ঙমলোইদবনি। অসিগি মথক্ত মতম অদুদ ল'ল্লুপন কান্নব অমগ লৈরি। মমাংদৈদ লৈবাক পুম্নমক্ত পাউ পীনব খবর চে লৈতে; ডাক লৈতে অদুন পাউ অসি থুনা ফংনব পাম্বে করি অমত লৈরমদে, অদুমদি ওইরবদ লাল্লুপ কাবন লৈবাক অসিদ থোকপ থবক অসি কোক হোন্ চপ মান্নন তারমই। মরম পুম্নমক অসি কান্নবদগি অমসুং নিংথৌন শাসনগি মকোক্ত থম্বদগি নিংথৌ কোম্‌দ লাল্লুপ কাবনি। লাল্লুপ হায়বদি লালগি কাঙলুপ হায়বনি।

৪। খাগেম্বঃ—মুংয়াম্ব মহারাজন নোঙ্গাখ্রবদ মজা ইবুংঙো খাগেম্বন শকাব্দ ১৫১৯ দ নিংথৌ ওই। মতম অসি অনীশুব শরুককি মসুং চনব শরুকনি। অদুন ইরিব মরোন্স্ত খুৎই অম হোংলে। মাদুদিঃ—"শকাব্দ ১৫২০ দ সদাং লম্ য়েংঙী। কোইরেং

মকুই নাম্লন্ ঙাঙ্নম্, খোয়রী শিরে।" "খোয়চু খোরুম্নে। লুপা লুহুপ শিঙনবে। লুহুপ উপন্ত হোয়ে।" অস্রুম ইত্রে। খাগেম্বগি মরমদ চৈথারোন্ কুম্বাবদ ইরিব অসি য়েংবদ ঐখোয়ন খাগেম্ব হায়ব মীপা অসি লৈবাক অসিগি চাওখৎনব হোৎনব, রায়েলগি মরমদ খুদোং চানব হোৎনব, নীপা অমনি হায়ব খঙই। মাদুদি— "শকাব্দ ১৫২৭ তা দোলায় তোংব হৌএ। অকন্ অথৌদ সনা লুপাগি তাল্ খজি পীব হৌই। যুম্রক্ত পোংলোইব তোকহন্দুন মংকম্ নাইহনখি। শকাব্দ ১৫২৮ দ পাঙল লাম্মী লিশিং অম ফাঙ্গন মণিপুরদ খুন্দাহনখি। মখোয়গি দমক নি থৌন লোইশং অম লিংখি। শকাব্দ অসিদ শগোল কাঙজৈ শানব হৌই। কোয়েং সলাই য়েৎপস্থ অংচৈঙ হৌএ। অঙোম তাকয়ে। নিংথৌবু লাইরিংথৌ কৌবস্থ অদুচৈঙ হোয়ে। শকাব্দ ১৫৩২ দ কাংচুপ হিদাক থকপ হোয়ে। শকাব্দ ১৫৩৬ তা কয়থেল তরা শেমদুন হে'ঙই। কোমুংগি অকোয়দ চেকপম্ন কোয়ব হোয়ে। শকাব্দ ১৫৩৮ দ মৈতেঙঙ্ খাগেম্বন মৈতৈ লাইরিক্ তম্ব হোয়ে।" অম্নুম্ন মহাকথক্ অসিদ মণিপুরগি মমুংদ লৈরিব রায়েশঙ পূন্নমক লিখৎলমই। অদুদগি হেন্দুন পানাগী মপান থোকপ খুল্ পুন্নমক মখুলগি কন্নাইবদ লম অদুগি রায়েল পূন্নমক তৌহন্দুন হৌজিক্ কাংগি গ্রাম পঞ্চ'য়েতকি নিয়ম অসি শেম্নমই। মরম অদুদগি বিচার শঙবু (কোর্টপু) মৈতৈন খাংজেং (খাগেম্‌ব লোয়শঙ) হায়ন খঙনৈ। অদুগ রাশকপ মতমদ "খাংজেঙন সাক্ষী ওইসমু" হায়নৈ। মাসিন তাকপদি খাগেম্বগি মতমদ তৌব বিচার তদু চুম্ন তৌই হায়ব তাক্লি,

হায়বদি অচুম্ব হায়ব অড় খাগেম্বন লিক্ষৎপ লোয়শঙদ লৈ. মাচুদি মীনম্ব ঙাঙব য়াদে, ঐন ঙাঙলিব রা অসি মাচুদ ঙাঙব য়াব রা অচুমক্লি, হায়বনি।

অম্লম তৌদুন খাগেম্ব মহারাজ অসি মবৈবাক্কিদমক চাওখৎনব হোৎনখিব নিংথৌনি হায়ব অড় মহাকপু লৈবাক্ক "লাইশ্লিংথৌ" হায়ব মমিং থে'নখিব অসিন্ তাকলি।

গরিবনিরাজ :— গরিবনিরাজন শকাব্দ ১৬৩১ গি ইঙেন কুনজমদোইনি পানব যুমশকৈশ মুমিৎত ফম্বান কায়।

মহারাজ অসি লৈবাককি দমক হোৎনব, অরা অনা উব য়াদব নিংথৌনি। মহাকন পাল্লিরৈঙদ প্রজাগি খুদোং চাদব পুন্নমক কোক্‌নব মথৎয় য়াওন হোৎনব নীপানি। মহাকন রাংখৈ লৈকাইদ কৈবোকত হৈপোপানচিংব মফমদ পুখ্রি তওদুন ঈশিংগি খুদোং চাদব কোকহল্লি, ফৌ-চেঙ্ হেন্দুন লৈবাককি অরাম্ব কোক্‌নব তৌরমই। মহারাজ অসিন লৈবাককি রায়েল অসি নি থৌ য়াওন পুরবদি—প্রজাগি মনিঙ থুংলরোই হায়দুন শকাব্দ ১৬৩৭ কি লাংবন থাগি কুনতমদোইনি পানব থাঙজ মুমিত্ত অঙম্বগি মথুক্ত রায়েনগি থবক শিন্নদুন পুহল্লি।

গরিবনিরাজ মহারাজ মশান মীন লাকচব রাদব নিথৌ অমনি। মরম অদুন ওরা নিংথৌন মচন ইবেম্ম ওরা লৈম মখাউ ঙম্বীবু তাম্বোকপগি মুঙাইতন লৈরিঙৈদ ওরা রায়বার লাকতুন মচা ইবেম্ম পীযু হায়রবগি শাউবন ওরা তুম্‌ন মাঙহনগে রাশকখি। মহাকুকি রাশক মতু' ইন্ন চৎী তরেৎ চুপ্ন ওরাদ ওরা খুঙ্গঙ, নিঙ্খু-

তরুক্ জয় তৌদুন কাওমুদো যাঁয়া য়োরগ হৌ কই। মসিবু মৈতৈন শমশোক্ লাল হায়ন খংনৈ। অসিতস্ত নত্তন শকাব্দ ১৬৪৫ দ মতম অমতদ তথেল ওরা অনীন মণিপুর জয় তৌব লাকপদ মহারাজ অসি মী কিদব, মীখা পোনদব পুকচেল ওদুংকুন তথেল্ ওরা অনীংক মায়থীব পীডুন মণিপুরবু মীথ পোনদন থম্ব ঙম্খি।

অদুগ মহারাজ গরিবনিরাজন লৈবাক্কি দমক অসুক ফজন হোৎনরবস্ত ধর্ম্মগি মরমদ প্রজাবু য়েংবিদব খর য়াওখি। মহাকন মপা ইবুঙোগি মতুং ইন্দুন শকাব্দ—১৬৩৯ মেরা থাদ গুরু গোপাল-দাসদ গৌরধর্ম্ম দীক্ষা ডোরে। অদুদগী থায়নদগি লৈরক্লব মৈতৈগি লাই উমংলাই মাপল্ মোংবহনবদ পুম্ন তিনশিনহনখ্রে ; অদুগ লাই সোরারেল, পান্থোইবী, হুইদোম পোকপী থুগায়রে। পাঞ্জি তমলুবগি দমক বামোন ময়ামবু শকাব্দ ১৬৫০ দ তাম্বোকই, মরক অসিদ শান্তিদাস থুংলডুন কোম্ভংদ লৈররে। কনা কনাগুম্বন মাগি ধর্ম্ম পাম্বদগি রামায়েত ধর্ম্ম লৌরুবদ রামান্দী চৎপ রাকোংহল্লে, তদুগি মথক্ত লোই থাডুন মরম্দগি তাম্বোকলে। শকাব্দ ১৬৫৬ তা রামায়েত ধর্ম্ম চৎপ রাকো হল্লী। বামোনবুনা ময়াংদ তান্-থোকখি। মচা ইবুঙোশিংবু মফম লৌথোকতুন রারকই। রাকোংখিব মী পুম্নমক পলদ লোই থাই। অস্তুম তৌডুন রামান্দী চৎপ মীবু লারুরস্ব, মরান লৈজদব মীবু সমাজদগি মপান থোকত্রব পল্দ লৈহনবনচিংব তৌদুন রামায়েত ধর্ম্মবু তাথিরদ্ব নিংথৌ মশামক্ত লৈবাক্কি রায়েল থুংগাইডুন শকাব্দ ১৬৫৯ হিয়াঙ্গৈ থাগী পূর্ণিমা সুমিত্ত মনাই চহুমগ লোয়্নন শান্তিদাসদ অমুক হন্ন নগুণ

থাংলে। শকাব্দ ১৬৬১ দা রামায়েত দীক্ষা তৌরে। অদুদগি রামায়েত ধর্ম্ম চৎপ মীবু রাকোংহন্নগ লোই থারব নিংথৌ মশামক্ত রামায়েত ধর্ম্ম চত্তব মীবু রাকোংহন্দুন লোই থাব হৌরক্লে। শকাব্দ ১৬৬৮ দ কবোগ লাইরিক য়েংবম্‌গ চারৌ-মৌরৌনৌ হায়ব য়াদবগি কবোবু শুগ্নূদ লোই থারে। শকাব্দ ১৬৬৯ দ মচা ইবুংঙো তোলেন তোন (শক্রঘ্ন শাই) বু শুগ্নূদ লোই থারে। গৌরিয়া চৎপ রাকোংহল্লে।

মতৌ অসুম তৌন ধর্ম্মদ অমসুং লৈবাক্কি অঙম্বদ শিম্নপ্রব রায়েন্দ মখুৎ থিংজিন্দুন মনিং তৌরকপদগি লৈবাকন য়ারক্তদুন শকাব্দ ১৬৭০ গি কালেল তরানি পানবদ মচা ইবুংঙো চিংশাইদ নিংথৌ খুভম পীরগ রামাশালাদ লৈখি। অদুদগি শকাব্দ ১৬৭২ দ অঙোম য়ুম্ফমদ কোংই। অদুগি মতুংদ মচা ইবুংঙোন তাম্পোক্তূন ওঃারোমদ মনাইশিংগ লোয়নন লেঙখি। শকাব্দ ১৬৭৩ দ ওরারোমদগি হল্লকপগি পাউ তাদুন মচা ইবুংঙো মহারাজন নহাকপু থরোই, কৈক্রনব হিদং, অয়াঙহনবম হোঙব, ইরোইব লানচিংব মখোয় মরি থাদুন পোইম্নুগি কুন্তরুক্রি পানবদ মাঙহনখি।

অসুম মণিপুরগি নিংথৌগি লমচৎ, রায়েন্‌গি পথাপনচিংব অসি চৈথারোল্ কুম্বাবদ ইদুন লৈ। মাঙোন্দ ইবদ শন্নপন থন্নমলবসু নিংথৌশিংন মহাকৃথক্ত থোকৃখিব থবক ঐতিহাসিক সাহিত্য ওইন ইহনব লাইরিকত শন্দোক্ত ইদুন লৈ। মরম অসিন ঐখোয়ন হায়জনিঙবদি চৈথারোল্ কুম্বাবদ নিঙখিন নৈনরগ মতম মতমগি

থোকপ লাইরিক্নে মতং পা'লবদি মণিপুরগি রাজনৈতিক ইতিহাস অম থোকপদ থোইদোকপ মচাক রাৎলোই।

মোইরা থেম্ চন্দ্রসিংহ

মণিপুরগি শুমাং লীলা

হরাও-কুম্মেগি লৈবাক ঃ—

পৃথিবীগী মন্থংদ মণিপুরগি মীতৈ জাতিন খ্বাইদগি হেনবসি শগোল কাংজৈ শান্নবদ নত্রে, জগোইশাব ইশৈ শকপদ নক্কে, মশা নানব লুব-হেনবদ নক্কে, মীতৈগি শগোল মচাদ ত্তোংলগ আরবী শগোল অচৌবন চেন্দুন পুখিব কাংজ্রম তান্নব ফংওই। মনা মশীং চাবগি জগোই ঐখোয়গিনি, শা চারগ য়ু থরগ য়েংব মীন মেংমল্লি হায়নি। ধম্মগি কুইনাইন য়োম্মিব মীতৈগি অয়াম্ব ইশৈবু লাই লৈতবন ধম্ম ওইব নত্রগ অংোম্প্ল ধম্ম চৎপ মীন অমা'ব ঈশৈনি হ'য়। অদুগ মীতৈন মশা নানবসি লম্বী লমখা'দ মীমা দদ ওইন তৌই, মুগা অমোৎপবু শেং'নৈ, চক উয়ান নুক্তিগি ফেংদে, চৈরাওব নুমিৎতদ য়ুমগি নোংাং কন্তে হায়নৈ। অদুদি মীতৈ জাতিন অতৈ অতৈদগী হেল্লি হায়ব য়াবসি মক্তিকচাদন চাক য়াম্ন চাবদরা, নিপান নুপী য়াম্ন থিবদরা, মপু খনব হৈবদরা, সনা মপান শাৎহনবদরা, অমাং-অশেং থায়বদবা, থবক চিলহাও থিবদরা? অমত্ত

নত্তে, পৃথিবীগি মফম মফমদ মতিক চাব লাম্বা নত্রগ মখোয়দগি হেনব লৈ।

মীতৈন, মচা খণ্ডদে অচৌব খণ্ডদে জাতি অতৈদগি হেল্লি হায়ন চাওথোকপ য়াব, পৃথিবীগি করিগুম্ব মফমদ মপা লৈতবদি হরাও কুম্মৈ পাম্বদনি। ঐখোয় লৈবাক্কি মমিংসি মণিপুর কৌবগি মহুৎ হরাওকুম্মৈ লৈবাক হায়ন কৌরগন হেন্ন মপানগি মীশিংন চুম্ন খণ্ডব ঙম্মি, ঐখোয় ইশানম্ভ করাওব হেন্নি। শশিবু চৈরাওবগি য়েক্লাং মথেল চারগ ময়েং তানব চীংকাব, লীলা য়েংব, কালেন্দ কাং শানব, রারী লাইরিক পেনা, লাই হরাওব কয়া কয়া শমথদুন ইঙা ইঙেনগি নোং লাক্লিক্লাওব লাংনরিব, অতুদগি কাং চিংব, জয়দেব চোংব, থুবাক ঈশৈ খেচ্রী, থরান লাংবন্দ তর্পনগি উৎসব, কুলোনগি নুপী পালা বাসক নিপাগি ঙুপীগি, কৃষ্ণজন্ম, থৌরানীজন্ম, বামনজন্ম, হৈক্রুহিদোংব, মেরাগি লাইরিক তাব, শয়নগি কবোক-হৈবোক, চম্প্রো সোলোম, দুর্গাপূজাগি জগোই, ঈশৈ, নুপীপালা লীলানচিংবন শমথরক্কুন লমদা থাগি য়াওশং আবের, শেল মাংহনবী, থাবল চোংবীগি খুৎ শম্নবগুম চহি চুপ্ন অতৎ অথম লৈতন, মরক অহাংবদ শুমাং লীলা, বাসক, স্টেজগি লীলা, সিনেমান শমথদুন মণিপুরবু পৃথিবীগী মমুংদা থাইদগী হেন্ন হরাও-কুম্মৈ পাম্ন লৈবাক্কি হায়বগি প্রমাণ পিরি।

হরাও-কুম্মৈ অস্নুক পাম্বগী মরম খর—

Intelligeuce Quotient ন মী অমগি লৌশিং ওন্নবগুম আমেরিকারোমদদি Mirth Quotient হায়দুন হরাও-কুম্মৈ পাম্বগি

চাং ওন্নব চৎনরক্লে। মসি ইংলণ্ড লোমদদি কয়া তাদ্রি। আমেরি-কারোমদদি Cartoon Picture কয়া মরুম উহল্লগা অনাবশিংগি পুক্লিংগি ফিভম খণ্ডনব লাক্লব চৎনরক্লে। তোঙান তোঙানব জাতিগি মীহুৎ লৌরগ মখোয়গি Mirth Quotient হায়বদি হরাও-কুম্মৈ পাম্বগি চাং চাংদম্নদুন য়েংলবদি মীতৈ মচান খ্বাইদগি হেল্লম্বা য়াই হায়ন থাজে।

মণিপুরগি মহৌশান পীব ফমফম, অচীক অশা, অদুগ মপা চানব পাম্বী, শা উচেক, চাব থকপ হাওব, হিংব লাইব....মখোয়সিন হরাও-কুম্মৈদ থন্নায় য়াওনব মীতৈশিংবু ইন্সিল্লি। পৃথিবীগি খ্বাং-গোই ওইন লৈরিব জঙ্গলশিংদ হৌবা রা পাম্বীন শাস্থ শাদব ইংস্থ ইংদব সনা লৈবাকসিদ লৈব ফংলবদুদদি মথরাই নুঙাইরদুন বাঁশী শানহল্লে, পুক্লিং হুরব খোঙ্গোক্ল সনসেন্নহা শিংনা খোংলে, খোঞ্জেল অদু তাবদ সন্নাও মচাশিংন খোঁশারে, নাপী লমগি শজিন হন্নাওবন খপুন চোংলে, মথল মখা ময়াম্ব লৈ যাতী যুতী, মাধবী মধুমতী শাৎকাইরে মকোক ঙাওনব খোইঙাং খোইমু খিবিক। লৈবাকসিদ লৈব মীশিংন করম্ন ঈশৈ জগোই, ফাগী জোগায়, হন্নাও তয়াম পাম্মোয়দগে ?

নিংথৌরোল খুদিংদ অন্নাৎপা লৈত, মনিংতম্ব নিংথৌশিংন কুম্মৈ ফীওং, ঈশৈ জগোয়, হেল্লা লীলাগি চন্না মুৎতনবা হোৎন-রম্মি। মপুনিংব মনাই প্রজাশিং মরম্নাই অন্না-অনা লৈত্ত-লাইর কোঙ্গাই কাউব তমদুন মপুন য়ানব হরাও-কুম্মৈ থৌগল হৈনখিবদু মচা মগু হাক্তক্ত করম্ন পাক কাউগদগে ? মসিদস্থ নত্তন জাৎন,

ধর্ম্মন, হৈনবীন, রাজনীতিন, মীরৈবাক্তি মতৌ তম্লিংব অমস্তুং মীরোল, বাঙ্গালা ইংরেজী সংস্কৃতনচিংবন তম্বিব মতুং ইন্না মীতৈ জাতিগি হরাও কুম্মৈগি হার ওইরকই। অসিগুম্ব হার ময়াম লৈরিব, মত্তিকচানা নোং তারিব মফম অসি মীতৈমচাশিংগি লৈবাক নত্তে, হরাও কুম্মৈগি মপামনি, চীং-তম মচা, পাঙল অমস্তুং জাতি অতৈগি ইচিন্নাও লৈরিব পুন্নমক হরাও কুম্মৈ পাম্বীসিগি মালিনী চায়োকপীনি।

হরাও-কুম্মৈ, লীলা মথল মথাঃ—

মীতৈগি অঙাং পোক্লগ যষ্ঠীপূজাদ বাসক লীলা তৌনরক্লে, মী শিবদ বেঙপার্টি, মাইক, ঈশৈ, অথুম অহাও তল ফোলাগি কুম্মৈ তৌনরবদ লুহোংখোংদোংবদদি শেল কয়া চংনা মী কয়া থবক শিৎন লাংব হৌনগদগে? য়েন্নিং চোংবগি কুম্মৈ, উনা কেনবগি ফীহোং মেরা, থাবলগি জগোই, শুক্লব শিবরাত্রি অহিংগি লিকোল, ঈশৈ ফমশক, বসন্ত ঋতুগি নামিবন লিরি লিরি শিৎপগ তান চান থাবল চোংবগি খোংথাং, নাপীশিংবী উনা রানাগি মচু তমদুন মথল মথা অয়াম্বা মচুগি ফনেক, ইন্নফী, ফুরিৎ, অশিৎ অরাঙ্গাগি ফী মুন্নবী, য়ুবীরাকপী, লীলা মতমগি খোংচৎক চানন, ধর্ম্মগ থোদাংগ তোৎনন, চৎনবী রুক্মীগি নাতৈ ইন্ন খুবাক ঈশৈ, বাসক, মুপীপালা, জগোই মথল মথা, রারী, খোংজোংপর্ব্ব, পেনা, গৌরলীলা, উদুখল, সঙ্কেনব, শুমাং লীলা মথল মথা ষ্টেজ লীলা মথেল কনান, শিংথাব ঙমগদগে? মণিপুরদ শাৎলিব লৈ, পাল্লিব হৈ গি মনম মহাও

মথল মথাদগি ভাদন মীতৈগি হৱাও-কুম্মৈসু জাৎ য়াম্মি, মচু মথল খেম্মে।

মী-মতৌ তম্বা :—

ইউনিভরসিটিগি প্রোফেসার অমন হায় "Acting is every-man's art." অঙা' পিশক পিকপদগি চহি ৭০/৮০ শুৱব সেক্রেটারী, মন্ত্রী, পিওন, মাইব, পাঞ্জি, লৈশাবী, মৌ, নহা, চন্নবী মীগি মতৌ তমচুন হিংইবনি; পূক্লি'গি ফিদম তানব লীল থোক্লৱিবনি ভাইবং লীলা ফম্বাক ইমুং মনুংদ লম্বীদ, কোর্টত, লোইশংদ, টোটি-মখোংদ, লিকোল শানফমদ। এক্তিং ফজব কৈব মীন পুন্সিদ মায় পাকই, মুংঙাই য়াইফে। অশেংব অচুম্ব ৱা ঙাক্ত হায়দোক্লবদি উকীল, মাইব. মাইবী, পোৎ য়োনব য়োনবী মতৈ-মনাও, মপা মচা মচিন-মনাও, মকুপ মপাং, ৱাজনৈতিক পার্টিগি লুচিংব, বাবু ময়ামগি করম্ম হিংগনি, পুক থনগনি, চানন লৈমিন্নব য়াংনি। মীচমদি লায়ৱচুনা গোভর্ণমেন্টসু চালাইব য়ারোই এক্তিং ফজত্রবদি, অওইব ৱা কয়া লোংতুন থমত্রবদি লৈবাক কায়গনি। মিৎয়েং অমদ য়েংলবদি উইলিয়াম সেক্সপীয়ারন হায়ব 'This world is a stage' হায়বত্থ খিজিক্ত চুম্ব ৱা নত্তে। মবুক শেংন হায়-দোক্লবদি এক্তিংদ সাবিত্রী সত্যবান শানত্রবদি ঙসি চানন উৱব মতৈ মনাওদো হয়েং নোংঙানবদ খায়নগনি।

ফজব ৱাহৈ ৱাতা ঙাংনিংই তানিংই মী খুদিংমক ঙাংবগি তাবগি মতিক মৱল লৈজত্রবসু। অশোনব মীন অকনব শানিংই

ঙহাক্ত ওইরবস্ত ; ফজব শেৎপ চাব ফংদবী সুপী মচান মিকুপ খরদ ওইরবস্থ রায়চুন মহারাণী শানিংই ; পুকচেল ফজবী সতী শানিংই—সতীগি রাহৈ রাতা ঙাংনিংই, পিকলিবা অঙাংন মমাগি নঙ্গন্দ রাণাপ্রতাপকি শগোল থৌই, ফালদ ফন্নগ মোটোর সাইকল থৌই। অহল-লমন অচৌ অপিক খায়দন মান মান পামজব ফিদমগি মঙং তানব চৎলি, চারি, ঙাংই, থবক তৌনরি। অসিগুম্ব হৌনশা ভাইবং মীনি, পোকপদগি লোইনরকপ অসিন ইন্সিন্দুন লীলা চাওখৎলি।

লীলাগি রারী মতেক অম ঃ—

তোঙান তোঙানব মতমদ পৃথিবীগি মফম মফমদ লৈরম্ব নিংথৌ অমসুং নিংথৌগুম্বশিংনা ফাগী তৌব হৈব মী, রাহৈ রাতা সুংঙাইব মী মনাক্ত থম্নে। অদুগুম্ব মীশিংন সুংঙাইন লৈব উদ্রুন কাংলুপ কাংলুপ ওইন লীলা উৎপ মী থোক্লরকই। লৈবাক কয়া-মরুমগি রারী ওইন হায়নৈ—নিংথৌ অমন মহাক মশক য়াম্ন মাল্লব নিপা অমদ হংই, "নংগি নমাদু কোর্টতা কাখ্রিব্রা?" নিপাদুন খুমই, "আজ্ঞা, ননাই ঐ' ইমাদি কোম্নুংদ কাখিদে, ইপাদি তোইন কাখি হায়ন তাজে।"

ফাগীন অরা অনান থল্লব ভাইবং অসিবু খর কাওহনব ঙমই, লাংতক্লগল্লব ভাইবং পুক্লিংবু ঙহাক পোথাহল্লি ; ফাগী হৈব রাহৈ-রাতা সুংঙাইব মীবু মীন লুন তৌনৈ মাগ ভিন্ননিংই, থবক শুবগি রারব মতমদ ফাগীন তেকখৎহল্লি ; শাওনরব শাথিরব মতাংদ ফাগীন

কল্লি। থুদম অমতং হায়রবদ— নোংম কোর্টতা উকীল অমন মাগি লাম্বাদুদ লাওরমই—"You are a cheat, a liar." অমদুন খুমখি, "You are a grafter, bootlegger." মতুদ জজদুন হায়খি "নখোয়নি ফজন নশক তাকনরে ফরে, হুজিক্তি মকদ্দমা চথরসি।" তিল্লিব মীয়ামদু জা লাওন নোকই উকীল অনীদু য়াওন। খবরদ মেগাজিন্দ ফাগীগি শরুক খর য়াওনরিবসি মী খুদিংন অচৌ অপিক, খায়দন পাম্নবননি।

চাব থবপ ৱাৎতব, অচিক অশা চপচাব মণিপুরদ নিংথৌ হাক্তক্তগি লীলা ফালা চৎনরকই। য়োংসবী, পাওম্ব, চেংবন-চিংবগি ফাগী কুন শুব শতাব্দীগি অঙনব শুমাং লীলানি। শকওং জাৎ জাৎ পুথোক্তুন নোকহনব, মুংশি মুংওনগি মুংঙাইব্নব ৱাহৈ ৱাতা চিন্দা পাওদানব লীলা জাৎনি। মতম অদুদ মুপী শাবী শাবদুগি মমিং য়াইমবী কৌই। লীলাজাৎসিগি ধারা নালা হুজিক শুমাংদ, স্টেজদ উনবিবশিং অসিনি। ধর্ম্মগ তোংনদুন শানব লীলা-জাৎ, গৌড়লীলা, উড়খল, সনসেনব, জগোইৱাস, কালিদমন অসিং চিংবনি। হরিশ্চন্দ্র, নলদময়ন্তী, সাবিত্রীসত্যবান, ৱাম-লীলা কংসবৎন চিংব হিন্দুগি লাইৱিক লাইসুদগি লৌথোকপজাৎসু য়াম্না পাম্নন শান্নরম্মি।

থিয়েটর হোলদ শান্নব লীলাদি বেঙ্গলী বাবুশিংন হৌদোক-খিবনি হায়ব য়াই, কুন শুব শতাব্দী হৌরকপগিদুৱাইদ। মফম্ন বাবুপাড়াগি হুজিক উৱিব হোলসিদ, লোম্ন বেঙ্গলী লোন্দ, লাই-শারিবশিংন বেঙ্গলী বাবুশিং অমসুং মীতৈগি ওঝা অমসুং লাইৱিক

হৈব বাবুশিংগ য়াম্নরগ। মরম অসিদগি হুজিক ফাওব ষ্টেজ লীলাশিংদ বেঙ্গলী লাইরিক, চৎনবী, রাহৈ রাতা, ফিজেৎ চাকচা সংস্কৃতিনচিংবা ময়েক লান মমি তাব উনরি।

মীতৈরোন্দ ঈশৈ লীলা শকপা শানব হৌদোক্লম্বশিংগি মরক্ত শিংথাব য়াব ওঝাশিংদি হাওরোকচম ওঝা, খ্বাইরাকপম ওঝা চাওবা, ওঝা নাতুম, মখা সূর্য্যবড় মা, পণ্ডিত অতোম্বাপু শর্ম্মা, ওজা তোয়াইম, অঙাংহল, কমল, দরেন্দ্রজিৎ........অসিনচিংবনি।

মীতৈরোলন কোনুংদ শান্নখিব চহি য়াংখৈ রোমগি মমাংদ মুংঙাইখিব শ্রীযুৎকি মজা ইবেম্মস্ন লীলাদ কুম্বিখিব অমদি 'নরসিংহ' লীলানি। মদু য়েংবদ মী অস্নক য়ামন তিনখি ফমফম অস্নক মতিক চিল্লি হায় মতুদি ভাবক অমন তম্ববু মপান ফন থোক্লিংলবস্ন ফমফম মাংগনি কীবন কোম হুৎলগ অদুম লোম্ন লোম্ন থোকনৈ হায় ফমফমদা।

শুমাং লীলাগি শকওন ঃ—

অঙকপনি মতমগি মতুং ইন্ন ওল্লকলি শকওন পোৎ খুদিংগি। অদুডৈ চহি য়াংখৈ-তুম্ফুগি মমাংদ খিগৎতুন, মচিন পৈথোক্তুন, কাংমৈ-কোকথোং য়ুংতুন, হামুক ভৈতুন, পুখম হায়দুন জগোই শাদুন তৌনরম্ব লীলাদু হুজিক্তি য়ামন লেমন, ফজ ফজরব অনৌব অরিব লোম্ন মাল্লব লূরব ফিজেৎ শেৎতুন, স্নো পাউদর লিপষ্টিক, আইব্রো পেনসিলন শকশেমদুন, মুংশিরব, রারব, কপ্পিংলব, নোকনিংলব লীলা কয়া কয়া মশীং থীব রান চোংথোরক্লে কাংবু কাংবু য়াম্ন কাম্নরদুন। হুজিক্তি শুমাং লীলাগি মচি অনী ময়েক লান

থিন্দোকলক্লে। মচি নামন অরি অরিব থাইনগী য়ারী উৎনিংব অমস্তুং অতোপ্প মচি নামন সিনেমান মপাঙ্গল অস্তুম অস্তুম কনখল্লকপদ স্টেজগি লীলান অস্তুম হুজিক হুজিক ওইব য়াব সমাজ শেংদোকনব য়ারী ওইন তৌব। থাইনগি য়ারী উৎনিংব য়াওন অসি অয়াম্বদি মীরৈবাক মচান অমস্তুং দিল্লীরোম্ম থৌগৎপ উবদগিনি হায়ব য়াই। অমসিন হুজিক হুজিক সমাজগি, য়ুম্বান-কৈবান নিংব থুংদবদগি, রাজনৈতিক অবস্থা পেন্দবদগি মশান থোকচরকপ চাওখৎপ পাম্ব মীওইবগি হৌনব লিচীংনি। পামদ্রব থৌদোক য়াথোক কয়া কয়া থাদরগ অপাম্ব অফবব্ থাগৎতুন মীমাংদ পুকনিং লৌশিং চাওখৎনব সমালোচনা তৌব লীলা ঙাৎনি। শুমাং অমস্তুং ফম্বাক লীলাগি খেন্নব:—

লম্নাই ঙাংনিংব য়া পংহাপ্ত হাপচিনব য়াব মতম মতমগি ওইন তৌব শুমাংদ শান্নব লীলান হোংই, মুম্ন ফাদব য়াদে, প্রোম্পট তৌব য়াদে, য়ারী মচেৎ অমদ ফাগীন থোমজিনব ওইন তৌই, লীলা মশাপুম্বদ ফজব য়ারেংগি পরেং ময়েক লান চৎতে। মরম অসিন লুহোংবদ চায়ব লৈগুম খর চায়থোকতুন মাংই, স্টেজগি লীলান হেন্ন শেল চংন লৈপরেং ওইন লেংভুন হোৎনবন মতৌমানব ফেন্নি, ফজব প্লোট য়াওই, ফাগীগিদমক ফাগী তৌনদে। শুমাং লীলান তেরা মোম্পাক্ত তিঙ্গোই য়েংদোমপান য়ানবগুম নোক্নদবব্ লৈরবদি নাতৈ চাব চাদব, ওইব য়াব য়াদব থিদন ফাগী পংহাপ্ত হাপচিন্নী। হুজীক্তী মতমগী অঙকপ লীচীংন শুমাং লীলা অমস্তুং ফম্বাক লীলাসী য়ারীদ প্লোটত, ফীজেৎত চাকচাদ ফাগীদ ফাগী

নভুব চান্নব রাফমদ য়াম্ন নকশিল্লক্লে। মরু ওইন খেন্নব হায়বু অমন হোঙব অমদ তাঙব অমসুং মদুগি মতুং ইন্ন কুম্মৈ মুংঙাইব হেনব রাৎপদ ঙাইশিল্লক্লে। সিনেমান মপাঙ্গল অসুম কনখল্লকপদ স্টেজগি লীলান অসুম অস্তুম শোম্বরি। শোম্বরকপ মপাঙ্গলগি মতুং ইন্ন শেল খিৎত চংন লীলা উৎনব হোৎনবদ ফম্বাক্ল শুমাংগি মতৌ তমদব য়াশিল্লক্তে।

শুমাং লীলান সাহিত্যগি মতেং ঃ—

ফজব খোৈরাংতুন পোক্লব তাইবং মীন মতম লৈব খিবিক্ত ফজব রাখল, ফজব রাহৈ রাতা রারেং শৈরেং ফাগদবগি ইল-লোং খোন্দুনত লৈ। লেমন হোঙন মফম মফমদ অয়াম্ব মতমদ উব ফংব শুমাং লীলাদ অসিগুম্ব ফজব অসি থেংনরবদি তাইবংমীন মুংঙাই, মশা ফগৎলি, মবুকচেল ফগৎলি। তমথীব, ফত্তব মীগি মতৌ উরগ শাওই তুক্কৈজে, মশান অদুগুম্ব মী ওইরোই খলকৌবদ নত্তন মরীমত মরুপ মপাবুংসু অদুম্ন তৌদনব খামই। অফব, পুকচেল চাওব, ধর্ম্ম লৈব থৌনাফব মীগি রারী লীলাদ উরগ মতৌ তম্লিংই, মবুক্লিং শেংদোকই খর হেন্ন ফব মী ওইখৎলি। অফব মীন য়াম্ব সমাজ ওইরক্লবদি হিংতুন লৈবগি অরাবসি খরদি শাধনি। অরাব হায়গদ্রা মুংঙাইব কায়গদ্রা এটোমিক এজ অসিদ সাক্তিত্যন মতিক চান চাওখৎতুন বিজ্ঞানগি তৌব ঙম্ব পাঙ্গলদু পায়রিব মীশিংবু অফব মী ওন্থোক্লব পরপ পরপ হোৎনদ্রবদি মীওইব পুন্নমক্কি মাং তাকপ ওইগনি। অফব শুমাং লীলান অফব মী শেমগৎপন পৃথিবীগি মী অতৈগি খোংথাং তুং ইনব ঙম্নব সাহিত্যদ

অণ্ডম্ব মত্তেং পীগদবনি। হিরম অসোমদ লীলা লেংব, লীলা উৎলিব, লীলা য়েংব মী খুদিংমক্কি পুক্লিং চঙগদব ওই। মথন্দ লৈরিবঁদ ইঙাও ঙাওদব মীদু ময়াম তিননরগ ময়ামগি চাংদ হন্থদুন ঙ ওব হেল্লি, লাম্মী লুচীংবন লাম্মী ময়ামগি লিংজেল হেক্সৎহনব ঙম্বগুম অরুব সাহিত্যন মীয়ামগি পুকচেল থোগৎপ ঙমই।

সমাজ শেংদোকপদ শুমাং লীলা ঃ—

থরোইন কোঙ্গ্রে'ন মকু অকনবন বুপশিন্দুন পানবগুম সমাজগি থাজনবি, চৎনবি, হৈনবি, পাম্নরি কয়া কয়ান কোন্দুন মীবু থমই। অরাবদি তাইবং সমাজগি মকু অসি মতম চান লীনগিগুম্ব হুহৌদ্রবদি ক্ষত ঘ ত্তব থন্দুন লোথোকহৌদ্রবদি অমোৎপ নমথীব ফী শেৎপ ইনবগুম শিজিন্নরিব মীশিংদুগি মশা ফত্তে, চাওখৎপ ৱাৎলি। ঐদি ব্রাহ্মননি নিংথৌমচানি, লৌ খোয়ব য়াওরোই ঙা ফাবা ঙম্মোই, চাক ঙা চানব ক্ষানদদি মকোক ক্ষমদুন চাগে, অহাওব মথেন চিথরমগন্নু। মতম অমদ অসুম তৌনরম্মবসু মতম অসিদদি ময়াম্ম য়ানিংলরোই, মশা মশানসু ইকাইনরনি, ওইজদব উরনি। হিংইবঁদ ৱান নোমজদুন তাঞ্জদুন শাজরে য়ুমজাও কা মঙা শিফাৎত্রিবঁ য়ুম অদু মাংগনি হায়বগি কীবন মাইবদ ইন্সিনদুন সূমাংদ মেৎতুন হাৎনব শোরো শোরো লাক্ক'ন চিংথোকপ অশিংব চাওখৎলব তাইবং মীগি হৌনব লীচৎ ওইরোই। অশিববু য়ুমদ কুইন থম্ব ফত্তে চুমই, অদুবু শিরমদাইগি য়াম্ম ৱারিবঁ হিংবসু য়ান লৈরিব ফিভমদ পাথৎতুনা কীনদুন মুংশিব থংবন য়ুমদগি তাম্থোকপন চৎনবী ওইবসি পংথ্রব জাৎকি লীচৎনি

হায়নগনি। লম্বোইব মতিক চাত্রিব মীবু শিরমদাইদ নম্বোই পোইহনব য়াম্ন তৌনৈ শ্রাদ্ধ কর্ম্মনচিংবদ শম্নব শেল য়াম্ন তিংদনব; মসি শেল য়াম্ন তিংদনবগি কৈদি হায়ববু হিংহৌব মন্নী মতাগি পুক্লিংদ খর মুংঙাইতে। শ্রাদ্ধনচিংব ধর্ম্মগি কর্ম্মন শেঙ্গাওদ ফুরিৎখাওদ অন্নাব পীব, লৌ-ইখোলদ মিৎয়েং চংব সমাজগি মীয়াম্ন য়ানরোইদবনি, থৌনাগ লোয়ননা পন্নপ পন্নপ হোংদোক্কদবনি।

মীয়াম পুম্ন মনিং তম্ন কুইন সমাজদ লৈমিন্নরবদ খরদন মুংঙাই, অয়াম্বদি ন্নাই নংই লাইবক থী, হিংদুন লৈবসি পোৎলুম পুবগুম থোকই। মাগি মাগি ফিভম ক্ষগৎনব হোৎনরকপদ কনান য়াম্ন লিকই, মুংশিব খঙদন মীগি অচেংব ঙকশমদ পায়দুন নিকই, কনান মীঙোন্দগি লাকই, হুরাললি, মুল্লি, কনান পায়ন্নিব মতিক্ত কাহেন্ন শিজিন্নদুন মন্নী মতা খরদগি কান্নবব মীয়াম্ন নমথাক তৌই। মীয়ামগি ফনব তৌব মীবু থাগৎ, ফত্তনব তৌব মীবু থাদ স্নমাং লীলান মথল মথা অয়াম্ব সমাজগি অমোৎপ কোক্লব থাংমৈ অঙানবদ ফজন শন্দোক্লবদি লাইন্নিক হৈব কৈতব ইমুংগি মী থুদিংন ভাব তাদুন সমাজগি কি শূব হৈহৌই। ন্নারেং চান লেংবি করিগুম্ব মতাংদ মতম অমস্নুং মক্রম চান ঙাংনখিব ন্নান্নী শাখিব, ঈশৈ শকখিব, মীতৌ তমখিব ফজব খুৎশেম অদুন কনাগুম্ব মীদ তাকপ তম্বিব মতৌ তম্মু ইনসিনব অদু লাইন্নিক চামন মমা মপা লিশীংন, মুমিৎ লিশীংদ ইন্সিন্দুন য়োব ঙমদে। মুপী চেনব, লুট চংব মী হাৎপ য়েনব, পরীক্ষা অচৌ অচৌব পাস তৌব, অন্নাংব চীং, মীন কাব ঙন্নদব কাগে তানব অনৌব লম থিব, অনৌব বিজ্ঞানগি ন্নাখল

অমসুং পোৎ পুথোকপনচিংব অফব ফত্তব থবক কয়া কয়াসি সাহিত্যন ইনসিন্দুন পাংথোকপ ঙাক্লি হায়ব য়াই।

চুম্নগি সাহিত্যদগি শুমাং লীলাদ তাব উব, পাব ফংব সাহিত্যন মীচম লাইরব মীশিংগি পুক্নিং নাকোং য়োব লাইবন খ্বাইদগি কৈ হায়ব য়াই। ইন্দিয়া গোভর্ণমেন্টন হন্দক হমারে গাঁও, বসন্ত পঞ্চ-মীনচিংব লীলা মীচমদ উহন্নব হোৎনরকইব থৌশিল অসি থাগৎ-নিংঙাইনি। তৌবদদি ৱারীদু লোন্দা পুদাদু মীচম প্রজাদ য়ামন কান্নগদৌব মমল লৈব থনব কৈ। সরকারন তিংলিব, চাদিং তৌরিব, মীচম প্রজান খাজনা থিজরকপ শেল মযামদু, মখোয়গি মতিক চান কান্নবব মমল হঞ্জিন্নব তোংনব শিজিন্নরিব্রা নত্রগা অঙাং অঙাওবন মমা মপাগি ৱান তাঞ্জব শেলদু য়ুদ জুবারদ মুপীদ কোম্ন চাদিং তৌবগুম তৌরব্রা য়েংব কৈ। দিল্লীন মণিপুরদগি লাপ্পনিনা মীতৈগি অফব শুমাং লীলাদি মীতৈ ঐখোয়ন লম্নাই পুথোক্নব হোংনজব কৈ, লম লম অতৈগিসু অদু মঙাই। হমাবে গাঁওদ, বসন্ত পঞ্চমীদ দিল্লীন শেল তিংন প্রজাবু থাদুন য়েংহন্নব হোৎনরি। প্রজান শেল তিংজদুন লীলা কয়া কয়া তৌদুন য়েংজরি মু ঙাই হায়দুন প্রজান কয়া কুংঙাইজদব লীলাদ শেল পীদৌ শরুক মখোয়ন শেল থায়নদুন য়েংজনিংইব লীলা জাৎ অদুদ দিল্লীন পামইব হিদাক্তু হাপ্তুন উৎলবদি প্রজাগি সরকারগি লোইন কান্নগনি। মসি ওইথোক্তব নত্তে, মসুমন শিনববু শিনব হৈব কৌই। অদুদি নত্তন অচান অৱাই নাইবগুম মতিক চাদব মফমদ লৈবাক্তি শেল মাংহল্লবদি লৈবাকপু নমথাক তৌব কৌই। নমথাক অসি অয়াম্ব মীন থঙই

হায়রূব ঙমদবদনি, অতৌব মীসু হায়রক্তুন কৈদৌনি থুম্নিংঙাই লৈ হায়দুন ইকাইদবদনি।

শুমাং লীলান সমাজ শেংদোকপগি রারি লোইব নাইদে হায়দুন কাম্নদে; থাইদগি ফব ফীসু হিদাকনি, Sunlight Soapনি।

অরোইবদ হায়জনিংবদি ঃ—

সুমাং লীলাদগি খিৎতং হেন্ন ফজন উৎনব, অখিনব স্টেজ লেংদব স্টেজদগি খর রাৎলবসু কোইচৎ চৎপ অশম্ব স্টেজ জাৎ অম মণিপুরদা য়াম্ন দরকার ওইরে। মী য়াম্ন তাদব সহরনি ইম্ফাল, লীলা অনৌব অমদন হঞ্জিন হঞ্জিন হোল অমদ শানরবদি য়েংবিনব রাৎলকই। ভাবোক অনৌব ফংনব কোইন চৎপ স্টেজদ উৎপ নত্রবদি সিনেমান ফিল্ম তোইন হোংব ঙম্বন রান তম্ব কুইন চংব লীলাবু হাৎচিল্লরুগনি। শেল য়াম্ন চংদন সুঙাইনব লীলাগি চেকশিন্নব মাইকৈনি, শুমাং অমসুং স্টেজগি মুকশন অম শেমউ হায়ন মতম্ন লাওরি লীলা হিংনব।

শুমাং লীলা হায়য়গ ফাগী ওইন থংনৈ। ফাগীসিসু মতম্ন পুম্নমক্ত ফাগী ওইদে। অরাপোলোই লীলা জাৎন পুক্লিং হকচাং শেংদোকপগুম (Katharsis) অকীব সুংশিব ইন্দ্রি মরিল তক্তুন, সুংঙাই পোলোই রারীজাৎনসু পংহন হন্নদন অঙকপ ফংন অপেনব পীব ঙমই। "This world is a tragedy to those who think" অফব Tragedy না থম্মোই শেংদোকপগুম অফব Comdey না রাথল সুংঙাইহল্লি। থম্মোইসু কোকসু পানব মীদদি

মখোয়নিমক কান্নব ঙাক্তুনি। মরম অদুন ফাগীনি হায়ন উশিত্তুব মিথয়েংন শুমাং লীলাবু উবিরগদি মিৎতু কোক্ত পাল্লি হায়ব কাওবিরে। অওইবমক মতিকচাব মীগি খুৎতদি শুমাং লীলাসি মপা লৈতন কান্নগ্রব খুৎলাইনি। লীলা মশীং য়াম্ন হেঙ্গৎলকইবসি মণিপুরগি কান্নব ওইব য়াই। তৌবদদি মীতৈ সমাজন কান্নব মশক খঙব কৈ লীলা অকব খন্দুন কৌনব কৈ। অকব শুমাং লীলা মশীং য়ামহনসে।

জিঃ সিঃ তোংব্রা

খ্বাইরাকপম চাউবা

মৈতৈ সাহিত্য লাইরেম্বীনা খুত্তা কলম পায়তুনা পোম্বী চেক্লাগী ঈশৈ, লৈরাংশিংগী কজবা, মণিপুরগী থায়নগী ৱারী অমসুং থৌদোকী থোম্বাং অমসুং নোৎরবা থম্মোইশিংদা সংসারগী অচুম্বা খোংচৎকী পাউতাক অসিনচিংবা পুক্নমক অসি গল্লদা অমসুং পত্তদা ফোংদোক্ল-ক্লবদি অতৈ কনা ওইরোই—ঐখোইগী হন্দক্তা লৈখিদ্রবা খ্বাই-রাকপম চাউবনি। মহাক্না মৈতৈ সাহিত্যবু মশক অমা ওলহল্লকই। খোম্লোক অমা পীরকই। খোংচৎ অমা তাক্লকই। মহাক য়াওদনা মৈতৈ সাহিত্যগী মরমদা খনবা ওইথোক্তবনি। নোংঙাল্লমদাই অয়ুক্কী নিংথিজবা অদু প্রমাণ অমদা শিজিন্নগে হায়রবদি ঐখোয়না

চাউবনা মৈতৈ সাহিত্যগী নোংঙাল্লমদাইগী ফজবা অদু পীবীরমই হায়বদা লাল্লোই।

চাউবনা মৈতৈ সাহিত্যদা থোরকপদি ধূমকেতুগী মওং নত্তে। অকনবা য়ুহারাবদৌনা মৈতৈগী থম্মোইবু অকিবা ফংনা নীকহল্লকপা নত্তে ' ইপান থাদা মবুক থল্লবা তুরেলগী ঈচেলগুম্না চেম্থরকপনি। ছাত্রগী পুন্সিস্থ ফনা হৌরকই। রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী মতৌগুম ছুটি চেন্নীংগনবা ছাত্রগী পুন্সি ওইরক্তে। ছাত্রগী মথংদা ওঝা। মতুংদা মতম পুন্নমক্তা অতংনা থোরকপা রারেং শৈরেং। ঐখোয়না হৈনজগনবা লৈরাংলোমদা প্রমাণ তৌসি হায়বস্থ চাউবগী সাহিত্যগী পুন্সি অসি মপুং ফানা শাৎকাইরক্লবা লৈরাং থম্বালগী মওংনি। অয়েংবগী পূক্লিং পেমৈ। পুখ্রিগী ফজবা হেঙ্গৎহল্লি। চাউবগী গত্ত অমস্তুং পত্তগী শিঙেল নাচোম উবদা ঐখোইদা তত্তনা অমদি ফাওগনি—মত্তুদি শান্তি। মীৎকমদা শান্তি। রাখলদা শান্তি। শান্তি শান্তি।

মণিপুরদা বাংলা লোনগী ঈচেল কংথরকপা মতম্নি। বাংলাগী আনোক লৌথোক্তুনা ঐখোয়স্থ ঈরৈবাক্কী অরেপ্পা মচু অমস্তুং মওং খঙনবা লাংতক্লরকই। য়াচঙবা মতমনি—অমম অঙাল শিন্নবা। মতম অসিদনি খ্বাইরাকপম চাউবা, হিজম অঙাংহল, ডাক্তর কমল, অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎ, লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল, হরাইবম নবদ্বীপ-নচিংবাময়াম্না য়ে.খিবত্তু। মণিপুরগী হৌপ্রবা থৌদোকশিংদা, নীং-থিজরবা চীংস্তুং মাস্তুংদা, শংবান্নবা লৌবুক্কী ফজবদা, অতৎপা লৈত্তনা চেল্লিবা তুরেলশিংদা কাউপ্রবা থৌশাবিখিদ্রবা আশা অমস্তুং রাখল

কয়াদা—শম্না হায়রগা মৈতৈ জাতিগী পুন্সীগী ঈফুত্তা। ময়াম অসি মানা মানা ঙম্বা মপুখোরকই। মীৎয়েং খেন্নবগী নতুং ইন্না পোৎশক্তি মখেম্নে। চাউবগীদি কলম্না বাংলাগী কলমনি। ইবনা মৈতৈরোন্দনি। প্রমাণ অমদা হায়রগা চাউবগী ৱাখল লৈবাংসি থেক্না খোয়না জগোয় শাই। শাবনা মৈতৈ লৈকোন্দা। হুন্নকপা মুংশিংনা বাংলা সাহিত্য লোমদগী।

মতাং অসিদ ঐহাক্না খঙকঞ্জনীংবা অনি লৈ। অমনা বাংলা সাহিত্যগী মৈতৈ সাহিত্যদা অচৌবা প্রভাব, অতোপ্প অমনা ঐহাক্কী আলোচনা অসিগী মঙ্গ। বাংলাগী সাহিত্য, সাহিত্যদস্ন নত্তনা সংস্কৃতি অমসুং ধর্ম্মনা ঐখোইগী ৱাখল অমসুং মীৎয়েংদা প্রভাব কয়ামুক পীবগে হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা মতাং অমনি। মসিগীদমক বাংলাগী লাইরিকশিংগা ঐখোইগী লাইরিক কয়ামুক্কা চানদুনা থিবা তাই (মরু ওইনা চাউবগী লাইরিকশিং)। চৎনবী কয়ামুক য়েংনবা তাই। থাজনবা কয়ামুক চাংদম্নবা তাই। থাঙ্গেশেংনমক ৱিসার্চ তৌদুনা ডাক্তর উপাধি ফংনীংবা মৈতৈ মচাগী ফজরবা সবজেক্ট অমনি। অতোপ্পা অমনা প্রমাণনা হাকমনবা ঐহাক্কী আলোচনাগী মকৌসানি। মসি থওইনা হাপচবনি। আলোচনা অসিনা ইশাগী মীৎয়েং অমা উৎপদস্নু নত্তনা চাউবগী ৱাহয়গী খোন্থাং থরস্নু তাহঞ্জনীংই। ঐহাক্না তাকচরিবা ভদ্রলোক অসি প্রমাণ য়াম্না পামজে। ফজবা ৱাখল অমসুং ফোংদোকপদা প্রমাণ য়াওদ্রবদি হৈনদবগুম তৌই। অদুবু মহাক্তরা? ঐখোয়স্নুনি। ঐখোয়গী সাহিত্যকশিংস্নুনি। ঐখোয় মৈতৈ পুন্নমকস্নুনি। "ৱা অমতং হায়বদা প্রমান

অমগ৷" হায়ত্রুনা খুন্তামচানা লণ্ডনবা "মনাও ইবুংঙো" হায়বদু ঐখোয় পুন্নমকস্তু ওইরিবনি।

ঐখোই অয়াম্বনা খ্বাইরাকপম চাউবথু কবিনি হায়নৈ। কবি কনাইবু কৌবগে? পাট্থুম অসি স্কুলগী ছাত্রশিংগী চীনকা পুননবগী-দমক্তি অম অম হেক মহায়বা য়াই। থাক্শেংনমক অরেপ্পা সংজ্ঞা পীবা তারবদি পীদবনা খরাইদগী অশিংবা ওইগনি। বিজ্ঞান্দদি সংজ্ঞা পীবা লায়; পীদবস্তু য়াদে। সাহিত্যগী লমদদি সংজ্ঞা পীবা য়ামনা লুই; অয়াম্বনস্তু ওইথোক্তবনি। মরমদি থম্মোইগী ঈচেল হায়বসিদি ছৌকমদি মতিন্নরম্বা য়াই। ঈচেলদি তোঙাল তোঙাল্লি। ঈরোং ফাংনা চেল্লি। ভত্রুগী মথক্তা যুগকী ওল্লকপা মীৎয়েং অমস্তুং রাখলস্তু লৈরি। হিমালয় চৈংজাওগুমনা ঙসিমদি মতম চুপ্পা লেঙলরোই হায়বা সাহিত্যগী মওং লৈতে। মীৎয়েং লৈতে। 'নানা মুনি নানা মত' হায়বত্রুনি। "খঙ্গৎপা শৈরেং"গী রাহৌদোক্তা শ্রীরণবীরনা কবিতাগী মরমদা হায়গদৌবমখৈ হায়রুরগা গণতান্ত্রিক যুগনি হায়ত্রুনা কবিতা হায়বসিদি য়ামত্রবদা কুইনা নীংশিংবা ৱা-হায় যুনি (Poetry is memorable speech) হায়ত্রুনা লোই-শিল্লি। গণতন্ত্রদা য়াম্না থাজবা ঐখোইগী পণ্ডিত রণবীরগী মতসি লৌবীনিংবা কাংবুনা লৌবীবা য়াই। ঐহাক্কীদি অসিনি হায়ত্রুনা ইশা ইশানা খঙ্গবস্তু য়াই। লৈকোন্দা লৈরাং ময়াম শাৎপদা থরাইনা তাবা অমতং হেকপবু কনানা করি হায়রুগদগে? মসিমস্তু সাহিত্যদা গণতান্ত্রিক মীৎয়েং অমনি।

'ম্বাখলগী ঈচেল'দা চাউবনা হায়খি—"কবি হায়বসিদি ধ্যান তৌরিবা মুনি নংগ্রগা লাইতোংলবা মাইবীগুম্বনি"। সংজ্ঞা অসিমক লৌরগম্বু চাউবগী শৈরেংদা ধ্যান তৌরিবা মুনিগী ম্বাখলগী ঈপোম্বা পুক্নীং থুমহৎনখিবগী ঈজিৎ উদে। লাই তোংলবী মাইবীগী চোই· রোল অমস্যুং অন্তাউবগী খুদম উদে। শৈরেং পূম্বমক ঈচেল তপ্লবা নখুল তুরেলগুম্বনি। ম্বাহয় ম্বাতা কজে। অনৌবা ফজবা য়াম্বা য়াওই। পাবদা থম্মোই ঈংই। ম্বাখলদা মুংঙাইবা পোকই। সাহিত্যগী লাইগুরুশিংনা তাকপীরম্বা না-পু তাবা মাম্নহনবা, ছন্দগী মওং খক থুগায়দুনা ইদে। প্রমাণ অমদা চাউবসি চন্দোন চরা থিন্দুনা ফিশেং শেত্তুনা কবিতাগী দেবীদা পুক্নীং চেৎনা খুরুমজবা ভক্ত অমনি। অসিনা চাউবগী মত তা চাউবসি কবিমত্তি নত্তে— কবিগুম্বা মীশক অমনি। অসিমকপু মহাকসি কবিনি হায়বদা থোইনা লাম্লোই। মরমদি মহাক্কি চুম্নগী কবিতা ইরম্বদা নত্তে। তত্তুনা নীংশিংবা য়াবা শৈরেং কয়ামুকস্যু থনমই।

চাউবগী থাজৈশেংবা অকনবা খুৎলাইদি গল্পনি। মহাক্কী ঐতিহাসিক উপন্যাসশিং অমস্যুং ম্বারেং কয়ামুক প্যাবদা ঐখোয়না মতম অদুগী বাংলাগী সাহিত্যরথী বঙ্কিমচন্দ্র অমস্যুং কালিপ্রসন্ন-নচিংবগী অইবশিংদু মহাক্না চুম্নগী লৌশিনবদা নত্তনা চুশিম্নবা কাওবা ওয়ে হায়বসি খঙগনি। মহাক্কী ম্বারেংগী লাইরিক ময়ামসি মৈতৈ সাহিত্য লৈকোন্দা বাংলাগী সাহিত্য লৈহাও হাপ্তুনা শাৎলকপা লৈরাংনি হায়বা য়াই। চাউবগী লাইরিকশিংনা ঐখোয়দা হৌগ্রবা মণিপুরগী মঙাল পুরকই। খোম্বাং তাহল্লি। থম্মোইদা শিংলিদ্দা

মুংঙাইবা অমসুং শিব কিদবা থৌনা পোকহল্লি। মহাক্কী অথন্নবা রচনাশিংনা পুন্সীগী অথুপ্পা কয়া ফোংদোকই। মীওইবগী লম্বেল তাকই অমসুং মরু ওইনা মণিপুরগী নহারোলশিং দা থৌনা অমসুং লৌশিং পীনবা হোৎনবনা মহাক্কী অথোইবা লাইনীংগী মওংনি।

লাইরিকশিংগী মনুংদদি অসিমতংদি হায়বা অতৎপা লৈত্তনা শোন্নবা লাইরিক য়াওদে। হৌজিক্কী শাবী শানৌশিংনা তত্তনা পানবা অমসুং শীজিন্নবা অমসুং চীনফা পুনবা "মাধবী" গুম্বা লাইরিক য়াওদে। প্রকৃতিগী দৃশ্য নীংথিজনা ফোংদোকই। কবি কবিগুম্বা মতাংদা লাইয়েকপগী তুলিনা ফোংদোকপা ঙম্বা শক্তি ফাওবা য়োরকই। অদুবু প্রকৃতিগী পূজারীদি নত্তে। কবি কমলগুম্বা প্রকৃতিগা মীওইবগী থম্মোইগা অতৎপা লৈত্তনা তিন্নহন্দুনা অমতা ওইহনবা ফাওবা ঙম্বগী শক্তি অদু মহাক্কা ফোংদোকপা য়োরমদে। মীওইবগী থম্মোইবুদি মথঙই। অদুদা থম্মোইগী ঙক্লবা ঈথক ঈপোমদা তত্তনা শান্নবদি চাউবগী শক্তি ৱাংমদনি। চাউবনা থঙবদা ৱাৎপা অমসুং ফোংদোকপদা য়োবা ঙমদবা হীরম অমা লৈ। মদুদি যুবক যুবতীশিংগী প্রেম।

লাইরবী মৈতৈ সাহিত্যনি। অদুবু ঐখোয়গী লেখক অয়াম্বসি শৈরেংদা নম্না হৈনৈ। নীংথিজবা ৱারেং—তাবদা মুংঙাইবা, য়েংবদা ফজবা ৱারেং ইবা কয়া হৈনগন্দে। ডাক্তর কমলগী "মাধবী" বুদি তোপ তে প্পা অমনি। গদ্যগী ফিজেত্তা চঙলকপা কবিতানি। "মাধবী" না ময়ামগী থম্মোইদা থানবা

লৈতনা য়েংপদি কবিতাগী শরুকনি। মায়কৈ অসোমদা খাই-য়াকপম চাউবগী গছগী স্টাইল শীংখানকমনি। মহাক্কীসু তোপ তোপ্না মঙ্গ লৈ। মীনকেতনগী ঙাংগোই পরেংশিবা গছ নত্তে। শীতলজিৎকী পুংঙৌফনেক শেংপা গছসু নত্তে। ইংঙা থাগী নেম্না পাইরিবা নোংগুম্না, ঈচেল তপ্নবী নথুল তুরেনগুম্না, থেক্লখোয়না চংলিবা কাংঙগী খোঙথাংগুম্না চাউবগী গছগী খোঙচং অসি য়াম্না লেম্না চংলি। লুরবা রাখল কয়া, ফোংদোকপদা য়ারবা থম্মোইগী ঈজিৎ কয়া মহাক্কী গছনা ঈরায় লায়না পুই। চাউবগী লাইরিক-শিংসি ঐখোয়না অমুক পাবা তাই। হন্না হন্না পাবা তাই। মহাকতৌনা হনবা নত্তে। মতৌ তম্লনবসু নত্তে। মহাক্কী চী লেম্বা গছগী মশক্ক খঙননবা। ভাব চঙলবা রাখলগী লুরবা জগোয় অদু উননবা।

চাউবা হায়না ইবা হেক হৌরকপদা খঙহৌদনা কলমদা 'ওঝা' হায়বা অসি তত্তনা লাকই। অদুদা ঐহাক্কী ওঝানা ময়ামগী ওঝা ওইবা য়াদবনিনা অদুম লোতুনা থমজবনি। অদুবু পুন্সীগী অথোইবা শরুক পুম্নমক ওঝা ওইবদা লেনগ্রবা, ঐখোয় নহারোল অয়াম্ববু তম্বীরকপা চাউববু ঐখোয়না ওঝা চাউবা হায়বদা কয়ামুক্ত কায়রমগদগে ? ছাত্রশিংবু মচাশিংগা চপ মান্নবা নীংবা ওঝা ওঝানি। য়াম্না হৌনবী খঙবা, পুকচেলতপ্পা, উহৈনা থঙবা উপাল-গুম্না মরু লুকপা নোৌরবা গুণ কয়ামুক্তা তিনবা অদুগুম্বা ওঝানি। অহিংসাগী শকফম (Non-violent face) ককা হায়বা লৈরমগদ্রা খঙজদে। লৈরবদি মদু ওঝা চাউবগী শকফমনি। থরাইরম্বন কৈথেল ময়াইদা উরিপোক শোরোক্কী চিদাইদা মতমলৈবখিবিক্তা

লু-লুকথদুনা তম্না চৎপা ওঝাগী শাজগু ঐহাক্না শংশং উরি।

ওঝাগী হন্দক অহানবা অকনবা অনাবদগী ফংংলকপদা লুংঙাইজদুনা চিঠি অমদা ইজখি "ওঝাদি হৌজিকককা 'মাবা য়াবা পোৎ নত্তে। ওঝানা চহি চাম য়ৌনা পুন্সীবা হায়বসি মৈতৈ সাহিত্যগী অকনবা দাবীনি"। অদুগা লোয়ননা বাংলাগী লাইরিক "শেষ লেখা" হায়বা অমসু পীজখি। বিশ্ব কবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী পুন্সী থাউমৈ মুৎলমদাইদা ইরম্বা অরোইবা কবিতা মচা কয়ামরুমগী নাচোম অমনি। ঐহাক্কী আশানা—নাবা ফংংলকপদা অমৃত-গুমনা শেংলবা কবিতাশিংদুনা ওঝাগী বারবা থম্মোইদা শান্তি পীসনু। অদুবু ওন্থোকপনি! রবীন্দ্রনাথকী অরোইবা শৈরেং পাবগা লোয়ননা ঈশ্বর হায়বা অথোইবা কবি অদুনা লেংলক্লিব' ওঝাগী পুন্সী শৈরেংসু মতাং অসিদা লোইখ্রে। থঙহৌদনা পাউ তারে—থৱাইরাকপম চাউবা লৈত্রে ; ওঝা চাউবা লৈত্রে।

হৌজিক্কী মণিপুরী সাহিত্য

করিগুম্বা সাহিত্য অমগী মরমদা থরদং কজনা যোংদোকপা তারবদি সাহিত্য অদুগী লাইরিক য়াম্না পাবা তাই। অদুগা য়াম্নসু থঙবা তাই। মণিপুরী সাহিত্যদা পানিংঙাই লাইরিক য়াম্না লৈতে। অসিনা থঙনীংঙাই মরমসু রাৎলি। তাজমহল কজবা থাগৎপী-নিংঙাই কবি রাৎলোই। নৌরবা উনাগী থাংপোক্কী গুণ ফোংদোক-পীনবা মীশক থিবা লুগনি। অতৈ সাহিত্যগা য়েংনরুরদি মণিপুরী

সাহিত্যদি উনাগী খাংপোকনি। অরুংবা অনৌবা মঙাল থোইনা লৈতে। মসিবু সনাগী দল'লনি হায়রবস ভদ্র সমাজগী মিৎয়েংদা করেম্নবতা তাগনি। সাহিত্য অথীবা সম্প্রদায়িকতা থোক্কনি।

হৌজিক্কী—আধুনিক, মোডার্ন হায়বসি অর্থ অহুম শুই। মতমপুম্বদা হৌজিক্তা ওইরদুনা লৈবা অমা। কালিদাসকী শকুন্তলা, সেক্সপিয়ারগী ড্রামাশিং। মতম্না পুরকপা অনৌবা গুণ থর য়াওবা লাইরিক থরবু খঙনবা অমা। অহুমশুবা অর্থদা ইমাংদা থেংনরবা হৌজিক হৌজিক্কী সাহিত্যবু খঙনবা—চুম্নগী মতম অসিগী সাহিত্য অকোনবগী হৌজিক্কী অর্থ মওং অসিদা থরদং নৈনজগে।

সমালোচক অমগী মিৎয়েংসি অরাংবা চাংদোন্দগী তম্পাক্তা য়েংথরকপনি। নৈরক খুল্লক্তা কোয়চৎ চৎতুনা শকখঙবা নৎতে। হেক য়েংথরকপদা ফুরা দলানগী মতোল, মচু শঙলবা ফিরানগী মতোন উগনি। উত্রিবা অনেম্বশিং অদু লৈত্রে হায়বদি য়ারোই। অদুবু লৈরি হায়না শেংনা তাকপস্তু কান্নদে। মতোম মতোমতা মতমগী মতুং ইন্না তাকচরক্কনি।

কমল চাউবা অঙাংহল দরেন্দ্রজিৎ মীনকেতন শীতলজিৎ। তোঙান তোঙানবা শকফম্নি। তোঙান তোঙানবা মীৎয়েংনি। মতম লোমদা পুনবনি। মায় ওনশিন্নদুনা চান্নবা ফমিন্নবা য়ারোই।

মণিপুরী লোন খঙবা অয়াম্বনা ডাক্তর কমলগী 'মাধবী' পাই। অদুগা কমলবু কবিনি হায়। কমল হেক পল্লকপদা কবি হায়বসি চীন্দা হেক্তা লাকই। অহল নহা পুম্নমক্কী চীন্দা। উপন্যাস পারগা

লেখকপু কবিনি হায়বসি ফনা মুংঙাইবা অমনি। মহাক্কী 'লৈ পরেং' গী লৈনা খরবুদি ময়ামম্ভু মখঙই। অদুবু 'মাধবী' ননি ময়ামগী থম্মোই ছুরিবদি।

থাঙ্গশেংবদি কমল কবিনি। 'মাধবী' কবিতা অমনি। চুমগী নোভেল অমা নত্তে। "মাধবী" লাইরিক্কী ফজবা লৈ; অরাৎপা য়াওই। অদুবু মতাং অসিদদি নৈনজররোই। কমলগী কবিতা ইফুৎকী মরমদা খরদং পুথোকচগে। ময়াম্না উনরিবা জগৎ অসি আর্টিস্টশিংগী মিৎফমদদি পর্দা হাইদোকপনি মখোয়গী পুন্সী লায়নিং ওইরিবসি। কবিগী এক্সরে মিৎয়েংদা কমলনা উখি ফো দোক্তবা মুংশিবা, ফোংদোক্তবা অত্তাবা অমম্ভুং কনানম্ভু খঙবি-খিদ্রবা, মতোমতা শাৎচরগা মতোমতা কেজপ্রবা নৌরবা পুন্সী লৈরাং কয়া। মসিগী মুরসিনি কমলগী ঈশৈদা তত্তনা য়াওরিবা।

কমলনা উখি—পুকচেল পীক্রবা মৈতৈ সমাজ, অন্ধবিশ্বাসকী কুয়োল্লা কুপ্লবা মৈতৈ সমাজ, মশা মশাগীতা খন্নরবা মৈতৈ সমাজ। অমরোমদা মুপা মুপীগী অয়োবী প্রেম। উনা উনা উদবা তানা তানা তাদবা। অথকপা অরংবা থম্মো'য় কায়বা প্রেম।

অসিগুম্বা প্রেমগী মঙাল অমতং থম্মোই থম্মোইদগী লাম্থোক-খিদুনা মন্নবা সমাজবু খজিক্ত ওইরবম্ভু ঙালহনবা য়াররোইদ্রা? মাসিবু ওইবা য়াদ্রগ্রা? বিশ্বপ্রেম, স্বার্থ ত্যাগ, জগৎকী সেবা। মেডিকেল স্কুলগী ছাত্র কমলগী পুক্নীংদা কন্না ফ'ওখি। মমৈথংদা থোরকই—হকচাংগী পাঙ্গল শোল্লবী, পুক্নীংগী পাঙ্গল শোল্লবী,

অন্ধবিশ্বাসকী কুয়োম্ন্না য়োমজিনা পোল্লক্লবী অন্ধবিশ্বাসনা কুপ্পুনা থম্লবা অমম্বা সমাজগী মপুংদা থৌনা ফনা চোংথোকচরকপী মুজা অমা। মাধবী।

মাধবীগী পুন্সীসি থম্মোইগা বুদ্ধিগগী অকনবা লানকমনি। থম্মোইনা হায়রি—ধীরেনবু লৌশিল্লু, নহাক্কীনি, ধীরেন য়াওদবা নহাক্লা হিংবগী অর্থ লৈতে। সংসার অসি ধীরেননি। বুদ্ধিনা হায়রি মাহু নত্তে, অমবু মুংশিবদি তথ্রাবনি,· ওইজবা থিবনি। কৎথোকই থাদোকউ। ওইজবা থাদোকউ। নশাবু কৎথোকউ। ধীরেন নত্তনা পাল্লবা জগৎ অমা লৈরি। পুন্নমক অসি নহাক্কী ওইয়ু। বিশ্বপ্রেম, স্বার্থত্যাগ। মাদুডদা নহাক্কী শান্তিনি, আনন্দনি, পুন্সীগী মহয় য়ানবনি।

বুদ্ধিগী জয় ওইরে। "অথোবা! ঐদি লম্বোইবীনি, অপাম্বা থাদোক্লবীনি, মরম মসিনা তাইবংপানবা অসিদা ইনিং থুংদবা পোৎ করিস্মু লৈতে"। কবি কমলনা লোইশিল্লি—"পুক্লিং লৈকোলগী অথুপ্পদা, থাম্রিবা লৈরাংদু চেকশিন্ন, কংখরগনিদো অরেম্বদা, পুক্লিং হকচাংগা লোয়ননা, খঙহৌররোইনে কনামতা"! মাধবীনা লম্বোই-খিবা ঐথোয়দা করিস্মু ওইরোই। থৌরি য়াম্দুনা অস্তুক তোয়না শিনরবা মৈতৈ সমাজ অসিদা। ধীরেনবু কাউথোকখিবা নত্রগা হাওথোখিবা অঙকপা ওইরোই। অতৎপা লৈতনা থেংনৈ। অদুবু লৈঙাং শংবা ফি শেৎলবা লম্বোইবী মাধবীগী পি শিন্থবা, ধীরেনবু ফংলমজদা থাগ্না ইন্থোকপগী মূর্ত্তি অসিগীদমক কমলনা মণিপুরী সাহিত্যগী সভাদা লেঙত্রবা ফিদা অমা কংলিবনি।

হিজম অঙাংহলদি মমাংদা লৈরিবা মণিপুর সমাজবু থোইনা য়েংখিদে। মমিৎ অদু উইশিল্লদুনা ধ্যানগী মওংদা অঙাংহলনা য়েংখি— থাপলবা মোইরাং লৈবাক। খম্ব থোইবীগী মোইরাং, চাউবা খোংলেনগী মোইরাং, চিংথুবা নোংবানগী মোইরাং। পুথোরকই—মুমিৎকুম লংলবা খম্ব থোইবীগী অমর প্রেম। অদুগা লোয়নননা য়াইথিং কোম্নু।

শক্লকপদি পেনাগী শৈশক্লি। থাইনা খঙনরবা স্বরনি। মহাকাব্যগী শকফমনি। থিজদুনা খোমজদুনা অঙাংহলনা পুথোরকই—"খম্ব থোইবী শৈরেং"। চেনা হেক হাংদোকপদা উদবা খুৎ অমনা ঐখোইবু পুখিগনি। থাপলবা মোইরাং লৈবাক্তা, খম্ব খম্নুগী শেগায়রবা খাঙপেক্তা, থোইবীগী নোংরবা জগোইগী শাথেক্তা, কাক্তাগী নামিবা মুংশিত্তা। নোংরবা থায়নগী রাহয় কয়ামুক্তা লোয়ননা অঙাংহলগী অঙকপা যাদু অমনা ঐখোইবু মাঙগী জগৎ কাউহল্লি।

"শীঙেল ইন্দু"দা মণিপুরী সমাজগী মশক অমা শেংনা তাকই। ইমাংদা উরিবা সমাজনি। অদুবু থোইদোকপা অনৌবা পুথোকতুনা ময়ামগী মিৎয়েং চিংশিনবা ঙমদে। অসি নত্তবা শৈরেং মচা খরসু থনমই। মদুসু "খম্ব থোইবী শৈরেং"গী মনাক্তদি করিসু ওইদে। থাগী মনাক্তা থোকপা থরানমিচাকনি।

অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎকী লাইরিক পাবদা ঐখোইনা শোয়দনা খঙগনি— মহাক অসি সংস্কৃত হৈ। বাংলা খঙই। কালিদাস, মাইকেল মধুসূদন নৈনরবা নিপানি। মহাক্কী "মোইরাং থোইবী"

লোন্দা ফজে অদুবু তাকলিবা মোইরাংদি উৎলিবা থোইবীদি ঐখোইগী কল্পনাদা লৈরিবা মোইরাং ওইদ্রে। থোইবী নৎত্রে। দরেন্দ্রজিৎনা "শকুন্তলা" পারুবগী মিৎফমগা লোয়ননা মোইরাং লমদমদা য়েংখিবা মরম্না ঐখোইদা তশেংবা শকফম অমা উৎপা ঙমখিদবনি। অথোইবা লাইরিক্তি "কংশবধ"। মাইকেল মধুসূদনগী মেঘনাদ বধ কাব্যগী ছাচাদা হৈবনি। মহৌ লাকহৌ, মহায়, লোইশিনবা পূম্নমক য়ান্না মাম্মে। মহাকাব্যগী ভাবভঙ্গীনি। সংস্কৃতগী নামধাতু ভদু মৈতৈবোন্দা এক্সপেরিমেণ্ট তৌখি। অসিনা ঐখোয়না নৌনা থেংনরৈ—জবাঞ্জবা, লৈরাংজবা, শব্দ য়ানবা।

দরেন্দ্রজিৎকী মিৎয়েংদি ধর্ম্মগী মিৎয়েংনি। হিন্দুগী আদর্শ দেব দেবী পূম্নমক্কী মফমদা অচেৎপা শ্রদ্ধা লৈ। পুথোরকপনা কালিদাসখোইগী মতমগী ঋাখলগী জগৎনি।

অশাংবম মীনকেতনগী মরমদা হায়জবদা থরদং চীংনজে। মরমদি মীনকেতনদি চৌজিকমক ঐখোয়গী ইরক্তা লৈরি। মতিক চানা হিংলি স্তিল এলাইভ এণ্ড কিকিং। অসিমকপু এপোলোজি অমগা লোয়ননা মক্তাক্কী মরমদা হায়জবা তাই।

অরাং ভারত কোয়রুরবা, ন্যায়বেদান্ত নৈনরক্লবা, মীনকেতনদি কোয়বগী মতিক উরে। নৈনবগী মতিক খণ্ডলে। উবগী অমস্থং থনবগী মতিক ওল্লে। মীনকেতন অনি অহুম শুরে। য়ামদ্রবদা মীনকেতন অনি শুরে। 'বসন্ত শৈরেং' 'সীতা বনবাস' কী মীনকেতন। ঋারবা পুন্সী ঈপাক্তা কবিতা ঈহৌরক্লিবা মীনকেতন। অতোপ্পা অমনা 'তোম্নু লাইজিংলেম্বী' ঙাঙ্গোয় পরেং' গী

মীনকেতন। অধিবা মণিপুরী সাহিত্যগী অরিবা মৈতৈয়োনগী প্রতিনিধি া শকফম। অহানগী অসিদি লৈখিদ্রে। ইঙৌলগী পুন্সী ওইখ্রে। অকোনবগী শকফমগী মবমদা খরদং হায়জগে।

কবি মীনকেতন, সাহিত্যিক মীনকেতন, পণ্ডিত মীনকেতন। অহুমসিগী মমুংদা কনাগুম্বনা থি্র—কবি মীনকেতন। থম্বনীংঙাইনি অতুবু য়েৎচররোই। অহুমক লৌবস্থ থোইনা কায়বা নত্তে। অতুদা ঐহাক্না য়াম্নমক হেক পামজবদি পণ্ডিত মীনকেতন। চপচানা হায়জরবদি পাণ্ডিত সাহিত্যিক মীনকেতন।

স াজগী ঞাখল হায়বসি সমুদ্রগী ঈথকুম্না হৌরকই। থৈদোকখিবা নত্তনা থিংবা ঙমদে। হন্দক মরকসি মৈতৈবু শক খঙবগী থিংঙদ্রবা ঈচেল অমা চেএকই। থায়নগী মৈতৈগী সভ্যতা, মৈতৈগী লৈজরম্বা কলা অমসুং সংস্কৃতি অমসুং অমত্তা ঙাইজরম্বা মৈতৈলোন। সংস্কৃত বাংলা মমি তাদবা তশেংবা মৈতৈগী লোন।

অকোনবগী অসিনি মীনকেতনগী পুন্সী লাইনীং ওইরিবা। ফনা য়াম্না থিরে, ফনা য়াম্না থে নরে। পুথোক্লে, ময়ামদা উৎলক্লে। অয়াম্বগী পুক্নীংদা অনৌবা উনবগী অঙকপা, অহানবা খঙনবগী মু ঙাইবা অমসুং লৌশিনবা ঙমদবগী অবাবা লোইনা পোকলে। মুংঙাইবা অমনা ঈচং থোনা নঙ্গরোল খবস্থ তুং ইম্নরকতুনা মীনকেতন স্কুল ওফ থোত হায়বগুম্বা অমস্থ লৈরে। মসিনা খঙনরিবসি য়ারিবমথৈ থায়নগী অশেংবা মৈতৈলোন শিজিন্নবা, থায়নগী মরংদা থিজিনবা অমসুং ইথোকপা। কলমগী মহুত্তা থোর্জ্জে, সমালোচনাগী মহুত্তা থোরিরোল মুংগোইবা অসিনচিংবা।

থায়নগী মণিপুর অমস্তুং মৈতৈলোন থিবসি হৌজিকমক্তি মীত্তাংবা তরুক্লা শামু মশক তাকপগুম তৌরি। থিওরি জাৎ জাৎ পুথোরকই, অনৌবা মিৎয়েং য়াম্লক্লি। অদুবু অসিমনা লেইরে চুম্লে হায়বদি ঙমদ্রি। মোইরাংথেম চন্দ্রসিং, ৱাহেংবম য়ুমজাও, অতোম্বাপু বিদ্যারত্ন, মৈতৈ মরূপকী কাংবু, য়েংখোম ভাগ্য, অমস্তুং হন্দক্তা মৈতৈ পুরাণদা লুপচরিবা মশাবু বি সি সিনহা হায়না তাকচবা বিজয় চন্দ্র। পুথোরকপগী অরানবা লৈতে—হেঙ্গৎপদনি। লৌশিনবগী অমাঙবা নত্তে— মুঙাইবনি। অদুবু থ্বাইনা য়ানবা মসিমদি মচুম্বা ময়ারেনা হায়না ময়াম্না য়ৌনবা থিওরি অদু ফংবগীদি মতম থরদং ৱাৎলি। মিংনাইদবা থিওরিশিং অসি মমিং থোল্ল-খিনি। শকনাইদবা ৱাথলশিং মশক উৎলখিনি।

রাজকুমার শীতলজিৎ উপন্যাস ইবা, ৱারীমচা কয়ামুক্তা লোয়ননা কবিতা মথেল থরস্থ হাপপা সাহিত্যিক অমনি। হৌরক-পনা রাজনীতিগী চে "মণিপুর মতম" সাহিত্যগী চে "ললিত মঞ্জুরী" গী সম্পাদক ওইনা হৌই। মথংদা ৱারেং শৈরেং। মণিপুরী সমাজগী মরু ওইনা মধ্যম শ্রেণীগী অৱা অনা, মিৎয়েং লাকয়েং তাকপা উপন্যাস ৱারী মচা থরা ইকোন কোনবদা ছাত্রশিংগীদমক ওইনা হেড মাষ্টারগী আসন্দা কাম্নরবা টেক্সবুক কয়ামুক।

ৱাহয় ৱাতা চমই অমস্তুং ফজে। অস্তুম ৱারী শাবগী লোন্দানি। লাইরিক অয়াম্বা অস্তুম পাথরকপদা শীতলজীৎকী মেংলবা অসিবু চুমদ্রনে হায়বগী খোঞ্জেল থেংনৈ। তুরেলগী

নম্বুল তুরেলগী মতৌগুম্না লৈরি পীক্না ঙাখু থেংথুনা চেন্থে। রাক্সীগী মুংঙাইবা স্নর অমনা অগুম অভাবনা নাকোংদা তগ্লি তগ্লি য়ৌরকই।

অদুবু প্রমাণ য়াওদনদি কোংদোকপা হৈজত্রবা মৈতলোন, সিমিলি, মেত'ফোর ঙাক্না লৈতেংনরবা মণিপুরী ভাষাদা অসি-গুম্বা শীতলজিৎকী স্টাইল অসি এক্সপেরিমেন্টকী মণকনি। খরদং থৌনাফনা কোৎনরদি ফজবা কয়া পুশিল্লকপগী আশা লৈ। অদুগা আদিরসনা থল্লবা মণিপুরী সাহিত্যদা আদিরস কয়া য়াওদবা ভাব ধারা পুশিল্লকপসি সমাজগীদি টোনিকনি। ভাবোক্তীদি কয়া মুংঙাইতে। সাহিত্যগীদি অনৌবা অমনি।

শীতলজিৎকী সাহিত্যজগত্তি ধর্ম্মগা সাহিত্যগগী সমস্যানি। সমাজবু ধর্ম্মগী মীৎয়েংদা য়েংবা, মীওইবগী লোইবা নাইত্রবা থম্মোইগী সমস্যাবু ধর্ম্মগী ফলদা তাহল্লকপা। অসিগুম্বা ফিলিং অমা ঐখোইদা তত্তনা ফাওই। ধর্ম্ম হায়বসি পুন্সিদগী তোঙানবা নত্তে। সাহিত্য হায়বসি ধর্ম্মগী ওন্নৈতনবা নত্তে। অদুদা সাহিত্যনা ধর্ম্মগী প্রচার তৌরকপা, পুন্সিবু ধর্ম্মগী মঙালদা ঙালহল্লকপা তারবদি অপাম্বগী থমোইদা পেন্দবা পোকই। শীতলজিৎনা পুরিবা ধর্ম্ম অমসুং সাহিত্যগী ফল অসি করিগুম্বদা ধর্ম্মদা হেক হেক লুমথরকপা থেংনৈ। অদুবু কুনগুবা শতব্দীদা সাহিত্যনা ধর্ম্মগী মরমদা লাম্ভবা ঙাংবা হৌনদে। খোঙ্গেল পীক্লা, মশক লোৎনা, তুমিন্না শোঙ্গগ-দবনি। প্রেক্টিক ওইহনগদনি। প্রিচ তৌরোইদবনি। মরমদি ময়াম্না পাম্লিবদি সাহিত্যগী রসনি। ধর্ম্ম নত্তে। সাহিত্যনা থমোইদা ফাওহনবা আনন্দ অদুনি। ধর্ম্মনা পুন্সিদা তাকপা লম্বেল অদু নত্তে।

অসি নত্তবা মণিপুরী মাতাগী জাগরণদা হৌমিন্নরকপা মণিপুরী লেখক ড্রামাটিষ্ট কম্নামুকন্দ লৈরি— মীমাংসা কম্না থোক্লনা। থরাইদি য়াম্না য়াওনা। অরিবা মৈতৈ সাহিত্যগী লমদা খোঙদ রকপা "হাওরং লৈশং শাফবী"গী লেখক শরাংথেম বরমণি। এম. ডি. ইউ. হোলদা সমাজগী শকফম অমগা লোইননা স্বদেশী মন্ত্র শন্দোকপা সোগাইজম বীরেন। "য়াইরিপোক থম্বালনু" পুথোরকপা ড্রামাটিষ্ট একটর মাইবম রামচরণ। রূপমহলগী হৈশিংলবা ড্রমাগী পাটি মরু ওইনা নেত্রজিৎ অমসুং মৈত্রম বীর। পুন্নমক্কী মথক্তা মণিপুর হায়বসি ঐখোয়না ইমানি অমসুং মণিপুরীশিংসি অমতনি হায়না তত্তুনা খঙহল্লকপা কংগ্রেসকী অথোয়বা নেতা কৃষ্ণমোহন। পুন্নমক অসি তুরেলগী ঈকৌদা তাউথরকপা কাওশিংগুম্না স্বদেশ প্রেমগী জাগরণদা অমসুং মণিপুরী মশক খঙবগী লম্নেন্দা থোরকই। অদুবু অয়াম্বা লোইনা মাঙখ্রে। লাইরিক অমা'নিদা মরৈহৌরে।

ড্রামাগী জগত্তা নাইতোম থোরকপা—মতুং ইনবীনবা য়াওদবা, ইনব ফাউবা ঙমদবা— মীশক অমনা গীতচন্দ্র তোংব্রা। সমাজগা করৈম্নে নোক্নে। সত্য ওইরে হায়না খঙনরিবা সমাজগী মসুংদা লোৎতুনা লৈরিবা অশেং'নবা, অথীবা অমসুং অমোৎপা পুম্নমক অদু নোক্লা নোক্লা পুথোরকই। মিৎয়েংদি অয়াকপা অমসুং অকনবা বুদ্ধিগী মিৎয়েংনি। ফিদম্না নোংচুপকী বানার্ডশো। কদাই ফাওবা শুরুগী তুংইনবা ঙমজরবগে হায়বতুদি লাইরিক মশক তারক্রবা কান্দা লেপ্পা তাই। ড্রামা ওয়াম্বা চীন্দা লৈরি। লাইরিক ওইনা থোরক্রি। অসিনা অরেপ্পা শক লেপ্পা ঙমদ্রি।

গীতচন্দ্রগী ড্রামাদি অনোকপগী গ্লেনি। নায়ক নায়িকা অয়াম্বা আইডিয়ানা মূর্ত্তি পান্দুনা থোরকপনি। অসিনা প্রোপাগণ্ডাগী শরুক খরা য়াওই। মহাকক্কী মিংয়েংদা ভাবকপু শুদ্ধংনবা পোৎশক অমতংদি রাংলি। অকবা সহানুভূতি—সিম্পেথি। মিৎকী পিগা লোইনবা সহানুভূতি। চাউবা থম্মোয়গা কোম্নবা সহানুভূতি—দর্দভরা সঙ্গীত।

কমলনা হায়খি,—"লৈ থিননবগীমক্তা/নত্তে অথাপ্পা উমংদা চৎকদবা/নত্তে অরাংবা উপাল কাগদবা/ইনক নকপদা/খুৎনা লাম্বা ফংবা/থিরুসি পুক্লিং লৈকোন্দা"। মসিনা কবিতাগী রানি ; কনা হায়দুনসু কবিতাগী চৌফমদি পুক্লিংনি। মপান নত্তে মনুংনি। অদুদা সাহিত্যগী লৈকোন্দি লৈখনশুনা শাৎপা তাই। শনারৈ ঙাক্নুনসু থেনবা য়ারোই অনৌবা লৈরাং চার থিরুবা তাই। চীংলোন মাপল লান্দুনা, পুণ্যভূমি ভারত্তা নোংচুপ সমুদ্রগী তোর্ব্বান্দা।

হৌজিক মণিপুরী সাহিত্যগী ঈহৌ লোইখ্রে। ঈচেল পীক্লে। পাঞ্চজন্যগী অকনবা খোঞ্জেল নক্রে। অনাবগী নাহেবা খোম্থোকনি। থাংঙ্গেশেংনমক অরুবা ক্রাইসিস অমনি। কাংবু খরনা লাইকম্নবা থায়নগী মৈতৈ সাহিত্যগী গন্ধমাদন ফুক্কদবগী লাররি। অদুবু চিংনবদি সিদহিদাক য়াওরমদবা য়াই। থায়নগী মৈতৈ সাহিত্য শক খঙববু ফত্তে হায়জবা নত্তে। ইরন খোমজিনববু কনাগী অমাঙবনো? ঐহাক্না হংজরিবদি মদুতনা শিথরবা মণিপুরী সাহিত্যবু হিংগৎহনবা ঙমগদ্রা? পীরুবা সাহিত্য ঈচেনগী ঈহৌ লাক্কদ্রা? রারবা মণিপুরী সমাজগী আশা অমসুং আকাঙ্ক্ষা ফোংদোকপা ঙমগদ্রা?

মণিপুরগী সাহিত্যিকশিংনা হৌজিকমক কন্না পায়খৎকদবা থবক্তি মপান্দা য়েংবা। মপান্দা থিবা বিশ্বসাহিত্যগী দরবারদা আসন ফংলবা চাউখৎলবা ইংরেজী, ফারাসী, রাশিয়ান অমস্তুং বাংলানচিংবা সাহিত্যগী থোংদা চঙজরুবা তাই। য়ুম্ফমদি মণিপুরনা ওইরবস্তু মপানগী সাহিত্যগী সুংঙৌতনা ঐখোয়না মণিপুরী সাহি-ত্যগী তাজমহল শাবা ঙমগনি। তত্তনা ঐখোইনা মিৎ কুপ্পুনা য়েংবা তাই। অনৌবা সাহিত্যগী শকফম, ওল্লকইবা সমাজগী অশেংবা মুর্ত্তি, মতমগী পোল্লকপা রাখলগী জগৎ। মসিনি শিথরবা মণিপুরী সাহিত্যগী শিদহিদাক। মসিনি মণিপুরী সাহিত্যগী প্রাণ।

এলাংবম নীলকান্ত সিংহ
(অচাইবা লৈ)

প্রেমচন্দ

উপন্যাস

লাইরিক হৈবশিংনা মওং কয়ামরুমদা উপন্যাসকী পরিভাষা (Definition) পী, তৌইগুম্বসুং য়াম্না লায়বা পোৎকী পরিভাষা পীবা য়াম্না লুই। কবিতাগী পরিভাষা ওসি ফাংবদা পীবা ঙমদ্রে। লাইরিক হৈবা য়াম্বগী মতিক পরিভাষাসু য়াম্মি। কনাগুম্বা লাইরিক হৈবা অনিগী মত খক তিন্নদে। উপন্যাসকী মরিদসু মসি হায়বা য়াই। মী পূম্নমক্কী মত তিন্নবা, মসিগী পরিভাষা অমত্ত লৈত্রি।

ঐনা উপন্যাসপু মীওই লমচৎকী শকয়েকনি হায়না খঙই। মীওইলমচৎপু ফোংদোকপা অমসুং মদুগী অথুপ্পশিংবু হাংদোকপতনা উপন্যাসকী মূল তত্ত্বনি।

কনাগুম্বা মী অনিগী শক্তম মান্নদে, মতৌ অদুম্না মীশিংগী লমচৎসু মান্নদে। মী পূম্নমক্কী খে ও, খুৎ, মীৎ, নাকোং, নাতোন, চীন পাল্লি, অদুমকপু অসুক য়াম্না মান্নরবসু খেন্নবা অদুম মরৈ। অসিগুম্না লমচৎকী মান্নবা অমসুং খেঃবা—মান্নদবদা মান্নবা অমসুং মান্নবদা মান্নদবা উৎপনা উপন্যাসকী মরু ওইবা থবকনি।

মচা সুংশিবা হায়বসি মীওই-লমচৎকী পাক-চাওরবা গুণনি। মচা সুংশিদবা করম্বা জীব লৈবগে? তৌইগুম্বসুং মচা সুংশিবগী চাং লৈ—মখোয়গী খেন্নবা লৈ। কনাগুম্বনা মচাগীদমক থরাই থাদোকই, ম গীদমক করিগুম্বা থরা থনম্নবা মখলমখা অয়াম্বা অরাবা

খাঙই, তৌইগুম্বসুং ধর্ম্মবু কিবনা অয়ানবা মওংদা লল তান্দে। মতুগী ফত্তবা ফলনা মচাগী ফত্তবা ওইগত্রা হায়না চিংনৈ। কনাগুম্বনা অচুম্বগী মচেৎ অমত্ত ফাওবা রাখল তৌদে, করিগুম্বা পাম্বৈ অমনা লল তানশিনবনা মাগী লাইনিং ওই ; মসিগীদমক অতোপ্পগী মঙক কল্লিগী কক্রোইদগে ? মহাক মচাগীদমক মশাগী মথরাই ফাওবা বলিদান তৌথোকই। অছুমসুবা মথলগী মচা মুংশিবনা মপা অতুনা মচাগী লমচৎ ফত্তবা উরগা পুক্লিংদা য়াম্না অশা কায়বা পোকই অমসুং মাগীদমক করিগুম্বা খরা থনম্বা অরেম্বনি খল্লি। রাখল তৌতুনা য়েংলবদি মচা মুংশিবা হায়বসিগী মশিং লাকঙমত্রবা মথল ফংগনি। মতৌ অম্সুম্না মীওইবগী গুণশিংগীসু চাং অমসুং মথল য়াম্না লৈ। ঐখোয়গী লমচৎ নৈনবসি অতুক্কী মতিক কুপ্না নৈনরিবা মখৈ অসুম পাকথোক্লক্কনি, অসুম্না ঐখোয়না য়াম্না মহৈ য়ানবগা লোইননা লমচৎশিং অসি য়েকপা ঙমগনি। মচা মুংশিবগী অতোপ্পা ফিবম অমনা মচানা ফত্তবা লম্বীদা চৎপা উরগা মপানা মচাগী তমথিরবা য়েক্রবা ওইরকই। কনাগুম্বা মপাদনা মচাসি ঘৌগী লডুনি করিগুম্বা মওং পৈরবস্ত্র মহাওদি মাঙদবা, মসিসু মচা মুংশিবনি। কনাগুম্বনা মচা মুংশিবনা নমহৎপিতুনা য়ু থকপা, জুরার শান্নবা মপাসু মাগী ফত্তবা লমচৎশিং থাদোকই, অসিগুম্বা মথলগী মচা মুংশিবসু উবা ফংই।

উপন্যাসকারনা হায়রিবা লমচৎশিং অসিবু মুম্না য়েংলগা মখোয়বু পারিবশিংগী মাঙদা থম্বা, মতুদা মানা ককথোক-ককশিন, শেমদোক শেমজিন করিসু তৌরোইদ্রা নত্রগা করিগুম্বা উদ্দেশ্য

অমা পাংথে ক্লবগীদমক লমচৎশিংদা ওৎহোক ওনশিন তৌগন্ত্রা হায়বা য়াংদং অমা লাকই।

মতাং অসিদগী উপন্যাসকারগী কাংলুপ অনি থোকক্রে। অমনা আদর্শবাদী অতোপ্পা অমনা যথার্থবাদী।

যথার্থবাদীনা লমচৎশিংবু পাম্বিবা মীগী মাংদা অওই অওইবা, ইকোক কোকপা মশক অদু থম্মি। মসি হায়বগী কান্ননিংঙাই লৈতে মংদি অফবা লমচৎকী ফত্তবা পোলোই ওই নম্রগা ফত্তবা লমচৎ-কীনা ওফবা, মীগী লমচৎনা মশাগী অশোনবা নত্রগা অথোইবশিং উত্তুনা পুন্সি লীলা লোই। সংসারদা মতম পুম্নমক্তা অফবগী মহৈ অফবা অমসুং ফত্তবগীনা ফত্তবা ওইদে, তৌইগুম্বসুং মসিগী ওন্নতৈনবস্ত ওই,—অফবা মীনা খুদি কয়া থী, অরাবা খাঙই, খুদোংথীবা নংই, ইকাইবা ফংই,—মঙোন্দা অফবগী মহৈ ওন্নবা ফংই; ফত্তবা মীনা অইংবা ফংই,—মিংচৎ ফংই মঙোন্দা ফত্তবা মহৈ ওন্নবা ফংই। (প্রকৃতিগী নিয়ম অঙকপনি।) যথার্থবাদীনা য়াখল লৌশিংগী য়োক্লিংনা পুনশিল্লি অমসুং সংসারদা ফত্তবা লমচৎনা মপুঙ ওই, লংলবা লমচৎ ফাওবদা দাগ থয়া থয়া লৈ, মরম অদুনা, যথার্থবাদনা ঐখোয়গী অশোনবশিং, ঐখোয়গী খেন্নবশিং অমসুং ঐখোয়গী ভমথিবশিংগী ইকোক কোকপশিংগী মশক্লি অমসুং মতৌ অসুম্না যথার্থবাদনা ঐখোয়বু আশা কায়বা ওইহল্লি, মীওইবগী লমচৎতা ঐখোয়গী থাজবা লৈরক্তে; ঐখোয়না মাইকৈ মরিমক্তা ফত্তবগী ফত্তবা ঙাক্তা উরকই।

সমাজগী মাইকৈদা মাগী পুক্লিং চংশিনহন্নবগীদমক যথার্থবাদ অসি য়াম্না ক.ন্নৈ হায়বদা চিংননিংঙাই লৈতে, মরমদি মসি নত্রবদি

ফজবা অতুবু উৎপদা মশাগী অওইবদগী হেন্না হায়জীনখিবা অমস্তুং মশক অতুবু কেন্না মুশিন্না উহনখিবা য়াই। তৌইগুম্বস্তুং অশোন-বশিংবু য়েকপদা হৌন লমচত্তগী কা হে• জিনখিবা থোক্লবদি পেন্নদ-নিঙাই ওইরকই। অমুকস্ত মীওইবা স্বভাবকী থোইদোকপা অমস্তু মসিনি মতুদি মাদি লৌনম্বা, পুকচেল পীকপা অমস্তুং নমথাবতনা কোইশিন্দুনা লৈ, মতুবু অমুক হন্না হায়রুবদা মাগী পুক্লিংবু মুঙাইহন্দে। মহাক্লা ঙাইহাক্তীদমক মপুক্লিংবু মকশিনহনবা ভাব থেংনদবা সংসার অমদা পাইতুনা য়োনিংই, ঐ অসিগুম্বা অৱাবা রাখলগী অপুনবদা তারবনি হায়বা অসি কাউথোক্লিংই ; লৌনম্বা নমথাক তৌবা, য়েক্লবা অমস্তুং মত তিন্নদবনা মপুঙ ওইদবা ; অফবা থম্মোই চেনবা, পুকচেল চাওবা মী ঙাক্লা উবা মফম অমদা য়োনিংই। ঐখোয়না য়ুথক নিপান্দা শিজিন্নরিবা লোইনরিবা মীশিং অতুত ৱারী ৱাতাইদা লৈরবদি অসিগুম্বা লাইরিক পাবগী করি কান্নগদগে হায়বা রাফম অসি পুৱিংদা লাকই।

অমম্বা, অশাবা কা অমদা থবক শুবদা ঐখোয়না চোকথরক্ল-বদা করিগুম্বা লৈকোন্দা থোক্লগা অইংবা মুংশিৎ য়ৈহন্দুনা মুঙাইবা ফংনিংই। অসিগুম্বা অৱাৎপা অসি আদর্শবাদনা মপুং ফাহল্লি। মহাক্লা ঐখোয়দা থম্মোই শেংবা, ওইজ তান্দবা অমস্তুং অপাম্বা লৈতব, ফজবা শাজৎ চৎপা মী ঙাক্লগী লমচৎ খঙহল্লি। অতুমকপু অসিগুম্বা লমচৎশিং অসি থবক্তা হৈ শিংদে, মখোয়গী অতিংবা শাজৎনা সংসারগী থবক কয়াদা মখোয়বু থুদি থীহল্লি, ফজবত উবদা লেথোক্লবা মীশিংনা অসিগুম্ব অতিংবা, থবক্তী জ্ঞান য়াঙদবা লমচৎশিং উবদা থোইদোকপা মুঙাইতবা পোকই।

যথার্থবাদনা ঐখোয়গী মিৎ পাঙহল্লি অদুগা আদর্শবাদনা ঐখোয়বু থাংহনা পুক্লিং হূরবা মফম অমদা য়োহল্লি। তৌইগুম্বসুং আদর্শবাদতা অসিগুম্বা গুণ লৈবা মফম অদুদা রাকম অসিগী চিংননিংঙাইস্থ লৈ মদুদি ঐখোয়না অসিগুম্বা লমচৎ য়েকপদা সিদ্ধান্তগী মশক মখৈত ময়েকপা—মদুদা থরাইদি হাপ্পা ঙমদবা। করিগুম্বা লাই অমবু পাম্বদি লুদে অদুবু লাই অদুদা থরাই হাপ্পা (প্রাণ-প্রতিষ্ঠা) দি লুই।

মরম অসিনা যথার্থ অমসুং আদর্শ অনি পুন্না য়াওবা উপন্যাসপু য়াম্না রাংবা থাক্কী উপন্যাসনি হায়না লৌনৈ। মদুবু—"আদর্শোন্মুখ যথার্থবাদ" কৌবা য়াই। আদর্শবু মথরাই পালহন্নবা যথার্থ শিজিন্নবা তাই। মসি অফবা উপন্যাসকী থোইদোকপা মগুণনি। অফবা শাজৎ অমসুং রাখলগী লমচৎ শেমগত্না অপাবা মীগী পুক্লিং শুদ্ধংপা হায়বা অসি উপন্যাসকারগী মতিক মগুন্নি। উপন্যাসকী লমচৎশিংদা অসিগুম্বা গুণ য়াওদ্রবদি মদু করিস্থ লৈতবা মখলগী উপন্যাসনি।

লমচৎপু অরাংবা অমসুং ফিদম্নফম ওইহন্নগীদমক মদুদা দোষ অমত লৈহন্দবগী থোইনা কান্নদে,—অচৌ অচৌবা মীশিংদস্থ অশোনবা থরদি মরৈ, লমচৎতা মথরাই হাপ্নবগীদমক মাগী অশোনবশিং উৎপদা করিগুম্বা অমাঙবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং অশোনবশিং অসিনা লমচৎপু শেম্মি। দোষ লৈতবা লমচৎতি লাই ওইগনি অমসুং ঐখোয়না মদু খঙবস্থ ঙম্লোই। অসিগুম্বা লমচৎতগী ঐখোয়দা করিস্থ প্রভাব তাবা ঙম্লোই। ঐখোয়গী থাইনগী সাহিত্যদা ফিদমগী মমি য়াম্না তাই। মদু সুপ্নগী পুক্লিং মুঙাইনবঙাক নত্তে। মদুগী

মরুওইবা উদ্দেশ্যাদি পুক্নিং শুগাইহনবগা লোইননা থম্মোই শেংহন-বম্নুনি। সাহিত্যকারগী মফমদি মসিদগী য়াম্না হেন্না ৱাংই। মাদি ঐখোয়গী লমতাকপনি, মানা ঐখোয়গী মনুষ্যত্ব (মীওইবগী মতৌ)বু য়াকায়হল্লি, ঐখোয়দা অফবা ৱাখল হাপ্লি, ঐখোয়গী মীৎয়েং পাকথোকহল্লি। তারবদা মসি মাগী উদ্দেশ্য ওইগদবনি। অসিগুম্বা পুক্নিংগী অনিংবা অসি পাংথোক্লবা মাগী লমচৎ অদু অশেংবা (বাস্তবিক) ওইবা, মিহৌহনবা কয়াগী মাগদা লু লুকথদনা, মখোয়বু মাইথিবা পীবা মহাক্না কনাগুম্বা জয় ওইবা সেনাপতি অমগী মতৌগুম জয়গী লাল্লাও লাউরদুনা থোরকপা—অমুম্বা ওইগদবনি। অসিগুম্বা লমচৎশিং অসিতনা ঐখোয়দা খ্বাইদগী হেন্না প্রভাব তাই।

সাহিত্যগী খ্বাইদগী ৱাংবা আদর্শদি মাগী খুৎশেম অদু স্বপ্নগী কলাগী মপুং ফানবগীদমক ওইবনি।'কলাগীদমক কলা' হায়বা সিদ্ধান্ত (থিওরি) অসিদা কনাগীসু আপত্তি লৈরোই। মীওইবগী মহৌশাগী লমচৎকী মরুদা তুংদুনা লৈবা সাহিত্য অদু মতম কুইনা পুন্সি; কল্লকপা অমসুং নুংশিবা, অশাওবা অমসুং মিহৌবা, ভক্তি অমসুং বিরাগ, অৱাবা অমসুং ইকাইবা মখোয় অসি ঐখোয়গী মহৌশাগী ওইবা লমচৎনি। মখোয়গী মঙাল উৎপা হায়বসি সাহিত্যগী অথোইবা উদ্দেশ্যনি অমসুং উদ্দেশ্য লৈতনদি ইবসু ইনদে।

করিগুম্বা সামাজিক, ৱাজনীতিক অমসুং ধার্ম্মিক মত অমা প্রচার তৌনবা সাহিত্য ইরবদি মদু মহাক্কী অৱাংবা ফমথোন্দগী তাথরক্লবনি। মসিদা করিসু চিংনিঙাই লৈতে। তৌইগুম্বসুং হৌজিক কালদা ফিবমশিং অসি অমুক য়াঙনা ওল্লি, অমুক য়াম্না

অনৌ ওনৌবা রাখল পোক্লি, করিগুম্বদা লেখক্লা উদ্দেশ্যচু পুক্লিংদা থম্বা ওমহৌদে। লেখকশিংদা হায়রিবা ফিভম (পরিস্থিতিশিং) অসিগী প্রভাব তাদবা পুক্লিং লাংহন্দবা হায়বসি য়াম্না লুই। মরম অসিননি হৌজিক কালদা ভারতকীদা নত্তে, য়ুরোপকী অচৌ-অচৌবা বিদ্বানশিংসু মখোয়গী রচনা (থৃৎই) না মরম ওইদুনা করিগুম্বা বাদ (Ism) অমা প্রচার তৌরি। মখোয়না ইরিবদু কুইনা পুনসিগদ্রা নত্রগা পুন্সিন্নোইদ্রা হায়বগী করিস্থ চিংনদে, মখোয়গী মতত্ত্ব শোগৎপনা মখোয়গী লাইনিংনি, মসি নত্তুনা মখোয়গী করিগুম্বা অপাম্বা লৈতে। করিগুম্বা রাখল অমা প্রচার তৌনবা ইরিবা উপন্যাস ওদুগী মগুণ ভাইহাক্কীদমক ওই হায়বা করম্না য়াগনি ? ভিক্টরহ্যুগোগী 'লা মিজরেবল' টোলষ্টোয়গী লাইরিক কয়ামরুম, ডিকন্সনা ইবশিং করিগুম্বা রাখলনা মপুঙ ওইরবস্থ অরাংবা থাক্কী সাহিত্য অমসুং হৌজিকফাওবা মখোয়বু পাম্নবা অদু হংদ্রি। ওসি শো, রেলসনচিংবা অচৌ-অচৌবা লেখকশিংগী লাইরিক প্রচারগীদমক ইরি।

হৈ-শিংলবা লেখকশিংনা করিগুম্বা বিচার-প্রধান ওইবা লাই-রিবস্থ য়াম্না ফজবা মওংদা মীওইবগী মরূওইবা রাখলশিংগী সংঘর্ষ ভৌহন্দুনা করিগী ইঝোইদগে হায়বসি ঐখোয়গী রাখলনি। কলাগীদমক কলা হায়বসি লৈপাক্লা য়াম্না চাওখৎলবা অমসুং মুঙাইরবা মতমদা ওইবা য়াই। ঐখোয়না ডরি মতুদি, ঐখোয় অসি মখল মখলগী রাজনৈতিক অমসুং সমাজিক অপুনবা কয়া-মরুম্না পুন্দুনা লৈরি, য়েংগুবা মাইকৈ থুদিংদা অরাবা অমসুং

অনংবগী অকিবা ফংলবা দৃশ্যদা ঊবা ফংলি, অমাবগী থম্মোই শোক্লবা খোঞ্জেলতা তারি ; ফিবম অমদা কনাগুম্বা মাখলচেনবা মীগী থম্মোই চাক্তবা হায়বসি করম্না ওইথোকপগে ? উপন্যাসকারনা মাগী মাখল অসি খরা নাকোয়ননা শেংনা ফোংদোরবা হোৎনবা চুন্মি, উপন্যাসকী স্বাভাবিকতাদা মাখল অদু চঙশিন্নকপনা করিগুম্বা য়ৈথায়বা পিহল্লোইদবনি, নত্রবদি উপন্যাস অদু রস য়াংদবা ওইগনি।

ডিকন্স ইংলেণ্ডগী অফাওবা উপন্যাসকার ওইখি। ‘পিকৱিক পেপস’’ হায়বসি মাগী অমর ওইরবা হাস্যরসনা মপুঙ ওইবা লাইরিক্লি। “পিকৱিক” কী মিং অসি শিকরম গাড়ীগী লংফৈ চৎপা মীশিংগী মচিন্দগী ডিকন্সনা তাহোবনি। মিং অসিমক্তা চানবা মশক, মওং, ফিজেৎ পুম্নমক ইখি। “সাইলস মারনর” সু ইংরেজীগী অফাওবা উপন্যাস অমনি। মসি ইখিবী জর্জ ইলিয়টনা ইরি মচুদি মানা অঙাং ওইরিঙৈদা কোইচৎ চৎনা ফিয়োনবা অমা মনঙ্গন্দা ফিগী নম্বো পোরদুনা কয়ারক হন্না উখি। শক্তম অদু মাগী থম্মোই ফিজংদা য়েকশিলহোরে অমস্যং মতম চারবদা উপন্যাসকী মশক ওইনা ফোংদোক্লকখি। “স্কারলেট লেটর”সু হথনগী মাম্না ফজরবা লাইরিক্লি। লাইরিক অসিগী মরু মানা কুইরবা মুকদ্দমা অমগী মচাক্তগী ফংখি। ভারতবর্ষদা হৌজিক ফাওবা উপন্যাস-কার শিংগী জীবন চরিত ইনত্রি মরম অসিনা ভারতকী উপন্যাস সাহিত্যদগী করিগুম্বা খুদম পীবা লুরি। “রঙ্গভূমি”গী মরু ঐনা ঐখোয়গী খুন্দা লৈবা মিৎতাংবা চারিবা অমদগী লৌখি। খজিক্তং ওইবা মরু, লেখকী কোক্তা য়োরগা মাং-চাওরবা উপাল ওনখি,

মীনা মতুদা গুকনৈ। "এম এগুরুজহিম" রুডয়ার্ড কিপলিংগী অথোইবা কাব্যনি। কিপলিংনা মাগী নোটতা ইরি ইঞ্জিনিয়র সাহেব অমনা নোংমা কুমিদাং মাগী পুন্সি-রারী তাহনখি। মতুনা কাব্য অদুগী হৌফম ওইখি। অতোপ্পা অফাওবা উপন্যাসকার অমনা হায়—মানা মাগী উপন্যাসশিংগী লমচৎ যুমলোম্নবশিংদগী ফংই। মানা পুও কয়ামরুম মাগী থোংনাউ ময়াদা ফমদুনা চথোক চৎশিন তৌরিবা মীশিংবু য়াম্না মুম্না য়েংই অমসুং মথোয়গী রাশিং অদু পুক্লিং চঙনা তাই। "জেন আয়র"সু উপন্যাস পাম্বীবশিংমা শোয়দনা পাবিরিগনি। লাইরিক ইবী অনিথক রাফম অসিদা য়েৎনরম্মি—উপন্যাসকী নায়িকা অসি মশক ফজবী ওইগদ্রা ওইরোইদ্রা ? "জেন আয়র" ইবীনা হায়খি, ঐনা অসিগুম্বা উপন্যাস ইগনি মদুগী নায়িকাদু মশক ফজদ্রবসু আকষক (attractive) ওইগনি। মসিগী ফলদি "জেন আয়র" নি।

অয়াম্বা লেখকশিংদা লাইরিকশিংদগী মাগী ইনবা লংজিল ফংই। হালকেনগী মিং পাঠকশিংনা তানরে। মাগী অথোইবা লাইরিক অমা হন্দক্তা 'অমরপুরী" হায়না মমিং কৌদুনা হিন্দীদা অনুবাদ তৌরে। বাইবলদগী প্লোট ফংই হায়না মানা ইরি। 'মেটরলিঙ্ক" বেলজিয়মগী জগৎ ফাওরবা নাটককারনি। মাবু বেলজিয়মগী সেক্সপিয়র কৌনৈ। মাগী "মোনাবোন" হায়বা ড্রামা অসি ব্রাউনিংগী কবিতা অমদগী প্রেরণা(inspiration) ফংখি অমসুং "মেরী মেগডালেন"না জর্মণগী ড্রামা অমদগী সেক্সপিয়রগী ড্রামাশিংগী হৌরকফম মরু থির থিরগা বিদ্বান কয়ামরুম্না ডাক্টরগী উপাধি

ফংনরি। কৌজিক্কী উপন্যাসকার অমসুং নাটককার কয়ামকন্না 'ডাক্টর' ওইবা য়াই। 'তিলিস্ম হোশরুবা" ফার্সীগী অচৌবা লাইরিক অমনি। মসি অকবরগী দরবারদা লৈরম্বা ফৈজী হায়বদুনা ইরম্বনি হায়নৈ। অদুবু মসিদা ঐখোয়না চিংনৈ। লাইরিক অসি উর্দূদসু অনুবাদ তৌখ্রে। তারবদা লাইরিক অসি লামাই ২০,০০০ পানগনি। স্বর্গীয় বাবু দেবকীনন্দন খত্রীনা "চন্দ্রকান্তা" অমসুং "চন্দ্রকান্তা সন্ততি" গী মরু অসি "তিলিস্ম হোশরুবা" দগী লৌরমগনি হায়না অনুমান তৌনৈ।

সংসার-সাহিত্যদা অসিগুম্বা ৱারী কয়ামরুম লৈ মখোয় অদুদা চহি লিশিং কয়ামরুমদগী লেখকশিংনা ৱারীশিং ইনরক্লি অমসুং চহি লিশিং কয়ামরুম ফাওবা ইনখিগনি। ঐখোয়গী থাইনগী ৱারীশিংদা নাটক কয়া ৱারী কয়া ইনখ্রে। য়ুরোপতসু গ্রীসকী পৌরাণিক ওইবা ৱারীশিং কবি কল্পনাগী লোইবা নাইদবা ভুঙনফম ওইরি। "মচিন মনাও অনিগী ৱারী" মসিগী হৌরকফম মিশ্র লৈবাকী চহী লিশিং অহুম শুরবা লেখকশিংদগী ফংখি; ফ্রান্সতগী ভারতবর্ষ ফাউবগী দর্জন অমদগী হেনবা লোলশিংগী সাহিত্যদা চঙখ্রে। বাইবলদা ফাওবা ৱারী অসিগী থৌদোক অমা অসুম্না অদুম ফংই।

লেখকশিংনা তনবা নত্রগা কল্পনা শক্তি লৈতবদগী অরিবা ৱারীশিং শিজিন্নৈ হায়না খনবসু অরানবা ওইগনি। ৱাফমদি অসিনি অনৌবা ৱারীশিংদা থাইনগী ৱারীশিংদা যংবা অদুগুম্বা রস, অদুগুম্বা পুক্লিং চিংশিনবা অদু লৈতে। অদুগা মখোয়গী মশা

অতুদি অনৌবা ওইগদবনি। 'শকুন্তলা" গী রারীদা উপন্যাস ইরবদি কয়া য়াম্না পুক্লিং হুনিঙাই ওইগদগে ফায়বদু হায়রুবগী কাম্নদে।

ইবগী শক্তি অসি থরমথৈদি মী পুন্নমক্তা লৈ। মসিদা হৈনবী ওইথ্রবা মীশিংদি অপনবা লৈত্রে, কলম পায়থৎপগা হেক্ত মইথখি। অনৌবা লেখকশিংদি অহানবা ইথৎলকপদা লকক লকক তৌই, মপুক্লিংদা সমুত্রদা চোংথবগুম্না খল্লি। অয়াম্বদা করিস্ত লৈতবা থোদোক অমনস্ত মাগী কোক্তা ইনশিনবগী থবক তৌই। কনাগুম্বগী মিং তারগা, করিগুম্বা মঙ মঙলগা, করিগুম্বা অয়েকপা লাই উরুবগা মাগী কল্পনা হৌরকই (মিকপ থোক্লকই)। কয়াম্বা মীদা করম্বা প্রেরণানা হেন্না প্রভাব তাবগে হায়বদু মী অতুদা নির্ভর (depend) তৌগনি কনাগুম্বগী কল্পনাদি ফজবা দৃশ্য উরগা হৌরকই; কনাগীনা মুংশিবা মনমনা, কনানা তাবদা,—কনানা অনৌবা, ফজবা মফমদা কোঙ্গৈরুবদা মাগী কল্পনা শক্তি হৌরকপদা থোইদোক্লা মতেং পাংই। তুরেলগী মপান্দা মথম্নত কোঙ্গৈরবদি অয়াম্বা মতমদা অনৌ অনৌবা কল্পনাশিং হৌরকই।

ঈশ্বরনা পীরকপা শক্তিনা মরুওইবা পোৎনি। শক্তি অদু লৈত্রবদি পাউতাক, মহৈ, হোৎনবা পূন্নমক অরেম্বনি। অদুগা হায়রিবা শক্তি কনাদা লৈ অমসুং লৈতে হায়বা করম্না লেপকনি। করিগুম্বদা মসিগী প্রমাণ ফংনবদা চহি কয়া হৌখি অমসুং হোৎনবা কয়ামরুম অরেম্বা ওইনা মাঙখি। আমেরিকাগী খবরগী সম্পাদক অমনা মসি পরীক্ষা তৌনবা অনৌবা মওং অমা পুথোক্লে। মহাক্না নহা কাংবু কাংবুশিংগী মরক্তা কনানা মণিনো কনানা মুঙনো হায়বা

চাং য়েংই। মানা চে মচেৎ অমদা কনাগুম্বা অফাওবা মী অমগী মিং ইরগা ময়ামদা পী অমসুং মিং অদুনী মরিদা য়াহং কয়ামরুম হংবা হোই, মাগী শমগী মচু করিনো? মাগী কি করম তৌই? কদাইদা লৈ? মাগী মপা করি থবক তৌই? পুন্সিদা মাগী মরু-ওইবা অপাম্বা করি ওইখি। অসিনচিংবা। করিগুম্বা নহা অহুনা নিংথিবা পাউখুম পীদ্রবদি মহাকপু মতিক চাদবনি হায়না লৌদুনা মাবু বিদায় তৌথোকই। মাগী য়াথলদদি য়েংশিনবগী শক্তি (নিরীক্ষণ শক্তি) কোমথোকপা মীদি পউন্যাস লেখক ওইবা য়ারোই। হায়রিবা পরীক্ষা মরৌ অসিদা অনৌবদি শোয়দনা লৈ হায়ববু অশোয়বগী চাংস্ত তাবদি নত্তে।

লেখকশিংগী নোটবুক ভামা শোয়দনা থমগদবনি। অদুবু পরেংশিং অসিগী লেখকনা করিগুম্বদা নোটবুক থমখিদে অদুবু মসিগী দরক'র ওইবদি মহাক য়াই। করিগুম্বা অনৌবা পোৎ, করিগুম্বা অঙকপা শক্তম, করিগুম্বা ফজবা দৃশ্য উরগা নোটবুক্তা ইশিল্লবদি য়াম্না কান্নে। য়ুরোপতা লেখকশিংগী কোক্তা তোঙান তোঙানবা পোৎশিংবু তোঙান তোঙানবা খোংশিংদা পৈশিন্দুনা থম্বা শুমজিৎবা ফাউবা নোটবুক থম্মে। চহি কয়া হোৎনরবা তুংদা অসিগুম্বা মতিক-চাবা অসি ওইরকই, মসি হায়বদা চিংনমিঙাই লৈত্তে, তৌইগুম্বসুং হোগৎলকপা মতমদদি নোটবুক থম্বা য়াম্না দরকাররনি। করিগুম্বা লেখকনা মানা য়েংবা দৃশ্য অদু মথরাই হাপনিংলবা, মাগী বর্ণন অদু স্বাভাবিক ওইহন্নিংলবদি ভঙাই ফদনা মস্থম্না থবক চত্থগদবনি। উপন্যাসকার অমগী নোটবুক্কী নমুনা য়েংবিয়ু—

"আগষ্ট ১১, সুংথিল পুং ১২ তাবা মতম হি অমদা মী অমা, কুচু মুই, শম ঙৌরে, খোক্‌খোইবা মীৎয়েং, অচোম্বা পা, চিম্বান চাঙবা, কাঙলপতোবা মকোই-তাশিনবা।"

"সেপ্টেম্বর তাং ১, সমুদ্রগী দৃশ্য, অমুবা লৈচিল, অমস্তুং অঙৌবা ঈশিংদা সুমিৎকী মমি অমুবা, অশংবা, অরংবা কোঙ্গোনগা লোইনবা ঈথক, মথক্কী শরুক্তা অরংবা, ঈথক্কী নিনখোংবা, ঈথক্কী ঈশিং মরিকশিংদগী কোঙ্গোন পাইখৎলকপা।"

লেখক অদুদা ৱারীশিংগী প্লোট কদায়দগী ফংবগে? অস্তুম্না হংবদা মানা খুম্লকই "মাইকৈ মরি"। লেখকনা মমিৎ শিংনা লৈরবদি সুংশিন্তগী ৱারীশিং ফংই। রেলগাড়ীদা, হিশিংদা, পাউগী চেশিংদা, মীশিংগী ৱারী শাবদা অমস্তুং মফম লিশিং কয়াদগী ফজবা ৱারীশিং শেম্বা য়াই। চহী কয়া হোৎনরবা তুংদা য়েংশিন খোৎ-চিনবদা স্বাভাবিক ওইরকই মিৎয়েং অসি মথম্নতা মাগী কান্ননিঙাই ওইবা ৱাফম খন্দোকপা হৈরকই। চহী অনিগী মমাংদা ঐ নোংমা মরুপ অমগা কোঙ্গখোকপা চৎলম্মি। ৱারী শাবদা সংসার অসিদা অনিথক নত্তুনা অতৈ মী পুম্নমক লোইনা হাৎতোকপ্রবদি কন্নম তৌগনি? হায়বা ৱাফম অমা নৈনবা হৌরম্মি। মরু অসিদগী ঐনা ফজরবা ৱারী কয়ামরুম খন্দুনা পুথোকখি।

উপন্যাসশিংগী মচাক লাইরিকশিংদগী লৌদুনা মীওইবগী পুন্সিদগী লৌগদবনি হায়বা ৱাফম অসিদদি উপন্যাস কলাদা হৈ-শিংলবা মী পুম্নমক মত তিম্নে। ৱাণ্টর বেসেণ্টনা মাগী 'উপন্যাস-কলা' হায়বা লাইরিক্তা ইরি—

"উপন্যাসকারনা মাগী মচাক উপুদা থম্লিবা লাইরিক্তগী লৌদ-ভুনা মুম্মিৎ খুদিংগী মাইকৈ মরিদা উবা ফ লিবা মীশিংগী পুন্সিদগী লৌগদবনি। ঐনা মপুং ফানা থাজে মতুদি অয়াম্বা মীনা মীওইবগী ফজবা নমুনা পূন্নমক অহানবদা ইখিবা লেখকশিংনা লোইনা ইথোকখ্রে, হৌজিক ঐখোয়গীদমক করি লেমহৌরিবগে? অশুন্না মী থরনা চিংনৈ। মসি অচুম্বনি তৌইগুম্বস্তুং অহানবদা কনাগুম্বনা অরিকপা অহল, ঙাউশিন্নবা নহা, জুৱার শান্নবা, যু থকপা, মকে শেন্নবী নুপী অসিনচিংবগী লমচৎ য়েকথ্রবদি হৌজিক হায়রিবা কাঙলুপ অসিগী অতোপ্পা লমচৎ ফংলরোইদ্রা? লাইরিক্তা অনৌবা লমচৎ ফংদবা য়াই, তৌইগুম্বস্তুং পুনসিদা অনৌবগী অরাৎপদি করিগুম্বদা লৈখিদ্রি।"

হেনরী জেমসনা বিষয় অসিদা ফোংদোকখিবা রাখল অতুশু য়েংবিয়ু—

কনাগুম্বা লেখককী বুদ্ধিনা কল্পনা য়াম্না কৈশিংলবদি মহাক্না য়াম্না কুপ্পা ভাবনা পুন্সিবু ফোংদোকই, মানা নুংশিৎকী ইপোমদস্তু থৱাই হাপ্পা ঙম্মি। তৌইগুম্বস্তুং কল্পনাগীদমক আধার (তুঙফম) থর শোয়দনা লৈগদবনি। লালগী লাম্বল করিগুম্বদকা উখিদ্রিবী নহা ওইবী লেখিকা অমনা লান্মীগী মরিদা খুৎ থারোইদবনি হায়বদা হৌনদবা ওইরোই। ঐনা ইংলিশকী উপন্যাসকার অমবু খঙই মানা মাগী ৱারী অমদা ফ্রান্সকী প্রোটেষ্টেন্ট পাখণশিংগী পুন্সি য়াম্না নিংথিনা য়েকখি। মসিদা সাহিত্যিক সংসারদা য়াম্না চর্চ্চা তৌনখি। মঙোন্দা মীনা হংখি, 'অদোম্না সমাজ অসিবু উনবা

তাঙ্গা কদায়দা ফংখিবগে? (ফ্রান্স রোমান কেথোলিক দেশনি অমসুং মফম অদুদা চাওরাক্লা প্রোটেস্টেণ্ট উবা ফংদে।) মানা অমুকথক, স্বপ্নগী অমুক্তুং, প্রোটেস্টেণ্ট পাখণ্ডশিং ফমদুনা রারী শাবা উখি। অমুক্তুং উবা অসিনা মাগীদমক্তদি স্পর্শ মণি ওইগ্রে। মানা মাগী কল্পনাগী চাওরবা মন্দির শানবগী আধার ফংগ্রে। মাঙোন্দা অদুগুম্বা ঈশ্বরনা পীবা শক্তি লৈরম্মি মতুনা ইঞ্চি অমনা যোজন অমগী পাউ পুরকই অমসুং মসি শিল্পীগীদমক্তি য়াম্না মরুওইবা পোৎনি।"

মিষ্টর জি. কে. চেষ্টরটন জাসূসী (Detective) রারী ইবদা য়াম্না হৈ শিংই। মানা অসিগুম্বা রারীশিং ইবগী নিয়ম হায়রম্বা অদু য়াম্না লৌনিঙাইনি। ঐখোয়না মাগী রাদু ইরি —

"রারীদা লৈবা রহস্য (অথুপ্পা) অদু শরুক কয়া থোক্লা খায়-দোকপা চুম্মি। অহানবদা রা অদু খজিক্তুং ফোংদোকপা, মতুংদা খজিক্তুং চাউখৎপা অমসুং অরোইবদা মরুওইবা রহস্য অদু হাং-দোকপা। তৌইগুম্বসুং শরুক খুদিংদা রহস্যোদঘাটন (অথুপ্পা হাংদোকপা) খরদি শোয়দনা তৌগদবনি মতুনা পাঠকশিং পুম্নমক খঙনিংবগী ইচ্ছা অদু হেনগৎকনি। অসিগুম্বা মখলগী রারীশি-দা অরোইবদা রহস্য হাংদোক্লবগীদমক অনৌবা চরিত্র অমা পুশিল্ল-ক্তনবা পুক্নিং চঙশিনবা চুম্মি। জাসূসী কহানী (Detective story) শিংদা মসি অচৌবা অরানবনি। রহস্য অদু হাংদোকপা মতমদা লমচৎ অদু অপরাধী ওইরম্বা অমসুং চিংননিঙাই অমত লৈতবা মসিদা মুঙাইবা পোকই।"

উপন্যাসকলাদা লেখকনা করি ইগদগে অমসুং থাদোক্কদগে হায়বা অসিসু য়াম্না মরুওইবা ৱাফম্নি। পাঠকসু কল্পনাশীল নি। মরম অসিনা মানা য়াম্না লাইনা কল্পনা তৌবা ঙম্বা ৱাশিং অদু পাবা পামদে। লেখকনা পুন্নমক লোইনা হায়দোকপা অমসুং পাঠককী কল্পনাগীদমক করিমত্ত থাকহোদবা হায়বসি মহাক পামদে। মানা ৱারীগী মওংদমক পাম্মি, মচুদি মানা পাম্বা মওংদা শঙনিংই। হৈ-শিংলবা লেখকতি মানা করম্বা ৱা ইদুনা শেংদোককম থোকপগে হায়বা অনুমান তৌবা ঙম্মি। ৱারী নত্রগা উপন্যাসতা পাঠককী কল্পনাগীদমক মচাক য়াম্না য়াওরগা ফজবা হেল্লি। লেখকনা দরকার ওইবদগী তানা হায়রবসু ৱারী অদু আশয় য়াওদনা ওল্লি, হেন্না হায়রবসু ৱারীদা মুঙাইবা পোক্কে। করিগুম্বা লমচৎ অমগী মওং য়েকপা নত্রগা করিগুম্বা দৃশ্য অমা য়েকপা মতমদা য়াম্না কুপ্পা মশক মতৌ ইবগী দরকার লৈতে। ৱাহৈ পরেং অমা অনিতনা মরু ওইবা ৱা হায়গদবনি। করিগুম্বা দৃশ্য অমা উবগা য়াম্না থুনা মদুগী বর্ণন তৌরবদি কান্নদবা য়া কয়া য়াওশিনখিবা য়াই। মুমিৎ খরনিগী তুংদা কান্নদবা ৱাশিং অদু মথন্নতা ঐখোয়গী কোক্কগী অসুম অসুম মাঙজখিগনি, মুপ্নগী মরুওইবা ৱাতমক ঐখোয়গী নিংশিং ফিজংদা য়েকশিলহোগনি। মতম অদুদা দৃশ্য অদুগী বর্ণন তৌরবদি কান্নদবা ৱাফমশিং য়াউররোই। কান্নবা অমসুং কান্নদবা ৱাফম অসি খুদম অমা পীদুনা ঐখোয়না ঐখোয়গী ৱাখল অমুকসু শেংদোকপা পাম্মি—

মরুপ অনি মুমিদাংৱাইরম উম্নে। খুদোংচানবগীদমক ঐখোয়না মখোয়বু 'রাম' অমসুং 'শ্যাম' কৌরসি।

রাম—গুড ইভিনিং শ্যাম, মুঙাইবিরিদনা ?

শ্যাম - হলো রাম, ঙসিদি নং কাউড়ুনা লমলান্নরক্লেদনা ?

রাম—হায়য়ু করম করম পাল্লি ? নঙদি ঈদকী থা মওইরেদনা।

শ্যাম—ঐদি ইদকী থা নত্তে, অদোমদুম হৈবোং মপাল ওইরে হায়রবা।

রাম—সঙ্গীতালয়রোমদা চৎসিদনা ?

শ্যাম—হোয়, চৎসি।

লেখকনা অঙাং মচাগী রারী ইবা নত্তে। মানা থুরুম্নবগী অপৌবা রাশিং অদু হায়গে হায়রবদি অস্তুম্না ইগদবনি—

"থুরম্নরবা তুংদা মরূপ অনিনা সঙ্গীতালয়গী মাইকৈরোমদা চৎখ্রে।"

হিন্দীদগী অমুবাদ—নীলবীর শর্ম্মা

সমাজ অমসুং সংস্কৃতি

মীওইবা অসি খঙবদা, হৈনবদা, পাঙ্গলদা, ভাব-শক্তিদা অমগা অমগা খেন্নবা কয়া লৈবনা অমনা অমগী অরাৎ-অপা কয়া শোগৎনদুনা, মেনথৎনদুনা হিংনরি। ঙ্ডুগা মাগী অনুভবকি কাই-দোংফম অসি প্রকৃতিতনা ওইবনদি পেনবা মপুং ফাদে, মী মশেলনা ওইরগা হেন্না রাংই, হেন্না পেঞ্জে। থম্মোইদা ফাওরকপা রসকি শরুক অদু মানা মথল মথেল কয়া নাইনা ফোংদোকই ; হকচাংগী শাথেক কয়ানা কয়ানা, সুর, অমসুং তাল কয়াগী খোম্থোক্লা, লৈই

অমসুং মচুগী মতেংনা মসুম্না তৌবদা মশাদা ফাউরিব আনন্দগী শরুক অদু মমান্নবা তাইবং মী অতৈদা ফাউদুনা অতৈবুসু পেঙ্গলম্লিংই। অসুম্না কলা সৃষ্টিগী মপুং ফানৈ। অদুগা মশা মশাগী ওইজবা থিল্লকপদা অপুনবগী কাননবগী মন্নুংদা ফংবা কোঙ্গাই য়াউবনা সমাজ লিংই। 'ওর্গেনিজম' অমগী তোঙান-তোঙানবা পার্টশিংগুম অচেৎপা মরি লৈত্রবসু সমাজ অসি ওর্গেনিজম অমগুম্বনি। মীগী পুন্সিদা ৱাখলগী, ভাবকি অমসুং অতৈ আদর্শগী মপুং ফাবা তান্নবদা সমাজগী মন্নুংদতা ওই। মতোমতগী থাইদোকপা পুন্সি লেনবদি লাই নত্রগা শা ওইবনি। লাই ওইরবা ফাওবদা মাগী আদর্শগী মপুং ফাবা 'রিএলাইজেসন' দি মীগী সমাজগী মন্নুংদতা ওই। বুদ্ধদেবগী পুন্সিনা খুদম্নি। মী অমগী পুন্সি মপুং ফাবগী চাংদি মানা তৌরিবা থবক, লেল্লিবা পুন্সি মরেল অদু মশাগী কান্নবা ফংবগা লোয়নননা সমাজগী অপুনবা পুন্সিদা পীরকপা কান্নবগী চাংনা ওইগনি। মীওইবা সামাজিক জীবনি।

সমাজ অমগী শিবা চংবগী ৱাদি, মাগী পুন্সিগী তেনবা-শাংবগী ৱাদি—মীওইবগী পুন্সিগী অর্থ লৌবা মরো অমসুং আদর্শ অদুগা চাশিন-চুশিন্নয়া পুন্সি কদাই ফাওবা লেনবা ঙম্বা-ঙমদবগী মথক্তা নন্‌গনি। পুন্সিগী-অর্থনা তোঙান তোঙান্না লৌনরবা, পুন্সি লেন্‌বা মরেম্না অমগা অমগা থেঙ্গাইনবতা মওইদুনা অপুনবা সমাজগী পুন্সি মচোই মচোই তাহন্নবা মওংদা চৎথনরবদি সমাজ অদু মরায় চাইথগনি, জাতি অদু হিংলোই।

তাইবং-মী অসি চাউরাক্লা লৈরোন অহুমগী মন্নুংদা লৈনরি। অহানবদা,—'ঐ' অমসুং 'ঐগী' হায়বা ৱাখল্লনা ইন্দুনা পুন্সিগী

থবক পুন্নমক তৌবা মীবোং। মখে'য়গী পুন্সিগী আদর্শনা করিগীনো খঙদনা মশাগী ফিরেপফম লৈফম তানবনা ওই। তৌনিং-তৌনিংবা তৌবদা লমন থুম্মকপা কিবদনা, অমসুং আইন্না নক্রগা মতুংগী মপোক্তা পীরগদবা দণ্ড অদুতবু কিবনা মখোয়গী পুন্সিগী অথিংবা, অপনবা পীবা ওই। অদুগা অমুকস্থ ইমুং মমুং মুংশিবা, মরোক মুংশিবনস্থ মখোয়গী পুন্সিগী নোম-ইকপগী থৌইনশিনস্থ মওই। মখোয় অসি ইচম-চম্বা মীওং কৌবা য়াই।

অনীশুবদা,—রাখল খনবা, অফ ফত্ত খঙবা অমসুং খঙনা অফবা তৌনিংবা মী কাংবু অদুনি। মখোয়না মথৌ করিনো, অমসুং মথৌ অদু পাংথোকপা অসি পুন্সিগী তৌদবা য়াদবনি হায়না পুম্নমক অসি খন্না অমসুং খঙনা মপ্ত পাংথোক্লবা হোৎনদ্না মপূনশি লেপ্লি। অদুম্নদি ওইরগা পাশবিক শক্তিগা আধাত্মিক শক্তিগা অনীগী কম্না লাম্হেংনবা অদু মখোয়গী হৃদ ক্ষেত্রদা অমনা অমুক ঙম, অমনা অমুক ঙম—অস্তম চৎথদুনা লৈবনা, হান্নগী আদমগা অনোবা-মানব কা অনী অসিগী তত্তনা লাম্হেংনফম অদু মখোয়গী পুন্সিনা ওইবনা,—মীওইবগী খমথেংনা রাংলবা আদর্শগী মীদি মখোয় অসি নত্তে। মখোয় অসি শক্তি পাম্মি; মপুনশিদা অচাউরম কাবগী প্রাশা য়াম্না কম্না লৈ। অদুগা অমরোমদস্থ অমুক থোইদোক্লা পুকচেল চাউই। মশাগী সুকয়েং য়েংদনা তাইবং মীওইবগী মঙ্গলগীদমক্তা হায়দুনা মরক মরক্তা নোম-ইকপস্থ তোইনা থোকই। মী মশামক্তদা মশাগী শুকয়েং য়েংদবা, অমরোমদস্থ অমুক মশাগী ওইজবনা মপুং ওইবা

অচোম্বা হাখল —অনী অসি পুন্না অমুক্তদা,— ওইথোক্কবা মাল্লবস্ন,—ফুদোকই। অচাউরম তাম্নবগী চাংয়েংদা ইরাই-লাইনা লুচিংবা ওইবা পাম্বদগী—মখোয় অসি উৎপা য়াম্না পাম্মি অদুবু পুন্সিগী তৎ য়োরবা মতমদা মশা মশাগী—অশেংবা মচু উৎথোক্লকই। করি করিগুম্বা মতমদা ইন্দ্রিগী মখাপোম্না থবক তৌবদুনা অপাম্বগী মৈথুনা অচুম ঙরানগী মিৎ কুপশিনখিদুনা মখোয়না থোইদোক্লা হন্থবা থাক্কি থবক ফাওবা—হালেংদনা তৌবা তোইনা থেংনৈ। মীরোইশিং অসি আত্মাগী স্বাতন্ত্র্য অদু মহাও তংবা হোৌগৎপদা ঙাইবনা অয়াম্বা মতমদা অচেৎপা নিয়মগী মখাদা পুন্সি লমজিং-ব্রবদি হুম্পুম থরো থরো ওন্থুখিদুনা য়াম্না হন্থবা থাক্কা কুমথনিঙাইস্নু ওই।

অদুমগুবদা,— মরক মরক্তা সমাজগী লৈথক্তা মীথোই মীহেনবা মী হেক হেক পোক্লকই। মখোয়গী নোম-ইকপা পুন্নমক, আইন্না নত্তে, নিয়মনা নত্তে,—জ্ঞান অমস্তুং মুংশিবনা ইনশিনবা, লমজিংবা ওই। মখোয়না সংসারগী মন্নুংদা লৈরগস্নু সংসারগীদি ওইদে। ইন্দ্রিশিংবু নিংথিনা চুক্লি পানশিন্দুনা অচুম্বা লম্বেন্দা জ্ঞানতনা হোইদুনা অচুম্বা লম্বেন্দা থোৌদুনা পুই। ইন্দ্রিনা মখোয়বু হোইদুনা পুবদি শুকঙন ঙমজন্দে। অকনবা নোংলৈ-মুংশিৎনা হুন্নকপদা মহাসমুদ্রগী ঈমাইথক্তা ঈথক-ঈরৈনা প্রলয়গী মওংদা নিক্লক্লবদা লৈখাদদি করিমক্তা তৌদবগুম মহাশান্তি ওইনা লৈবা অদুগুম্না সংসার সমুদ্রদা থোৌদোক লখা অমনা তত্তনা অকনবা ঈরৈ হোৌরক্লবস্নু থোৌদোক পুন্নমক্তা মশা য়াওনা য়াওনা পুক্লিংগী লৈখাদা

থম্মোই-ঈরাং সুকহৌ-কৌদনা মশা শান্তি অমনা লেঙদনা ঙান্দুনা লৈবা স্থিতপ্রজ্ঞ ওইবা মখোয় অসি তাইবং-মীগী লুচিংবনি, ওঝানি, গুরুনি। মখোয় অসি সংসার তিঙ্খং উমংদা মকম অমসুং মতমবু জয় তৌরবা তাঙনা শাৎপা লৈরাংনি।

তাইবং মী পুম্নমক অসি অপ কপা সংসার ঈপাক্তা হোম্থমিন্নবদা মহোস্থা অমত্তা তিন্নদে। অয়াম্বনা সামাজিক জীব অমা ওইনা সমাজদা মশাগী নিংথিবা ফিরেপকম অমা থম্লিংই। মখোয়না মপাম্বোংগী পুন্সিদা মহ কী শক্তি পুম্নমক থাদুনা হোৎনৈ। 'ঐবু লুনা তৌ, ঐবু ইকাই খুম্নৌ' - হায়বা অসিগীদমক্তি মখোয়গী হোৎনবা পুম্বগী মরুদি। মাসিবু প্রবৃত্তি মার্গদা চৎপা কৌই। মখোয়না সমাজনা য়ানরবা নীতি জ্ঞান অমসুং মখোয়গী থম্মোয়দা মরা চেত্তনা লৈবা ধর্ম্মজ্ঞানবু তোঙ্গনা তোঙ্গনা খোংগাউনবস্থ মথেংনৈ। অতোপ্পনা মাতু ফাররুবগী তাঙা রাৎলি হায়না থাজরবদি অসুম্না সামাজিক পুন্সিদা মশা মশাবু ক্রমঃবিকাশ তৌহঞ্জে। মসিনা মপাললোমদা চৎথোকপা পুন্সিনি। অসিগুম্বা পুন্সি অসিদা য়াম্না নোক্লিংবা রাফম অমদি,— অসিগুম্বা মীতাশিং অসি মশা-মশাগী মগুণ অদু চামনা পুরি, অদুগা মশা মশাগী দোষবুনা চামনা য়েন্লি ; অদুগা অতোপ্পা মীগীদনা হায়বদি মাগী 'psychological self, কি মমুং চন্দবা মীশিংগীদনা মাতুগী ওন্ন তৈনবা মীৎয়েংনা য়েংবা অসিনি। সমাজদা মশাগী ফিরেপক্ষম তাল্লকপদা মশাগী-গুণগী মতুং ইন্না চপচাবা মফম অদুদগী অহেনবা পাম্মুঁবনা হায়রিবা দোষ গুণগী বিচার মতৌ অসি থোক্লিবনি।

পুক্লিং, ৱাখল অসি মপান্দা চৎপা মথৈ চৎলুৱগা 'বুমরেং'-গুম ময়ুমদা অমুক হল্লকই। মনুংলোমদা চংশিল্লকপা হল্লকপগী লম্বি অসিবু নিবৃত্তি মার্গ কৌই। মখোয় অসিনা আত্মা প্রতিস্থাগীদমক হোৎনৈ। মখোয়না তাইবং-মী মশক খণ্ডনবা তারে। মতোমতবু তোঙাম্না খাইদোক্না খণ্ডবা ওইথোক্তবনা খণ্ডবগী ঈপাক অদু অস্থম পাকথোক্লকই; লোয়্নন-লোয়্ননা মীৎয়েং পাকথোকলক্লুনা মফম অমসুং মতমগী পংথৈ লান্দুনা ঙমথৈ নাইদবনা মাগী ধর্ম্ম ওইখি। সমাজদা অসুম্বা মীৎয়েংনা য়েংবা তান্নবা মীগী মশিং য়্যারিবমথৈ মঙ্গলগী মশক্তি অদুবু অসুম্বা মীগী মশিংদি পংয়াম য়্যামদে, থোই-দোক্না তাংই।

নীতি জ্ঞাননা পীরকপা অথিংবতনা, আইনবু অমসুং লমন-খুন্মকপগী দণ্ডতবু কিবনা পুন্সি চাংয়েং লম্বিদা মীওইবগী নোম-ইকপগী মমাই চুমথোক চুমশিন ওইবনদি সমাজ মরা চেৎপা য়্যাদে। হেন্নিংবা, ঙন্নিংবগী ৱাখল্লা নক্কৎতুনা সমাজদা কাংখোং চাইবা পুরকপা শোইদ্রবনি। অদুনা সমাজ মরা চেৎননবা মাসিদগী হেন্দোকপা পোৎচং খরা লৈহন্দবা য়্যাদে।

অনৌবা শেম্বা, অনৌবা হৌদোকপতনা হায়বদি সৃষ্টি-শক্তি-তনা সমাজগী চাউখৎপগী, হিংনবগী মরুনি। চিন্তা শক্তি, ভাবশক্তি অমসুং অনুভবশক্তি—অহুমগী অপুনবগী অনৌবা সৃষ্টিতনা সমাজদা অনৌ অনৌবা থরাই হাপ্পি, পাঙ্গল পীনৈ।

অনৌবা সৃষ্টিগী মতাং অসিদা সমাজগা সমাজ অদুগী ঐতিহ্য অমসুং সংস্কৃতিগা লৈনবা মরিগী ৱাফম চংলকই। "পুন্সি হায়বসি

তুংহন্না য়েংলগা মশক খঙগনি, অদুগা লিংবনা মাংলোমদতা চ শিনদুনা হিংগনি।"—মহাত্মা গান্ধী। চাউখৎপা অমসুং হন্থবা অনী অসিগী অমা নত্রগা অমা ওইবা অসি মী, সমাজ অমসুং জাতি খুদি গী পুন্সিদা ওইরি। লেংদবা পুন্সিনা প্রকৃতিগী জীব অতৈগীনি। সমাজ নত্রগা জাতিগী চাউখৎপদি হৌগ্রবদা উকম ওইরগা অনৌবা সৃষ্টিগা চাশিন-চুশিন্নবা মাংলোমদা চংশিল্লবদতা ওইগদবনি। হাইদোক হাইজিন য়াদনা, ক্রক ফাজিন্না চৎপা মচৎতি হন্থরকপা 'ভাইটেল' শক্তিগী উৎথোক্লকপনি; স্বাভাবিক ওইনা চাউখৎনবগী য়েন্নবনি। অদুনা জাতিগী ইতিহাস অমসুং সংস্কৃতিনা কদাই ফাউবা অনৌবা সৃষ্টিগী তত্ত্বা চেতনা পীবা ঙম্বা ঙমদবগী মথক্তা জাতিগী তুংগী পুন্সি নন্দুনা লৈ, জাতিগী সমাজগী শিবা চংবগী রাফম নল্লি।

অদুদি সংস্কৃতি হায়বা অসি করিনো? মীওইবনা মাগী রাখম্না মাগী আত্মানা ঙকোয়বদা লৈরিবা প্রকৃতিবু মাগী মশাগী পোকপদগী কো..জরকপা অমসুং কোম্না তানশিনবা মশ.-মশাগী হৈনজবা, খঙবনচিংবগী প্রভাব কয়ানা য়ৈরকপগী মহৈ ওইনা, অর্থ হন্বা মহন্ অমসুং মদুগী মতুং ইন্না চৎলকপা মচৎ অদুনা মী মী মশাগী পুন্সি মরেনসু ওঃরিবা—অদুবু ঐখোয়না সংস্কৃতি কৌবা য়াগনি। অদুনা সংস্কৃতি হায়বদি মী অমগী, সমাজ অমসুং জাতিগীসু পুন্সি মরেন অদুনি। মীওইবনা মাগী মাগী নীতিজ্ঞান, ধর্ম্মজ্ঞান, থাজবা হৈনবা অসিনচিংবগী মতুং ইন্না পুন্সি লেম্নরি; মসিনি মাগী সংস্কৃতি হায়বদি। জাতি সমাজ অমসুং মী কাংলুপ অমগী সংস্কৃতিসু

সমাজ অদুগী পুন্সি মরেন ওতুমক্তি ; সমাজ অদুনা, অপুনবা পুন্সি লেম্নবগীদমক হৌদোকপা থবক শিং অমসুং নীতিজ্ঞান, ধর্ম্মজ্ঞান অমসুং মদুগী মতুং ইন্না পারিবেষ্টনীবু উবা মউ, মীগা প্রকৃতিগগী মরি, অমসুং মীবু, প্রকৃতিবু অর্থ তৌবা মতৌ—অসিনি জাতিগী, সমাজগী সংস্কৃতিনি। কোবি মপানশাৎপীবু ঐখোয়না চিঙ্গাক ওইনতা শিঙ্জীননবনা লৈ ওইনা উবা ঙমদে। হিন্দুনা, থোইদোক্না বৈষ্ণবশিংনা তুলসী পাম্বিবু বৃন্দাদেবী, বৃন্দা মাতা তৌদুনা পূজা কৎনরি। অতোপ্পা জাতিদদি মাসি উ-পাম্বি মচা অমা নত্তনা অতৈ করিস্তু নত্তে। ঙা চাদবা কাংবুদা ঙা অসি মুংশিনফম ওইবা জীব অমনি ; মখোয়না মসিবু হাৎপা উরগা মথরাই শোকই , অদুগা অচাবা কাংবুদনা চিঙ্গাক্লিনা হাৎপদা হালেংদে। অম্নুন্না মীওইবনা প্রকৃতিবু, পরিবেষ্টনীবু অর্থ তৌনরি। মসি কাংবু অদুগী সংস্কৃতিগী মনুং চনবনি।

তাইবং মীগী ৱাখন্দা ভারতকি বিশেষ ওইবা দানদি, উপনিষদকি লোন্দা হায়রগা, 'অভয়' হায়বদি অকিবা লৈতবা হায়বা অসিনি।

ঈশ্বরবু দাবি তৌদবা বৌদ্ধ ধর্ম্ম, নিরাকার, নিগুর্ণ ব্রহ্মগী বৈদান্তিক ধর্ম্ম, ঈশ্বরদা মপুংফানা আত্মা সমর্পণ তৌবা বৈষ্ণব ধর্ম্ম, — মান্নদবা, তিন্নদবা ৱাখলগী পূম্না অকিবা লৈতনা লৈমিননবসিনি ভারতকি সংস্কৃতি। তিন্নদবা মান্নদবগী মনুংদা তিন্নবা অমত্তা ওইববু উবা, অমগী মৈগী যজ্ঞদা ময়াম্বু আহুতি পীদুনা মপান নাইদনা পাকপা থম্মোইবু হৌদোকপা—অসিনি ভারতকি সংস্কৃতি। মসিনি-ভারতকি অভয়দান। অদুনা কবিগুরুনা,—

'একের অনলে বহুরে আহুতি দিয়া
বিভেদ ভুলিল, জাগায়ে তুলিল
একটি বিরাট হিয়া ॥'

মীওইবগী রাখল্লা খনবা য়াবা করম্বা রাখনগী ক্ষেত্রদা ভারতকি রাখল্লা চংখিদবা য়াওবগে? করম্বা পুন্সিগী 'ফেক্ট'বু ভারতনা তরাম-তরান্না অকিবা নৈতনা লৌদবা য়াওবগে? আদিম-মানব জাতিগী চাউখত্তবা অপোবা রাখন্দগী পুন্সি মরেন্দগী হৌরদুনা মথং মথং ক্রমঃবিকাশ তৌরকতুনা থোইদোক্লা কুপ্লবা, 'সটল' ওইরবা রাখনগী থাক্তা কাখৎপা, মমৈদ-মমৈদা আধ্যাত্মিককি খম-থেংনা রাংবা 'আনন্দ'গী মহাও তংবা ফাওবা হাইগৎপা চিন্তা, ভাব অমসুং অনুভব কি মতোন ফাওবা কারিবা অসিনি ভারতকি ঐতিহ্য, ভারতকি সংস্কৃতি। 'দশাবতার'গী অর্থবু মাসি নত্তবা? মাসিনি ভারতকি অভয়দান।

অতোননবু তুক্কচদে, মরমদি মাসি পুন্সিগী 'ফেক্ট' অমনি; তুক্কচবগী মহুত্তা মুংশিনা লৌশিনবা; অতোনবা হায়বা অদু মাঙ-খিনবা, হন্থরিবা অদুদগী চিংখৎনবা মুংশিনা কোনশিনবা অসিনি ভারতকি সংস্কৃতি। লিননা চিক্লগা হেক্তা শিবা অদুদা কিখিদুনা লিনবু পূজা তৌবা য়াওরবসু—লিন হায়বসি মহু পানবা করিসু নৈতবা জীব অমনি—হায়বা খঙনা খঙনা,—লিনগী 'সিম্বলিক' ওইবা লাই অমা হৌদোক্তুনা মথোয়বু তোঙগানবা নত্তে, 'ইশামক্লি হায়না অকিবা নৈতনা কোনশিল্লি, লৌশিল্লি। ধর্ম্মগী রাখন্দা খ্বাইদগী রাংবা থাক খংকা কাবা য়াদবনা অনেম অরাং নাইনা মথং

মথং লৈবা থাক ওইনা লৌশিল্লি। পুন্নমক 'সিনঠেটিক' ওইনা পুশিল্লকই। মাসিনি ভারতকি অভয়দান। ভাগবদগীতানা হায়রিঃ—

যো যো যাং যাং তনুং ভক্তঃ শ্রদ্ধয়ার্চ্চিতুমিচ্ছতি।
তস্য তস্যাচলাং শ্রদ্ধাং তামেব বিদধাম্যহম্॥

'একং সদ্বিপ্রাঃ বহুধা বদন্তি' হায়বা গীতাগী অমসুং বৈদিক বচন অসি থোইদোক্লা সার্ব্বভৌমিক ওইবা হিন্দু ধর্ম্মগী অথোইবা য়াফম্নি। অসি পুন্নমক অসিনি ঐথোয়গী ভারতকী সংস্কৃতি। শম্না হায়রবদা, খাইদোকপা তোংঙানবা পুন্নমক মাঙহন্দুনা মশা মন্নুংদা সুংশিনা কোনশিন্না অকিবা লৈতনা লৌশিন্দুনা খাইদোকপগী 'অস্তিত্ব' মাঙহনবা অসিনি ভারতকী সংস্কৃতি। মাসিনি ভারতকী অভয়দান। অদুনা কবি-গুরুনা হায়রি,—

"হেথায় আর্য্য, হেথা অনার্য্য
হেথায় দ্রাবিড়, চিন—
শক হুন-দল পাঠান মোগল
এক দেহে হলো লীন

দিবে আর নিবে, মিলাবে মিলিবে
যাবেনা ফিরে॥"

ভারতকী সংস্কৃতিগী অথোইবা য়াফম অমদি মীবু অরাংবা মকম পীবা অসিনি। পুন্নমকী মথক্তা তাইবং মী ("Above all is

man.”)। ‘তৎ ত্বমসি’ হায়বা বেদান্তগী খোল্লাউনা—চহি লিশিং কয়াগী মমাংদা ভারতকি উমংদা ঋষি কয়াগী থম্মোইদা কাউবদগী লাউরম্বা খোঞ্জেল অসিনা—ভারতকি মুংসিৎকি শউম খুদিংদা তোংলদুনা ঐখোয়গী থম্মোই খুদিংদা ঙংদুনা থক থক মৈররি,—হায়রি,—‘নং মহাক্লিং’ ; নংনা নিংলবদি স্বর্গগী লাই ওইবা ঙমগনি, করিগী নরোককি ভিল ওইদুনা লৈরুনি ? “হোৎনৌ, থল্লু, হে তাইবং-মী, নঙোন্দগী হেন্না চাউবা লৈত্রবনি”—অসিনি ঋষিশিংগী খোল্লাউসে। কয়'দা অকিবা লৈতনা অস্থক চাউবা রাফমবু হায়-দোক্লম্মিবা ! অসিনি ভারতকি সংস্কৃতি। অসিনি ভারতকি ‘অভয়দান’।

“লৈঙোই মরিক অমদা বিশ্ব-সংসার উগনি,
উগনি উমংগী লৈরাং খুদিংদা স্বর্গগী অমরাপুর।
পায়জগনি অসীমবু নংগী খুবাম মচা মনুংদা
ফংজগনি অনন্তবু তেল্লবা মিকুম মনুংদা।”—

রেক।

গুরুদেব রবীন্দ্রনাথ হায়রি—

“ঈনুংবুংগী লেমলৈনা মৌনব্রত তৌজরি
ইকং-থক্কী জীবনা য়োয়া য়োয়া নিঙ্গরি,
আত্মাগী চেক্লানা নুংশিনা ঈশৈ শকচরি।
সমুদ্রগী মহা শান্তি, পৃথিবীগী নিনখোংবা

আত্মাগী ঈশৈ, মপুনি অমত্তা ঙাইবা তাইবং-
মীপোক নকাক্লি ॥”

মাসিনি ভারতকী সংস্কৃতি।

ভারতীয় সংস্কৃতিগী মরম খরা নৈনরবা মতুং অসিদা ঐখোয়গী মৈতৈ সমাজগী সংস্কৃতিগী মরমদা খজিক্কং নৈনবা মতাং চাবনি হায়না খল্লি। মৈতৈগী নীতি-জ্ঞান, থৌনা, পুন্সি মরেন, পরিবেষ্ট-নীদা য়েংবা মিৎয়েং শম্পৎনা খন্নসি।

নীতিজ্ঞান :— মৈতৈগী থোইদোক্লা ৱাংবা নীতিজ্ঞাননি। মিনম্বা ঙাংনদে ; হায়খ্রবদি, য়ানখ্রবদি মাদুনা আইননি, পুন্সিদা তৌদবা য়াত্রবা মথৌনি। শেল-থুম পুথোক পুশিন্দা দলিল চংদে, সাক্ষি থম্নদে। ঙাংনখিবা, য়ানখিবা ৱাফম্না দলিলনি সাক্ষিনি। কনাগুম্বনা মফম অমদা ঙাংদুনা নৈগেতবু হায়খ্রবদি খুদোংথিবা কয়া থোক্লবস্ত হায়নখিবা অদু ঙাক্লা চৎলি। অপংবগী খুদম নত্তে, মিনম্বা কিবগী খুদম্নি, অবাংবা নীতিজ্ঞান লৈবগী ৱাফম্নি। থবক মচা, ৱাফম মচানা পুন্সি মশক খঙনবনি। মসিনি মতম অমদা ওইরম্বা ঐখোয়গী পুন্সি মরেন। মসিনি ঐখোয়গী সংস্কৃতিগী শরুক অমা।

ব্রটিশনা পার্লিমেণ্টে মতমদা মখোয়না লল্লোনবা কাংবু ওইবনা নীতিজ্ঞান, ধর্ম্মজ্ঞান খোংগাউনদুনা ঙম্মিবা মখৈ লন-থুম তানশিন-বনা ওইরম্মি—পুন্সিগী আদর্শ অদু থাংথদুনা, শমথদুনা, ঐখোয়না চৎহল্লোবনা হৌজিক ঐখোয়না শাগী থাক্তা কুমথরবা মীবু ফাওবা

মখোয়গী লন থুম অদোমদগী থম্নতুনা সমাজদা অরাংব' মফম পীনরি। 'করপসন' না থল্লে হায়নরি। অওইবমকস্সু থল্লবনি। অদুবু তেংথা-ঈশৈন| মসি কোকপা য়ারোই। আইনগী মতিকস্সু নত্তে। মরমদি, আইন শেম্বা মীস্সু, আইন শিজিন্নবা মীস্সু, আইন অতুনা চৈথা পীগদবা মীস্সু করপসনগী মখা পোনখিবনা। আধ্যাত্মিক পূজাবু ভৌতিক পূজানা নম্মাংখ্রে, লাইবু কি.চাবনা অমরাপুরদগী তাম্থো-কখ্রে, সাঢানগী দিগ্বিজয়গী খোংচৎ থি.বিনিঙাই লৈখিদরে।

অমত্তা ওইবা পান্নে ও'য়ববু—ঐখোয়গী হান্নগী সংস্কৃতিগী মনুং-চনবা নীতিজ্ঞান শোগৎপা, অনৌবা মমল হৌদোকপা। মী অমসুং পোংকি মমল পাবদা অনৌবা আদর্শ অমগী মতুং ইন্না পানদ্রবা মথৌদি ঐখোয়গী সমাজ অসি থিংবা য়াদনা লৈখা তাগ্রগদ্রা হায়না খনবা পোকই।

থৌনা :-

মী অমা ওইনা, জাতি অমা ওইনা পৃথীবীদা থৌনা ফত্তব-শিংগী অরাংবা মফম লৈবা হৌনদে। সমাজদা নীতিজ্ঞানগী মরাই চাইথরকপা মতমদা সমাজদা চিরোন খারোন হৈবা, পাংদবশিংগী অরাংবা মফম লৈবা থেংনগনি। মাদু সমাজ অদুগী শিথরকপগী খুদন্নি। থৌনাগা নীতিজ্ঞানগা নরবা মরি লৈ। মৈতৈদি অনী-মক্কা মপু ওইরম্বনি। খোংকা জৈ, মুক্তা, শগোল কাংজৈগুম্বা নিপাথোকপা মশামতা শান্নবা পাম্বা মৈতৈগী থৌনাগী রাফম শাংথনিঙাই লৈতে। মৈতৈনা মী অমদা অনী চংনা—ময়ামগী রাদি থাগা থমখ্রো—কৈদৌঙৈদস্সু ফুরমদে, খৈনরমদে। মখোয়না

খুৎলাই পায়দবা মীদা খুৎলাইনা থানরমদে ; থাব্রবদি চোপ্পরম্মি, ইকাইনরম্মি, পাংদবা শিংদা চম্নরম্মি ; মাসিনি থাইনগী ঐখোয়গী সংস্কৃতিগী শরুক অমা। ইংলণ্ডগী 'নাইঠহুড'-কি আদর্শ অদু মৈতৈ খুদিংদা লৈনরম্বনি : ইংলণ্ডগীদি মী খরতনা নাইট ওইবনি, মৈতৈ-গীনা খুদিংমক্নী। হৌজিক্কী মতমদা থোনা ফবগী অৱানবা আদর্শ অমা চংশিল্লকইবা অসি ঐখোয়গী হান্নগী আদর্শ অসি হৌদোকচুনা থিংহৌবা থোক্লইদোক্লা কাল্লগনি।

অসিগুম্বা অকল-অথোগী আদর্শ লৈবনা শগোল তোংবা লাম্মী খরতা লোয়নচুনা শ্রীযুৎ নরসিংহগী মপাবুং ভদ্রসিংহনা মণিপুরদা অৱাবু খুন্দাহনখিদবনি ; চহী তরেৎ চুপ্পা 'গোরিলা' লাম্লেং থে নংথিবনি। লম খরা লৌবনা জাতি অমবু জয় তৌরে হায়নদে। তজুনা 'গোরিলা' লম্লেংনচুনা লৈবা মৈতৈবু অৱানা কবিগুম্বদা জয় তৌখিদে। জাতি অসিগী সংস্কৃতিদা থোনাগী অৱাংবা মঙম পীবতনা মাসি ওম্মমইবনি। মাসিনিদো ঐখোয়গী সংস্কৃতি।

মৈতৈ অসি সংস্কৃতিদা কয়া রা না কাববনো হায়বা অদুদি ৱাঙম অমা অনীভদগী হেক্তা ময়েক শেংনা খণ্ডনিংঙাই লৈ। হরাও-তয়াম হায়বা অসি পুন্সিগী চংদবা য়াত্রবা পোৎচং মথেল অমনি। অদুনা শান্নবদা—পুন্সিগী মরি লৈনবা প্রকৃতিগী মরু ওইবা 'এাস্‌-পেক্ট' অমগা মরি লৈননা, অমদি পুন্সিগী অচেৎপা মনুংগী অর্থগা মরি লৈননা অমদি অচুম্বা পুন্সি মরেল তাক্লা শান্নবা মশান্না হৌদোকপসিদি মৈতৈ নত্তনা পৃথিবীগী করিগুম্বা জাতিগী মরক্তা থেংনদ্রি। মাসি অচম্বা থোপকি মতিক নত্তে। মৈতৈনা শান্নরিবা

—খোং কাংজৈ, কাং, হিয়াং অসি চুম্না মুঙঙাইবা থিবগী বাত নত্তনা পুন্সিগা নরুবা মরি লৈনবা মতম, - হায়বদি নুমিৎ, থা, ঋতু, চহিগী মনুংগী অর্থগা মরি লৈননা শান্নরি ; পুন্সি কদায়বু কৌই অমসুং করম্না লেনগনি হায়বা তাক্না শান্নরি। চুম্না হরাও তয়াম থিবগী শান্নবদা অস্থপ লুনা পুন্সিগী মনুংগী অর্থ পুথোক্না শান্নবা পৃথিবীদা লৈত্রবনি। (পুন্নমক্কী অর্থ শুগাইনা ইবা লাইরিক অমা ওইগনি। অরিবা লাইরিক্কুগী লোথোকতুনা তখেল্লম্বম শ্রীবোকুলগী ‘মৈতৈ ঈনাৎ,—তা লোইনা ফংবিগনি।) অতুগা করম্না য়ুমদা শান্নবা মশান্ননা ঐখোয়গী কাং শান্নবদগী হেন্না মুঙঙাইবা ফজবা মশান্না লৈবগে ? কেরম, বিলিয়ার্ড, পিংপোং, লুড্ - ঐখোয়গী কাংগা চাংদম্নবদা মখোয় অসি অঙাংগী লাইফদিবী শান্নবা মাল্লি।

মাসিনি ঐখোয়গী সংস্কৃতি।

অরুবা রাখল চংদবা ৩মদি নিপাথোকপগী মতিং ফুদোকপা য়াদবা মশান্না মীতৈনা পামদে। চৌসার শান্ননিংদে, শাগ্রদে— লাইমনবনি খনবনা রং অমসুং কাচ্চা য়েৎননা বুদ্ধিগী অয়ৌবী উৎপা মশান্না পাম্মি, শান্নে। পৃথিবীগী করিগুম্বা জাতিনা শান্নদবা তাস-শাগৈ মৈতৈত্তগী ওইবা মশান্ননি। সত্যেন বোস অমদি আইনস্টাইনগুম্বা মী অমনা মাসি হৈখিহুনা মাসিদা চংলিবা অঙ্কগী বিচারগী, খম থেংবা রাফম অসি শন্দোকপিরবদি পৃথিবীদা ‘ব্রিজ’ মুৎখিগনি ; মৈতৈগী থোপকি গুণবু উনরমগনি। সংস্কৃতিদা জাতিগী ‘টেলেন্ট’কি রাফম য়াওবনা অরুবা রাখল খনবা পাম্বা, হৈনবা অসিমসু ঐখোয়গী সংস্কৃতিনি।

'কম্যুনিটি লাইফ'-তা মীতৈগী থোইদোক্লা নিংথিজবা মওংনি। অমগা অমগা থোইদোক্লা নুংশিননা মত্তেং পা নৈ। লৈকাই-শিংলুপ, মৈয়েক-মৈরিং অমসুং শির-নার মতমদা হৌজিক ফাওবা অমগা অমগা মত্তেং পাংননবা শীল্লিবা থৌশিন, অমসুং নিয়মগী মখাদা অমসুং স্বাভাবিক মচরিত্তনা থৌত্নুনা পাংনরিবা মত্তেং অসিনা ঐখোয়গী 'কম্যুনিটি লাইফ' কি নিংথিবা মওং ফোংদোক্লি।

মণিপুর মতম পুম্নমক্তা নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইরবসু মাসিদা সমাজবাদ চৎলম্মি। শেঙ্গাও পায়বগী ওৎ নৈবা করি-গুম্বদা লৈরমদে। ভারত সরকারনা হৌজিক্তা কন্না পায়খৎলক্লিবা পঞ্চায়তী রাজ লিংবা হায়বা অসি মণিপুরদা চহী চা কয়াগা মমাংদগী লৈরক্লবা চৎনবীনি। মাদু ঐখোয়না মুথৎক্রে। মাসি পুম্নমক ঐখোয়না মীগা মীগগী মন্নুংদা য়েংলকপা সংস্কৃতিগী মহৈনি।

অসিগী মথক্তা ঐখোয়গী কলা মখল মখল অমসুং ঐখোয়গী সমাজদা নুপীগী মফম হায়বদি নুপীবু য়েংবা মিৎয়েংনচি বা ঐখোয়গী সংস্কৃতি পুম্নমক শুগাইনা ইবা তারবদি অচৌবা লাইরিক অমা ওইগনি। ঐখোয়গী ফিজেৎ চাকচা, ঐখোয়গী কলা অমসুং ঐখোয়গী নুপীশিংবু ওক্তবী ঙাক্তনি হায়না চহী কয়াগী মমাংদা চৈ-থাংদুনা 'ভারতবর্ষ' দা ফোংথিবা অদু জাউণ্ডিস লাইনানা নারবা মীগী মমিত্তা পোৎ পুম্নমক নাপু ওইনতা উবগুম্বনি। মানা ফনা চৈদুনসু মৈতৈগী কলা, মীতৈগী লু হেনবা পৃথিবীনা খংনরি, থাগৎ-নরি। মাসিগী মরমদা মখা তানিংঙাই—লৈতে। অদুদা ঐখোয়গী নুপীবু—

"সধবী, বিধবা নাস্তি,
নাস্তি সতী পতিব্রতা ॥"

হায়না পুল্লপ্না ওক্তবীশিংদা চন্না চৈবা অসি অৱাবনি। মাস্তুন্না মমাংদৈদা মিস মেয়োনা 'মাডর ইণ্ডিয়া' কোঙড়ুনা ভারতবাসীশিংবু, থোইদোক্না ভারতকি নুপীশিংবু ওক্তবী ঙাক্তনি হায়না চৈবদা, গান্ধীজীনা "She is a drain inspectress" হায়না পাউখুম পীখি। অদুগী মতুংদা লালা লাজপাৎনা 'Father India' কোংড়ুনা পাউখুম পীখি।

মহাভারততা মহাদেবনা উমাগী মফমদা আদর্শ ওইবী নুপীগী বর্ণনা পীয়ু হায়বদা উমানা পীখিবা বর্ণনা অদুদগী মীতৈ নুপীনা ভাবদি লাইরবুনা হেন্দুম হেল্লি। মীতৈ নুপীনা ইমুং মনুংদগী মক মনেম, মচা-মৱা পীজরবা মতুংদা মশানা কোম্না চাজৈ। মপুরোইবনা চাদ্রিবৈগী মমাংদা চাক চানদে। খ্বাইদগী থেংনা তুম্লগা, খ্বাইদগী হান্না হোগৎতুনা মপুরোইবগী, অকল লমনগী সেবা তমসুং লূ হৈনবগী থবক পায়খৎলি। মপুরোইবগী মাংথানা পুন্সি মতোল -লোমজগে লাইনিংজৈ। মপুরোইবা য়াওদবা অমরাপুর মীতৈ নুপীনা পামজদে। নুপীবু ইন্দ্রিসেবাগী শাম্নপোৎ ওইনা করিগুম্বদা য়েংদে। সমাজদা নুপীগী অৱাংবা মফম লৈ। চাউখৎলে হায়না চাউথোকচরিবা নোংচুপ লোমদা, সমাজদা মীতৈ নুপীগী লৈরিবা অৱাংবা মফম লৈরম্মবা অমসুং নুপীবু পোৎ ওইনা লৌনরমদ্রবদি 'Femal emancipation' গী মক হুনখি হায়রিবা Ibsen গী 'Doll's House' লেংলম্লোই। মাসি পুম্নমক অসিনি ঐখোয়গী সংস্কৃতি।

কবিতা

Poetry is memorable speech— কুইনা নিংশিংবা ৱা-হায়বু কবিতা কৌই—অসুম্না কনাগুম্বনা হায়। কাউবা য়াদবা ৱাহায় পুম্নমক কবিতা নত্রবস্থু, অচৌবা মতুমক য়োত্রবস্থু অকবা কবিতাদি শোয়দনা নিংশিংবদা সুংঙাইবা, নিংশিংদবা ঙমদবা লোন ওইগদবনি। নিংশিংবদা, মীওইবনা লোনগী লৈরোং নোম্ন (pattern) কয়ামরুম পুথোকই। ছন্দ, তাল, অনুপ্রাস (alliteration) অমসুং মিত্রাক্ষর (rhyme) অসিনচিংবগী পাম্বৈনা থায়নগী লাই-গুরুশিংনা মখোয়গী সংসারিক জ্ঞানবু লায়না নিংশিংবা লৈরোংদা পুথোক্লুনা পাউরৌ শেম্লম্মী 'থৌবান্দোংগী চফুবু কায়ননবা য়ৈবরা?' অদুগা অমুক, 'চেঙ পুর চেঙ শিং' 'ফৌ পুর ফৌ'। পাউরৌ শেম্বা অশিংবা মুপা অসে মাগী লৌশিং অদুদা মুঙাইবনা ঈথক খরা হোরে; অদুনা মানা চুম্নগী খুৎলোয়বা লৈরোং অমা পীবত্তা নত্তনা পূক্লিংদা শংশং উবা মশক (image) অমসু পীরে। মসিনি কল্পনাগী খুৎলোয়বা মওঙ অমদা লাকশীন্দুনা ফোঙবগী মপাঙ্গল য়াম্না কল্লবা অমসুং মচীন হেন্না থৌরবা। মথক্কী মত অসিগী মতুং ইল্লবদি, পাউরৌ, অমসুং পাউরৌগুম্না শৈরেং অমদি ছন্দ নাইবা ৱারেংদা ইথোক্লুনা তগুপ-তরেংহল্লবা অভিজ্ঞতা (experience)— অসি পুম্নমক অসিস্থু কবিতানি; মখোয় অসি ঙাক্তনি, নত্রগা মখোয় অসিনা মরু ওইবনি, হায়বা নত্তে; মখোয় অসিস্থু কবিতানি হায়বনি।

Poetry is wit, অসুম্না কবিতা হায়বসিদি অনৌবা রাখল, অরিবা রাখলশিংগী অনৌবা মরী, অমসুং অরিবা রাখলগী অনৌবা মওঙ — শম্ন ফায়রবদা, "রাখলগী" [Reason] নিংশিংবদা সুঙাইবা 'রাফোঙ" [expression] অদুনি হায়না Classicism না হায়। রাখলনা মচাক ওইরবদা, মদুনা কবিতা ওইরকবা পাম্লেদি, রাগী মফোঙদা লৈরে ; অদুনা কবিতাগী অরেম্বা লোন, ছন্দ, য়তি, মিত্রাক্ষর, অনুপ্রাস অসিনচিংবা রাফোঙগী লৈরোং, অমদি অনুপাত, ঐক্য অমসুং ফিরেপ চুম্বা অসিনচিংবা রাফোঙগী শাবান,-- হায়বদি কবিতাগী মচাক নত্তবা, 'মওঙ"—অদুনা কবিতাগী মরূ [স্বরূপ] ওইররে। রাখম্না থৌজৈনশিন ওইবা মতমদা কবিতাদা মওঙগী যুগ [the Age of Form] লাকই। মতম অসিদা কা হেনবা থাদোক্তুনা ময়াম ওইবা লম্বী, অমসুং খাইদগী ওইবা ফাইদা [normalcy], অসি পাম্লে ; পুন্সি অমসুং জগৎকা থেংনদুনা কংবা লৌশিংগী কবিতা [Poetry of experience] ইনৈ। মওঙবু শাসন তৌরিবা নীতিশিং অদুনা পুন্সিগীসু মিৎয়েং ফিরেপ ওইখিদুনা রাখনগী কবিতানা য়াম্না ফোংনা পুন্সিগী সমালোচনা [criticism of life] তৌই। 'শাবান ফিরেপ চুম্ব, চীংলেম্বা, অকরবা নিয়ম নাইবা' শেংদোক্লবা [of refined taste], অমসুং পাঙ্গল লৈনা মেঙবা পুন্সি অমসুং কবিতানা Classicism গী আদর্শনি। মত অসিগী মিৎয়েংদা, লগাম হাপ্তবা কল্পনাগী মেলাদো, ফজবদি য়াই, স্বাস্থ্যগী খুদমদি নত্তে।

ছন্দ অমসুং মাত্রাগী "কান্নবসু" লৈবা য়াই, অদুবু মখোই

থাঙ্গৈশেংবা হৌরককমদি মীওইবগী শান্ননিংবা মহৌশানি। তাইবং-পানবগী লেঙডিপাল্লিবা পুম্নমক অসি অাঃ মসুংদা জগোইগী ঈয়াং অমদা তাউদুনা লৈ। য়াম্না য়াবা, নুঙাইবা, নত্রগা নুংশিবগী, মীওয়ওনবা থাক অমদা, অয়াংবা খুবম অমা য়ৌখিদুনা, মীওইবনা মশাবু কাউরবা মতমদা, মহাক্না য়াখল অমসুং পুক্লিংগী অয়াঙবা নুঙোনবা পুম্নমক, অফা অপুন নাম্বোক্ত্না তাল ছন্দ নাইনা চোং-দুনা তাইবংগী জগোইদা ভিনখি। তাইবং "হয়াওবা" অসিদা য়াও-খিবদগী কলাগী নুঙাইবা রস লাকই। Emotional impulse is at the basis of all poetic creation—নুঙোনবা অমদি খোয়য়াঙবনা ভনিক ভনিকপা পুক্লিংদগী কবিতা থোকই। পাউয়ৌ য়াওবা, নুঙাইবনা পুক্লিং ভথকপা য়াওবদগী, ছন্দ অমসুং পুক্লিং মূর্ত্তীদা (image) ফোঙলিবনি।

অঙাং ওইরিবৈদগী হৌনা ঐখোয়না অয়ুক নুংদাং থোকই-ওইরিবা গছগী তাইবং অসিদগী নাম্বোক্ত্না অনৌ অনৌবা মাল'দা কোইপাই পাইদুনা, সুর ছন্দ, লয় অমসুং ফজবতনা শেম্বা মঙলানগী চুমথাং লৈবাক কয়া শানিংঙি। নাওশুম ঈশৈদদি শংবান্নবা অত্যাদা থোক্লিবা ফজবা থাজবু উয়গা মহাক্না য়া ঙাঙনবা য়াইঃ—

থা থা থাবুংতোন!
নচা মোরানবী পোবীগে
... .অসিনচিংবা।

কল্পনাগী মঙলৈবাক্তদি অহনগী লৌশিংবু [experience] ল থোক্লগা, অঙাংগী innocence and inexperience বু য়ায়েলহনবা য়াইঃ—

সোয়ারেনগী লৈবাক্তা
হুম্নিগীদি নোংরানা
রায়েল্লি হায় দে।

অঙাংগী কল্পনানা ইতত্তত্তনা নিংথৌমচা মন্ত্রিমচা ওইদুনা, অংকপা অনৌবা লৈবাক্তা, খঙদবা রাজকুমারীবু থিবা চৎলি অমস্তুং লম্বীদা ভু-চুংবা, ঈচেন লেপ্পা থৌদোক কয়া থেংনৈ ; নিংথৌ মচানা ৎনবা শজি কয়া, ফজত্রবা লৈশাবীনা ওনবা তেনরা কয়া, শঙ্গোম চুহিগী পুখ্রি কয়া কয়া থেংনৈ ; চাউত্রবা দলানগী অহাঙবা কা কয়া শৌবীং শৌবীং লাউনা মথং মথং কনা লোয়নদনা চঙখিদুনা ইকোন কোনবদা মোইথাপ নাইবা হনুবী অমা থেংনবদা খঙদবা অকিবা অমনা থম্মোয় অসি কুপশিনখি ; অদুগা হিংচাবনা হল্লকুবদা,

হঃম—মীছা চানীংঙী,
মীনু নম্মি,
.... অসিনচিংবা

লোৎলিবা নিংথৌ মচাদি কয়াদা কিন্নিবা ! মতাং অস্বায়দা গদ্য য়ারক্তরে, ছন্দ য়াওরক্রে। অঙাংগী মথাই-মমী ফাওবা অকিবা, সুংশিবা অমস্তুং সুংশা থীবগী চাং হেনখিবনা তান নাইনা থেক্লা খোইনা চোংখ্রে।

কল্পনাগী অভিযানশিং অসি অয়ুক-সুমিদাং তাইবংগী কান্নবা কান্নদবগী বিচারদা মমল খোইনা লৈতবা য়াই। তৌইগুস্বসুং মঙলৈবাকশিং অসিনা অঙাংশিংগীদি ময়ুমনি। "অওইবনি" হায়-রিবা তাইবং অসি মখোয়গীদমক্তি অরাপ্পা থেংনদ্রিবা পোৎ

মনি ; লৌশিংগী কবিদি পুন্সিগী সমালোচনা তৌদবা ইওম ওমদে। অদুমকপু মহাক্না কবি ওইগে হায়রবদি অঙাংগুম্না মহাক্কীসু মঙলৈবাক্তা ময়ুম ওইগদবনি ; অমসুং “অওইবা” তাইবংবু কল্পনাগী ময়েন্দা অর্থ হন্দোক্তুনা খণ্ডনবা লাক্লগদবনি। মওঙ অমসুং মচু, সুর অমসুং ছন্দ, অমদি শাবান, ফিরেপ অমসুং অনুপাতকী ওমথৈ নাইদবা, ওইথোকপগী ঈপাক্তা লৈদুনা কবিনা অখূবা, চৎনবী অমসুং অরিবা হৈনবীনা খুদুম চনবা, কান্নবতগী বিচারনা মওঙ মমিং অমসুং অনুপাত লেপ্লা, “অওইবা” পোৎকী তাইবং অসি খণ্ডনবনা হোৎনৈ। অদুনা চৎনবী অমসুং হৈনবীগা “শোয়দবীসিং” অসিনা মতাক্কী পূক্নিং খোয়দাদদুনা, মহৌশা অমসুং পুন্সিগী থৌদোক খুদিংমক, ওইবা য়াবা মরক্কগী ‘অসিরা ? অদুরা ? অদুগা মান্নবরা ?” অসুম হায়না কবিনা মতম চুপ্পা ওক্না য়েংই। চৎনবী অমসুং “শোয়দবীগী” হান্না “খণ্ডনরবা” পোৎ অমসুং থৌদোকশিং অদু কবিনা অনৌবা, অঙকপা, অরাপ্পা অমসুং খণ্ডনদ্রিবগী পাম্বৈনা খণ্ডননবা অমসুং খণ্ডকন্নবা হোৎনৈ ; অমসুং ঐখোয়না কবিগী ভাব অদু হেক লাম্বা ফংবগা, ‘কয়াদা চুমগ্রবা। কয়াদা মসুং হুঞ্জিন্না খণ্ডপ্রবা।” অসুম্না, হায়ওমদনা মুঙাই। বিজ্ঞাননা “হঞ্জিনবগী’ নিতিনা পোৎ খুদিংমক ব্যাখ্যা তৌনবা কে ৎনৈ ; থৌদোক নোম্ন। অমা তোয়না হঞ্জিল্লে হান্নবনা কবিদি মদু ভাব তারবনি হায়না লৌবা ওমদে ; মহাক্কীদি অরোইবা নাইদবা অঙকপনি। চৎনবী অমসুং হৈনবীনা মীওইবগী মিৎনা অমসুং পূক্নিংবু পঙথহন্দ্রিদৈ অমদি মীনা পৃথিবীদা অহানবা লাকপদা

তাইবং পুন্নমকপু ঙক্না য়েংলিঙৈগী মীৎয়েং ; অদুগা হৌজিকসু অঙাং ত.মসুং থোদোক্না মমিৎ মনা অমসুং পুক্নিং থৌবা মীশিং-দদি লৈ:হৌরিবা মীৎয়েং ; হায়বদি তে পানবগা নৌনা থেংনবদা ঙকপা অমসুং খৌরাংবগী তথক ৷ মীৎয়েং অদো, অমুক নেহৌন৷ য়াকাইবনা (Renascence of wonder) রোমান্টিক কবিতাগী [Romanticism] মরুওঃবা মরম অমনি ৷ মতৌ অসুম্না কাল্পনিক সহানুভূতিগী (imaginative sympathy) পাশ্বৈনা রোমান্টিক কবিতানা পোৎ থুদিংমক্কী মথ্নাই রহস্য অদু য়ৌনা চঙনবা হোৎনৈ৷ (Poetry is the rhythmic expression of imagination at white heat—) কবিতাদি মৈ হৌরবা কল্পনাগী তান নাইবা খোন্থোক্নি ৷

অদুগা অমরোমদা, অচৌবা কবিতাদি কৈদৌঙৈদসু কবিগী মমিত্তা উবা, কল্পনাগী ওইবা য়ানা লম্বী ময়ামগী মরক্তগী অমতং থনগৎপা ওইনা থক ভৌদে৷ য়াম্না কুইনা কাল্লবগী মতুংদা, তাক্লিং নোংয়াইদা, মমিঙাংবা কবি মিল্টননা ঈশিং ঈচাওগুম্না চেন্থরকপা কবিতাগী ঈচেল ইশিনহৌনবা কলম পায়রু হায়দুনা মচানুপী হৌদোকই ৷ জম্মন কবি গেটেনা হায়, মহাক্না ভাব কয়া তাক্লৌদনা চুম্না চৎপা মীগুম্না 'ভাঠ'র' ইখিবনি ৷ ম্যুজিক লেংবা বীটোবেনসু অদুমঙাই ; উচেক্কী খোন্থোক অহুমথক তাবদগী থঙহৌদনা মঙোন্দা শৈহেক কাইদা অমা ফোং লাউনা ফাউরকই ৷ স্বরশিল্পি মোসর্টনা হায় মহাক্না পোথাদুনকা লৈরিঙৈদা মাগী রাথলশিং অদু য়াম্না য়াঙনা অমসুং হোংনা চেনশিল্লকই ; কদাইদগী

লাকপনো করম্না লাকপনো, মহাক খঙদে ; মহাক্না লাকহনগে হায়নবস্থ ঙমদে। কবিদি ইদবা ইয়া য়াদত্বুনা ইবনি, ইনিংঙি হায়ত্বুনা ইবা নত্তে। ষ্টিভেন্সনদি মানা ইগদত্বু মঙ ওইনা মঙিঙ ; ব্লেকতি মানা ইগদবা করিগুম্বা অমনা মঙোন্দা অস্থুম তাকপীরকই হায়না থাজে। ৱার্ডসৱার্টস্থ অস্থুম্না—

> "খনবরা নহাক, মপৈসিদা পাকত্রবা,
> পোৎ শিংগী, তত্তনা মপাউ তম্লিবা,
> লাক্লোই করিমত্তা মথত্তনা
> লৈরগনি ঐখোয় থিত্বুনতা ?"

শেলীনা হায় : কবিতাদি রাখনগুম্বা নত্তে, পুক্লিংনা নিংবগী মখা পোন্দে ; মী অমনা 'ঐ কবিতা ইরগে' হায়বা য়াদে ; মরমদি কবিতা শেম্লিঙৈগী পুক্লিংদি মুখরি বা কয়লাগুম্বনি, মত্বু ওসিনি তায়ফম খঙদবা শক্তি অমনা চাং নাইদবা নুংশিৎনুম্না খংঙান খংঙান ঙানহল্লি। থাঙ্গেশে বা কবিতাদি কবিনা কম্না হোৎনত্বুনা থোকপা ওইনা তৌদে ; করিগুম্বা পুক্লিংগী মখা পোন্দবা, মবন্নাইগী নিয়ম অমস্থুং সত্য লৈত্রবা শক্তি মখল অমনা কবিগী পুক্লিংবু শীঞ্জিন্নখিবা অমস্থুং কবিগী পুক্লিং মাত্বুদা আত্মসমর্পণ তৌত্বুনা লৈবা ফীবম ওইনা তৌই, অমস্থুং শক্তি অসি কবিনা কৌনিংবা মতমদা কৌথবা য়াদে,—হায়বা অসি অচৌবা কবিশিংগী তমত্তা ওইবা পাউনি। কল্পনানা, অরিবনি হায়বতগী লৈরবা চৎনবী, মথরায় য়াওত্রবা হৈনবী, অমস্থুং খঙদনা চিংনত্রবা "শোয়ত্রবী" ময়াম অসি থুগাইত্বুনা "এওত্তবনি" হায়রিবা ভাইবং অসিগী

মাসিনা অরোইবা-অচুম্বনি হায়না নীংঙাইদবা অদু থুগায়রবস্ল ; কল্পনা মতোমতমক থাদোক্লবদি "অওইবী" তাইবংদগী নাস্তমক নাম্থোকই, অমসুং ফতমক ফজবা শান্নবগী চুমথাং লৈবাক অমা শেল্লগা তোকই। চৌইগুম্বসুং পুন্সিগী অচৌবা মিকুপ্তা, কবিশিংগী থাঙ্গেশেংবা-ফজবা শেম্বগী পুঙ্গোয়দা, লাই তোংবা নত্রগা মঙাল ফংবা হায়বা মতৌ অমা লাকই। মতম অদুদা কল্পনা অসিবু চুপ্পী পায়্‌না, অঙকপা, মপান্নাইত্রবা শক্তি অমনা কোইথৌ থৌদুনা পুবগুম তৌই ; কবিদি লাই তোংলবা কল্পনানা শান্নিবা জগোইগী সাক্ষীতনি। Poetry is divine frenzy in verse— কবিতাদি লাই তোংদুনা ঙাওরবা শৈরেংনি। ·

লাই তোংদুনা ভাবকী ঈহৌরকপদু কবিনা মাগী মপূং ফারবা শিল্প-কৌশলনা (থবক্কী মহৈনা) খুদুম চন্দুনা মপুম ওইবা কলাগী খুৎশেম অমা পুথোকই। লাই তোংবগী মঙান লাক্লনবা শেমশাবা, অমদি ফংলবা মঙান ভদুদা ৱাহৈগী শকওই পীনবা শিল্প-কৌশল, শীজিন্নবা মতমদা কবিনা অহনবা লৈতনা নোম্বগী মতাংনি। লাই শাবনা শেনী পায়দুনা মুংগী মূর্ত্তিবু মচেৎ-মচেৎ মওং তানবা শেম্বগুম, কবিসু মহাক্কী মহৈ অমসুং অয়োইবা নাইদবা চেক-শিনবা শীজিন্নদুনা মাগী খুৎশেম অদু মথন্নায় হাপ্পবা হোৎনৈ। কলাগী খুৎশেম ওইবনা কবিতাদসু, মসিনা শৈরেংগী অর্থ লৈবা মওং (significant form) অমা ওইনা বিকাশ তৌরকপদা, কবিনা মনিং পংতৌ তৌবা য়াদে। কবিতাগী ৱাহৈ খোম্থোক খুদিংমক্তা, মপুম ওইবা খুৎশেম অদুগী অপুনবা ঈরাং অমসুং

শক্তম্না থরাই হাপ্নবা ঈনশিল্লকপদু উগদবনি। অচৌবা কবিতাদা ঐখোয়না পুক্লিং লুপশিল্লিবা অদুপকী মতিক কবিতা অদুগী করিগুম্বা মচিময়া অমতদসু লম হেনবা (arbitraness) লৈত্রে, অদুগা খুৎশেম অদুগী কায়াৎ খুদিংমক অসি নহেনা-অতোপ্পা অমা ওইবা-য়াদ্রে হায়বা যোগ্যতাগী অনুশাসন্না পুল্লে, অমসুং কবিতা অদুগী বিকাশতা লমলানবা প্রভাব য়াওদনা লৈনা পাম্বীদগী শাস্তোকরকপগুম মথক্তগী নিয়মনা শাস্তোকরক্লে,—অসুম্না পুক্নিংদা হাওদুনা মপান্নাইদবা নুংঙাইবা অমসুং নীংতম্বগী রস ফংই। মতম অসিদা কবি অদো মরম্নাইগী রা হায়দবগুম তৌরে, হায়দ্রে ; করিগুম্বা অলৌকিক ওইবা, হায়বদি কলা-খুৎশেম অদুগী ওইবা দেশ কাল পাত্রগী আধারদা কুমথরক্তুনা ফোংলবগু আধার অদুগী গুমখৈ মসুংদা ফাজিন্দুনা লৈতবা অমসুং মাদুবু অরেপ্পা অর্থ অমদি শিদবা খুদম পীবা, করিগুম্বা "নিংথৌলৈবাক" (some higher order) অমগী নিয়ম ইনশ্রে অমসুং রা হায়রে। যোগ্যতাগী রীতিদি মহৌশাগী নিয়ম নত্তে ; অমসুং কবিনা ফজবা শেম্বদা মহৌশাগী মতৌ তমদে ; যোগ্যতাগী মীৎয়েংদা মহৌশাগী অর্থ হল্লি। রাজ-পুত্তশিংগী চিত্রদি চবাক চবাকই, মরাক ময়ুংতা মঙায় ; ভদ্রগী লাইদি মীৎয়েংমরেপ (depth) য়াওই। মরেপ্পা পোৎপু মতুম তাহনবা অহুমশুবা dimension নি। পুন্সিগী করি করিগুম্বা অরাংবা পুংজাদা, করিগুম্বা খঙহৌদবা নোংদম অমদগী মীওইবগী "অহুমশুবা মিৎকী" পাঙ্গল থোইদোক্না কনখৎলক্তুনা, ডাইমেন্সন সরীনা শাবা বিজ্ঞানগী মহৌশা অসি মফম মতম নাইদনা লৈবা

চাংজো উদবা অঙকপা ফজবগী মন্নুং হুপ্তিনবা ময়েপ [inward dimension] অমনা মপূং ফাহল্লি হায়বা শেংনা উৱকই ; মতম অসিদা অশিবগী লমদম মহৌশা অসে [Nature, this Valley of Death] চুম্নগী মহৌশাতা ওইনা ঈথেন থেম্না লৈতে, মসিগী লেঙ্দবা অমস্নুং শিদবগী মনুং হুপ্তিনবা ময়েপ অমশু লৈরি হায়না, হেন্না মপুম ওইনা উৱকই। মিস্তাংবা ঙাক্তগী লৈবাক্তা মচু অমস্নুং মঙালগী ৱানা ফাগি তানবগুম, তেংপানবগী চাংজো নাইদনা অঙকপা অমস্নুং ফজবগী পাউবু ফতমক ফজবা মীনম্বনি নীংবা মীশিংদা ইংগ্রাজী কবি কীট্সনা হায় :—Beauty is truth and truth Beauty,—ফজবগা সত্যগা অমত্তনি। কবিগী 'অহুমশুবা মিৎকী' মীৎয়েংদা তাইবংপানবা পূন্নমক উবদু থাঙ্গ-শেংবা সৌন্দর্যনি, মীৎয়েং অসিতনা তাইবংপানগী হুপ্তিনবা, মপুং ফাবা, অচুম্বা, অদু উৎপা ঙম্মী অদুনা মীৎয়েং অসিদা সত্য অমস্নুং সৌন্দর্যগি শেৎনফম্রবা মিলন ওই। ৱা অসিবু কীট্সনা the truth of the poetic imagination--কবি কল্পনাগী সত্য কৌই, কল্পনা ঙাক হায়বদি চুম্ফাত্তে, অদুনা 'অহুমশুবা মীৎ' হায়রুবনি ; কবি কল্পনা হায়রবদি য়াই। ৱা অসি অমুক ইবৎসেননা হায়রি, Poetry is seeing—কবিতাদি উশিনবনি। হায়রিবা সত্য অসি পীবা মরমদগী কবিতানা পুন্সিগী সমালোচনানি হায়বা অসি হেন্না মরূ ওইবা অর্থদা চুম্লে ; মরমদি কবি কল্পনাগী সত্য মহাউ খঙলুরবা মীনা ঐখোয়গী চুম্নগী পুন্সি অসি মাহুগা চাংদম্নবা ঙমদে। মরম অসিদগী কবিশিংনা, অয়াম্বা মতমদা

মশেন মরাংক্তমক উবা, হেম্না লেঙ্‌দবা, মপুং হুজিনবা, শিদবগী লমদম, অঙকপা অমস্তুং ফজবগী 'নিংথৌলৈবাক" অদুগীদমক্তা খোইরাঙ্‌ই। কবি কবিগী সংস্কারগী মতুংইন্না 'নিংথৌলৈবাক" অসি মশক মচু তোংঙান তোংঙাম্না লাকই ; কনাগুম্বগী খোয়্‌রাঙ্‌বনা ফজবী মশুংলাংগী কনাগুম্বগীনা লেঙ্‌দবগী, কনাগুম্বগীনা হৌগ্রবগী, কনাগুম্বগীনা সত্যগী নত্রগা ঈশ্বরগী ; অদুগা ঙমুক কনা অমগীনা শিঙ্গারৈগুম ঘজংনা কুইদনা নীবা কায়নবগী, অমদি শেংন খায়নবগী লাঙতক্লবা অমস্তুং থম্মোইগী মুংশিববু অনৌবা পোত্তা ওনবা তাবদা পুরিংগী চৈনা; অমবু ওইরবস্তু, অমবু ওইরবস্তু কবিদি করিগুম্বা দগি অমদগী বন্দা থারক্ত্রনা, মাগী ময়ুম মুংশি-লমদমদা কায়ন মৈথু লাংহৌরবী মাগী মুংশিবীগী হিরহ বেদনা খোইরাঙ্‌লবা যক্ষগুম্বনি ; অমস্তুং মহাক্না নীলগিরীদগী অরাপ্পা আলকা তাম্না তত্তনা থারিবা হীব্রবা থম্মোইগী লৈচিন পাউশিং অদুনা মহাক্কী কবিতানি। পাউশিং অসি বিরহীগী দশা মতুং ইন্না নোকপগী কপ্পগী, আশাগী, নুংশুক মুংজানবগী নত্রগা ঈওই ওইবা য়াই ; তৌইগুম্নস্তুং খঙ্‌দবা লাঙ্‌তক্লবা [unknown want] অসি য়াওদনদি কবিতা ওইদে। অদুনা কনাগুম্বনা কবিতাবু transfiguration of life heightened by the home sicknsss of the spirit for a perfect world'' অস্তুম্না হায়।

কবিতানা মীওইবগী পুন্সিবু হেম্না কুংহল্লি, হেম্না থলহল্লি অমস্তুং হেম্না অওইবা ওইহল্লি। ঐ-ঐগী অখুবা শম্বল রাংবা লান্দুনা, মী অতোপ্পগী পুক্নুংদা ভাবতা চঙ্‌দুনা মহাক্না বাবদা বামিন্নবা,

মুংঙাইবদা মুঙাইমিন্নবা ঙম্বদা ঐখোয়স্ত কবি খরদি ওইরবনি। কাল্পনিক সহানুভূতি অসি ফংবা য়াওদনা দেশবা ঐগী অমতা ওইরে হায়বা অনুভূতি অসি ফংবা ঙমদে : সমাজগী অফবা সভ্য অমা ওইবা য়াদে। মাসিগী পান্নম্না, ত ম্নাগী চৈশে তাদুনা নত্রগা থম্মোইগী ফজবা উত্তনা মাখোয়গী খঙবা ঙমদবা অঙকপগী ঈরাংদা, মহৌশাগা ঐগা ভংহৌ তাম্বা অমা দ তিংখিবা ঙম্মী। ঐ ঐবু অহানবা মীওইবগী মীৎয়েংদা অদুগা মীওইবনু প্রকৃতিগী পটভূমিদা উবা ঙম্বা, অমদি মী অমসুং মহৌশাবু, ঐখোয়না মশেন মরাং উবা, অচৌবা লীলা নত্রগা বিশ্বউদ্দেশ্য অমগী মচং চনবা ওইনা থম্মোইদা ফাওবা ঙম্বা অসি অহানবা কবি কয়াগী খুদোলনি। অপুনবা মীৎয়েং অসিনু ওয়ার্ডস্বর্থনা বোম টেনিসনগী ফুরিং-ফিরেপ্পি হায়, শালগ অচৌবা কবিতা পুন্নমকাসনি। কল্পনাগী সোইনাবা মওংসু লৈ; তৌইঙুমসু কবিনা চাউরবা, কবিতানা রাংলবা মতমদা, কবিনা মী অতৈদগী হেন্না তশেংনা উই : কবিতানা ফনা মমল য়াম্নবসু, ফনা থরায়না পাম্বা ওইদুনসু কবিতাদগী হেন্না রাংবদা লৈরি, ধর্ম, প্রেম অমসুং মীওইবগী শৃঙ্খলতা সোফোক্লিসনা হায় : ফত্তবা প্রবৃত্তিনা থৎবা মীওইবদা করিগুম্বা অমত্তা কবিতা-মক ওইরগদবা মমল লৈতে; মাদুনা য়াম্না পাকপা অমসুং মনুং হুঞ্জিনবা মীৎয়েংদা "অফবা" কৌবা য়াদ্রবা : অদুদি—মহৌশা অমসুং নিয়তিগা ফাওবা মীচং ওইদুনা লকপগুম কৌবা য়েক্লবশিংগা থেংনবা, মিনুংশি অমসুং সহানুভূতিগা থৌরিনা অমত্তা ওইনা পুন্দুনা মীওইববু মপাঙ্গল কনখৎহন্দ্রবা; দিলটন্না খল্লি;

থম্ম´ কৌবা মীওইবগী থম্মোইগী অৱাংবা গুণ অদুম্না, মানা ৱাংনা থমজরবা কবিতা অদুমক্তগী ৱাংবা হেল্লি, মীওইবগী লোন পূম্নমক্কী ছন্দ পূম্নমক্তগী মগুণ চাউবা হেল্লি। অদুগা অমুক সেক্সপিয়ার অমসুং শেলীদদি প্রেম হায়বা মীওইবগী থম্মোইগী অকনবা মৈরী অসিনা মীওইবগী কলা খুৎশেম পূম্নমক্তগী হেন্না ফজে অমসুং সুংশি। কলানা অৱোইবা নত্তে, কলানা শেংলবদি কলাগী ৱাংমা লাম্না থম্ম´ অমসুং প্রেমগী লমদম য়োই। Art for art's sake হায়বা কলাকৈককল্যবাদকী মতম অসি থ্বাইদগী চাউবা কবিশিংগী খুৎশেমগী থৌইনশিন নত্তে। পুন্সিবু অমসুং মীওইবগী "মীওইবু" মচেৎ মচেৎ খায়দোকপা য়াদে। অচৌবা কবিতাগী মপাউদি সত্যম্ শিবম্ সুন্দৰম্ পোলোই অহুমগী অমত্তা ওইবা শকওইনি।

অদুদি কবিতা করিনো?

ছন্দ, মখোল অমসুং মচুতগী কুরাক মশা শেল্লিবা pure poetry অদুসু কবিতানি; মরমদি মাদো মীওইবগী কল্পনানা লাংদোন অমদগী লাংদোন অমদা, ৱাত্তোন অমদগী ৱাত্তোন অমদা, মশা খীংননবা পাইবা তমথৎলকপনি। পুন্সিগী কাচিন-কোয়া থিজুনা থেংন থেংনরুবা হীরম থৌথোক মচেৎ মচেৎকী ৱাতমক ইবা Poetry of pure experiences অদুসু কাম্নে; মাদুনা কল্পনাবু "অওইবীগা" নরুহল্লি; অচৌবা কবিতানা "অওইবা" পুন্সিবু অপাকপা Perspective হায়বদি মীৎয়েং লমদোন নত্রগা মীৎয়েং মরেপ্তগী অর্থ হল্লি হায়বতনি, হোৎবদি "অওইবীদগী হোৎবনি। ৱাখল অমসুং মওংগী কবিতাসু কাম্নে; মরমদি লাই-

তোংলবা কল্পনাবু শিল্প-কৌশলনা মওং তানবা লাকশিনগদবনি, অমসুং অচোবা থুৎশেম পুন্নমক্তা রাখলগী শাসন য়াওই। শন্না হায়রবদা মী লাইপোক অমা অনিদং থোরন্নবা হোৎনবদা, চান্নিংঙা হালেংদবা প্রকৃতিনা মীচম করোর কয়া শেম্বা তাই ; মহৌশাগী নিয়ম মতুংইন্না, অচোবা কবিতাগী ভামি থেম্বা ওইনা হন্নবা কবিতাগী জগৎ অমা শেম্বা তাই। বুদ্ধ, যীশু, গান্ধীবু ঐখোয়না থাঙ্গৎশংবা মী কৌই ; মখোয় নত্তবা মীচম কয়াবুসু মী কৌই। কবিতাগী সংজ্ঞা পীবদা অচম্বা মন্নাম অসি হুন্দোকপা তারবদি ঐখোয় অয়াম্বসু মী ওইবা তোকপা তারে। কবিতা পুন্নমক য়ামদ্রবদা memorable speech হায়রবদি কুইনা নীংশিংবা রা-হায়নি। মসিদা কবিতা নত্তবসু রাওরেদি হায়রবু কবিতা পুন্নমক্তি সুনা খোল্লে। মসিনা থরাইদগী গনতান্ত্রিক ওইরে।

হরাইবম রণবীর সিংহ

—

মণিপুরগী নাট্য কালা

সংস্কৃত পণ্ডিতশিংনা হন্নম্না হায়—

"কাব্যেষু নাটকম শ্রেষ্ঠম্" কাবা খিবিক্তগী নাটকনা খ্বাইদগী অথোইবনি। মণিপুরী নাটাকলাবু নৈনপ্রিইঙগী মমাংদা ভারতকী নাট্যকলাবু হান্না খরদং নৈনখিবা তাবনা পণ্ডিত কয়াগী মত হান্না লৌথোকখিবা তারি।

হিন্দু শাস্ত্রনা অসুম হায়রি—ইন্দ্রদেবনা হায়জবদগী ব্রহ্মানা বেদ মরিদগী সারশিং অদু লৌখৎলগা নাট্যবেদ হায়বা অসি লেংথোকই অদুগা মাদু ভারত মুনিদা পীখি। মুনিশিংনা নাট্যবেদবু "পঞ্চমবেদ" হায়না মমিং থোরি।

"পঞ্চমবেদ" অসিসু অমুক শব্দ কয়ামা মথোৎ থোরা খায়দোকই 'নর্তন হায়বসিসু অমুক শব্দ অমা মতৌখি। তগা অমুক নর্তন' হায়বসিবুস্ত শব্দ অহুম মখায়খি—নাট্য, নৃত্য অমসুং নৃত।

The Dramatic History of the world হায়বা অদুদা অসুম্না ইরি—"In sanskrit, a dance without gesticulation and speech is called Nritya, that on the gesticulation but not speech is called 'Natga' from which Nataka or Drama takes its origin." হায়বদি শম্না হায়রবদা হাব ভাব যাওদনা হকচাংগী লেঙ ওৎপবু নৃত্য কৌরে অদুগা হাব ভাব য় ওনা লেঙ ওৎপবু। নাটক কৌখরে।

অমুক নাটক শব্দ অসি নট (নৃত্য ওৎপা) + অক (নক) ক = নাটক—প্রকৃতি প্রত্যয় তোরগা নাটক হায়বা শব্দ অসি অসুম্না থোরকখি।

জর্ম্মন পণ্ডিত ডাক্টর ওয়েবারনা হায় নাটক হায়বা অসি থাইনা মমাংঙৈদা গ্রীসতগী হৌদোকখিবনি। অদুগা অমুকসু অধ্যাপক ম্যাকডোনাল্ড সাহেবনসু—থাইনগী হিন্দুশিংগী ড্রামাগী করিগুম্বা শঙ তোঙানবা অমতা লৈজরমদে, মতম অদুদা পানবা নিংথৌশিংনা মখোইগী জগোই শঙদা অদুম উৎহল্লম্মী হায়না মত পারি।

মহামহোপাধ্যায় হরপ্রসাদ শাস্ত্রীনা ভারতকী থাইনগী নাট্য কলাগী হৌরকফমগী মরমদা নৈনবদু পারুরগদি নাটক অসি হৌদোকপা পৃথিবীগী মনুংদা ভারতনা ইহান কাল্লি। অদুগা অমুকসু রিসার্চ স্কোলার উইল্সন সাহেবনা অসুম্না ইরি—"The Nations of Europe possessed no dramatic literature before the fourteenth or fifteenth century, at which period the Hindu Drama had passed into its decline.

ডি ইণ্ডিয়ান ষ্টেজ হায়বা অদুদা অসুম্না ইরি—থাইনগী হিন্দুশিংনা নাট্য শালা অমা শাবা মতমদা শরুক থরদি দেব দেবী পূজাগীদমক্তা থাক্তনা থম্মরম্মী, মখল মখা অয়াম্বা পূজাগী মরক্তা "জর্জ্জর" অমদি "ইন্দ্রধ্বজ" বু স্থাপন তৌনবা থৌরাংনা মরু ওইবনি।

ডাক্টর সুনিতী কুমার চাট্টার্জীনা "ইণ্ডিয়ান ড্রামা" হায়বা অদুদা অমুক নৈনরি—"In India, from the earliest times in her history, at least more than 2,000 years ago the art of the drama seems to have been

well established." ভারতকী নাটক অসি য়ামত্রবদা চহি ২,০০০গী মমাংদা মপুংফানা লৈরমদে। মসিগী প্রমাণস্থ অমুক লৈরি। খৃষ্টনা পোক্কদবা চহি চামরোমগী মমাংদা লৈরম্বনি হায়নরিবা রামগর চীংগী সীতাবেঙ্গ অমস্থং খাথংবা বিহার (মমাংঙৈগী মগধদেশ) কী যোগী মায়াগী গুহাশিংদা য়েক্কনা লৈরমলিবা অদুনস্থ মতিকচাবা প্রমাণনি।

Prof. A B. Keith না অমুক য়েৎনবা খরা অসি অস্থম্না লোইশল্লি—"There is a striking analogy between Sanskrit and Greek dramas, each grew and developed in its own spirit." গ্রীক অমস্থং সংস্কৃত নাটক অনি অসিদা মান্নবা কয়া লৈরবস্থ মাগী মাগী তোঙানবা ভাবতা শত্রুম চাওখৎনরম্মী। অসিদস্থ নহুনা নেহরুজীগী "ডিসকোভরী ওফ ইণ্ডিয়া" দা গ্রীক অমস্থং সংস্কৃত ড্রামাঅনিগী খেন্নবা অমস্থ তশেংনা তাকলি।

ডাক্টর রাঘবননা হায়বা অমা লৈ। খৃষ্টনা পোক্কদবা চহি চামঙারোমগী মমাংদা ভারতকী সংস্কৃত নাটকতি মপুংফানা চাওখৎলমলে হায়বসি সংস্কৃত ব্যাকরণ লেংবা পানিনিগী খুৎই ময়ামদু নৈনরগা খংবা ঙমগনি। অদুগা ডাক্টর অসিনা অমুকস্থ হায়রি—নোংচুপলোমগী মতৌতমদুনা মঙ্গদা হেন্না লৈতেংদুনা মপুং ফাবা কলা ওইহন্নবগী মহুৎতা য়ামত্রবদা ভারতকী ওইবা ভরত মুনি অমস্থং কালিদাসকী নোমমা অসিদা নৈনবনা ভারতকী কলাকার নাট্যকার পূম্নমরা মতিকচাবা ভারতকী নাট্য কলাবু মপুং ফানা চাওখৎহনবা ঙমগনি।

মাসিনা থাইনগী হিন্দুশিংগী ওইবা নাট্য কলাগী মরমদা ইবা লাইরিক কয়াদগী ফংবনি। হৌজিক অমুক মণিপুরগী নাট্যকলা নাটক্কী মরমদা খরদং নৈনশি।

মণিপুরগী নাটককী মরমদা অথং-অহৈ কয়াগী তোঙান তোঙানবা মত কয়া মরুম লৈ। কাংবু অমনা হায়,—ঐখোইগী নাটক্কি থাইনগী লাইহরাউবা হায়বা অদুদগী হৌরবনি, লাইহরাউবদা ড্রামাগী ওইবা মওং ভগোই, চৈশে, খাংাং কয়া স্নুনা উৎলি। অমনা অমুক হায়, থাইনগী নিংথৌশিংনা করিগুম্বা শা লাল অমা জয় তৌরুরবগী মতুংদা হরাও কুম্মৈ কয়াগা লোইননা নিংথৌ অদুনা শাফম লানথম অদুদা উৎলুবা থোনা অদু লোইন্‌খম্‌ইন্‌শিংনা কোনুং মনুংগী অঙম অথৌ লৈমশিংদা উৎলি, মাদুনি নাটক। অদুগা অতোপ্পা খরনা হায়, বৈষ্ণব ধর্ম্মনা মণিপুরদা চংলক্লবা মতুংদা ধর্ম্মগী প্রভাবন অমদি বৈষ্ণব ধর্ম্মগা মরিলৈনবা নাটক কয়ানা ধর্ম্ম শন্দোক্লবগী মওংদা উৎলকপা অদুদগী মণিপুরগী নাটক হৌরে। অদুগা মরিশুবা কাংবু অমনা হায়রি—হৌজিক হৌজিক উৎলিবা নাটক্কী মওং অসিদি কাইনথংদা ইংরেজশিংনা মণিপুর জয় তৌরবগী মতুদা সাহেবশিংগী মতৌ তম্বা বাঙ্গলা লৈবাক্কী নাটকশিংগী মওং মতৌ য়েংদুনা তৌরকইবনি।

• হৌজিক হৌজিকমক উৎলিবা নাটক অসি, মওং মতৌ কয়াদা থাইনগী ভারতকী নাটকশিংদগী তোঙাল্লে হায়না পণ্ডিত কয়ানা মত পীরবনা থাঙ্গেশেংবা, বাঙ্গলা লৈবাক্তা রুশিয়াগী নাট্যকলাকার অমনা নোংচুপলোমগী মতৌ তমদুনা হৌদোকপা মওং অদুনি হায়বা

মারে। অদুনদি ভারতবর্ষগী ওইবা নাটক থাইনা মমাংঙৈদদি লৈরম্বা য়াই অদুগা নাটক হায়বা অসিমক থাইনগী আর্য্যঋষিশিংনা হৌদোক্লম্বদি য়াই অদুবু ইরৈবাকপু চাওহন-রাংহননিংবগী রাখলনা মমখিদুনা হৌজিক ওইরিবা নাটকী মওং অসি ঐখোইদগী তম-খিবনি হায়বদি খরদং হায়মনবা থোক্কনি।

মণিপুরদস্থু খুন্টনা পোক্কদবা চহি চা কয়াগী মমাংদা নাটকনি হায়বা য়াবা হরাও বুমৈ কয়া লৈরম্ববস্থু হৌজিক মতমগী নাটকী মওং অসিদি খৃষ্টাব্দ ১৯০৩ দা বেঙ্গলী পারাদা বামাচরণ মুখো-পাধ্যায় বান্ধব নাট্য শালা হায়বা অসিনা ইহান হান্না মণিপুরদা পুরকখি হায়বা অসিমা ঐখোইনা য় দবা ঙমদ্রে।

অসিগুম্বা মরম কয়া অসিনা মণিপুরদা কুনওবা শতাব্দী অসিদা উৎলিবা নাটক অসিগী মরমদা খরদং ইবা তারবদি ইহান হান্না বাঙ্গালীপারাদা লিখংখিবা মণিপুরী ফ্রেণ্ডস্ ড্রামাটিক ইউনিয়ন হায়বা অসি মশিং থাদবা য়াদ্রে। ইউনিয়ন অসি খৃষ্টাব্দ ১৯০৫ দা বাঙ্গলা নাটক অমনা মণিপুরী কলাকারশিংগা মণিপুরদা লৈবা বাঙ্গলী খরগা তিন্নদুনা লীলা উৎলকই।

মৈতৈ লোনগী ইহান হানবা নাটকতি স্কুলগী ওঝা অমনা ইবা "পাগলিনী" হায়বা সামাজিক নাটক অসি খৃষ্টাব্দ ১৯০৫ দা ইহান হান্না উৎখি, অদুদগি "বিজয় মালর্তী" হায়বা সামাজিক নাটক অমস্থু উৎলকই। অনি অসিগী মথংদা সার চূড়াচান্দ মহারাজ সনা হাক্কক্তা শ্রীগোবিন্দজীউগী মাণ্ডপতা "প্রহলাদ চরিত" নাটক, বাঙ্গলাদগী মতম অংগী স্কুল ওঝাশিংনা মৈতৈলোন্দা

হন্দোকপা ড্রামা অদু উৎলি। থংনবা চহিদা [redacted] ইবুঙোহল সিংহনা ইবা "নরসিংহ" নাটক অদু [redacted] ৺চুড়াচান্দ মহারাজ সনা থুৎমক্তা লিংবীরম্বা নাটককী চাঙশিং অদুনা ওসি সনা লৈবাক অসিদা মপান ময়া তাদুনা লৈহৌরিবা অসিনি।

মণিপুরদা নাটক অসি পুররুবগীদমক্তা মশাগী ওইজবা কয়া থাদোকতুনা হোৎনবীরম্বা, হৌজিক্কী অমদি তুংগী নাট্যকলাকার, নাটাকার পুম্নমক্কী পুজা তৌনফম ওইবা স্কুল ওঝাশিংগী লম্মন মতম কুইনা তোন্দুনা লৈরগদবনি।

সনা কোনুংদা উৎপা মতম অদুগী পৌরাণিক, ঐতিহাসিক নাটকশিংগী ফিজেৎ অদুদি সার৺চুড়াচান্দ মহারাজগী সনা নমথাং কয়া পুথোক্তুনা শেৎহনবনা য়ায়া মিৎথকপা ফজবা অমদি রারী লাইরিক্তা চানবা ওইরম্মী। অদুগা থুম্লক্তা উৎপা নাটকশিংদি, হৌজিক খন্তরুরবদি ফনা রারীনবা য়াবা মওং ওইরম্মী। নিংথৌশাবনা মুগা গৈজোম শেৎলি, ফুরিৎ অচোনবা (আস্বান) লিৎলি, আজমেরী কোয়েৎ য়েৎলি অদুগা খ্বাংদা মিলিটারী থাংশাং (করিগুম্বদা ক্রোশবেলট য়াওনা) য়াল্লি, লৈপরেংদি শিদবা য়াত্রবা অমা ওইনা নিংথৌদগী থোংঙাকপা ফাওবা শি। অসি নত্তবা হৌজিক্কী মতমদা থাইনগী হায়না রারী শানবা য়ারবা ফিজেৎ লৈতেং কয়া কয়ানি।

মতম অদুরাইদা উৎনবা নাটক অসি হৌজিক্কী মওং অসিগা য়াম্না খেন্নরম্মী। লীলা থুদিং সন্ধ্যা য়াচংবদগী হৌবনা নোংঙানকুং

ঙান্নবুং তৌবা মতম অদুয়াই ফাওবা উৎনরম্মী। মাসি মণিপুরদদা ময়েক, লীলা অশাংবা উৎপা অসি ভারতকী মফম পুম্নমক্তা চৎনরম্মী। লীলাশিং অদুনা শাংদ শংন্দ্রেগা প্রহসন হায়দুনা লীলাশিং অদুগা মরী ইলৈ লৈনদবা মারী মতেক, ফাগী কয়া হাপ্তুনা পাংহল্লম্মী। মাদু উৎননবা মীবু থৌওইনা নেরুরম্মী।

মতৌ অসুম্না উৎপা লীলা অসি লৈকাই খরদি চহি অমগী শোয়দনা উৎনরম্মী। সামাজিক নাটকশিংদি কয়া পাম্নরমদে মরমদি ফিজেৎ লৈতেং থোইনা য়াওদে। অদুগা মরম অমনা, লীলা উৎনবা হোৎনবদা মীপুম খুদিং শেল খায়নবা তারম্মী অদুনা শেল য়াম্না খায়বা খরা কম্না নোম্বা মীশিং অদুনা ফিজেৎ লৈতেং য়াম্না তৌবা অচৌবা পার্ট লৌদবা য়ারমদে। মতৌ অসুম্না চহি কুনলোম করিগুম্বা অহোংবা মওং অমতা য়াওদনা লীলা উৎনরম্মী।

অসিগী মথংদদি হায়দগী ইতোং তোংঙানবা অনৌবা মওংগী নাটক মঙৎ অমা উবা ফংনরকলে। অসিগুম্বা মখলগী লীলা পুরকপদি মণিপুরগী নাটক অসিনা মুক্তিংথাওবা কাংবা য় রয়োই-দোবা সোরোকখাইবম ৺ললিত সিংহ, কিজম ৺অঙাংহল সিংহ, চীংঙাখম ৺মযূরধ্বজ সিংহ, নোংমাইথেম শ্রীথানিল সিংহ, খোমদ্রাম শ্রীধর চন্দ্র সিংহ, থোংবম ৺গোকুলচন্দ্র সিংহ, অরাম্বম ৺দরেন্দ্র সিংহ অমসুং হিজম শ্রীইরাবত সিংহ অসিনচিংবা অসিনি। পুম্নমকী মরক্তা কাওবা য়ারোইদোবা খুৎকম থম্মীরম্বদি ৺ললিত সিংহগী "সতী খাংনাং", "অরেপ্পা মরূপ" অদুগা ৺অঙাংহল সিংহগী "গৌরাঙ্গ" "ইবেম্মা" নাটকশিং অসিনি।

খৃষ্টাব্দ ১৯৩১ মণিপুর ড্রামাটিক ইউনিয়ন, খ্বাইনা খংনরিবা হৌজিকী (এম্, ডি, ইউ,) অসি লিংখৎলকপা মতম অদুদগি মণিপুরী নাট্য কলাগী অনৌবা অধ্যায় অমা হৌরে। মণিপুরগী খ্বাইদগী হেন্না ককবা নাট্যকার কলাকার পুন্না লৈরম্বা, মনিপুরী-শিংবু নাটককী রসনা মচু শংদুনা সমাজবু অনৌবা লম্বীদা লম-য়ালহন্নকপা অসি এম্, ডি, ইউনা খ্বাইদগী ইহান হানবনি।

মতম অসিদ্রাইদা টিকেট য়োল্লুনা লীলা উৎপা অসি য়াগদ্রা হায়না খল্লরম্মী অদুবু এম্, ডি, ইউনা চাং য়েংবদগীদি চুম্নগী টিকেট লৈদুনা য়েংনবতা লন্তুনা কমকম পীবা কাওবা ওন্নরমদে। অদুদগীদি বাঙলাগী নাটক লাইরিক কয়া মৈতৈলোন্দা হন্দোক্তুনা উৎপদা মপুংফানা ভাবোক কংনরম্মী। মতম অদুদগী হৌজিক ফাওবা কাওনদ্রিবা মশিং থাবা য়াবা বাঙলাদগী মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা নাটকী লাইরিক শ্রীধনচন্দ্রসিংগী "দেবলাদেবী" "সাবিত্রী" শ্রীখানিল সিংহগী "বিল্বমঙ্গল" "কর্ণাজ্জুন" খ্বাইদগী অথোইবনি।

মঞ্চদা থান্নবা বিজুলী থাওমৈ মতম অসিদা কঙবা পেট্রোমেক্স থাওমৈদা মথুম্নচিংবা শান্দুনা মমখোক মর্মশিল অমদি অমদি মচু মখল মখল হাপ্তুনা হৌজিক মতমগী বিজুলী থাওমৈদগী থোইনা হন্থদনা লীলা উৎনরম্মী।

সিন পুম্নমক অয়ানবা মক্তা শিজন্নরম্মী, অইনবা (ক্লাইং) সিন অমা ফাওবা য়াওরমদে। এম্, ডি, ইউনা হৌরক্লবা মতম অসিদদি টিকেট য়োল্লুনা লীলা উৎলবদা ফিজেৎ লৈজোনা চিংবা পুম্নমকপু অনৌ অনৌবা পৌরাণিক অমদি ঐতিহাসিক লীলাশিংগী

চান্নবা মুম্না খন্নদুনা তুবা হৌনরে। হকচাংদা মচু থাবা (মেক-আপ) কী মরমদি অতোপ্পা লৈবাক্তগী চেনবা শিজন্নদে ; জিঙ্ক ওক্সাইড, অমদি সিন্দুরনা শেমদুনা য়াপ্পা য়ানা হোৎনরম্মী। কর্লিং, উইকনচিংবা মুপাগী শম পুন্নমক কলিকতাদগী চেন্দুনা শিজন্নে লীলা য়াওবীনবা মুপী মতিক চানা য়াম্না ফংদবনা মরক মরক্ত মুপানা মুপীসু শারম্মী।

অমুম্না মণিপুর ড্রামাটিক ইউনিয়নগী হোৎনবা মহৈ য়াল্লকপা অসিনা লমজিং ওইরদুনা মকম মকম খুদিংদা লীলাগী কাংবু কয়া লিংখৎনদুনা নাটক উৎপা হৌনরক্লে। অউৎপা ড্রামা খুদিংমক মতিক চানা ভাবোক ফংই ; য়াম্নসু মুংঙাইরম্মী। ময়াম অদুগী মরক্তা এরিয়ান থিয়েটার, চিত্রাঙ্গদা নাট্যমান্দির, ইম্ফাল থিয়েটার, কোসমোপোলিটান অমসুং নবনাট্য মন্দিরনা চিংবা অসিগী লীলা কয়াসু ওসি ফাওবা কাওনবা ঙমদ্রি। অসিগুম্বা ড্রামাগী খুৎ কয়া অসিনা মরৈবাক মজাতীগী সেবা তৌরকপা থোইদোক্পা শিংথানবগী মশকনি।

খৃষ্টাব্দ ১৯০৫ দগী ১৯৪২ ফাওবা অসিদা হৌজিক ওইরিবা নাটকী মওং অসি ওইরক্লবা নাট্যকার কলাকার পুন্নমক্পা অরা অনা থিদনা মশাগী ওইজবা কয়া থাদোক্লদুনা হোৎনখি। মতম অসিদা নাটক অসি য়াম্না নিংথিজনা চাওখৎখি।

অসিদগী পৃথিবীগী অনিশুবা লাঙ্গাও লাকলে—লানগী মৈয়িনা ড্রামাদি থমগ্রদুনা সমাজ অসি পুমতোই তোইরম্মী। অকাই অতোই শুর ছন্দগী মরক্তা পুকিং শুমহৎপা খোঙ্থাং কয়াসু থোক্তবা নত্তে ;

কল্লবা লাল্লক অত্রুদা, লালগী মৈশানা কাহৎলবা সমাজবু অরা অনা কাওহন্দুনা খৃষ্টাব্দ ১৯৪৭ ডিসেম্বর তাং ২৩ দা রূপমহল শিয়েটর কৌবা কাংবু অসি থোরক্লে। মথোয়গী নাটক্কী হাব-ভাব পুন্নমক হায়দগী তোঙাল্লকলে। কাংবু অসিগী লীলা মউৎ থোম্মোক ফিজেৎ চাকচা পুন্নমক অসিনা অনৌবা অমা ওইনা উৎনরক্লবনা হায়গী কাংবুগা য়েৎনবা য়াবা মতাং কয়াস্থ য়াওরক্লে।

য়েৎনবা হিরম কয়াগী মমুংদা মরুওইনা নাটক্কী য়াঙাং খোম্মোক অসিনা মরুওইবনি। খোম্মোকশিং অসি মতম অয়াম্বদা শুর নাইনা ঙাংগদবনি হায়বা অমা, সুর য়াওফম থোক্তে চুম্না ঙাংনরিবা মওং (নেচরেল) ওইহনগদবনি হায়বা অমা। করে নেচরেল ওইবা তারবদি আর্টিটিক হায়বা অত্রুদি ওইদ্রে। অচম্বা থৌদোক কয়াবু কল্লনানা শেমগৎলগা নাটক লেংই অত্ত ওইরবদি নাটককী মতম মতমগী চানবা য়াঙাং খোম্মোক নত্তনা লমজাও সোয়োকতা ইমুং মমুংদা য়ারী য়াতাই শাবগী য়াঙাং নেচরেল হায়বত্রুতা ওইবা য়াকম থোতে।

সার জে হেম্মরটননা হায়—"The drama being an art, possesses its own laws, conventions and methods of presenting its material." নাটক হায়বসি কলা অমা ওইবনা মাগী মচাকশিং অসি উৎননবা মশাগী তোঙানবা আইন, নিয়ম অমদি চৎনবী কয়া লৈরি। অত্রুগা অমুকস্থ য়াঙাং অরাই অখুম (dialogue) কী মরমদস্থ অমুম্না অমুকস্থ পল্লি—There are three main styles of dialogue

in drama. (a) realistic (b) poetic (c)blank verse. বারেং-শিং'দা বারী বাতাই শাবগী বাঙাং, শৈরেংশিং ঙাংবদা অ৺সু' পাবদা থোক্কদবা·থোম্বোক অদুগা থাইদগী মরু ওইবা অমনা বারেং অমম্বুং শৈরেং অনি য়ানখাইনদুনা শেমদুনা শাংনা ঙাংগদবা বাঙাং। মথক্তা হায়খিবা অসিনা স্থর ছন্দ অমা অভিয়নগীদমক্তা থাইদোক্কবা ইয়া য়াদ্রে।

স্থরগী বাকম অমা থরদং নৈনসি—স্থর ব্রহ্মনি, স্থর অসিদগী জগৎকী সৃষ্টি অসি ওইরকই, স্থর মকম খুদিংদা মতম পুম্নমক্তা লৈ হায়রি। ঐখোইনা বা ঙাংবা মতমদা স্থর য়াওদে হায়নদি নিংই অদুবু য়াওদি য়াওরিবনি। খুদম ওইনা করিগুম্বা শাওবদগী নত্রগা বাখলনা সুংবংনবদগী খঙহৌদনা বা থরা ঙাংবা তারবদি নত্রগা সুংশি-সুংওলনা খুদুম চনখিদুনা অমদি কাইনা মৈশা লাংদুনা থম্বা তৌদনা করিগুম্বা থরা ঙাংখিবা মতমদা মশানা অদুম স্থর অমগা লোয়নমা হেক্তা হায়দোকখ্রিবনি অদুনা স্থর হায়বা অসিসু খুৎশে নত্তে লেচরেলনি হায়বা য়াই।

অসুম্বা য়েৎনা য়েৎনন রূপমহলনা মণিপুরী সমাজগা চানবা মশানা ইজবা অমদি বাঙ্গলা নাটকতগী হন্দোকপা নাটক কয়া উৎলক্লে। অসিগী মখংদা বাংথৈদা পেরেডাইজ, প্রভাত থিয়েটার কোংবগী রঙ্গশ্রী, নোংমৈবুংগী রাজা ডুম্ব্রসিংহ মেমোরিয়েল, উরিবোক্কী রোঙ্কীনচিংবা নাটকালয় কয়া লিংখৎনরক্লে। অদুদগী অসুম অসুম লাল মমুংদা লেপলুরবা এম, ডি, ইউ, এরিয়ানচিংবসু অমুকহন্না লীলা চাং নাইনা উৎপা হৌরক্লে।

খৃষ্টাব্দ ১৯৪৩ দগী খৃঃ ১৯৪৮ কাওবা অসি নাটক্কী যুগ অমা ওইহনা লৈকাই লৈকাই খুল খুল খুদিংগী নাটকালয় কয়া লি খৎ-নহনা লাঞ্জাওদা অরা অনং কয়া মংলুরবা মজাতিগী সেবা তৌননবা নাট্য কলাকারশিংনা হোৎনখি। পুং, ঈশৈ, জগোই অমস্তুং নাটক্কী হিরমদি জগৎকী জাতি অমত্তনস্থ পংলাক লাকচবা ওম্মোই হায়বসি মণিপুরগী মপুং মপানগী অখং অহৈ কয়াগী মতনি।

লালগী মৈশা ইংগ্রে, লীলাগী ইথকস্থ নেমথরকলে এম, ডি, ইউ রূপমহল, এরিয়ান কপ্নি করিগুম্বদা রোক্সী নত্তনা হোল অয়াম্বা ল লা উৎপা ওম্বরক্লে ; খৃঃ ১৯৪৮ দা মণিপুর সরকারনা নাটক য়েংবা ভাবোকশিংগী টিকেটতা হয়াও কুম্মৈ খাজনা হাপ-কৎলক্লে। অস্তুম্না খাজনা লৌবা অসি য়াম্না চুমদে হায়না খন্দুনা রূপমহলগী শ্রীহরাইবম নীলমনি সিংহ, শ্রীহিদংময়ুম নুতনচন্দ্র শর্ম্মা অমস্তুং রজাড্রুম্ব্রশিং মেমোরিয়েল হোলগী খোনাওজম ৺ ব্রজলাল সিংহ অহুম অসিনা লৌরিবা খাজনা অসি কোকত্রবদি শিদ্রিফাওবা চরা হেল্লগনি হায়হনা সত্যাগ্রহ তৌরম্মী। মহুদা মতম অহুগী মণিপুরগী কাউন্সিলনা চয়োল অমগী মপুংদা নোংমদি খাজনা থীদনা লীলা শান্নবা য়াগনি হায়না য়াবীবদগী সত্যাগ্রহ লেপলম্মী অহুগা মপুং ফানা খাজনা কোকপদি নত্তবনা থ্বাই পুন্নমক্লা পেনবদি য়াম্না বাৎখিরম্মী। অসনা মরম ওইহনা লীলা নাকপাক অমা শিথবা হায়বহু ওইরম্মী।

রূপমহলগী খুৎ অসি রাজনীতি দল নত্রবস্থ নাট্য কলানা, মরৈবাক মজাতিবু রাজনীতি ক্ষেত্রদা রাজনীতি দল অমনা

লমজিংবদগী করিগুম্বদস্থ তারমদে। মণিপুরীশিংবু য়াজনীতিগী লম্বীদা লমজাম্বা মথল মথলগী লীলা উৎলম্মী। লীলাশিং অদুগী মরক্তা শ্রীকৃষ্ণমোহন সিংহগী "মোমুথাঙ্গাল" "শকখংদবী" অদুগা বাঙ্গলাদগী মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা "টিপুসুলতান" মশীং থাবা য়াই

অসিগী মথংদা রিভোল্যুসনারী থিয়েটর (মমৈদা নেশনেল, সোসাইটি থিয়েটার) সেগালম্বীদা শ্রীগীতচন্দ্র সিংহগী মমল য়াম্লবা সমাজিক নাটক কয়া উৎখি। মখোয়শিং অদুগী মরক্তা "ইণ্ডিয়াদা নাঙ্গো থাবা" "মনি মমৌ" "ইম্ফাল থোইবী" অসিনচিংবা অসিনা সমাজগী থৌরম কয়া পাংথোক্তদবা লৈবা অসি মঞ্চদা নিংথিনা উৎখি। অসিগুম্বা মথলগী নাটকশিংগী মনুংদা এম, ডি, ইউগী "নেতাজী" "গান্ধীনীতি" এরিয়ানগী "কলা পাহাড়" (অনুবাদ) মশিং থাবা য়াই। মণিপুরগী কোচিন কোয়া খুদিং শিনবা থুংনা ড্রামাগী ইচাও অসি য়োনবা Manipur Touring party. National Touring party অনি অসিনা চাওরবা থোদাং য়াখি।

মণিপুরদা য়াজনীতিগী অহোংবা অমা লাকলে। মাদুগা লোয়ননা ভারতকী নেতা ডাঃ রাজেন্দ্র প্রসাত, পণ্ডিত নেহরু, ব্রহ্মাগী প্রধানমন্ত্রী ইউনুনাচিংবা মণিপুরদা হেক য়োরক্লম্বা ভারতকী অমদি মপানগী নেতা পুম্নমক্তা মণিপুরগী জগোই, ঈশৈ অমস্থং নাটক উৎননবা খুদেং চাবদু কংলে। রূপমহলনা মরুওইনা থোদাং য়াখি। খাইপুম্নমক্তা মণিপুরগী সংস্কৃতিক্তা মপুংফানা থংখি।

অতুলগী অমুকস্থ এম, ডি, ইউনা দিল্লীদা খৃঃ ১৯৫৪ গী নেসেনেল ড্রামা ফেষ্টিভেলদা "হাওরং লৈশং শাকবী" কৌবা নাটক অদু

উৎলুদুনা ফোক্সী কাংলুপতা খ্বাইদগী মকোক ওইবগী মনা ফংদুনা ভারত্তা নত্তনা পৃথিবীগী রঙ্গমঞ্চদা মণিপুরনা করিস্ত তাদে হায়বা ভারত শাৎনা খঙহনখি।

খৃঃ ১৯৫৪ দা ৺ললিত সিংহনা প্রসিডেন্ট ওইবিদুনা থিয়েটর সেন্টর (ইণ্ডিয়া) গী মখাদা থিয়েটর সেন্টর (মণিপুর) হায়বা অমা শেমই। সেন্টর অসিগী ড্রামা উৎসব অমা খৃঃ ১৯৫৫ ডিসেম্বরদা তৌখি। মাদুদা মণিপুরগী ড্রামা পার্টি ১৬ য়াংখি।

মতাং অসিদা মণিপুরগী মুমিৎ খুদিংগী ফোংবা খবর কাগজ কয়াদা চাং নাইনা নাটক্কী সমালোচনা কয়া তৌনরক্কে—সমালোচকশিংগী মরক্তা "ঙসি" খবরগী আর্টক্রিটিক মরু ওইবনি। মতম অসিদা নাট্য কলাকার পূন্নমরা মণিপুরী নাটক্কী সমালোচক অমগী য়াম্না দরকার ওইবদু মেনশল্লে হায়দুনা হরাওনৈ। সমালোচনা তৌবা অরাইবা থবক নত্তে। চুম্নগী ভাবোক অমনা উবা হৌনবা মীৎয়েং অংনা করিগুম্বা নাটক অমবু সমালোচনা তৌবদি সমালোচক অমগী কান্নবা অদু ফ বদা য়াম্না রানা থোকপা ময়েন্না তাক্ষবনি। মপুংফাবা সমালোচক অমগী মীৎয়েংদি ভাবোকশিংদগী ইতোং তোংঙানবনি। নাট্যকলাকারশিংগী লমজিংবনি।

খৃঃ ১৯৫৫ ফাওবদা মণিপুরদা ড্রামাগী অয়েবা থাক রূপমহল, এম, ডি, ইউ, এরিয়ান, হৌজিক্কী সোসাইটি থিয়েটরনা উৎখি। মতম চানা মখোং শোম্বীদ্রবদি মতোমতা হিংবা রাম্বা নাট্যকার অমসুং কালাকারশিনা চোকথনরক্কনা ঙসি মমিংতা ঙাইশিন্নরকলে।

নাটক অসি সমাজগা ঙস্নবী মতিক মরী লৈনম্রে সমাজগী ফিভমনা ফরগা নাটকস্তু ফৈ, সমাজনা য়ারগা নাটকস্তু হি বা ঙমদে। মাহুনা থুদমদি—গ্রীক ড্রামানা চাওথনগী পন্দোন য়োরম্বহু গ্রীক সমাজনা তারকপদা অদুম য়াওরকখি। ঙসি মণিপুরী সমাজগী যিভম নাটককালয়শিং অসিনা উৎলি। অদুনা জাতি অসি হিনাও শাবা কাংবুনা মজাতীবু চিংথনবা হোৎনবা থৌদাংদা মণিপুরগী নট্য কলাস্তু তাংহুনা লৈরে।

শ্রীমৈত্রম বীর সিংহ।

মৈত্রবাক্তা আর্য্যশিংনা খুন্দাবা

মৈত্রবাক্তা আর্য্যশিংনা খুন্দাখিবসি মখোয়না অৱাংথংবা ভারতবর্ষদা মরাচেৎনা পাল্লবা মভুংদা অনৌবা লৈবাক লৌননবা থবক পাইখৎলকপা মন্তাংদনি (১)। মতম অদু ইতিহাসনা খঙবা যুগ কয়াগী মমাংদনি (২)।

লৈবাক অসিদা খুন্থোরক্লিবা আর্য্যশিংসি মশাদা আর্য্যগী অশেংবা ঈ চেললিবা কাংবুনি ; অতৈ জাতিগা চারৌ-মোরৌনদুনা পোকপা মুকশল নত্তে (২খ)। মীরোন কয়া মুক্তি লৌনা খুন্দারকপা কাংবুসিগা হান্না লৈরম্বা মীগা য়েংথিনরম্মী ; এলহৌভৈদগী লৈরকপা মীশিংগা নৌনা খুন্দারকপা আর্য্যশিংগা চেৎন-চান্নবা লৈমিন্নবা হৌখিবা মতম অসি খৃঃ মাং ১০০০ দনি (৩)। মতম অসিদা হান্না লৈরম্বা নিশাদ (Austric) দ্রাবিড় অমসুং গন্ধর্ব্বশিংগা তিন্নদুনা

(১) Sir James Johnstone, K. C. S. I,—My Excepriences in Manipur and Naga Hills, page 130.

(২) (ক) Diksitar—Aryanisation of East India (Indian Historical Quarterly vol. XXI, page 20—33)

(খ) Dr. Brown—Statistical Account of Manipur (1872) page 21.

(৩) "This Synthesis take a definite shape and its character and line of movement was fixed forever as F. W. Thomas has noted it, the Indian Man as

অনৌবা জাতি অমা থোকখি ; অরি-অনৌ চাম্নৌ মৌরৌনম্লনা তিন্নখিবদগী থোরকলিবা জাতি অসি মৈতৈনি। জাতি অসি ভারতকী হান্না লৈরম্বা কাংবুগা নৌনা লাকপা কাংবুগা পুনশিন্দুনা ওইখিবা হিন্দু জাতিগী মনুং চল্লি ; মখোয় অসি হিন্দুনি ; মখোয়গী ধর্ম্মসু হিন্দু ধর্ম্মনি ; মখোয়গী লৈবাক মৈত্রবাক অসি হিন্দু রাজ্যনি (৪)।

আর্য্যশিনা খুন্দাগ্রিভৈদা মমাংদা মৈত্রবাক্তা লৈরম্বা সভ্যতা অসি য়াম্না রাংবা থাক্কীনি ; আর্য্যশিনা পুরকপা সভ্যতা অমসুং সংস্কৃতিগী ফজবা মচাক পুম্নমক লৌশিনবা ঙমখি (৫)। অনৌবা মচাক লৌশিনবশিনা অরিবা মৈতৈ সভ্যতাগী যুম্ফম থুগাইখিবা নত্তে, অনৌবা মপাঙ্গল হাপ্লতনি ; হেন্না কনখৎহল্লগা ভারতকী হিন্দু সভ্যতা মনুংদা য়াওহনা ভারতীয় হিন্দু সংস্কৃতিগী অচেৎপা যুম্বী

---

result of the Fusion of the Aryan and Dravidian, Mongoloid and Austric came into being at the end of Vedic period i. e. by 1000 B C."

Dr. S. K. Chatterjee—"Place of Assam in the History and Culture of India." page 10.

(a) "Racially the Meitheis are a deeply mixed ethnic group. West has mixed with the East and North with South. The Chineese have blended with Aryans, Mongolians with the Dravidians. This mixture creates the................This mixture of bloods have made the Manipuris both Beautiful and

ওইবতনি (৬)। মৈতৈ সভ্যতাগী থোইদোকপা শক্তম অমদি—মশাগী শকওং কাইদনা থম্বগা লোইননা অতৈ সভ্যতাদগী অয়াম্বা লৌশিনবা ঙম্বা অসিনি। গুণ অসি চেনবনা, ভারতীয় হিন্দু সভ্যতাগী য়াংলেম শক্ত ওইরবস্ত, বাঙ্গালী, তামিল, গুজরাতীনচিংবা সংস্কৃতিদা লৈতবা ফজথ্রবা শকলেন কয়া মৈতৈ সভ্যতাদা উবা ফংলিবসিনি। মশেক—মশা কয়ানা তিন্নবা মৈতৈ সভ্যতা অসি মৈত্রবাক্কী তম্পাক লমদমদা হৌখিবনি অমস্তং শারেপ ফাখিবনি। মৈতৈগী তম্পাক লমদম অসি মরস্থাননি; সভ্যতাগী মঙাল ফংত্রবা চৌংমীশিংনা কাইদোংবা চৌংশিংগী মরুভূমিনা কোইশিনবা মরস্থাননি (৭)।

---

healthy. As a nation, there is no monotony of homogeniety. Some are fair, some are dark; some more predominently Indian; others more Burmese."

Faubion Bowers—"The Dance in India," page 108

(৫) "The History of Manipur bears ample evidence of vitality and capacity of recoupment."

Dr. S. K. Bhuyan—Studies in the Assamese literature. page 92—93.

(৬) 'The Manipuris have a common heritage with the other Hindus in thier allegianee to the Sanskritic. Hinduism as represented by the Vedas, the Upanishads, the two epics—Mahabharata and

খাগী অমসুং খা-নোংপোক এশিয়াগী লৈবাক পূম্নমক থুমহৎপা ওম্বা বৌদ্ধ ধর্ম্মবু মাইপাক্লা থিংলগা হিন্দু ধর্ম্মবু মরা চেৎনা থম্বা অমসু হিন্দু য়াজা অমা ওইনা লেপ্পা ওমখিবা অসিমক মৈত্রবাক্লা ভারতীয় হিন্দু সভ্যতাদা পীবা অথোইবা খুদোল ওমনি (৮)।

২। পৌরাণিক যুগতা মৈত্রবাক্কী শক্তম

মৈত্রবাক্তা হান্না লৈরম্বা দ্রাবিড়, নিশাদ, গন্ধর্ব্ব • মসুং নৌনা খুন্দারকপা আর্য্যশিংগা পুনশিন্দুনা মৈতৈ কৌবা হিন্দু জাতি অমা থোকখিবসি খৃঃ মাং ১০০০ (হায়বদি পৌরানিক যুগ হৌদ্ধকপদনি)

Ramayana and puranas particularly the Bhagavata purana."

Dr. S. K. Chatterjee—A Manipuri Purana (Manipur Public Library, Annual Number, 1954—P. 6.)

(৭) [ক] "Manipur valley is a singular oasisol-comperative civilisation and organised Society, set in the midst of a congeries of barbarous peoples" — C I. Lyall, Introduction to the Meitheis by T. C. Hudson.

(খ) "Amid headhunters, aborigines and predatory and warring neighbours Manipur valley is an oasis of civilisation"—Faubion Bowers—The Dance of India. Page 110.

হায়বা মথক্তা পনব্রে। যুগ অসিদা ইখিবা মরু ওইবা পুরাণশিংদা শিংথারবা মৈত্রবাকী শক্তম অদু মতাং অসিদা উৎননবা হোৎনরি। পুরাণশিং অসিনা তাকপা ওম্বা ভূগোলদা ভারতবর্ষ পূম্নমক চল্লি ; ভুগোল অসিগী মমুংদা মৈত্রবাকসু য়াওই (৯)। মরম অসিনা মৈত্রবাকপু পুরাণশিং অসিদা মেখলী নত্রগা মণিপুর কৌনখি ; ভারতবর্ষগী মমুংচনবা অথোইবা হিন্দুরাজ্যনি হায়না তশেংনা তাকই।

মৈত্রবাকপু মেখলী কৌবা

পুরাণশিংগী মরক্তা অথোইবা ওইবদগী মহাপুরাণ কৌবা মহাভারতত্তা মৈত্রবাকপু মেখলী কৌই। মহাপুরাণ অসিগী ভীষ্মপর্ব, অধ্যায় ৮৭ শ্লোক ৮—৯ দা লৈবাক অসিবু মেখলী কৌড়না তশেংনা তাক্লি। মহাভারতকী মতুংদা ইবা স্কন্দ পুরান্দদ,

(৮) "While Burma had accepted the mild and gentle religion of Budha, Manipur had been taken into the pale of Hinduism and had imposed upon itself burdensome restrictions of caste and ritual from which its greater neighbour is happily free."—C. I. Lyall—Introduction of Meitheis by T. C. Hudson.

(৯) The whole of India was brought within the pale of puranic geography including that of the Mahabharata.

—Dr. S. K. Chatterjee—Place of Assam in the History and Culture of India. Page 12

মৈত্ৰবাকপু মেখলী হায়বা মমিং অসিনা কৌদুনা লৈবাক অসিগী মরম শিংথারি, (১১)। উদয়গিরি কৌবা চীং অসি মৈত্ৰবাক্কী (মেখলী) গী অথোইবা চীং অমনি হায়না পুরাণ অসিনা লৈশি-লৈথোল্লি। চীং অসি মৈত্ৰবাক্তা লৈ হায়বসি রামায়ণ কিষ্কিন্ধ্যা কাণ্ড সর্গ ৩৮ শ্লোক ৫৪ দস্ত তশেংনা উৎলি (১২)। পৌরাণিক যুগ হৌবদগীনা খৃঃ ১৮০০ হৌবা ফাওবগী শাংলবা মতম অসিদা মৈত্ৰবাকপু মেখলী হায়না খঙলকই। খৃঃ ১৭১৭ তা ইবা ইষ্ট ইণ্ডিয়া কম্পানিগী চেদা মৈত্ৰবাকপু মেখলী হায়না পল্লি। লৈবাক অসিগী নিংথৌরেল গৌরশ্যাম্না কম্পানিদা খৃঃ ১৭৬৩ দা পীবা ঘোষনা পত্ৰদা মহার জনা মৈত্ৰবাকপু মেখলী দেশ হায় (১৩)।

(১০) দ্রোনান্তরং জোত্তো ভগদত্ত প্রতাপবান।
মগদ্ধীশ্চ কলিঙ্গশ্চ পিশাশ্চ বিশ্বমপতে॥
প্রাগজ্যোতিষদানু নৃপা কৌশলা বৃহদবলা।
মেখলী করুবিন্দশ্চ ত্রিপুরশ্চ সমবেতা॥

(১১) অথ পুৰ্ব্বস্যাং মঞ্জন বৃষভ ধ্বজপদ্ম দিগবয়।
উদয়গিরি ভদ্রগৌড়ক পৌণ্ড্রোৎকল কাশি মেখলী স্বাষ্টাঃ।

(১২) পূর্ব্বস্যা দিশি নির্মানং কৃতং তৎ ত্রিদশেশ্বরৈঃ।
ততঃ পরং হেমময়ঃ শ্রীমানুদয় পর্ব্বতঃ॥

(১৩) Gourasym's Declaration (1763) ratifying the Anglo Manipuri Treaty of 1762.

মেখলী হায়বা ৱাহৈ অসি ম্যুংখলা হায়বা খাগিগী ৱাহৈ অসিদগী থোকপনি (১৪)। খাগী লৈবাক্কী মখা থংবা লমদমদা লৈবা মীশিংনা মৈতৈবু ম্যুং (মী)+খা (অথোইবা)+লা (পোং) নত্রগা অচৌবা পাংকী মপান্দা তাবা মী হায়না কৌই। ম্যুংখালা হায়বা ৱাহৈ অসিদগী থৈথড়ুনা পুৱাণশিংদা মেখলী হায়না ইখিবনি অমম্লং তেখাও [আনাম] অমগুং ময়াং লৈবাক [কাছার] গী মীনা মুগলু নত্রগা মোগলাই হায়খিবনি।

মৈত্রবাকপু মণিপুর কৌবা

ঐখোয়গী লৈবাকপু মহাভারতনা মণিপুরস্থ কৌই। অশ্বমেধ যজ্ঞগী শগোল ইন্নদুনা মৈত্রবাক চংলকপা অর্জ্জুনবু মচান্নপা পরাঙাংবা (বভ্রুবাহন) নিংথৌরেন্না মাইথিবা পীদুনা শগোল মুনখিবগী ৱারম মতাংচাদবা থোক্লোই। শগোল মতুং ইন্দুনা মথং মথং লাকপদা অর্জ্জুন্না তেখাও (প্রাগজ্যোতিষপুর) নিংথৌবু মাইথিবা পীখি(১৫)। মথংদা সিন্ধু লমদমদা চংখি (১৬)। সিন্ধু অসি তেখাও লৈবাক (প্রাগজ্যোতিষপুর) গী মচেৎ তরেৎকী মন্নুংদা

---

(১৪) R.M. Nath – Background of Assamess culture. Page 89.

(১৫) প্রাগজ্যোতিষমথাভ্যত্য ব্যাচরৎ স্থহৱোত্তমঃ
ভগদত্তাত্মজ স্তত্র নির্যযৌরন কর্কশঃ।
ভারত অশ্বমেধ ৭৫ | ১

(১৬) সৈন্ধবৈৱভবদং যুদ্ধং ততস্তস্য কীরিটিনঃ।
হতশেষৈ মহারাজ হতানাঞ্চ সুতৈরপি।
ভাঃ অশ্বঃ ৭৭ | ১

মচেৎ অমনি ; মৈত্রবাক্তা হেক তাইনবা মচেৎনি (১৭)। সিন্ধু নত্তবা তেখাও (প্রাগজ্যোতিষপুর) লৈবাক্কী মচেৎ তরুক অদুগী মমিংদি বিন্দু, জয়, কচ্ছ, চন্দ্র, সিন্ধ, অমসুং সমুখনি। সিন্ধু নিংথৌ ওয়বা মতুংদা অর্জ্জুনা মৈত্রবাক (মণিপুর) চংখি (১৮)। মৈত্রবাক্কী নিংথৌ পরাওাংবগী মখুত্তগী মাইথিবা ফংলবা অর্জ্জুনা মযুম লৈবাক হস্তিনাপুর হনবদা লৈবাক অসিগী চীংলম্বী ফাওদোক্লগা সিন্ধু তাখি ; মথংদা তেখাও লৈবাক (প্রাগজ্যোতিষপুর) য়ৌখি ; মথং মথং চংলকতুনা পাটনা (রাজগৃহ) দা থুংখি (১৯)।

শিবরাম আপ্তেনা মহাভারত্তা পল্লিবা মণিপুর অসি মাদুরাগী মনাক্তা থমই ; স্বামী দয়ানন্দ সরস্বতীনা মসিবু আমেরিকাদা খিল্লি ; Dr. Cunningham না মসিবু রঙ্গপুরগী অরাংদা লংশিল্লি ; নগেন্দ্রনাথনা মণিপুর অসি গঞ্জাম ওইহল্লি ; রাজ মোহন নাথনা মসিবু হরিদ্বার মনাক্তা থমই ; পণ্ডিত অমনদি মহাভাত্তা পল্লিবা সিন্ধু অসিবু পাকিস্থানগী প্রদেশ সিন্ধ ওইনা লৌদুনা মণিপুরবু কাবাচি মনাক্তা থাদৈ। অসিগুম্বা ওইবা য়াদবা মত

(১৭) সপ্ত খণ্ডস্তন্মধ্যে তত্রৈব সপ্ত পর্ব্বতাঃ।
বিন্দুসিন্ধুজয়শ্চন্দ্র কচ্ছ সিন্ধ সমুখাঃ॥
কামাখ্যা তন্ত্র।

(১৮) ক্রমেন সহয়স্ত্বেবং বিচরন পুরুষর্বভ।
মণিপুরপতের্দেশ মুপগুয়াৎ সহ পাণ্ডবঃ॥
মহাভারত, অশ্বঃ ৭৮ – ৪৯

(১৯) অনুগচ্ছাশ্চ তুরগং নিবৃত্তোহথ কিরীটভৃৎ।
যদৃচ্ছয়াসমাপেদে পুরং রাজগৃহং তদা॥
মহাভারত অশ্বঃ ৮০ | ৫২

কয়া পীনরি। ব্যাসনা পল্লিবা সিক্কু অসি মৈত্রবাক্কা তাইনবা তেখাও লৈবাক্কী মচেৎ অমনি হায়বা fact (অচুম্বা) অসিমতং খঙলমলবদি, মখোয়না মখল মথেল কয়াগী চোইরোল লোল্লিবসি তোরমলোইদবনি। মৈত্রবাক্কগী হস্তিনা (দিল্লী) চৎখিবা সিক্কু (তেখাও লৈবাক্কী মচেৎ) অমসুং প্রাগজ্যোতিষপুর (তেখাও) কাওরবা রাজগৃহ (পাটনা) থুংখিবসি মথক্তা হায়খ্রিবা পণ্ডিতশিং অসিনা খিল্লিবা মফম অসিদা ব্যাসনা পল্লিবা মণিপুর অদু লংশিনবা তারবদি, ওইথোক্কে; ধর্ম্মরাজগী অশ্বমেধ যজ্ঞসু মপুং ফাবা ওইথোক্কে। মরমদি পণ্ডিতশিংনা চৎকন্নীংবা লম্বী লমলোংশিং অদুগী মতুং ইন্না চৎখিবদগী অর্জ্জুনময়ুম লৈবাক হস্তিনাপুর য়োবা শুকঙম ঙমলোই।

মথক্তা পীখ্রিবা মতিক চাবা প্রমাণ কয়ানা মহাভারত্তা পল্লিবা মণিপুর অসি মৈত্রবাকনি হায়বা অচুম্বা (fact) অসি তশেংনা উৎপ্রে। মহাভারতকী মতুংদা ইখিবা পুরাণশিংনা মণিপুর হায়না পল্লিবা পুম্নমক মৈত্রবাকপুনি। ব্যাসনা ইবা অনিশুবা মহাপুরাণ ভাগবত্তা মৈত্রবাকপু মণিপুর কৌই (২০)। মহাভারত্তা ইরিবা রারিশিং অসি অনৌবা মওংদা লিত্নুনা জৈমিনিনা লাইরিক অমসু ইখি; মদুগী মমিংসু মহাভারত কৌই। মসিদসু, জৈমিনিনা মৈত্রবাকপু মণিপুর হায়না পল্লি।

(২০) ইবাবস্তু খুল প্যাংবৈ সুতায়াং বক্রবাহনম্।
মণিপুর পতেঃ সোহপিতৎ সুত, পুত্রিকাসুতঃ ॥
ভাগবত ৯বম স্কন্ধ শ্লোক ৩২।

(২১) মণিপুরেশ্বরং রজিন ধর্ম্মজ্ঞনা চিত্রবাহনম্।

মৈত্রবাক্কী নিংথৌ চিত্রবাহনবু ধর্ম্ম চেনবা নিংথৌনি হায়না জৈমিনিনা শিংথাখী (২১)। চিত্রবাহনগী মতুংদা পানবা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ পন্নাঙাংবা (বভ্রুবাহন) অমস্যুং মানা ন্নায়েনবা লৈবাক অসিগী মরমদা জৈমিনিনা হায়ঃ—

"বভ্রুবাহন্না পানবা মণিপুর অসিদা লৈবা মীশিংদি অচুম্বা ঙাংই অমস্যুং মুপীশিংনা মপুরোইবদা ভক্তি কাইদে; নিংথৌসু বেদ হৈ অমস্যুং প্রজা পুম্নমক বাসুদেব (শ্রীকৃষ্ণ) দ মথন্নাই কৎলি অমস্যুং অতৈ কনাসু খন্দে। ... . লৈবাক অসিদা মী কুংনা তাই; মখোয়গী মশা য়াম্না ফৈ অমস্যুং লৈজবা খন্নতুতদা পেঞ্জবা ঙমই অমস্যুং মুতিগী কুম্মৈ ফীয়োং তৌই। .... হংস ধ্বজ অমস্যুং অতৈ নিংথৌশিংনা মণিপুরগী নিংথৌদা চহি খুদিংগী লোইপোৎ কাই (২২)।"

(২২) রম্যাং মণিপুরং নাম বভ্রুবাহন পালিতং।
দ্বিয়তীমেব বৈকুণ্ঠং স্থাপিতং বিষ্ণুনাক্কিতো॥
নোরা সত্যব্রতা যাত্রা নার্য্যশ্চ পতিসেবীকা।
বেদার্থ শাস্ত্র নিপুণ ভাতি যাত্রা মহাজনা।
চিতনাং বাসুদেবস্য নানাং চিন্তাং প্রক্রুরবতে॥
*　*　*　*　*
তুস্তা পুস্তা জোনকীরণাং নিত্যান্ত সবাবিভূশিতম।
*　*　*　*　*
হংস ধ্বজাদি ভিরদাত্তং প্রত্যাপদাং নৃপাঃ কারঃ।
(২৩) মণিপূরে দেবতীর্থং পঙ্ক কুণ্ডং সরোবরম্।
তত্র শ্রীকামনা তীর্থং স্নাতিথো মুক্তি মিশ্চতি।

মৈত্রবাকপু মণিপুর কৌতুনা অমস্তুং লৈবাক অসিগী তীর্থ মণ্ডাদা স্নান তৌরগা অরান খুভম ফংগনি হায়দুনা, রুদ্রজামল পুরাণনা ঐখোয়গী লৈবাক্কী রারম পীবা হৌই (২৩)। লৈব ক অসিগী চীং (উদয়গিরি), পাৎ (লোকতাক) অমস্তুং রুদ্রজামলনা শিংথাখিবা তীর্থশিং অসিগী অকুপ্পা রা ব্রহ্মপুরান্দা য়াওরি ; মৈত্রবাক অসি মণিপুরনি অমস্তুং মৈতৈনা গন্ধর্ববনি হায়বসি ব্রহ্মপুরাণ্ণা তশে না তাকই (২৪ । মৈত্রবাক্কী মীবু গন্ধবর্ব কৌরিবসি অচুম্বনি। ব্রহ্মপুরাণগী অচুম্বা মত অসি স্কণ্ডপুরাণ্ণা শন্দোক্লা তাকলি (২৫)। জৈমিনিনা মৈত্রবাক্কী মীশিংনা স্তুতিগী কুম্মৈ তৌই হায়বসিনস্থ লৈবাক অসিগী মীশিং অসি গন্ধবর্বনি হায়বা তশেংনা উৎপনি। মৈতৈশিং অসি বাসুদেব (শ্রীকৃষ্ণ) দা থরায় কৎলি হায়বা জৈমিনিগী রাঙাং অসিনা মখোয় অসি হিন্দুনি ; মখোয়গী লৈবাক মৈত্রবাক্লা হিন্দু রাজানি হায়বসি ময়েক হেন্না ল হল্লি।

---

(২৪) বিদ্যাধরং সা গন্ধবর্বং শ্রীতীর্থং ব্রহ্মানে হ্রদং।
সাতীর্থং লোকপালাখ্যং মণিপুর গিরিং তথা॥ ২৬ | ২৩

(২৫) ঐশান্যং মেরু কনষ্টরাজ্য পশুপালকীর কাশ্মীর।
অতিশরতঙ্গন কুলতৈঅরিন্দ্রবন রাস্ট্রাঃ॥
ব্রহ্মপুরদার্ব্বরামর বনরজা কিরাতচীন কৌলিন্দাঃ।
ভল্লপলোল জটাস্থর কণ্ঠ খসুঘোস কুচিকাখ্যাঃ॥
একচরনানু বিশ্বঃ স্তুবর্ণ ভুবর্ব সুহর্ণ দিবষ্টশ্চ।
গৌরবচৌরনিবনস্তি নেত্রঞ্জামুদি গন্ধববাঃ॥

পৌরাণিক যুগকী মতুংদা

পৌরাণিক যুগকী মতংদা ইবা সংস্কৃত লাইরিকশিংনস্থ মৈত্র-বাকপু মণিপুর কৌই। মানপুর শায়না কেঁদুনা তন্ত্রগুরু (সংস্কৃতকী লাইরিক অমা) না লৈবাক মসিগী রা ইখি (২৬)। খৃ ১৭৭০ দা গোপাল ভত্তনা সংস্কৃত লোন্দা ইরম্বা লাইরিক বল্লাল চরিত্রা ঐখোয়গী লেবাকী রারম হায়বদা মণিপুর হায়বা রাকৈনা হৌই। খৃ ১৫৭৮ দা আনন্দ ভত্তনা ইবা লাইরিক বল্লাল চরিত পরিশিষ্টদস্থ মৈত্রবাকপু মণিপুর কৌই অমস্থুং মৈতৈ নিংথৌনা বল্লালবু মাইথিবা পাখিবগী রা ইরি (২৭)। মৈত্রবাকপু মণিপুর হায়না বঙ্গদেশতা খঙনরম্বগী প্রমাণদি মথক্তা পনখ্রিবা লাইরিক অনি অসিনা মশিক চানা পারি।

তেখাও নিংথৌ রাজেশ্বরদা মাগী মন্ত্রী ববনশ্বানা, 'মন্তাকী নিংথৌ জয়সিংহগী পরিচয় পীবদা, মৈতৈ নিংথৌ, মণিপুর নিংথৌ, বভ্রুবাহনগী থারম অমস্থ ভবোবা গোত্র হায়বা চাংনস্থ মৈত্রবাকপু তেখাওনা মণিপুর হায়না খংনরম্বগী মরোক লাবা সাক্ষি (২৮)।

[২৬] মণিপুরেসদা চিন্ত্যাং মন্ত্রানং প্রাণচপকে।

তন্ত্রগুরু – Edited by Swami Nigamananda,

Page 130.

[২৭] তস্কটকার বিদ্রোহং মণিপুর পতিং পতি।

মানহানো বভ্রুবাহস্ত স্বার্জিত চ গুনৈঃ সহ॥

[২৮] Dr S. K. Bhuyan - Tungakhunga Buranjee,

Page. 53.

খ্বঃ ১৮০০ দা তেখাও কোম্নুং রঙ্গপুরদগী পাউ-লৌদুনা মৈত্রবাক্কী মরমদা Francin Himalton (East India Company গী Officer) না ইখিবা Report অদুগ্ন লৈবাক অসিবু মণিপুর কৌই (২৯)। খ্বঃ ১৭৬২ দা মৈতৈ নিংথৌ জয়সিংহনা East India Company গা তৌনবা সন্ধি পত্র অদুদা মৈত্রবাক্কী মমিং মণিপুর হায়না পারি। ইংরেজশি নস্ত লৈবাক অসিবু মণিপুর হায়না খঙলিবসি নক্লবা তেখাও লৈবাক্তগী হ লুবগনি।

'চীংনা কোইনা পনশাবা, পাওনা কোইনা পনঙাকপা মণিপুর সনা লৈবাক" মৈতৈ পুরুমগ্না নাপলগ। লেম্ননা থায়নবৈদগী হায়নবকই। ঐখোয়গী লৈবাক্তা ইবা খ্বাইদগী কুইরবা সংস্কৃত লাইরিক ধবা॥সংহিতাসিদা হৈরৈবাকপু মণিপুর কৌই (৩০)। চীংথং-খোম্বা মহাব জনা ইংরেজশিগা তৌনবা সন্ধি পত্রদা মৈত্রবাকপু মণিপুর কৌনরকপগী বাংম অসি ময়েক লাবা হেলহনবনি।

মৈত্রবাক্তা হিন্দু ধর্ম্ম অমস্তুং সভ্যতা

খ্বঃ ১০৭ (হায়বদি শকত ১৬৪) দা সংস্কৃত লোন্দা দেবনাগরি ময়েক্তা শেল হক্তুনা চৎহল্লি ; শেল অসিদা ইরম্বা মরোল'দ

(২৯) Francis Himalton—An Account of Assam 1800) Page 76–83

(৩০) মণিমালা অমা দুক্তাং মনিনাম্ পরিব্রজমাৎ।
মণিপুরং তত খ্যাতং ততোণাস্তি ভারত॥
— হরণী সংহিতা।

'চৈত্রগুথী তরশভদ ২ সম্বত ১৬৪" অসিনি। নিংথৌনা শেল সংস্কৃত লোন্দা হকপা অসিনা—লোল অসি লৈবাক অসিগী রাজভাষা ওইরে; মসি হৈবা মীনা নিংথৌকোন য়োননবা অথোয়বা পাম্বৈ ওইরে; মসি নৈনবা মীগী ফীরাল মাই চুম্বা মতম ওইরে হায়বা ভশেংনা তাকই। শম্বত ১৬৪ মমাং চহি চা কয়াদগী হৌনা সংস্কৃত লোনগী অচেৎপা য়ুম্ফম মৈত্রবাক্তা লৈরে হায়বসি প্রমাণ চংত্রবা রানি। চহি অমা অনিগী মমুংদা চংলকপা মীরৈবাক্কী লোল অমনা লৈবাক অমগী রাজভাষা মীৎনা কুপ্পদা ওইবা শুকয়া য়াদে; ওইক্কম থোক্তবা রানি। Pebul Peliot না ইবা খাগী ইতিহাসতা খৃঃ শতাব্দী অনিশুবা হৌবা মতমদা মৈত্রবাক্তা মগুণচেনবা ব্রাহ্মণ (Great Brahmin) লৈরে হায়রি (৩১)। Peliot না লেপ্লিবা মতম অসি চোম্থমল্লি; মতম অসিদদি সংস্কৃত লোল অসি রাজভাষা ওইনা মৈত্রবাক্তা অতোম্ ভরেম্বা খুফম ফংত্রে। মতম অসিগী চহি চা খরগী মমাংদা সংস্কৃত লোল অমসুং সাহিত্য শন্দোকনবা মতিক মগুণ চেনবা বেদ হৈবা ব্রাহ্মণশিং অসি মৈত্রবাক্তা খুন্দাড়ুনা লৈরম্বা শোইদবনি। মখোয়না চহি চা কয়া চংনা নোমজবগী মমলনা সম্বত ১৬৪ দা লৈবাক অসিদা সংস্কৃত লোলবু রাজভাষা ওইনবা ঙমখিবনি। খৃঃ ৩০০ গী শ্নাইদা ইবা খাগী লাইরিকশিংদা মৈত্রবাকপু ব্রাহ্মণগী অপিকপা লৈবাক হায়না শিংথাবা অসিনা লৈবাক অসিদা ব্রাহ্মণ মশিং য়াম্না লৈরে; মখোয়না য়োকখৎচবা

(৩১). R. M. Nath—Background of Assamese Culture, Page 89.

হিন্দু ধর্ম্ম অমসুং সভ্যতা অসিগী মনুংদা মৈত্রবাক অসি পুমচং চংলে হায়বা উৎলি। খৃঃ ৮৬০ দা ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা লাকলম্বা খাগী লৈবাক্কী লংকৈ চৎপা মুপা অমনা ইবা লাইরিক্তা লৈবাক অসিগী মীশিংদি শা, শল চাদে ; মখোয়গী মরক্তা পাঞ্জি অমসুং ব্রাহ্মণ য়াম্না লৈ হায় (৩২)।

নিংথৌরেন খোংতেকচা য়োইরেনবনা খৃঃ ৭৯৯ দা ইহন্দুনা থনম্বা কোরি কোম্পাক্তা য়াওরিবা রারোল অসিনা মৈত্রবাক্তা হিন্দু ধর্ম্ম অমসুং সভ্যতা অসিগী মরু কয়া চেৎনা তাখিবগে হায়বা তশেংনা তাকচৈ। থোইদোক্লসু থায়নগী শিবনিংবা ধর্ম্মনা মরাই চাইথবা অমসুং মদুগী মতুংদা শ্রীকৃষ্ণবু ভক্তি তৌনরকপা মতাং অদু কোরি কোম্পাক অসিগী রারোলদগী তশে না খঙবনা, মদুদা ইবা লোন্দা অদু ইকাই কায়হন্দনা মখাদা পীরি :—

"শ্রীহরি কুমশোক মশিং ৭২১ শুপাতা লাইনিংথৌ খোংতেকচা য়োইরেনপা নিংথৌ ওইপাতা লাইপু নিংচতুনা লাইকি থৌচাম্তকী লাইরিক পুর'ণ অমা ফংচৈয়ে। লাইনিংথৌ খোংতেবচা য়োইরেনপকী রানে শংঙো। নিংথৌ ঐনা পুরাণ অসিকী য়াথংতকী মতম কুইনা শিবপু দেবীপু পুজা তৌরপতা শিবকী দেবীকী থৌচাম্তকী শিদা য়াই নাত য়াই অনিমকপু ফংচরে। পুরাণ অসিপু মতম নত্তুনা নমু মীওইপনা ফাকলপতি ই ওদনা শিও ; অখাক অলাও তাতনা শিও ; নহাক নির্বংশ ওইও ; শাকৈ কুলা পুন্নমক থাংতা চৎপা ওইশনো। নিংথৌ ঐকী য়াথংনে। পুরাণ অসিপু নমু

(৩২) Yumjao Singh—History of Manipur, Page 11,

মীওইপনা মংলকপতা লৈমা নিংথৌ ফাওতনা (খণ্ডহন্দনা) ঐকী ওইকে নিংলপদি ঐনা মমাংতা ম্নায়িব্রিবা শাপ অসি লেপনা ফংও। নিংথৌ ঐগী ম্নাথংনে। পুরাণ অসিপু ফাকপতা ইন্নাক্তি গুমু গুছুমনে, অথুম অহাওনে, সনা খোংনাং মনা ৭ নে, চীং হৈক্রে মনা ৭ নে হনুপা লৈ মতোন ৭ নে অসিনা অহিং নোংয়াইতা ম্নাতো (ইন্নাংলো)। মী অনি শুকতে।

অসিপু ইন্নাৎচরপতি মী অতুনা নিংবা থুংঙে। অসিপু ইন্নাৎনবা পিচাক্তি (গরম, নিয়ম) ঐ ঐ ঐ স্বাহা, স্বাহা, স্বাহা, ময়েক তরুকমা অসিনা লাতো। লা রিক অসিনা ফাওলককতাপতি কুমশিং ১৭৯২ শুপতা ফাওলকতনে। হে মীও। লেপনা খংও।

"শ্রীশিবপু খুরুমনা হায়কে। লাইরিক অসি মংলকপা নিংথৌতি শিব দেপী অনিমক্কী থৌচান লৈবা নিংথৌনা ফংজরকহনে। কৌজিক্তি ম্নারম অমা কায়কে। কুমশিং ১৭৯২ শুপাতা লৈপাক ম্নাথোক অচৌবা অমা থোকলকতনে। অদুদা হরি (শ্রীকৃষ্ণ) কৌবা লাই অতুনা নোংকাখিতনে। অতুগী মতুংতা কনেশ [গনেশ] কৌবা লাইনা লাইরিক মাংকতপপু মাংতা হান্না খংতুনা কনেশনা লাই চহুম হুমফুহুমতোই মককা লোইননা নমু মী ওইনা পোকতনা অবতার তৌরকতনে। মানা সনা লুপাপু খুচোকনা চোকতনা পিরকতনে। ইশুং হায়কে। নিংথৌ ৮৯ মতাকী দেপীনা মীকী মপোকতা পোকতুনা নিংথৌ অমকী মথং লৈমরেন ওইরকতুনা মতুকী মপুকতা শোম্নারেম্না চংতুনা মী ওইনা পোকলকতুনা নিংথৌ ওইরকতনে। নিংথৌ অতু কুকা (গুরু) অতুকা

লাই চহুম হুমফু হুমথোইনা পোকলপা লাইরূপ (লাই কাংবু) অতুকা তিনতুনা লৈপাক অতু ঙাকমানরকতনে। লাইকী ফমলুপ [ফমনাইবগী কাংলুপ] হাপলকতনে-খংও।

"লাইনিংথৌ ৯মা (মক) ফমলুপ হাপলকনে। শেকপিন মথোন ৯ থল্লতনে। সনা থাং লুপা থাং শালকনে। পুস্পামহামনিক কৌপা তোলাই অতু শারপকা শামু অঙৌপশুং লাকতনে। নিংথৌ পানপা ৮৯ না লোই হাল্লাকতনে—লেপ্পা খংও। গুরু (গুরু) অতুনা নিংথৌ গুরুকি মতিক খংপা অমনা মচা লৈমা পিরকনে। নিংথৌ ৮৯ মনা (মক্না) মাপ্ন ইরাৎলকনে। হে মীও! লেপনা খংও! ঐনা খংপা নত্তে, শিবকী য়াথংনে। তৌফতাপা রানি অমশুং নিংথৌ অতুনা শিপ, দুর্গা, কনেশ কৌবা লাই অসিপু মানা অতৎপা লৈতনা নিংলকনি। অতুগী মহৈনা রসায়ন কৌবা ধর্ম্মপুশুং ফংচরকনি। শিপ, দুর্গা, কনেশ কৌপা লাইপু নিংচরপা হে মীওইপশিং ও! হায়খিরিপা মরম অসি খিপিক মা (মহাক্না) ঙমনা (পুমনমক) ফংচরকনে। অমশুং হায়কে! লাইরিক অসি ফুকলকতপতি বিশ্ব কর্ম্ম কৌপা লাইনা মীকী মপোকতা পোকলতুনা মানা ফুকলকতনে।

"হে মীও! নিংথৌ ঐনা হায়পা নত্তে; শিপকী য়াথংনে; লেপনা খংও! অমশুং হায়কে শিপপু ফংনপা লাইনিং—ওঁ স্রিং খোগ অর্শিমা রিং স্বাহা—লাইমিং অসিপু থা ১২ শোনকনি। পোৎয়াওতি হৈখাগোক মনা ১২ নে, শকোল হিদাক মপান ১২ নে, শল অঙাংপী, অমুপী, অঙৌপীকী মথোমনে, চেংনে, থোইতিংনে, মেনক্রুকনে, থাওমৈনে অসি খিপিক লোইননা পূজা তৌকনিএ।

ব্লা অসিতি দেবীপু ফংচবা রানে। ব্লা অসিপু শোনচরবা নিংচরপতি থাং, তা, মৈ, ঈশিং, মুংশিং, অসি খিপিকতা শিরোইএ ; নিংপা থুংএ।

"১শুবা হায়কে। শিবপু নিংকে, দেবীপু নিংকে, কনেশপু নিংকে, হায়পশু ময়েক অসিপু শোইতনা শোলও ! লেপ্পা ফংকনে খংও। ক্রু (গুরু) অসিপু হান্না ফংচবা নিংথৌ অতুতি লাইপক ফপা নিংথৌনে। ক্রু অতুকী নিংথৌ অতুনা পেনলা ইরাৎচয়ে হায়রককা কুমশিং লিশিং অমা নহা ওইনা পনমিনকনে অমসুং নিংথৌ অতুকা ক্রু (গুরু) অতুকা লোইনতুনা নোংকাখিতনে। শিবকী দেবীকী খুয়া ফংকতনে। শিব দেবী ২মকী খুয়া য়োরকা অতুতকী হরিকী (শ্রীকৃষ্ণগী) মনাই ওইখিগতপনে ; মীকী মপোক্তা পোকলরোইতপনে। হে মীওইপশিং ও ! নিংথৌ ঐকী য়াথংনে। লাইরিক নংতি ঐ মকতনা শিবগী মনাই মকতা ওইরপদি মাংকনো ! পুরাণ অসিকী ব্লা অসিপু নিংথৌ অতুনা থাচনা ইরাতলপতি লা ক্রৌ, প্রম—হিতা ৩ (অষ্টম) পু দেবীনা লিকতনে। নিংথৌ ঐকী য়াথংনে খংও !"

মথক্তা পীরবা কোরী কোম্পাক্কী রারোল অসি শ্রীযুমজাও সিংহনা মাগী Report on the Archeological Studies in Manipur [1935] গী চেনা ৩৬। ৪৪ দা পোঙব্রে। কোরী কোম্পাক অসি মহাক্না ফয়েং খুলদগী লৈবনি।

মৈত্রবাক্কী ব্রাহ্মণশিংনা সংস্কৃত লোন্দা লাইরিক ইরমই। ধরণী সংহিতা অমসুং শিবজ্ঞা মণিপুরগী পণ্ডিতশিংনা ইবনি। মৈতৈ ওঝাশিংনা ইরম্বা সংস্কৃত লাইরিকশিংগী রাফম অসি মথক্কী প্রবন্ধ "থাইনগী সাহিত্য" দা মতাং চানা পনখ্রে।

নন্দলাল শর্ম্মা

সাহিত্য অমস্তুং রস

ইডান হানবদা সাহিত্যগী মরমদা সাধারণ ওইনা আলোচনা খরদ' তৌজরি। সাহিত্য হায়বা অসি গন্থ অমস্তুং পদ্যগী মওংদা লৈবা কাব্যনি। অকাওবা আলংকারিক মম্মটনা হায়:—

"তদদোষৌ শব্দার্থৌ সগুণাবনলংকৃতী পুনঃ কাপি।"

হায়বদি দোষ য়াওদবা, গুণগা লোয়নবা অমস্তুং করিগুম্বদা অলং-কারগা লোয়নদবা শব্দ অমস্তুং অর্থগী অপূনববু কাব্য কৌই।

বিশ্বনাথনা হায়:—

"বাক্যং রসাত্মকং কাব্যম্"

রসনা আত্মা ওইবা বাক্যবু কাব্য কৌই।

জগন্নাথনা হায়:—

"রমণীয়ার্থ প্রতিপাদকঃ শব্দঃ কাব্যম্"

পুক্নিং হূবা অর্থ ক্যোংদোকপা শব্দবু কাব্য কৌই।

সাহিত্যগী মম্নু দা করিনা প্রধাণনো হায়বগী মরমদা রসনা প্রধাণনি হায়না নীংবা কাংবু, অলংকারনা প্রধাণনি হায়বা কাংবু, ধ্বনিনা প্রধাননি হায়বা কাংবু অসিনচিংবা তোঙান তোঙান্না থাখল থনবগী কাংবু লৈ। শম্পৎনা অসিমখৈদি হায়নিংই:— রসনা কাব্যগী আত্মানি, শব্দ অমস্তুং অর্থনা হকচাংনি অদুগা গুণ অমস্তুং অলংকারনা রসগী মগুণ হেনগৎহল্লি। কাব্য অমগী মম্নুংদা মরু ওইবা রস অমা লৈগদবনি। হৌবদগী লোইবা ফাওবা মাদুগী শেমগৎপা তৌগদবনি। মরু ওইবা রস অসিগী উন্নতি তৌবদা কবিনা হৈশিংবগা লোয়ননা রস অতে ংতৈস্নু হাপচিল্লি। মাদুনা

মরু ওইবা রস অদুগী চিংথবা করিমত্তা তৌদে ; অহোম্নদুম মরু ওইবা রস অদুগী মরী থমদুনা মাদুগী ফজবা হেনগৎহন্দুনা সহৃদয়-শিংদা মুংঙাইবা পী। হকচাং ওইরিবা শব্দ অমসুং অর্থ অদুসু কাব্যগী মতিক চাবা ওইদবা য়াদে। অম্নাংবা অর্থ লৈবা কাব্যতবু মীনা লুনা তৌনৈ ; মাদুতনা মতম কুইনগীদমক লেঙদনা লৈ। অতোনবা নত্ত্রগা হম্বা ম্নাখলগী কাব্য কনানসু লুনা তৌনদে অমসুং মাদুনা কদোংঙৈদসু কুইনা হিংদে। শব্দসু কাব্যগী মতীক-চাবা ওইবা তাই। চপমান্নবা অর্থ অমা তোঙান তোঙানবা ম্নাহৈনা ফোংদোকপা য়াই। ম্নাহৈশিং অদুগী মখুংদা কাব্যগী মতীক চাবদি পুম্নমক ওইদবা য়াই। খুদমগী মশক ওইনা "শুষ্কং কাষ্ঠং তিষ্ঠত্যগ্রে" হায়বগা "নীরসঃ তরুবরঃ পুরতো ভাতি" হায়বগা অনি অ'গী মখুংদা অর্থদি চপমান্নবসু থ্বাই পুম্নমক্তা অকোনবা অসিবু পাম্নগনি অমসুং মাদুনা কাব্যগী লোন ওইকম থোকই। Dryden না হায়—

"In poetry the expresion is that which charms the reader and beautifies the design".

শম্না হায়রবদা অর্থগী মতীক চপচাবা, মাদু ফোংদোক্লবা লৈরিবা ম্নাহৈশিংগী মখুংদা থ্বাইদগী হেন্না ফজবা ম্নাহৈনা কাব্যগী মতীক চপচাবা শব্দনি—মাদুদা কবিগী গুণ লৈরিবনি। গুণ অমসুং অলংকার পুম্নমক অসি রসগী মশক ওইবা আত্মা অদুগী মতেং পাংবা ঙাক্কনি ; পুম্নমক অসিনা কাব্যবু কাব্য ওইহল্লি।

মথক্তা পীরিবা কাব্য লক্ষণশিং অসিদগী খঙবা ঙমই, মাদুদি মম্মটনা গুণ অমসুং অলংকারবু কাব্যগী মরু ওইবা মচাকনি

হায়না লৌই। মসিদা লাকপা আলংকারিকশিংনা লক্ষণগী উন্নতি তৌই অমসুং শব্দগী মথক্তা প্রাধান্য পী। ইউরোপকী লেখকশিংসু style গী মথক্তা প্রাধান্য পী। Wordsworth না হায় :—

"It is unphilosophic to call language or diction the dress of thoughts. I would call it the incarnation of thoughts". De Quincey না হায়, "If language were merely a dress, then you could separate the two. But you can no more deal thus with poetic diction than you can with soul and body".

কাব্য শাস্ত্রগী পারিভাষিক শব্দশিংগী মনুংদা রস হায়বা শব্দ অসি নৈনবদা মতীক চাই। রস হায়বা শব্দ অসি সংস্কৃতকী 'রস' ধাতুদগী থোকপনি। 'রস' ধাতুগী অর্থদি 'মহাও তংবা' নত্রগা 'ক্ষাওবা' হায়বনি।

মম্মটনা হায় :—

কারণান্যথ কার্য্যানি সহকারীনি যানি চ।
রত্যাদেঃ স্থায়িনো লোকে তানি চেন্নাটাকাব্যয়োঃ॥
বিভাবানুভামাস্তৎ কথ্যন্তে ব্যভিচারিণঃ।
ব্যক্তঃ স তৈর্বিভাবাদ্যৈঃ স্থায়ীভ বো রসঃস্মৃতং॥

রতিনচিংবা স্থায়িভাবকী মীনা কারণ, কার্য্য, সহকারী হায়নবা, নাট্য অবসুং কাব্যদনা বিভাব, অনুভাব অমসুং ব্যভিচারীভাব কৌবা মখোয় অসিনা ব্যঞ্জনাবৃত্তিনা প্রতিপাদন তৌবা স্থায়িভাব অদুবু রস কৌই।

ভরতনসু হায় "বিভাবানুভাব ভিচারি সংযোগাদ্ রস নিষ্পত্তিঃ।" বিভাব, অনুভাব অমসুং ব্যভিচারিভাবকা তিন্নরবা মতমদা স্থায়িভাব অদু রস ওই।

বিশ্বন থনা হায়:—

বিভাবেনানুভাবেন ব্যক্তঃ সঞ্চারিণা তথা।
রসতামেতি রত্যাদি স্থায়িভাব. সচেতসাম্॥

রতিনচিংবা স্থায়িভাব অদু বিভাব, অনুভাব অমসুং সঞ্চারি ভাবনা কোংদোক্লুনা উৎলবা মতমদা রসকী ঙিবম য়োই।

মীওইবগী লেঙদবা (premanent) অমসুং মপুং ওইবা (predominant) বাসনাগী মশক ওইবা পুকনিংগী ফিভম খরা লৈ। মাখোই অসিবু স্থায়িভাব হায়না খঙনৈ। পুকনিংগী ফিভমশিং অদুগী মনুংদা খরনা মরু ওইবা নত্রগা মনিং তমই; খরনা ফিভম খরগী মখা পোল্লি। মনিংতম্বা নত্রগা মরু ওইবা ভাবশিং অদুবু স্থায়িভাব কৌই। মাখোই অদুদি রতি, হাস, শোক, ক্রোধ, উৎসাহ, ভয়, জুগুপ্সা অমসুং বিস্ময়নি। বিভাব হায়বসি স্থায়ীগী কারণ (cause) নি। রতি স্থায়িভাবকী বিভাবতি নুপা নত্রগা নুপীনি। অনুভাবতি কার্য্য (effect) নি। মীৎচিনা যেংবা, হুমাং থোকপা অসিনচিংবা অসি রতিগী অনুভাববি। ব্যভিচারি-ভাবতি স্থায়িভাব নত্রগা অদুগী কার্য্যগী মতেং পাংবনি। মাখাইদি নির্ব্বেদ, গ্লানি, শঙ্কা অসিনচিংবনি।

স্থায়িভাবশিং অসি মহৌশানা তুম্বগী মতৌগুম্না তুমিন্না লেঙদনা লৈ। তৌইগুম্বসুং উত্তেজনা (stimulus) ফংলবদি

মখোই অদু হৌগৎলকই। হকচাংদা হিদাক থারগা হকচাংদা মাদুগী ফল পীবগুম্বনি। নাট্যদা শব্দ অমসুং হকচাংগী লেঙ-ওৎপনা উত্তেজনানি ; কাব্যদনা শব্দতনি। লাইয়েকপা হৈবা নিপা অমনা মচু মথল মথা অয়াম্বা হাপ্তুনা লাই ফজনা য়েক্লগা মাদুবু অওইবা ওইনা উহনবা অদুগুম্বা নাট্যকারনা শব্দ অমসুং হকচাংগী লেঙ-ওৎপনা অমসুং ববিনা শব্দগী মতেংনা পুকনিংগী স্থায়িভাবপু হৌদোকই অমসুং অপাবা মীশিংনা মশা মথন্তবু কাউদুনা ব্রহ্ম-স্বাদমুক মুংঙাইবা আনন্দ ফংই। অশুম তৌনা পোকপা আস্বাদ অমসুং মু ঙাইবা অদুবু রস কৌই। রস হায়বসি নিপাননি। মাদুদি ঃ—শৃঙ্গার, হাস্য, করুণ, রৌদ্র, বীর, ভয়ানক, বীভৎস অমসুং অদ্ভুত। কনাগুম্বনা শান্ত কৌবা রস অমসু হাপচিল্লি। ভরত অমসুং নাট্য-শাস্ত্রকার অতৈনদি শান্তবু রস ওইনা লৌদে।

রসকী মহাও ফংবসি সহৃদয়শিংতননি। রস চুপ্পা মতমদা নত্রগা করিগুম্বা কাব্য অমা পাবদা য়েংলিবা অমসুং পারিবা মী পুম্নমক মাগী মাগী কল্লকুবা য়েংথিনবা, মহাক্না ঐগী অদুনি, ঐনা মহাক্কী অদুনি অসিনচিংবা খেন্নবগী ভাব পুম্নমক লোইনা কাউই। মাসিবু অলংকারগী লোন্দা সাধারণীকৃতি কৌই। সাধারণ (general) ওইদবা মী পুম্নমকপু সাধারণ ওইহনবা হায়বনি। কনাগুম্বা লাইয়েকপা হৈবা অমনা মচু মথল মথল তিনশিন্নহনা যজরা লাই অমা য়েক্লবদা মাদুগী ফজবা অদু তোঙান তোঙানবা মচু অমমমগী নত্তে ; মচু পুম্নমক অদুনা পুনশিল্লগা থোকহনবনি। হাউরবা সরবৎ অমা শেম্বদা মিশ্রি, চম্প্রা, মোরোক, কর্পূর, কুম-

কুমনচিংবা পোৎ য়াম্না চঙই। তৌইগুম্বসুং সরবৎতা লৈরিবা মহাও অদুদি পোৎশিং অদুগী অমমমগী মহাউদগীদি য়ামনা তোঙাল্লি; মহাউ অদু পোৎশিং অসিগী প্রাতিস্বিক হায়বদি মশাগী ওইবা মহাউ নত্তে। পুম্নমক পুল্লগা থোক্লিবা মহাও অদুবু প্রাপাদক রস কৌই। মতৌ অদুগুম্বা রসগী আস্বাদ অদুসু বিভাবনচিংবগী তোঙান তোঙানবা আস্বাদ নত্তে; পুম্নমক্কী অমত্তা ওইবা আস্বাদনি। আস্বাদ অসিদা য়েক্লবা লৈতে, মরুপ লৈতে, সহৃদয় ওইবা পুম্নমক অমত্তনি। নাট্যশালা অমদা লৈরিবা দর্শক পুম্নমক হৈশিংবা অভিনেতা অমনা চপমান্নবা কপহনবা ঙমই, চপমান্নবা নোকহনবা ঙমই, চপমান্নবা শাউহনবা ঙমই অসিনচি'বা। মাসিদা ঐহাক, মহাক, নহাক, য়েক্লবা, চান্নবা পুম্নমক লোইনা কাউই। চাংদমনিংঙাই লৈতবা, বর্ণনা তৌবদা য়ারবা অলৌকিক ওইবা ব্রহ্মাস্বাদমুক সুংঙাইবা, মাঙদা তরং তরং উবা পুকনুংদসু হেক্তা চঙবা সুংঙাইবা অমা পুম্নমক্তা পাঁরিবা অদুবু রস কৌই। মম্মটনা হায়, "পুর ইব পরিস্ফুরণ হৃদয়মিব প্রবিশন্ অন্যৎ সর্ব্বমিব তিরোদধদ্ ব্রহ্মাস্বাদমিব অনুভাবয়ন্ অলৌকিক চমৎকারী শৃঙ্গারাদিকো রস।"

মহাক্না অমুকসু হায়রি :—

"নিয়তিকৃতনিয়ম রহিতাং হ্লাদৈকময়ীমনাপরতন্ত্রাম্।
নবরসরুচিরাং নির্ম্মিতিমদধতী ভারতী কবের্জয়তি॥"

কবিদা লৈবা সৃষ্টিগী গুণ অদুদি প্রজাপতিদা লৈবা গুণ অদুদগীসু হেল্লি। প্রজাপতিগী সৃষ্টিদা সুখ লৈরবসু দুঃখ লৈ অমসুং মোহ লৈ। তৌইগুম্বসুং কবিগী সৃষ্টিদদি দুঃখ লৈতে, মোহ লৈতে,

আনন্দ তমক লৈ। প্রজাপতিনা সৃষ্টি তৌবদা উপাদান, নিমিত্ত অমসুং সহকারী—কারণ কহুম অসিগী মথক্তা নির্ভর তৌদে। প্রজাপতিগী সৃষ্টিদা মধুর, অম্ল, লবন, কটু, কষায় অমসুং তিক্ত—রস তরুক অসিতা লৈ; অদুগা কবিগী সৃষ্টিদা রস মাপল লৈ। মরম পুম্নমক অসিনা কবিগী রসসৃষ্টিগী গুণ অসি য়াম্না রাংনা লৈ।

সাহিত্য থোরবগী মরম অহুম লৈ। অহুম অসি অমগা অমগা অমুপকী মতিক থানবা য়াদে, মাদুদি অমা য়াওদবদা অতৈ অনি অদুনা মরম ওইদুনা সাহিত্য থোকহনবা য়াদে। মরম অসিনা অহুমম্মক অসিবু অমগনি হায়না লৌবা য়াই। মাখোই অদুদি প্রতিভা, ব্যুৎপত্তি অমসুং অভ্যাসনি। প্রতিভা হায়বসি "নবনবোন্মেষশালিনী প্রজ্ঞা" নি। অনৌ অনৌবা পোৎ শেমগৎনবগী শক্তিবু প্রতিভা কৌই। মাসিদি মী পুম্নমক্তা লৈবা নত্তে; কবি অমা ওইবগী বীজ লৈবা মীতদা লৈরিবনি। মসি লৈতবা মীনা ইবা লাইরিক অদু সাহিত্য ওইবা য়াদে। মাসিবু ইংরাজীদা 'creation fancy' কৌবা য়াই। ব্যুৎপত্তি হায়বদি "culture" নি। কনাগুম্বা মী অমগী প্রতিভাসু ফনা লৈবা য়াই; অদুম ওইনমক মহাক্না মতিকচাবা শিক্ষা, মতিকচাবা শাস্ত্রানুশীলন, মতিকচাবা পর্য্যবেক্ষণ অমসুং অতৈ অতৈ অচৌবা পোৎ তানশিনদ্রবদি মহাক্না কদৌঙৈদসু কবি অমা ওইবা য়ারোই। অদুদগী অমুক অভ্যাস (practice) তৌদ্রবদি প্রতিভা অমসুং ব্যুৎপত্তি ডাক্তনা সাহিত্য থোকহনবা য়াদে। পোকপদগী লোয়নরক্লবা প্রতিভা অমসুং রানা নোমদুনা ফংবা ব্যুৎপত্তি অদুবু অভ্যাসনা মথৌ শঙগদবনি। মাদুতদা থাঙ্গৈশেংবা সাহিত্য থোক্কদবনি।

সাহিত্যগী প্রভাবতি য়াম্না কল্লি। সাহিত্যিকশিংনা মীগী অমস্তুং সমাজগী নৈতিক উন্নতি তৌবগুম্না কনানস্থ ওমদে। মতিক-চাবা লেখক অমনা সমাজগী অমস্তুং দেশকী মী পুম্নমক্তা লিংজেন হাপ্লা ওমই। মতিকচাবা লেখক অমনা সমাজগী অমোৎপা শেংদোকপা ওমই। Bernard Shaw না সাহিত্যগী প্রতিভাদা অর্থশাস্ত্র হাপচিল্লমই। H. G. Wells না সাহিত্যগী প্রতিভাদা জীববিদ্যা (biology) হাপচিল্লমই। সমাজগী নৈতিক উন্নতিগী-দমক সমালোচনা তৌরম্বা সাহিত্যিকশিংগী মন্নুংদা Bernard Shaw বু শিংথানবা য়াই। মহাক্না মশাগী ওইবা লাইবিক ইবগী কায়দাদা, মপাম্বোংদা শাউগৎহনবগুম উরবস্থ থাঙ্গৈশে বদি শাউনিংবা পোকহন্দনা সমাজগী সমালোচনা তৌরমই। মহাক্না ঐখোয়গী ঈথক্তা চৈফু চাইথরমই; তৌইগুম্বস্তুং ঈদি খক থোকখিদে। মহাক্না তৌবা সমাজগী তীব্র সমালোচনাগী মগুংদা নোকমি নোকমি তৌবা পুকচেল চাউবগী মতৌ উবা ফংই। সমাজ সংস্কারগীদমক মহাক্না তৌবা সমালোচনাগী মন্নুংদা আদর্শ নত্রগা নীতিগা থবক্তা চানহনগদবনি হায়বা অসি মরু ওইবা পাউজাক অমনি। মহাক্কী মতত্তদি ঋাখম্না অমা ওইনা খনবা অচুগা থবক্না তোঙানবা মতৌদা তৌবা মী অচু অপঙবা মী নত্রগা য়াম্না মরৈ মরা চাউবা য়াম্না ফত্তবা মীনি। নোংমাইজিং মুমিত্তা গির্জ্জাশংদা চৎলগা নিংথৌকাবা মুমিত্তা লুট তৌবা নত্রগা মীগী মঙক ককপদি য় ম্না ফত্তবা মীনি। মীঙোন্দগী তাৎ তৌদুনা নত্রগা মুন্দুনা শেল লৌরগা মপাম্বোংদা ধর্ম্মগী থবক্তা শীজিন্নবদি তাৎ তৌবা ফত্তবা

মীনি। মপান্থোংদা উক্ত আদর্শগী রা ওাক্তা ওাওবা থবক্কী মতমদনা মাতুদগী লৈখোক লৈশিন তৌতুনা ফত্তবা তৌবা মী অতু তাৎ তৌবা আদর্শবাদী নি। অসি গুম্বা মীশিংবুদি Ibsen না আক্রমন তৌখি। Shaw দি ধর্ম্মগী আদর্শ মুম্না খওবনা Ibsen গী মতুং ইন্দুনা মাতুগুম্বা মীবু হেন্না থীনা আক্রমন তৌরমই। রাজনীতিগী ক্ষেত্রদা প্রজাশিংবু চীরোন তৌতুনা "The voice of the people is the voice of God" হায়তুনা ময়ামগী অপুনবা লৌশিংবু থাগৎলম্বা মাশিংবু করেম্নতুনা মচিন তোঙবা অশি বা মীবু থাগৎলমই অতুগা ময়ামগী অপুনবা লৌশিংবু হন্থনা হায়রমই। অসুন্না মহাক্না সাহিত্যগী থোঙদা সমাজগী কয়া য়ামনা সংস্কার তৌরম্বগে হায়বা অতু খ্বাইনা খঙনরিবনি। সাহিত্যিক অমনা সমাজগী মীগী পুকনিংদা সমাজগী ফত্তবা অতু করম্না য়েকপা ওম্বগে অমসুং মাতুগী সংস্কার তৌবা ওম্বগে হায়বগী মরমদা Shaw না অর বা খুদমনি।

কৌজিক্কী মতমগী অবস্থা য়েংলগনু Shaw গুম্বা সমাজগী অফবা সাহিত্যিক সমালোচনা অমা চঙলবনি। কৌজিক্কী মতমদা করিগুম্বা উদ্দেশ্য নংগা ফল অমা ফংননবগীদমক মাতু ফংননবা শাজিন্নরিবা উপায় অতুগী অচুম অরানগী মরমদা থোইনা খন্নদবগুম তৌই। অচুম অরানগী মায়কৈদগী য়েংলবদি ফত্তবা পাম্বৈনা ফংবা ফল অতুদি অফবা ওইরবসু ফত্তবনি। অফবা পাম্বৈ শাজিন্নতুনা ফংবা অফবা ফল অতুতনা অফবনি। সমাজ অমসুং রাজনীতিগী ক্ষেত্রদনা নীতি অসি অমুক হেন্না ওাকফম থোকই। রাষ্ট্রপিতা মহাত্মা গান্ধীনা রাজনীতিগী ক্ষেত্রদা ফত্তবা পাম্বৈনা ফংবা অফবা

ঙলদি ফন্তবনি হায়রমই। অদুবু অরাবদি সমাজ অমস্তুং রাজনীতিগী ক্ষেত্রদা থবক তৌবা মীশিংনা মতম অমস্তুং অবংগী খুদোংচাবা (Expediency) তা য়েংদুনা ফগুবা পান্থে শীজিন্নদুনা উদ্দেশ্য নত্রগা ফল ফংননবা হোৎনৈ। অসিগুম্বা খুদোংচাবা (expediency) অসি অচুম অরানগী নীতিগী (morality) বিরুদ্ধ ওইরবদি লোঁফম থোক্রবনি। সমাজগী থবক তৌবশিংগী মরক্তা মী অমনা মহাক্কী য়েরুবা নত্রগা লাম্বা অমগী মাঙননবগীদমক অপঙবশিংগী মিত্তা উফুল চাইশিন্দুনা মহাক্কী অওইবা মশক খঙহন্দনা মশাগী ওইজবা অদুবু ময়ামগী ওইজবা ওইনা উহন্দুনা থবক তৌবা মী অফবা নত্তে। সমাজগী থবক তৌরিবনি হায়না উৎদুনা মশাগী ওইজবা লোয়না থমদুনা মশাগী হিংননবগী লম্বী শেম্বা মী চৎত তৌবা মীনি।

ঐদি শক্তি অমস্তুং ফম কবিমত্তা পামদে হায়না মপান্থো দা উৎলগা মনুংদদি শক্তি অমস্তুং ফম ফংননবা হোৎনবা অমস্তুং পুন্নমক অদু ফংননবগী হোৎনবগী লম্বীদা অপনবা ওইদুনা লৈবিবা মীগী মাঙননবা তৌবদা ফাওবা হালে দবা মীদি অফবা মা নত্তে। অপঙবা মীদগী মুট মুট তৌদুনা শেল লৌখোক্লগা মশাগী কান্নবা ফংননবগীদমক অপঙবশিং অদুবু খঙহন্দনা দাতা শাদুনা শেল চাইথোকপা মী অফবা মা নত্তে। লৌ লৈতবা প্রজাশিংগী লৌ ফংননবা হোৎনবদা মশাগী অমস্তুং নরুবা মরী মতাগী লৌ ফংননবা তৌবা মহাকপু অফবা মীনি হায়বা য়াবরা ?

মুংথিন্দা চন্দন য়াম্না লংনা থিন্দুনা লুগুন উরিক নাম্না থাংবা অদুগা কুমিদাংদনা চুরানবা নত্রগা ওক্তবা শাজৎ চৎপা অফবা

নত্তে। সমাজগী থবক তৌগদবা মী খনবদা মীগী থবক ওস্না ওমদবগী অমসুং পুকচেল শেংবা শেংদবগী মীগী মগুণ য়েংদনা কান্নবা ফংবা ফংদবা, নু শিবা নু শিদবা নত্রগা শেল খজিক্কুং পীবা পীদবা অসিনচিংবগী মথক্তা নন্দুনা অপাম পামদা খনবগী থবক অফবা নত্তে।

মশাগী কান্নবা থিবদা ফন ফন চোংবা মীনা, অশিংবা মীনা ইফোং ফোংনা উরবসু অপঙবা মীগী মমিন্তা উফুল চাইনবগীদমক অনেকপা অভিভাবক্কী মরুম থুম্লবদি অফবনি হায়বা য়াদে। সমাজগী অমসুং দেশকী অবস্থা অসিগুম্বদনি Shaw গুম্বা সাহিত্যিক সমালোচক অমগী কান্নবা য়াম্না লৈরিবা। সাহিত্যগী মরু ওইবা উদ্দেশ্যদি নিংথিবা রস স্বষ্টিগী মতেংনা মীওইবগী সামাজিক অমসুং নৈতিক চরিত্রগী চাওখৎনবা তৌবনি। মাসিনা লেখকশিংগী চরম লক্ষ্যনি।

মীওইবগী পোকপগী মহৈ য়াংনবা হায়বা অদু থোক্লনবা হোৎনবসু সাহিত্যনা মূল উদ্দেশ্যনি। লন থুম, শক্তি অমসুং ঐশ্বর্য্যনা মীওইবদা বিষয় অমসুং ইন্দ্রিয়গী মরমদা কুইনা লৈতবা, মমৈথংদা নুংঙাইতবা অমসুং ঈংদবা নুংঙাইবা পীবা ওমই। মাখোই অসি থাক্লশেংবা নুংঙাইবা নত্তে। মমা মৈগী ভারতকী মুনি ঋষিশিংদি অসিগুম্বা নুঙাইবা অদিদগী মমায় ওস্তোক্লমই। মাখোইদি স্থায়ী ওইনা নুংঙাইবা, মমৈথংদা নুংঙাইতবা লৈতবা ভুংকোইনা ঈংবা, অরাংবা য়াওদবা সুখ অদুতা মীওইবনা করম তৌরগা থংগদগে হায়বা অদুগী সাধন তৌবদা মতম পুম্নমক

লেনখি। ভারতকী সভ্যতাগী চরম লক্ষ্যদি অসিগুম্বা সুখ অসিনি। মাসিবু সাত্ত্বিক সুখ কৌই হায়না শাস্ত্রবারশিংনা হায়রমই। ভারতকী খ্বাইদগী হেন্না য়াংলবা সাহিত্য গীতাদা ঐখোইনা ফংই—

"অভ্যাসাদ রমতে যত্র দু খান্তঞ্চ নিগচ্ছতি।
যত্তদগ্রে বিষমিব পরিণামেঽ মৃতোপমম্
তৎ সুখং সাত্ত্বিকং প্রোক্তমাত্মবুদ্ধিপ্রসাদজম্॥"

অভ্যাসনা মরম ওইদুনা মাদুদা আসক্তি পোকপা, মাদু লৈরবদি অরাবা পুন্নমক কোকপা অমসুং অহানবদদি তুগুম্বা উরগা মমৈদদি অমৃতগুম ওৌবা মাদুবু সাত্ত্বিক সুখ কৌই।

মণিপুরী হায়বা জাতি অসিবু হৌজিক ক লগী পণ্ডিতশিনা আর্য্যবংশদগী থোরকপনি হায়বগী মরমদা চি নৈ। ঐখোইনা থাজে, মণিপুরী হায়বা জাতি অসি আর্য্য শাগেদগী থোকপনি। অকোয়বদা চীংগী ইচিন ইনাউশিংনা কোযশিন্দুনা লৈবগা বঙ্গদেশকা নকনা লৈবগনা মাখোই অসিগা মতম কুইনা তিন্ন তোৎনদুনা লৈরকপদগী আর্য্যগী ঈ অদু পুন্নমক অসিগী ঈগা তিনশিন্নখিদুনা হৌজিককী লৈভম অসি ওইখ্রিবনি। মণিপুরীশিংগী লন্নাইগী ওইবা ময়েক হৌজিক্কি শীজিন্নব্রবা অসি থাঙ্গেশে, বমক আর্য্যলিপিদগী থোকপনি নিংই। মমাংঙৈদগী হৌন, লৈবরুবা মণিপুরী সাহিত্যগী রামায়ণ মহাভারত-নচিংবসি প্রাচীন হিন্দু সভ্যতাগী খুদমনি। মমাংঙৈদা মণিপুরদা আর্য্যবংশগী ঈথক মণিপুরদা তোয়না য়োৌররমই হায়বা অসিগী মরমদা চিংনবা লৈতনা শ্রীঅতোম্বাপু শম্মানা মতিকচাবা প্রমাণগা লোয়ননা উৎলে। লোনগী মরমদসু আর্য্যভাষাগা য়াম্না চানদবা

রাইনা নম্না মৈতৈরোন্দা লৈ হায়বদি চুমই ; তৌইগুম্বস্তং মাদুদি আর্য্যবংশগী নত্তবা কাংবুশিংগা য়াম্না কুইনা তিন্ন তোংনদুনা লৈবদগীনি। মণিপুরী লোনগী বাক্য যোজনাগী নিয়ম (Syntax) য়েংলগস্তু লোন অসি আর্য্যভাষাদগী থোরকপনি হায়বা অসি শেংনা খঙবা ঙমই। ব্রহ্মদেশতা লৈবা মণিপুরীশিং অসিনা ময়েক লাবা খুদম অমনি। মাখোই অসি মণিপুরী ওইরম্লবস্তু হৌজিকমক য়েংলবদি মণিপুরী অমা ওইবগী খুদম, লোন্দগীস্তু শাজংগীস্তু করিমগুম্বা ঙম্লোই। মণিপুরীশিংগী প্রাচীন সভ্যতা অসি মুম্না উরবা মতমদা মণিপুরীশিবু অনার্য্যবংশগী কাঙলুপনি হায়বা কনানস্তু ঙম্লোই। এখোইগী অরাবদি এখোইগী লৈজরিবা ইরন অমস্তং অওইবা ফিবম অসি মীমাঙদা পুথোক্কনা উৎপা ঙমদবা অসিনি।

মণিপুরী সাহিত্যগী হৌজিক্কী ফীভম অসি নীঙবা থুংবদি নত্তে। মতিকচাবা ব্যাকরণ লৈত্তবদগী হৌজিক্কী লেখকশিংনা মানা মানা নীঙবা মতুংইন্না ইবদগী হৌজিকমক পাঠা ওইনা শীজিন্নরিবা লাইরিকশিংগী মনু দা ভাষাতম্নগী নিয়ম কায়বা খুদম ফনা য়াম্না উই। নিয়মশিং অদু ঙাক্কনা ইবদা মৈতৈরোনগী চৎনবী করিমত্তা কায়বা নৎতে ; চোকশিন্দবদগী থোকপা ঙাক্কনি। অইবা মীনা লোন অমবু পুনিংবা মায়কৈদা ওইহন্নিংবা ফীভমদা পুথৎপা ঙমই। শক্তিশালী ওইবা মী থ্বাইনা য়ানবা লেখক অমনা লোনগী ফীভম ওলহনবা ঙমই হায়বসি লোন অতৈগী ইতিহাস য়েংলুরগা খঙবা ঙমই।

মৈতৈ ময়েক্কা ঈবা অরিবা লাইরিকশিং অসিগী মরমদা ওসি ক্কাওবা মণিপুর সরকারনা নত্রগা প্রজাগী অপুনবা সভানা করিমত্তা তৌদ্রি হায়বা য়াই। কনা কনাগুম্বনদি মশাগী ওইনা অঙম্বা খরদং তৌরম্বা য়াই। তৌইগুম্বসুং মাদুনদি তাল্লিবা উদ্দেশ্য অদু ফংবা রাগনি। অরিবা লাইরিকশিং অসিগী মরমদি থোইনা হায়রুদুনা কাম্নদে। মণিপুরীশিংগী প্রাচীন সভ্যতাগী মরমদা অরুংবা প্রমাণদি লাইরিকশিং অসিনা ওইগদৌরিবনি। মরম অসিনা অরিবা লাইরিকশিং অসিবু কৌজিক্কী মতমগী মীশিংনা খঙননবা থৌরাং অমা তৌফম থোক্লে। মসিনদি সরকার অমসুং প্রজা অনিমক্কী মরক্তা নক্নবা মরী থম্মগতা থোকনি।

মণিপুরগী মমাংঙৈগী অহল্লম্মনশিংনা তৌরম্বা থবকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী কেম্না লানবা অমসুং খ্বাইদগী কেম্না মণিপুর পুম্নমক্কা মাঙননবগী মশক ওইবদি বা লা ময়েক্কা মৈতৈরোন ইবা কৌদোকপা অদুগা বাংলা লোম্না মৈতৈরোন ইবা কৌদোকপদগী অরিবা ময়েক্তা ইবা লাইরিক্কী মখে থোওইনা গোৎনবা মী খরদ নত্তনা কৌজিক্কী মতমগী মীশিংনা পাবা থোক্লে। মাদুগী ফলনা জাতি অসিগী কয়া য়াম্না মাঙলবগে হায়বা অদু খ্বাইনা উনরিবসিনি। বাংলা লোন্দা ঈশৈ শকপদগী মণিপুরী হায়বা জাতি অসিগী কয়া য়াম্না মাঙবা অমসুং ইঙ্গ্রুৎ মাঙবা থোক্লবনো খ্বাই পুম্নমক্কা লোইনমক খঙবিরবননি। অরিবা মৈতৈরোনগী সাহিত্যগী চাওখৎপগী ফীবম অদু য়েংলুরগা লোন অসিনা ঈশৈগী মতিকচাবা করম্না ওইরমদ্রিবনো নত্রগা লোন অসিবু হন্দোক্তুনা ঈশৈগীদমক বাংলা লোন

য়ায়রুরিবনো থনবদা লাম্বা ফংদে। মহাভারত অমসুং রামায়ণগী ফজ ফজবা ভাবশিং অদুবু ফোংদোকপা য়াবা মৈতৈরোল্না ঈশৈগী মতিক চাদবা করমনা ওইরম্লিবনো ? ঐনা নিংজবদি বাংলালোন অসিবু ঈশৈগীদমক য়ায়রমদ্রবদি মণিপুরী সাহিত্যগী ফীভম অসি হৌজিক্কী অসিদগী য়াম্না য়াংনা লৈরমগদবনি। বাংলা লোন তম্বদগী ফংবা কান্নবশিংগী মরমদা কনাগুম্বনা ভাঙবা য়াই। ঐসু মখোইগা মত অমত্তুনি। বাংলালোন তম্বদগী কান্নবা য়াম্না ফংই। তৌইগুম্বসুং বাংলালোন তম্বা কান্নে কায়বগীদমক ঈরোনগী ময়েক মুথৎপা অমসুং ইরোল্না ঈশৈ শকপা তোকপা অসিগী মীচংদদি কনাস্ত লৈফম থোক্কে। অনি অসি হৌদোক্লম্বা মীগী পুকনিংদদি মৈতৈলোন অসিবু পুম্মৎ মুথৎতুনা বাংলালোন পুমলোঁ লোবগী ভাবসু লৈরম্বা য়াই। প্রকৃতিগী নিয়ম বিরুদ্ধ ওইবদগী ওইথোকতবা ওইদুনা মাখোইনা নিংবা অদুসু পাঙদা অদুগা মণিপুরী লোনবুসু মুথৎপা য়াদবা অসিগুম্বা ফিভমদা লোন অনি চাওখৎপা য়াদদুনা লৈরিবনি। হৌজিক্তি ঐখোইগী মৈতৈরোন অসি ঈশাগী ময়েক্লা ইননবা হোৎনরশিরা হায়বসু মাসিদগী থোরক্কদবা সমস্যা ময়াম অদু মায়োক্লবা য়ান্না য়াগনি। বাংলালোল্না ঈশৈ শকপা তোকপদগী করিগুম্বা সমস্যা অমত্তা থোরক্লোই ; তোক্লগনি হায়দুনা ঐখোইনা লেপ্পরগা লোইরে। মৈতৈরোল্না ঈশৈ শকপদগী ঐখোই মণিপুরী হায়বা জাতি অসিগী ইজ্জৎ য়াম্না হেনগৎকনি। জাতি পুন্নমক মমালোল্না ঈশৈ শকপা ঙাক্কনি। মণিপুরী অমনা বাংলালোল্না ঈশৈ শকপা মতমদা মাখোইগী উচ্চারণ চুমদবা, লোন চুমদবা

অসিগুম্বা দোষতগী মাখোইগী ঈশৈ অত নোক্লিংবগী মশক্লি। কনা চুম্নস্ত শকপা ঙম্বা ওইসন্থু মমালোন্দা শকপা ঙমদতুনা মীরোন্দা শকলিবনি হ.য়বগী ইকাইবদগী নাম্তোকপদি য়ারোই। অদুনা মণিপুরী পুম্নমক্তা বাংলা লোল্লা ঈশে শকপা তোকপা চুমই অমস্তুং মাসিগীদমক ল্লাশকপন। চুমই। মৈতৈরোন্না ঈশৈ শকপদগী মণিপুরী সাহিত্য কয়া য়াম্না চাওখৎলকপগে খ্বাইনা উবিগনি। করিনা হায়ববু ঈশৈগী মমু.দা অৱাংবা সাহিত্যগী মচাক য়াম্না লৈ। তেনবাগুন্না বাংলালোল্লা ঈশৈ শকপা মী খরনা মৈতৈরোন অসিদি ঈশৈগীদমক মতিকচাবা লোন নত্তে অমস্তুং মাসিনা ৱস ক্রোংদোকপা য়াদে অসিনচিংবা হায়রিবশিং অদু লাপ্পা ল শেক-খিবনা চুমই। মাখোইনা হৈত্রগা অহৈবা মীদগী তমগদবনি।

মফম অয়াম্বদা মাতৃভাষানা শিক্ষাগী বাহন ওইরবা মতম অসিদা মণিপুরী লোনবু শিক্ষাগী বাহন ওইহ:বগী থবক্তা পাঙবা ঙমদ্রি। মাসিগী মৱমদা পরিষদনা য়াম্না কন্না হে ৎনরি। লাইরিক ইবিরিবশিংনা থবক অসি হেক পাঙথোক্লকপগা মণিপুরী লোন অসিবু শিক্ষাগী বহান ওইহনবা ঙম্নগনি হায়না আশা তৌই।

হায়দরাবাদ ষ্টেটতা লাইরিক অনুবাদ তৌননবগীদমক্তা চহি খুদিংগী লুপা য়াম্না খরচ তৌই। অস্তুম তৌনা বিশ্ববিদ্যালয়গী অৱাংবা পরীক্ষা ফাওবা আইন, ইঞ্জিনিয়ারি নচিংবগী পরীক্ষা ফাওবা মাতৃভাষাগী পাম্বৈনা লৌরি। মণিপুরী লোন চাওখৎ-হন্নগীদমক মীরোন্দা ইবা অফ অফবা লাইরিক অনুবাদ তৌদুনা

ঐখোইগী সাহিত্যগী পুক্কৈ হেনগৎহনবা ঙমগনি। মাসিগী মরম-দস্তু ময়াম্না খনবিবা ফৈ।

মণিপুরী সাহিত্য অসিবু মপুং ফানা চাওখৎহন্নবগীদমক লোন, ইতিহাস অসিনচিংবা বিষয়দা বিশেষ জ্ঞান লৈরবা মী খরগী দরকার লৈ। মরম অসিনা ঐখোইনা অসিগুম্বা মী খরবু শেমগৎ-নবগীদমক হোৎনগদবনি। মণিপুরী সাহিত্যগী অরংবা ভবিষৎ লৈ; চাওখৎনবগী মচাক য়াম্না লৈ। কর্মী রাৎপদগী অমস্তুং সরকারগী মতেং মতিকচানা ঙংদবদগী চাওখৎপগী খবক থীনবনি। ঐনা নিংবদি হৌজিক্তি ভারত সরকারদি মণিপুরী লোন চাওখৎনবগী-দমক মতিকচাবা পরিকল্পনা পীখৎলুবদা য়াম্না হরাওনা ঐখোইগী ইতেং পাংবিরক্কনি নিংই। অরাৎপদি প্রজা ঐখোইগী খবক্নি। ঐখোয়না কন্না নোম্লবদি ঐখোইগী খবক পাঙদনিংঙাই লৈতে।

বিজমনি শর্ম্মা

